মণিপুরী সমাজ

হৌগৎলকপা

অমস্তুং

চাওখৎলকপা

—***—

অইবা—

ডাক্তর এমঃ কীর্ত্তি সিংহ

এমঃ এঃ, এলঃ এলঃ বিঃ, পিএইচঃ ডিঃ।

মণিপুরী সমাজ হোগৎলকপা অমস্তুং চাওখৎলকপা

—***—

অইবা—

ডাক্তর এমঃ কীর্ত্তি সিংহ

এমঃ এঃ, এলঃ এলঃ বিঃ, পিএঙ্গঁচঃ ডিঃ,

সিঃ টিঃ ডিঃ এসঃ (ডাণ্টন),

বাইবল কোস' মথামগী ডিপ্লোমা,

জ্যোতিষ রত্ন,

লেকচরর ডিঃ এমঃ কোলেজ ওফ আর্টস এণ্ড কর্মস,

ইম্ফাল।

"Collected Essays in Philosophy and Religion" Volume I and II ;

"দর্শনগী মিংয়েংদা মফম অমস্তুং মতম";

"মথাম মমাঙদা বা ভাঙবগী আর্ট"

অসিনচিংবা লাইরিক লেংবা ; বিশুদ্ধ সিদ্ধান্ত পাঞ্জিকাগী মেম্বর ;

মণিপুর সাহিত্য সমিতিগী ফাউন্দর প্রেসিডেন্ট।

অহানবা ফোঙবা

(মে ৩১, ১৯৭৭

মমল লুপা ১৫'০০

খূদোল তৌজবা

'মৈতৈ সমাজ হৌগৎলকপা অমসুং চাওখৎলকপা'

হায়বা ঐগী লাইরিক অসি নোল্লুক্লা কথোকচরি—

শ্রীযুক্তা মোইরাংথেম ওংবী অমুদোম্বী দেবী

ঐবু পোকপিরিবী অমসুং মহৈ তমহনবিদুনা

মীয়ক তিনবা য়াহনবিরিবী।

নহাক্কী শক্তমদা লিংজেল পানবা, ঈশ্বর থাজবা অমসুং

চম্না লৈবা অসিনচিংবা ফীদম কয়া তিল্লবীনি।

চহি কুইনা লৈবিদুনা ঐবু লমজিংবীনবা ঈশ্বরদা খুরমজরি।

তোল্লবা নচা

শ্রীএম, কীর্ত্তি সিংহ

প্রোফেসর এঃ মুক্তা সিংহ বিঃ এঃ (ওনর্স), এমঃ এঃ না

অহৈবগী মাইকৈদগী ফোঙবা।

নম্ফম—নিমাই এণ্ড সন্স প্রিন্টিং ৱার্কস, পাউনা বাজার ইম্ফাল।

হাহৈদোক

ঐহাক্না PH. D. thesis থাগৎপা অদু Dr. Suniti Kumar Chatterji, Padma Vibhushan, Dr. V. Raghavan, Padma Vibhushan অমসুং Dr. M. Neog, Padma Sri অহুমনা য়েংবিখি অমসুং G. U দা মখোইগী মত লানখৎলকই। Dr. Suniti Kumar Chatterji, National Professor of Humanities, Padma Vibhushan না চৌনগী পরীক্ষা লৌবা কালদা মণিপুরদা ব্রাহ্মণশিংনা পাঙথোকলিবা থৌদাংশিং অসি থরা কুপথনা নৈননবা হায়বিখি। মদুদগী Social History অমা ইথোক্লবগী হাথল পুক্লিংদা থনখি। ঐগী অশংবা মতমদা মচাক লৌখত্তুনা Draft তৌরকপদা হান্না ওইরম্বা সমাজগী মওং অসি ইতিহাস অমসুং ধর্ম্মগী মচাকা তোংশনমনবনা তোঙানবা approach (চংশিনবা) অমা পুথোক্লপা তাখি। লাইনীংগী মশকশিংনা হৌজিক ফাউবা পুক্লিগী ফোঙদোক্লবা পাথৈ ওইরি। যুক্ষম অসি ইথা থাবা য়াদে। লম অসিনা ভারত অমসুং বর্ম্মাগী লোম্নবদা লৈবা, চৌংবা কোয়শিনবা অমসুং ঈশিং শুংশিংকা মরী লৈনবা হাখন্না মকম অতৈদগী থেম্নহনবদু নৈনবা পাম্বা মীওইদা ঙক্লা শুমহৎপা ওইদনিঙাই নত্তে।

লাইরিক অসি ইবা হৌগৎলকপা কালদা J. N. University Centre, Imphal না Manipuri Division হাংদোক-তুনা মৈতৈলোনগী M. A. Class থমখি। মহুদা লাইরিক থরা হাৎপগী ভাব কংখি। অতৈ বিশ্ববিদ্যালয়দা Text-book ওইনা মমা-লোন্দা ইনবা সমাজ অমসুং সংস্কৃতীগী লাইরিক কুথা কংনম্রি। M.A. (Manipuri) তম্বা ছাত্রশিংনা ঐঙোন্দা লাক্লুনা হারী তৌরবা অমসুং অইবা আর্টিকল থিরবা থরা থোকখি। লাইরিক অসিনা মখোইগী অচংবা কোকহম্নবা থৌরাংনি।

ভারতকি Indologist অমস্তুং সংস্কৃত পণ্ডিত কয়ানা থম্লম্বা খুৎলই লৌতুনা ইবা হৌজে। সমাজগী মশক নৈনবসি British Writer খরনা মখোক শেংদনা পন্দুপ ২/৩ খক্তা লৌইশিনলি। মৈতৈ মনুংগী অইবা অমা অনীনা ছাপাদা ফোঙলম্বা লাইরিকশু ৱারীদা তাংবা অমস্তুং য়ুক্ষম শোনবা ফংই। মৈতৈ অমসুং Social Organisation মঙৎ অসি Anthropology অমস্তুং Sociology গী মাইকৈদা নৈনবদা নত্তনা শাস্ত্রগী মওংদস্তু উৎচবা থুৎইনি। লাইরিক অসি আর্য্য সমাজ, ব্রহ্ম সমাজ, রামকৃষ্ণ মিশন অমস্তুং খৃষ্টান ধর্ম্মনচিংবগী ঈথক ঈপোম কয়া থিজিল্লগা ইজবনি। অনৌবা খঙবিনিংব কাঙবুনা সুঙ'ইবিগদবা মতাং ফংবিগনি।

ছাপা নম্বা হৌবক্লবা কালদা অনৌবা ঘটনা থোকখিবা মক ওইনা সনামহি সেবাগী মৈতৈ মকপ কাংবুগা সেবাইত বামনগা খৎনবা নোংমৈ কাম্লদগী মী শিবা অসিনচিংবা লাকখি। অহোংবা খরদি foot note তা হাপচিল্লরী।

লাইরিক অসিদা বানানগী মঙৎ অসিস্তু অহেনবা খুদোংচাদবা ওইখি। মৈতৈ লোনগী চপচাবা নিয়ম লৈত্তবনা অনেম অরাংদা চমম্লবা থোকই। সাহিত্য পরিষদ অমস্তু' বানান কমিটিনা লেপ্পা অদু থম্লবা ঙম্মমখে হোৎনজ। ব গা ভ-গা খেন্নবা, ণ-গা ন-গা খেন্নবা ল গা ন গা খেন্নব., শ, ষ, স খেন্নবা মশক শেংনা মৈতৈগী পরমলোন্দ উদ্রি। চহি ১০০ মুক্তি মমাংদা সংস্কৃত, বেঙ্গলী অমসুং হিন্দুস্থানীগী রকৈ নৈখোইরোমদা লকপন্থ ঐখোইগী লাইরিক্তা চুম্না ইরমদে। কৌজিক ফংবা Dictionary পুম্বদা Corrupt তৌবা অমস্তুং অশেংবা রাহৈশিংগা খেন্নবা থীনা ফংই। অপুবা রাহৈগীদি সংস্কৃত, হিন্দী অমস্তুং বেঙ্গলীগীগা চান্নবা থমজে। মৈতৈ খোম্লোক মতুংইন্না ধর্ম্ম, বর্ম্মা, শর্ম্মা, ফাল্গুণ অসিনচিংবদা মথেক অনী ফংনা শীজিন্নবা চৎনৈ। মসিস্তু থাবা ঙমদ্রে। Transliteration গী মতাংদা

খিনা খুংগী মহুৎ শিন্দুনা থরা শেমদোকপস্থ চৎনবা উবে। Naturalise তৌরবা ইংরেজী বাহৈ অমস্তুং মহুগী বাহন্দোকস্থ ব্রেকেটতা থমবে।

য়ারিবশৈখে চেকশিন্না প্রুফ পাদুনা লানহন্দনবা হোৎনবদা প্রেসকি ময়েক বাত্তুনা অয়াবা অমনা শিনজনবা, ময়েক অদু থর মনবদগী মমি তাদবা থরা থোকখিবা থেংনবে। লাইরিক্কী লামাই ১-৮ ফাউবদা গ অচৌবা কোয়দবগী ন ওইনা মণিপুর হায়বা বাহৈদা শীজিন্নখিদুনা অশোয়বগী ভূত থয় তাম্মোকপা উমখিদে। চুমথোক্লবা বাহৈশিং অদু মমৈদা হাপচরি।

অনীশুবা শরুক্তা য়াওরিবা আর্টিকল পুম্বা চহি ৫/৬ অসিদা মথং; মনাও ওইনা ঋতু চেকোঙদা ফোঙখি। শ্রীচোংথাম মণিহার সিংহনা ঋতুগী সম্পাদক ওইনা পুবা মতমদা ফোঙদোকই। মশানা থুংইগী শরুক থরস্থ পাদুনা ময়ামদ, কান্নগদবা মওংদা শেমদোক্লবা সজেসনস্থ তৌখি। মাগী সজেসন (খঙহনবা) অমস্তুং লাইরিক্কী মওংদা অমুক ছাপা তৌবা য়াহনবগীদমক থাগৎচরি। ফোঙখিবা আর্টিকল পুম্বা শোইনা প্রেস অমস্তুং চেগী মমল হেনমনবনা হায়া উমখিব্রে। থনগৎলগা থরদং থোকহল্লরে। তুংদা মথা লৌথনবগী পাম্বৈ তৌজরি।

অহানবা শরুক্তা য়াওরিবা বামনগী থৌদাং অমস্তুং য়েক শলাইগী শক্তম অসি লময়ানবা চেফোঙদা হাপকনি হায়না ইডিটর নোংমৈকাপ্পম সনাজাউবনা চহি অমা হেন্ন থমলুই। কম্পোজ ফাউবা থরা তৌরুবস্থ ছাপা ওইনা ফোঙদুনা লময়ানবগী লামাইদা ময়াম পাহনবদি থোকখিব্রে। চেফোঙসিগী পম্বুংগা ডাঃ এসঃ কেঃ চেত্তর্জিনা পীরিবা সজেসনগা অয়াম্বা হীরমদা অমম অঙান থেম্নবগুম থোকপননি।

ঐঙোন্দা লাইরিক অসি থোকহন্নবা পাউতাক পীবিরম্বা ডাক্তর সুনীতি কুমার চেত্তর্জি খৃঃ ১৯৭৭ কি মে তাং ২৯ নিংথৌকাবা সুমিত্তা

সংসার থাদোকপিখি। লাইরিকি অরোইবা ফোর্মা ছাপা তৌরক্লবা কালদনি। ঐহাক্না লাইরিক অমা ইথোক্লে হায়রবসী পাউ হন্দুনা য়ারী শাম্নগদবা খুদোংচাবা লৈখিক্রে। চহি অহল ওইমন্দুনা শোম্ন-বগী পাউ তাবদি কুইরে। তৌইগুম্বসুং ১। ৬। ৭৭ কি অমৃত বাজার পত্রিকা অমসুং হিন্দুস্থান স্টেণ্ডরদা মহাক মশা অদু সংস্কার তৌবগী পাউ পাক্লবদা থোইদোক্না সুঙাইতবা ফাউখি। তাঙ্গা অহমলক উনজদুনা পাউতাক ফংজহোবা কাউরবা পণ্ডিত অসিনা লুনা তৌ-বিদুনা পিএইচ: ডি: ডিগ্রি পীবিরম্বা অদু হন্না হন্না নীংশংলকখি। খোঙচৎ তপ্পবসু ময়াথং ইন্দূনা লাইরিক মচা অসিগী মওং থোক-হনবসি নত্তুনা করিস্ন তৌনিঙাই লৈখিদে।

ঐহাকী ইচন নূপী শ্রীমতি থোনাউজম নিঙেঙান চান্দম ওংবী মনোরমা দেবী বি: এ: না লাইরিক অসি ফোঙদোকপগী তাঙ্কক্তা পূক্নিং থৌগৎপা থবক তৌবিখি।

ঐগী ছাত্র প্রো: এ. মুক্তা সিংহ, এইচ, ও, ডি, ওফ ফিলো-সোফি, মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজ না ঐগী মাইকৈদগী জোইন্ট পব্লি-সর ওইনা ফোঙদোকখি।

ছাপা তৌনবা মচাক শেমগৎপা অমসুং প্রুভ লৌবগী মতাংদা ঐগী মরীমতা য়ুম্নাম দেবেন সিংহ, এম, নন্দো সিংহ অমসুং জয়কুমার মঙাংনা ফজরবা মতেং পাংখি।

লাইরিক অসিগী লামাই ১ দগী ৮ ফাওবা গীতা প্রেসতা নম্নগা মথা অদু চৎথত্রবদা শ্রীহিদংময়ুম নিমাই শর্ম্মা, প্রোপ্রাইটর নিমাই এণ্ড সন্স প্রিন্টিং রার্কস, ইম্ফালনা পূকচেন শেংনা লাইরিক অসি লোই-ত্রিফাউবা নখীদুনা তেল্লবা মতমদা ময়ামদা লাম্থোকচবা ;ঙমজরী।

লাইরিকসি ফোঙদোক্লবা হোৎনবদা মণিপুর ষ্টেট কলা একা-দেমীনা শেলগী মতেং থরদং পাংবিবগীদমক থাগৎচরি।

তাং ৩১। ৫। ৭৭ ইং

অইবা



অইবগী মরমদা খরদং—

ডাক্তর এম. কীর্ত্তি সিংহ, ইম্ফালগী নোংপোক লম্গী উচেক্কোল্ল কোবা খুলদা পোকই। মহাক গৌহাটি বিশ্ববিদ্যালয়গী মমিং চংলবা ছাত্র অমা ওইরি। এম. এ., এল. এল. বি., পি. এইচ. ডি নি।

মৈতৈ বৈষ্ণব লাইনীংদা লুপচবা পরেঙ্গ পন্থোগী মচা ওইবনা ছাত্র ওইরিঙৈদগী ধর্ম্ম তত্ত্ব মৈনব অমসুং চাংদম্নবা তৌরকই। ভারতকী ফংবা খ্রীষ্টান মিশন কয়াগা কিন্নরক্লুনা বাইবল কোম কয়া পাম্না তৌখি। অরাংবা ডি. প্রামাস্ত ধর্ম্মসিদা মহৈদ খংখি। মণিপুর এষ্ট্রোলোজিকেল সোসাইটিগী ফাউণ্ডর সেক্রেটরী ওইরকই। জ্যোতিষ

লাল্লগী অহৎ অমসুং কল, মৈতৈ লুপিকাগী মওং অদু মতম চংনা গোবিন্দজীউ টেম্পল বোর্ডকি চন্দ্রসিদ্ধান্ত (পংলাকপ) ওইরিবা শ্রীথোকচোম ঙুরসিংজদগী তমখি। তমখিবা বিষয়শিংবা মণিপুরগী রিসার্চতা মতেং ওইখি। লো. জ্যোতিষ অমসুং হৈনবা মহৈ কয়ানা থবক তৌনবগী মতাংদা মতেং পংওই ওইদে।

ছাত্র ওইরিবৈঙদগী প্রেস অমসুং পব্লিসিটিদা থবাক তারকপনা খবর অমসুং মেগাজিন কয়াদা বিষয় পুনা আর্টিকল ফোঙই। মতু লোইনা মশিং থিবা হৌমলোই। লাইরিক ওইনা ফোঙদোকপদি মশিং যম্লা লরে। "মৈতৈ সমাজ হৌগংলকপা অমসুং চাওখৎলকপা" হায়রিবা লাইরিক অসি মৈতৈলোনগী এম. এ.গী সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী বিষয়দা তম্বা ইবনি।

ডাক্তর এম. কীর্তি সিংহগী এবিনিটি (তৌবা ঙম্বা) অসি হৌজিক মীচং নায়রবা, হুরুবা অমসুং লৌশিল্লরবা সমাজনা শন্দ খঙ্জ্রে। মণিপুরগী সেকেণ্ডরী বোর্ড অফ ইডুকেশন, পব্লিসিটি সেক্সন কো-ওপরেটিভ ইউনিয়ননচিংবনা মখোয় হৈনবা থবক কয়াদা শাফবৈ। মক লৌবা হৈনবাকসিগী সংস্থান—মণিপুর ষ্টেট কলা একাডেমি, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, কলচরেল ফোরম শ্রী অরবিন্দো সোসাইটি মচিংবনা বারম্ভোড়ুনা বা ড্রাভবা অমসুং হৈন লোইনবদা শরুক য়াবনি। হৌজিক ফাউনবা লংখম থোকপা মরম্মদি লংল্লি। খুঃ ১৯৭৫ দা মণিপুর ষ্টেটকি মীয়ুং ওইনা হায়রবা ফিলোসোফি কনফরেন্স, দিল্লী ইউনিভরসিটি দা শরুক য়াখি।

মাগী লাইরিকশিংগী মখুংদা **"The Religious Developments in Manipur in the 18th and 19th Centuries"** হায়রিবদা **Doctorate** ওইরকখি।

শ্রীথৌনাওজম নিংথৌজাম চাম্পম ভংবী মনোরমা দেবী
বি. এ.

ইম্ফাল,
তাং ৩০। ৫। ৭৭ ইং

থাংমৈবন্দ।

য়াউরিবা হীরমশিং

অহানবা শরুক

অনীশুবা শরুক

(তোঙান তোঙানবা লাইনীংশিং)

মনিপুরী সমাজ হৌগংলকপা অমসুং চাওখৎলকপা

অহানবা শরুক



(১)

মৈতৈ য়েক অমসুং শলাইগী শকক্ম

মনিপুরগী সমাজগী ইতিহাস অসি বৈজ্ঞানিক ওইনা নৈনরবদা লমসিগী মীওই কাংলুপশিং অমসুং মখোয়না লিংখৎপা পোৎ কয়া পন্দবা য়াদে। তমদা মৈতৈ (মীতৈ) অমসুং চৌংদা চৌংমী (মমাঙৈদা হাও কৌনরবা) গী কাংলুপ কয়া লৈরকই। করমা জাতিগী মরীদা মখোয়বু থমগদগে হায়বদা তোঙান তোঙানবা মত কয়া পুথোকনৈ। লম অসি, থাগৎনিঙাই ওইরবা পণ্ডিত-শিংনা বারী অমসুং পুয়াগী মতেং লৌদুনা চৌং-তমগী মরী পুথোকই। মৈতৈ হায়বসি ঈশ্বরনা মীওইবা জাৎ শেম্বা মতম-দগী শেম্বীদুনা লমসিদা খুন্দাহল্লি হায়রি। লম-লমগী ওইবা ৱারীশিং অসি ডুকান্দারনা মাগী পোৎ শিংলবা মচু অমসুং মণ্ডাল হাপচিন্দুনা অরৈববু গুম্মৎপগুমই। ঐখোয়না ককপা ঙমদ্রবসু মপানগী অখঙবা কাঙবুনা নৈনরম্বা থরসু লৌখৎপা য়াই। মৈতৈবু কিরাত নক্ত্রগা হান্না লৈরম্বা আদিবাসিদা চলহল্লি। চীন, নেপাল, ভুটান অমসুং হিমালয় মনাকী লমদা লৈবা মাঙ্গোলিয়ান কাঙবুগা মৈতৈগা পুনশিল্লি! কিরাত কাঙবু

অসি উদগী শেন্দ্রা কিদাক্কী লৌশিং নীংথিনা থডই। রামায়ণ অমসুং মহাভারত্তা কিরাক্ত পনবা য়াওই।

পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপু শর্ম্মনা মৈতৈবু ব্রাত্য * কৌবসি মাগী অকোঙবা লাইরিক কয়াদা উৎলি। বেদ চত্তবা খা-নোংচুপ ইরান্দগী লাক্লুনা ভারত্তা খুন্দাখিবনি। প্রকৃতি লোন হৌদোকপা যোগী লাইনিং, শিব নীংবা অমসুং তন্ত্রগী মহৈ অসি মখোয়গা লোয়নৈ। পোৎ থাওগ মহৈ-মরোং লোক্লবা লাইনিংস্থ হৌদোকই। খুন তোয়না হোংগল্লি। গঙ্গা মপান অমসুং মগধ-রোমদগী মকম অতৈদা শন্দোকখি। মনিপুরগী লাই হরাওবা অসি ব্রাত্য শিব নীংবগা শম্নল্লি।

---

* মহৈথংদা ইরকপা সংস্কৃত সাহিত্যশিংদা ব্রাত্য হায়বসি ঋষি নত্রগা ব্রাহ্মণ সমাজদগী তোঙানবা মী কাওবু ওইনা পল্লি। বর্ণ মরিগী মীওইশিংনা মখো কাউথোক্লুনা ব্রতদগী তাখিববুস্থ খইনৈ। মী মখল অমসুং তৌথিবা থবক য়েংলগা শেংদোক্লবা তোঙানবা মন্ত্র অমসুং পূজা মখল কয়া তৌদুনা শেংদোকই। হিন্দু ধর্ম্মদা হঙ্জিন্নবা নত্রগা ওন্নবা অক্ষবা পাথৈ অমনি। বৌদ্ধ, জৈন, ম্লেচ্ছ অমসুং হন্দোকপিরুরবা ব্রিশলশিংবু ব্রাহ্মণ সমাজদা পুশিন্দুনা মপাঙ্গল হাপকৎখি। ব্রাত্য ক্ষত্রিয়গী খুদম মারাঠাগী ইতিহাসতা ফংই। ভোন্সলা শাগৈ অসি ক্ষত্রিয়গী মখো তৌদবদগী ব্রাত্য ওইখিবনা শিবাজীনা কম্বাল তোংনমদাইদা শেংদোকপা তাখি। (গঙ্গা ভট্ট) কৌনবা বিশ্বেশ্বর ভট্ট কৌবা কাশীগী খডৈথেরবা ব্রাহ্মণ পণ্ডিত অদু নিংথৌ দরবারদা চত্তুনা মন্ত্র কোউদোকখি অমসুং বেদগী হৌনবী পাওখোকহনখি।

মৈতৈবু আর্য্যনি অমসুং মহাভারত্তা তাক্লিবা মনিপুর অদু ঐখোয়গীসিনি হায়বা অকনবা চৎনরকপসু ফংই। অতোম্বাপু শর্ম্মা অমসুং রাহেংবম যুমজাও সিংহনা ভাষা বিজ্ঞান অমসুং বেদদগী প্রমান তৌরি। শাক্য নিংথৌমচাশিংনা খৃ: মমাঙ চহিচা কয়াদা মনিপুরদা পানখ্রে অমসুং বৌদ্ধ ভিক্ষুশিংনা লমসি ফাওডুনা নোংপোকলমশিং চৎখি হায়বসি অখণ্ড অহৈ কয়ানা মত্ত পীবসু ফংই। অমরোমদা মৈতৈ অমসুং অতৈ শনাইশিং অসি নোংপোকলমশিং পোং, বর্ম্মা অমসুং খাগীগী লমদগী থুন্দারবনিসু হায়। খোংফাং পোক্টরৈতোন কৌবা থুন্তাখিবা নিপা অসি নোংচুপলমদগী নত্তে, নোংপোক লমদগী লাকপনি। বর্ম্মাগী খামতিদগী লাকপা মীওই নত্রগা টউ-বা কৌবা খাগী নিংথৌ মচানি হায়নসু পুথোকনৈ। R.M. Nath অমসুং এ. মীনকেতনা কন্না মত পী শ্রীমীনকেতন সিংহনা কংলাদা আও নাগাশিংনা মতম কুইনা পানখি হায়বসু চেংলৈ শনাইগী রাহৈশিং অমসুং লিন নিঙবনা প্রমান তৌই। লম অসি ঈশিং মথাদা লৈবুম্নদগী Austric না থুন্দাখিবনি হায়নসু খন্নৈ।

মৈতৈ শাগৎখিবা শনাই অমসুং য়েক হায়বসি কুপনা নৈনবা চঙই। খৃ: চহি চা কয়াগী মমাঙদা তমগী লমদা থাঙ্গ, কম্বোং, কাওরোক অমসুং কোন্থৌশিংনা পানখিদুনসু ইতিহাস অকরুনা শেম্বা ঙমদে। মথংদা (1) নিংথৌজা, (2) অঙোম, (3) খুমন, (4) মোইরাং, লুৱাং, (6) চেংলৈ অমসুং (7) শাবা ঙানবা হায়বা য়েক ৭ থোকলকুনা মাগী মাগী লমদা খুং কন্না পানখি। কর্নেল মেকলোক অমসুং টী, সি হডসননচিংবা সাহেবশিংনী মত্তা শনাইশিং অসি মনাক

মকপা চীংমা কাওলুপকী অমত্তনি অমসুং আর্য্য কাওলুপ নত্তে হায়না ইরম্মি। চীং-তমগী ঈনাৎ য়ানশিন্নবত্থ মখাদা তোপ্পা নৈনরি।

শলাইশিংগী নিংথৌনা মখোয়গী লম পাকথোক্লবা হোং-নখি। মতম মতমগী মতুংইন্না ওমথৈ হোংদোক হোংজিন তৌই। তাথিনবনা অপূনবা শেমখিদে। মখোয় পূনশিল্লবদা মপানগী জাতি অমনা খুড়ুম চনবা ওমলোই। অদুবা মতমদা শলাইশিংগী নিংথৌনা পাল্লবা কোম্বুং, শন্দোকখিবগী ৱারী, মনিপুর মপানগী লম পোং, শান অমসুং নোংচুপকী ময়াং লমগা রাজনীতি অমসুং কুটনীতিদা মরি থম্নবা হোংনবা থেংনৈ। মোইরাংগী সাহিত্য নৈনবদা পোং তাবা মীগী মমিং তোয়না থেংনবা, (টুমুরাকপা) কবো জাৎনা মখোয়গা শন্নরম্বা অসি উবদা মমাংঙৈগী খুৎকন পাঙলবা পোং জাতিগা মখোয়গা য়াম্না নকশিন্নরম্বা প্রমাণ ফংই কংলৈগী ৱারীদা য়াওরি। মী মমিং অমসুং ইহান হায়না শেম্বা মী অদু পোং পনখি। পাথং-বগী মচা অমনা পোংদা পানখিবা অমসুং পোংগা ঐখোয়গা ইতম্নবনা শন্নবা তৌনখি।

পোং সাম্রাজ্যনা মপান কগৎলকপদা শুকানফা নিংথৌগী মনাও শামলুংনা খাগীগী লমদম য়ৌনা নোংপোক্তা লৈবাক জয় তৌরুই। নোংচুপলোমদা কাছাড়, ত্রিপুরা, আসাম য়ৌনা শন্দোকখিবা পোংগী একাউন্ট অমসুং মৈতৈগীদসু ফংই। চহি মশীং থেম্নরবসু পোংগী চাওখৎলম্বগী খুদমদি ইচা-চানৈ। শামলুংনা মোংপোক ইংখোন্দা চহি ১০ লৈরম্মী হায়না কুম্বাবদা পল্লি।

মৈতৈগী থাঙলোন থাঙচত পুয়াদা শামলুংগী মতিক মগুনসু পল্লি। অতৈ লমবু জয় তৌরগা মৈতৈবুদি নৈহত্তবা উৎলি। ক্যাম্বগা পোং নিংথৌ খিথোম্বগা চায়বা বিষ্ণু মুত্তি, কাগোক অমসুং থাঙ-সু পুরকপা য়াওই। মৈতৈ পুংয়েবা অমগা পোংগী শিক্সা খোংবগা ওয়খি। পোংশুৎ, পোং হরাই অমসুং পোংদোন পনবা য়াই। মোইরাংগী থোইবীনা কি লোনবদা কবোগী য়েত্নম ভুনানবী শীংথানৈ। অরিবা মতমদা মৈতৈ লৈবাক্তা পোংগা লৈনরম্বা মথল কয়া নৈনকম ওইরি।

হৌজিক মৈতৈ পাউরোনবদা শলাই তরেৎপু পনবা থেংনৈ। মতিক ময়াই লৈবদা মৈতৈ, লুব-নানবা অমসুং ঈনাৎ শেমগৎপদা লুরাং সাহিত্যবু অমসুং সুংশি সুংওন্দা মোই-রাংগী লাংওনশিং, অমসুং লারু ভমদবা লিন্দা থীবদা খুমন পৈ়। মতাং লুরাং অমসুং খুমনগী ফাওখিবা গুরু অহুম অসি সুমিৎকী মকম অহুম য়েংডুনা শেম্বনা মৈতৈ পুম্বনা ইকাইখুম্নৈ।

মৈতৈ য়েক শলাইশিং অসি অহানবদা তোঙানবা জাতি ওইরম্মী। কাইনথংদা Caste (বর্ণ) গী মওং লৌড়ুনা সমাজ অমত্তদা পুনশিনখি হায়বসি ঐগী অকরুবা মতনি। মথাদা প্রমাণ কয়ামুক পীজরি।

(১) হিন্দু সমাজদা মমিং চৎপা বর্ণ মরি লৈ। ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অমসুং শূদ্র অসিনা মপুংনি। পঞ্চম কৌবা মতাংগুবা অদু, সমাজগী থাপ্না থৈ়। ইতিহাস পণ্ডিতশিংনা সাক্ষী কয়া পুথোক্তুনা নৈনরগা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়নচিংবসি জাতি অমমম ওইনা লৈরম্মী হায়রবা উৎলে। ব্রাহ্মণদনা ধর্ম্ম,কর্ম্ম অমসুং পুরিৎকী

থবক তৌনদে। পরশুরামনা ক্ষত্রিয় বংশবু লান্দা মায়থীবা পীখি। মখোইগী থবক অমসুং লম অনিগী চিদাইদা লৈবসু কংই। ভারত-পুম্বা লৌ-উবা লৈবাক ওইবনা মী অয়াম্বা বৈশ্যগী থবক তৌনৈ। লাইনীংবা, ভক্ত অমসুং অচৌবা মপোক কয়াদা বর্ণ মরীসিগীদা নত্তনা অতোনবা কাণ্ডবু কয়াদগী থোকখি (১)। বিশ্বামিত্রনা ব্রাহ্মণ ওইখি। নন্দবংশ অসি শূদ্রনি। মৌর্য্য শাগৈ বৈশ্য গুপ্ত অমসুং শুঙ্গ শাগৈ অসি ব্রাহ্মণনি (২)। পাল বংশ, পল্লভ অমসুং

১। ভক্তশিংগী জীবনচরিত পাবদা টুকারাম অসি মোর (শূদ্র), নমদেব— ফুরিৎ ভুবা, কবীর—মুসলিম কি শাবা, আসামগী শঙ্করদেব শক্তি শূদ্র কায়স্থ, নরত্তম ঠাকুর মহাশয়— কায়স্থশূদ্র ওইবা কংই।

২। ভারতকী ইতিহাস পাবদা লৈবাক ভাকখিবা শাগৈ পুম্বা ক্ষত্রিয়দগীত নত্তে হায়বা ময়েক শেংনা উৎলি। পানখিবা শাগৈ অসিগী জাত লেপ্পসি সংস্কৃত পণ্ডিতশিংনা পুরান নৈনরগা হান্নদি লেপনৈ। ইতিহাসকার রাধা কুমুদ মুখর্জি অমসুং হেম-চন্দ্ররাই চৌধুরীখোয়না বৌদ্ধ, জৈনশিংগী মচাক নৈনরগা ককপসু রাওনৈ। রাক্ষস অসি All India Oriental Conference কী মীকম কয়ানা পুখোরুদুনা নৈনৈ। বর্ণ অসি চপচানা চৎন-রম্মী। মসিনা ভারত লৈখা তাহল্লি হায়বসি M. N. Roy নচিংবগী মতনি। Dr. S. K. Chatterjee নদি অসুম্না মত পীরিবা অদুগী মচং থয়া লৌখৎলি। ব্রাহ্মণশিং অমসুং হিন্দু

হয়চলনচিংবসি চৌংমী অমসুং হন্থবা কাণ্ডবু মচা ঙাকনি। হন কাণ্ডবুদগী রাজপূতকী সিসোদিয়া অমসুং চৌংমীশিংদগী রাথোর অমসুং বুণ্ডেল রাজপূত পোকখি। শুদ্র ওইবনা শিবাজীনা মেবারগী সিসোদিয়া ভোন্সলা লৌরগা নিংথৌগী অভিষেক তৌখি, পেশরা নিংথৌ অসি মারাঠাগী বামননি।

ইউরোপতা অধ্যাত্মিক অমসুং ধর্ম্মগী শক্তি অসি রাজনীতিগী মথুত্তা মায়থীখ। Materialism (মশক নাইবা পোৎকী) অমসুং লৈবাক ঙাকপগী মথুত্তা চনশিনখি। ভারতদি ধর্ম্মগী শক্তিনা শক্তি অতৈদগী হেন্দোক্লুনা মথক কাখি। আর্য্য কলচরগী মশক অপুম্বা ব্রাহ্মণ কাণ্ডবুনা শেমখি। মদুগী ফলনা কাণ্ডলুপ অপুম্বগী মথক্তা ব্রাহ্মণশিং লৈখি। মখোয়গী শাপ্তা লাই কাওবা অরাবা নংখি। ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অমসুং শুদ্র পুম্বা ব্রাহ্মণগী মখাদা থর হন্থবা বর্ণ ওহনা লৌশনখি। মনিপুরদসু মসিমক ফংই। নিংথৌজাগী নিংথৌনা খুদুম চন্দ্রিহৈদা Tribe (কাণ্ডবু) গী মওংদা অকরুবা লম লৈরম্মী। অমনা অমবু হন্থনা য়েংলমদে।

সমাজগী নেতাশিংনা হিন্দু মনুংদা সমাজ শেমগৎনবা শেম্বনি। বর্ণ মরীনা সমাজগী মশক ওইখিবা মতম লৈখিদে। অরিবা মতমদা পৃথিবীগী মফম পুম্বদা জাত তিনশিনবা লোইনা তৌনৈ। মথং মনাও নাইনা য়েংবসি মফম পুম্বগীনি। বর্ণগী কত্তবা অমসুং কনশিনবা হেলহনবসি বৃটিশকী আইন শেম্বা কোর্টননি। অচুম্বদগী চখোকখিবা মওং অদুতবু বাবন থমবা মী, দর্শনিক অমসুং নেতাশিংনা নিন্দা তৌনৈ।

পুক্কে হাংখদা শলাই অতৈগীগা চায়দবা অমসুং পাখংবা হাক্তকুগী নিংথৌজানা শলাই অতৈবু মথা পোন্দুনা থনম্বা ফংই। মথংদা শলাই অতৈনা মনিংমখা তম্নকপা মৈতৈগা লান তৌনবা অমসুং

অতিথি ওইনা পুবগী ভাব লৈরমদে। বর্ণনা অকরুবা লমদা লৈত্তে অমসুং মফম খূদিং শন্দোকই। ঈগী লমন খূন্নিংবা অমসুং শাগৈ কাণ্ডলুপ অদু কনখৎনবা হোৎনবা কন্না য়েক শলাই লৈনবদা ময়েক শেংনা ফংই।

(২) জাতিগী কাণ্ডলুপ হায়বসিদা চৎনবী, লোন অমসুং নিংথৌ অমগী মথাদা রাজভক্তি লৈবগী রা পল্লি। রাজনীতিগী সংগঠন অমনি। প্রজাশিংগী অধিকার, ভোটকী অধিকার, থবক ভৌফম শণ্ড অমসুং মরুপ লিংখৎলি। বর্ণ (caste) দদি মসি ফংদে। লমগী ওমখৈ লান্দুনা মফম পুম্বা চাইথোকই। লোন ভোঙানবা লোল্লি।

(৩) ভারতকী বর্ণ হায়বসি লৈনবদা মখোয়গী মদুংদা লুহোংনবা অমসুং চাবা থকপগী মতুংইন্না লেপ্পা ফংই। চিক্লাক থর লূনা চাবদুনা থর রাংনা লৌনৈ। বর্ণগী শকফম অসি শলাইদা পানশিনবা ওমদে। গৌর ধর্ম্ম চল্লিৱৈদা শলাইপুম্বা মনা মশিংদা কন্না চানরমদে। শা অমসুং য়ু থক্করম্মী। কাইনখৎদা ইথোকপা লাইরিক থরদা শলাইশিংনা চানদবা চিক্লাক (toboo) ফংই। মসিনা নাগা কাণ্ডবুগা নকশিন্নবা মত্তৌ ফংই।

(৪) শলাইশিংনা চাবদা থিংনবা চিক্লাক থরসি totem (মরী লৈনবা পোৎ) কৌবা য়াই হায়না Frazer না মত পী। T.G. Hodson নদি য়াদে। য়েক খায়বা হায়বসি totemic division নত্তে হায়দুনা Shakespear পী মত ককই। লমদম অসিদা totemism (মরী লৈনবা অশেংবা পোৎ) দা প্রজাগী বাথন লৈরম্বা হায়বা রা ফোঙদোকই।

(৫) শলাই ৭ অসি য়েক ৭ তা পূনশিনবৈ। খরনা য়েক ৭ শলাই ৯ হায়নসু ইবৈ। য়েক থোকনবদি মৈতৈ মনুংদা লুহোংনদে। সাইরুপ তিন্নবা, পু তিন্নবা য়ুমনাকশিংদা লৌনদে। লুরাংনা খুমন লৌনদে। মোইরাংগা খাব ঙানবগা লৌনদে। চেংলৈ শলাইগী য়ুম্নাক ১/২ গসু মোইরাংগা লৌনদে। মোইরাং য়ুম্নাক ১/২ গা নিংথৌজাগা লৌনদে। মরী নরুখিবা অমসুং হৌকম তিন্ননা লৌখিবদগী চারোৌ মোরোৌনবা থিংখি। হৌজিক ফংলিবা শলাইশিং অসি অশেংবা অমতা নত্রে। অরিবা মতমদা ফংলম্বগা শোইদনা খেন্নরমগনি। মুৎখিবা শলাই য়াউদুনা অমদা তিনশিনখি। অরা লান্দা ফাদুনা বর্ম্মাদা তাখিবা কাঙবুসু ফনা লৈরি।

(৬) অরিবা মতমগী শলাই নৈনবদা clan charisma (কাঙ-বুগী ওইবা থৌজান নত্রগা লেম্না ফংবা) হায়বা মওং অদু উবা ফংই। ঈশ্বরগী থৌজান্না ফংবা অহেনবা, magical (যাদুগী) ওইবা শক্তিনি। মন্ত্র হৈবা, লান হৈবা অমসুং ময়াম ঙাকপা ঙম্বা মগুণ অদু শলাইগী পিবাদা য়াউই। মঙোন্দা অহেনবা শক্তি পীবা, মহাক্না ময়ামগী মহুৎ শিন্দূনা পূজা তৌবা ফংই। মমাংঙৈদা ইউরোপতা নিংথৌমচা খনবা, Cardinal (কেথোলিক্কী মকোক) Elector হায়দুনা ফংলম্বদু শলাইগী পিবাদা থেংনৈ। পিবানা ফংলকপা অমসুং তানললকপদু শাগৈ নত্রগা শলাইনা য়েনথোকনৈ। মচা অহন্না মহুৎ শিনবা চৎনৈ। ফত্রবা ওইদুনা মাগী শাগৈ হন্থবা তারবদি কাঙবু অদুগী খর হেন্না মতিকচাবা নত্রগা ইনাক খুনববু ওইহনলম্মি। কুই-রবা মতমদদি মৈতৈ নিংথৌনা মাগী অনিংবা মতুংইন্না শলাইগী নিংথৌ হাপচিনলে।

(৭) শলাই অসি রাজনীতিগী ওইবা সংগঠননি হায়বসি মণিপুর ইতিহাস কুপ্পা নৈনবদা প্রমাণ তৌই। মৈতৈ নিংথৌগী ইতিহাসকি পুকৈ হাংবদা শলাই অতৈগীগা চান্নদবা অমসুং পাখংবা হাক্তকুগী নিংথৌজানা শলাই অতৈবু মখা পোন্দুনা থনম্বা ফংই। মখংদা শলাই অতৈনা মনিংমখা তম্নকপা মৈতৈগা লান তৌনবা অমসুং

মপাঙ্গল হন্থহনবা ওই। খৃঃ চহিচা ৭ অমসুং ১৭ হৌরকপদা অচোম মপাঙ্গন কনখৎলক্তুনা মৈতৈ নিংথৌগী খুভম্মক শিনখিবা য়ানা লৈখি। রাজনীতিগী ইতিহাস অসি মখোইনা খৃঃ শতাব্দী ১৮ শুবা ফাউবা শান্নখি।

ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা অয়ানা লৈবাক থুগাইবসি মোইরাংনা অরা চত্তুনা লান নেল্লুবননি। শলাই অমগা অমগা লাম্থিনবা অসিদা লৈবাকী অবস্থা অকিবা ক"না ফৎলমদে। লৈবাক প্রজা খন্নরগা চারো মোরোনবা কয়া তৌহুনা পুন্সিনবা মতিক চাউবা নিংথৌ কয়ান্থ থোকখি। মোইরাংপর্ব্ব কৌবা নিংথিরবা মৈতৈ সাহিত্য লৈকোন অসি নৈনবদা শলাইশিংনা রাজনীতিদা শান্নরম্বা শরুক মমি তাই। মতম অসি খুমন অমসুং মোইরাংনা মপান ফরিবৈগী সাহিত্যনি। শলাই অমদা পোক্তুনা লৈবা মীওই অদুনা মনিংতম্না পোরকম থাদুনা অপাম্বা মতুংইন্না অতোপ্পা শলাইদা শাইদাংবা অমসুং নিংথৌ থনবা চৎনখি। লুরাং লাম্মী চাউবা না মরৌশি'না মোইরাং নিংথৌগী অঙম্বা ওইখি। খুমনলোমদগী হাউরো য়াঙ্গমনা খুমন লম থাদুনা মোইরাংদা শাইদাংখি। মাগী থারা খুমন পুরেনবা অমসুং খম্বনা মোইরাং পর্ব্বদা অরুংবা শরুক য়াখি। খুমনগা মোইরাংগা চান্নবা অমসুং অচোম্বু লংথবা কয়া রারীশিদা য়াউই। পোলোইদা পুংশিনবা খম্বা থোইবি অনীমক মাংমিন্নখি। খুমন মরাই চাইবদা নত্তনা মোইরাংসু শোম্থখি। মোইরাংগা কবোগা ভিন্নরম্বা মতাংসু মরিক চুন্না ফংখি। খৃঃ শতাব্দী ১২ শুরকপগী মতমদা বর্ম্মাগী নিংথৌ অলোংশিথু না ত্রিপুরাদা লৈবা পাসিকা লৈবাক্তি নিংথৌমচানুপী লু-হোংদুনা মৈতৈ নিংথৌ নমথনবা তৌখি। বর্ম্মানা শলাই খরগী মত্তেং অমসুং মপানগী লম থোমদুনা মৈতৈ চাইখাইনবা শরৌ তৌখি। অদুবু মৈতৈনা মাগী ফিবম চেংনা থমখি হায়না R. M. Nath না মাগী The Background of Assamese Culture কৌবা লাইরিক্তি লামাই ৮৯ দা ইরি।

শলাইশিংনা tribe (কাডলুপ) কি মশক তোক্তুনা বর্ণগী মওংদা

লৌরকপা মতাং অসি লৈবাক অসিদা ফংবা পুয়া, ৱারী অমসুং পূজাদগী ফংই। হিন্দু ধর্ম্মগী প্রভাব কল্লকপা মতমদা মখোয়গী culture (সভ্যতা) মান্নমা লৈবাকসিগী পণ্ডিতশিংনা শেমখিবা উপপুরাণগী মওংনি। ১৮শুবা খৃঃ শতাব্দীদা ইশিনখিবা লাইরিক ঙাক্কা হৌজিক ফংলি। শলাই থোকখিবগী ৱারী অদু য়াম্না কুপথনা মখাদা নৈনরি।

গুরুনা মশক খংবা য়েংগে হায়দুনা কুপত্রেং অমসুং সেনত্রেংনা ইম্ফাল তুরেল মপান্দ শান্নরিঙৈদা শন অশিবা শাদুনা তাওথরকই। সেনত্রেংনা ইনথোরকই। সেনত্রেংনা লাইগী শায়ন ওইরম্বা য়াই হায়দুনা চিংখৎলি। অশিবা অদু গুরু শিদবগী মশক ওইখি। পোৎলোইরগা মশাদু খায়দুনা শলাই ৭ য়েন্নখি। মখোয়না ফংখিবা শরুক য়েংদুনা থোনখিবা শলাই ঙাক্লি। মপা মশক খঙবগী সেনত্রেংবু পাখংবা কৌখি। মসিদা ওইরিবা পাখংবা অসি ত্রেতা য়ুগতা ফাংখোং কোইবা মতমদা গুরু শিদবা শক খঙখিবা পাখংবা অদুগুম্বা অমনি। লৈথক লৈখারোন পুরাণদা তাকপা ৱারীনি।

শন অশিবা ওইনা তাওথদুনা চাংয়েং তৌবা অসি কলি য়ুগত। য়োইমোংবা অমসুং তাওথিংমাংনা পানবা মতমদসু তৌখি। মৈদিংগু তাওথিংমাংনা মাগী শোইপন্দগী শন অশিবা অমা চিংখৎতুনা থমখি। মমগদা গুরুনা তাকপিবা মতুং ইন্না শন অশিবদু শলাই ময়ামদা য়েঙ্গোক্লগা পোৎলোয়খি। ইতিহাসকী মতমদা য়েংলবদি নোংদা লাইরেন পাখংবনা শলাই ৭ কী নিংথৌবু মথা পোলহনখি। প্রজা পুম্বদা য়েক য়েঙ্গোকখি। কাঙলুপ অমমমগা নুমিৎ ৭ কা চানহনখি। ঐখোয়না ৱারী অদু চাংদম্নদুনা নৈনবদা আসামদা চৎপা মানাকারনা সম্পাদন তৌবা খৃঃ শতাব্দী ১৬ শুবগী মানস্যাকাব্যগী ৱারীগা মান্নৈ। তাইবং শেম্বা ধর্ম্ম গুরুনা ব্রহ্মা, বিষ্ণু অমসুং শিববু মশক খঙত্রা য়েংগে হায়দুনা মী অশিবা ওইনা তুরেন্দা তাওথরকই। তুরেনগী মপান্দা মফম তোঙান তোঙান্না লাই অহুম্না ধ্যান তৌরম্মী। ব্রহ্মাগী লাইনিংফম য়োবদা মখোংনা কাওথোরকই।

বিষ্ণুগী লাইনিংফমদা তাউশিনবদা হৈনরুদুনা ইঙ্গোবখি। শিবগী মনাক য়োবদা মপানি খঙদুনা মথক্তা পুখৎলি। মোইবুংদগী ঈশিং লৌদুনা চাইরগা হিংগৎহনলি। ধর্ম্মনা থরাই হিংগৎলগা শিবদা তপস্যাগী জ্ঞান থাগৎলি। দূর্গা অমসুং গঙ্গাবু লুহোংহনখি। ধর্ম্ম মশামক শিবদগী তোঙান্দে হায়দুনা খোনাউদা চংশিনখি। রারীদা চান্নবা খর মতাং অসিদা ঐখোযনা থেংনৈ। শন অশিবগী মশা পুম্বনা শলাই ময়াম থোকখিবগী মরমদি শলাই পুম্বা মৈতৈ জাতিগী মচেৎনি হায়বগী ভাবনি। Dr. S K. Chatterji গী মতা রারী অসি বেদগী বর্ণ মরি থোকখিবগা চাংদম্নে। পুরুষসুক্তদা বর্ণ ৪ গী হোঁফমদি ঈশ্নবগী কোক, পাম্বোম, ফৈবোম অমসুং খোংদগী থোকই হায়দুগা মৈতৈনা শেমখিবা Non-canonical (হিন্দু শাস্ত্রগী আইন নত্তবা) ওইবা রাবীগা খন ঙানৈ। R. M. Nath কী মতম্ব শলাই ৭ না শন অশিবগী মশা য়েন্দুনা Relio. লৌবসি আর্য্যগী প্রভাবনি হায়বা প্রমাণ তৌই। গুরুগী ঈদগী নাপা, মনা মশীং অমসুং হৈ লৈ কয়া থোক্লুনা মমিং থোনহিবা ফংই। খা-নো পোক থংবা ইউরোপ্তা Zoroaster না হৌদোকপা ধর্ম্মগী মচেৎ ওইবা Mitharaic cult চংওখৎখি। অশেংবা শনগী মবুক্তা তানা থিন্দুনা থোক্লকপা ঈ অদু ভক্তশিংনা লেবাক্ত চাৎথোক্লবদি মহৈ মরোং ফংহল্লি খননৈ। রাবী অসি Maitrakara, Mitharai নত্রগা

মৈতৈনসু থাজনবম্মী।

মতম হোংলকপনা শলাইগী বাখন হোংগ্রে। রাজনীতিগী ওইবা তোক্লুনা ধর্ম্ম অমসুং সমাজগী ভাবক লৈরকলে। নিংথৌজানা শলাই ময়ামগী মথক্তা নমহন্দুনা পানবা মংমদ শলাইগোন লাইরিক কয়া ইখি। শলাই খুদিংগী মী পুম্বা মৈতৈ ওইখরে। মৈতৈ হায়বা অর্থ পাক্লা লৌনবক্রে। পুম্নমক মৈতৈলোন লোনবা অসি ১৮ শুবা খৃঃ শতাব্দীদগী হৌরক্রে। শলাইগী ভাব অসি চহিগী কুমৈ তাবা, অপোকপা খুরম্বা চহি অমদা ফত্ত হৌদি ঙাকথোক্লবা থৌনিরোল অমসুং লুহোংবগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা থানক্রি।

পরিবনিরাজগী মতমদা ১৬৫৪ শতাব্দীদা থরান থা ২৬নি থাংজদা হাওবমচা পুপ্রম্বনা শলাই ৭কী মরম ইখি। গোবিন্দদাস নোং-প্রংনা মত অনৌবা কয়াসু পুথোকখি। ভাগ্যচন্দ্রচরিৎকুম্বা কোন্না ইথোরকপা পুরাণ কয়াদদি হিন্দু দর্শনদা মৈতৈ লৈবাক শেম্বা ওইহনলে। গুরুগী মিদগী শাগে ৭পোকই, যুগ ৪ মমিং থোন্দুনা যুগ অমা লোয়বদা লৈবাক অসিদা প্রলয় তৌবগী রারী ফংহনলে। কলি যুগতা শানখিবা পাখংবা অমসুং শলাই অতৈ অসিবু লিন ওইনা, মরূম ওইনা পোকহনলি। পাখংববু যবিস্থ, তাওরোইনাই, সনামহিবু ফনিন্দ্র অমুন্না থোন্দুনা লেংলে। নোংপ্রংনা মুমিৎকী মচা পাখংবা থাগী মচা পুরৈলোম্বা হায়, মৈহৌরোল সাকোক অহানবা মুমিৎকী মখোইদা লৈবা নিংথৌ অপানবা তাওরোইনাইনা পুরক্লুনা লৈমরেল য়াইবীরোক্তা কোন্দুনা পাখংবা পোকএ হায়। পাখংববু লিন লাই ওইহল্লে। শলাই ৭কা চান্নবা লিনগী মশক, মচু কয়াসু পুথোক্লরে। বর্ম্মা লৈবাক্তা লিন অমসুং লাইরেন লাৎপসি আশ্রমদা লৈবা অরি কোবা মাইবশিংনা হৌদোকই। বঙ্গদেসতা বামাচারি কাঙবুনা পূজা তৌবগা মখোয়গীগা মান্নে। মণিপুরদা তন্ত্রগী কাংলোন অমসুং লিনলাৎপা কন্না ফংবাসি তন্ত্রিজম অমসুং ধর্ম্মগী প্রভাব অনীমক ফংলমগদ্রা হায়না মত পীনিংই। শলাইগী লাইরিক নৈনবদা হিন্দু প্রভাব কন্না ফংবা উই। ওঁ ঋষি হায়বা রাহৈনা হেক হেক হৌই। শলাই অমমমগা বর্ণ=মচুগা লোইননা ইরে। অশংবা=শরাং লৈ-শাংথেম, মেমানবা=খাব ঙানবা, অমুবা=খুমন, হিগোক=লুরাং, অঙাংবা=নিংথৌজা, অঙৌবা=অঙোম অমসুং অরাংবা=মোইরাং, Colour দা কন্না পীবসিনা জাতি ময়াম লাকপগী হকচাংগী কুচু নিং-শংহনলি। অমগা অমগা খেন্নবা তারুদবা হিন্দুগী দর্শণ হৈবা কাঙবুনা মীগী মগুণদা মচু হাপচিনলি। মসি হিন্দু প্রভাবকি ফলনা চৎলম্বা য়াই।

শলাই ৭ অসিগী পূজা তৌনবা মশক লাই ৭, অকরুবা মুমিৎ ৭, থা ৭, পোকপা মতম ৭, লৈবাকসিদা ফংবা লৈ মশক ৭, তোঙাম্বা

লাঃ ৭, ঙা মথন ৭ পন্দুনা ইরম্মি। লাই নুপা ৭ কা কোম্নবা লাই-রেম্বি ৭, শাদোং ওইবা শা মথনস্তু পী। পক্লবা থরানমিচাক মমিং, ঈশিং শোকফম অমসুং পূজা তৌফম তোপ্পা পীরি। মশিং ৭ পু অশেংব, অক্ষবনি হায়না লৌনৈ। কাওমচা সিংহনা মাগী ইতিবৃত্ত লাঃ ৭৮ দা শলাই ৭ পু শ্রীকৃষ্ণনা দ্বারিকাদা পাল্লিবৈগী সপ্তবংশী—যদু বংশ, বৃষ্ণি বংশ, ভুজ বংশ, অন্ধক বংশ, কৌরব বংশ, কুককুর বংশ অমসুং কারষ্ঠ বংশগা চাংদমনরি।

শলাইশিংনা মখোইগী নীংতম্বা জাতি ওইবা মাঙখিদুনা নিং-থৌজাদা লুপশিনখি। মৈতৈগী মখা পোনবা ফম্নাইবা অমগী থবক তৌখি। মসিগী প্রমাণ মতিকচানা ফংই। শঙগী মরম তাকপা লাইরিক্তা পাখংবা কোবা নিংথৌজাগী নিংথৌনা রায়েনশঙ কোবা শলাই তরেৎনা মাগী মাগী মচু অমসুং শরূক য়েন্নবা লোয়শঙ লিং-খৎলম্বা তাকই। লোইয়ুম্বাগী মতমদা অঙোম কৌদুনা মখাপোনবা ওইনা অঙোম নিংথৌবু থম্নবা শঙ শাখ, মৈতৈ নিংথৌগী কোন্নুং ওইফমদা শলাই তরেৎমক্কি খুরম্নবা য়ুম্ফম শাদবা য়াদে। চরাইরোংবা নিংথৌনা কুমফিতে লোয়শঙ লিংদুনা অঙোম তান্থোক্লবা হোৎনখি। শঙ অসিদগী কুমফিনা অঙোমগী য়ুম তান্না তেন কাপ্পুনা অঙোমবু মফম হোংদোকহনখি।[৩] মৈতৈ নিংথৌগী কেন্দ্র সরকার শেম্বদা অঙম্বা ৩৪ গী মন্নুংদা অঙোম নিংথৌ, লুৱাং নিংথৌ, খুমন নিংথৌ য়াউই। চৈরাপতা অঙোম নিংথৌ, লুৱাং নিংথৌ অমসুং পানা লাকপনচিংবা য়াউই। নিংথৌজাগী নিংথৌনা ফম্বান তোংদ্রিবৈদা অঙোম নিংথৌবু হান্না ফম্বান কাহনবা, লৈবাক্কি নোং তাদ্রগা অঙোম ফাদুনা পুথ্রী তৌহনবা অমসুং লিঙ্গগী মওং মান্না নোংলুম লোক-নাওবী অদু নোংমাইজিংদগী লৌরগা পূজা তৌবদা অঙোম য়াউহনবা চৎনরোনস্থ হৌজিক ফাউবা ফংলি।[৪] শলাইশিং অসিগী মন্নুংদা

৩। এইহাক্না খোমজনবা খুৎনা ইবা শঙলোন কোবা নিংথৌরোনগা কোম্নবা পুয়ামচা অসিদা লাইতিন খুরম্বগা মরী লৈননা রাফম অসি লৈন্নরি।

খ্বাইদগী ইকোন কোম্না রাজনীতিদা মমিং লৈরম্বসি মোইরাংনি। মণিপুরদা ব্রিটীশনা পাল্লবা ফাওবদা মোইরাংগী দমক হান্না লৈরম্বা ফমশিং কায়দনা থমখি। ক্ষম ২৪ হাপ্পদা মোইরাংনা মনীং তৌখি। ময়ায়গী নিংথৌনা য়েৎপা তৌখিদে। লাইরম তিনলমগী মতাং অমসুং খুদম খঙনবা নুং হকপা অমসুং অচৌবা থবক্তা মোইরাং নিংথৌনা মৈতৈ নিংথৌগী য়াথং ইনখি।[৫] মোইরাংগী ইতিহাস অসি ভাগ্যচন্দ্র চরিত অমসুং কংলৈগী ইতিহাসতা পানসনবদা মুৎলুরবদগী নৌনা হৌগৎখিবা ওইনা পল্লি। মোইরাংগী অশেংবা ইতিহাস অমসুং মতিক চাউরবা খম্বগী ফিমন্নচিংবা লৈবাক তাকপদা পুম্বাং মাঙল্লে।[৬] শলাই অমা নৈনবদা অতোপ্পা শলাই অমগী বারী ফংবদু অথীবা মওংদা থেংনৈ। মোইরাংগী বারী নৈনবদা লুরাং অসি খুল তাক্লুবদগী লেমহৌবা মী থরদগী অমুক থোকখিবা ওইনা উহনলি।[৭] অমগা অমগা মুংঙাইনরমদবা অদু বারীশিংনা প্রমাণ তৌই। খুদম ওইনা পনবদা মোইরাং নিংথৌ থেল্লে মুংনাং তেনহৈবগী মচানুপী শিজ শমজমনিগী মরমদা ফোংলিবসি কংলৈদা চৎনবগা মোইরাংগীগা কয়ামুক থীনা থেম্নবগে হায়বদু পাবদা মুঙাইনিঙাই ওই।[৮]

৪। শ্রীমুতুম ঝলন সিংহ, বিজয় পঞ্চালী, মরিশুবা পন্দুপ।

৫। শ্রীএম, চন্দ্র সিংহনা পীবা রারম।

৬। ললিত মঞ্জরী পত্রিকা ১৯৩৪, ওক্টোবর, নৈনবা কাপ্নৈ।

৭। ঐহাক্না বারী ময়াম নৈনবদগী অনুমান তৌবা।

৮। এম, ৺চন্দ্রসিং, শিজ শমজমনি, ১৯৬৬ লামাই (ii), রাহৌদোক।

চীং অমস্তুং তমগী থানত্রবা মরী

চীংমীশিং— মৈতৈলোন লোনবা তমগী মীওইবু মাইকৈ পুম্বদা চীংমী মথল ২৯ন কোয়শিল্লি। তম অসি চীংনা পুমকোয় কোয়শিল্লি। চীংমী পুম্বা মী ১/২ দং মরক মরক্তা মৈতৈ ওনখিবা নগুনা হায়গী tribal affiliation (চীংগী ওইবা মতৌ) লৈরম্মী। মখোয়গী লৈশেমলোন্দা মৈতৈগা তিন্নবা, পুনশিনবা অমস্তুং Parallel (নাকন নাকন চৎপা) ওইনা য়াওই। কবুই, তাংখুল, চোথে, অনাল, মাও অমস্তুং মরামগী নাগা কাঙবুশিং অসি অরিবা মতমদা মনীং তম্বা অমস্তুং মৈতৈগা নক্নরবগী প্রমাণ ওইনা মৈতৈগী অইবা লাইরিক্তা ফংই। চীং, পাৎ, তুরেনশিংগী মমিংদা মৈতৈগী মিংগা মখোয়না থোনবগা মান্নৈ। চীংগী ৱারী কয়াদা মখোয়না তমদা লৈরম্লগা চীংদা খুল হোংখিবগী মরম পনলি। কবুই কাঙবুদি চীংমীশিংগা মৈতৈ শলাইশিংগা লাল তৌনবা, চারৌ-মোয়ৌনবা অমস্তুং মরূপ শারব থৌদোক কয়া কুম্বাবদা পনলি। কবুই কাঙবুদি খরনা চীং থাদুনা তমদা লৈরক্লে। চীংদা লৈহৌবা কাঙবুনা মখোয়গী environment (অকোয়বদা লৈবশিং) তা adjust (চানহনবা) তৌই। তমদা লৈবনা তমগী মওং লৌরক্লে ; মশা মউ অমস্তুং লমচত্তা মক্তম কুই-রকপদগী হোংলক্লে। মীশিংদা অওনবা কয়া ফংলে। মসিনা Ethnic (জাতিগী মরী লৈনবা) ওইবদি নত্তে। মখোয় হিন্দুস্থু নত্তে ; মণিপুরী নক্নগা মৈতৈ হায়বস্থু য়াদে। মৈতৈগী ফিজেৎ শেত্তুনা মরক্তা চংখিবদা চীংগী কাঙবুনি হায়বা খন্দোকপা ঙমদে। অসুম ঙাঙলগা মৈতৈ লোন ঙাঙবস্থু খোয়রক্তে। খৃঃ শতাব্দী অমদগী ফংলকপা য়েক অমস্তুং শলাইগী লাইরিক কয়া নৈনবদা চীং অমস্তুং তমগী নক্নরবা খুদম য়াম্না ফংগ্রে। তমদা লৈরিবা মী পুম্বা চীংদগী হৌখিবা ওই। কংলা কোম্নুংবু কুরুমচীং কৌই। তমগী মকমদা

থর তোংবা মফম্দু চীং কৌদুনা মখোয়গী মরম নৈনবা লাইরিক কয়া লৈ। পাম্বোইবী হাউরৈমা অমসুং নোংমাই পেন্তাগনচিংবগী রারী নৈনবদা চীং অমসুং তমগী মরী চেৎনহল্লি। নিংথৌনা কংলা ফম্বাল তোংবদা চীংগী ফিজোন শেৎলি। মপান চৎপদা লোইন ওইনা চীংমী য়াউই। লোন হন্নবা লম্দু কয়া হাপই। কোম্নুংদা চীংমী য়েংনবা লোয়শঙ কয়া থমই। চীংতম মরূপ কাউনদনবা মেয়া হাউচোংবা কুমৈ হেক হেক তৌই। কুম্বাবাদা চীংমী তমদা কুম্লকপা অমসুং চীংতম চান্নহনবগী খুদম য়াম্না পল্লি। খৃঃ ৩০০গী মতমদা কৌব্রু চীংদা পাল্লম্বা নিংথৌ শাগৈগী মিং অমসুং রারী কয়া অরিবা লাইরিক্তা লৈ। লুরাং শলাইগী নিংথৌশিংনা লোইচীংদা পাল্লি। নিংথৌজাদগী তোঙানবা মঙাং কৌবা কাঙবু অমনা মতম থর লোইচীং অমসুং ফয়েং মনাক্তা লৈবা চীংশিংদা কোম্নুং শেমদুনা পানখি। নাউথিংখোংনা মঙাংগী লম খুদুম চনখি। গুরু মঙাং পুন্জিবা হায়বসি কাঙবুসিগী নিংথৌনি হায়নৈ। মমৈদা নিংথৌজা শলাইগা মঙাংগা অমত্তা ওইখি। (মঙাং অসি মনুংগী অর্থদা ইঙাং ঙাংনা থোক্লকপা নুমিৎপু খঙনবম্ব চৎনৈ)।

অঙোমলোন নৈনবদা শলাই অসিগী লাইশিং পুরৈরোম্বা অমসুং চীংসোম্বা মচিন মনাউ অনীমক উগ্রুলগী খাংখুই অমসুং কশোমলোমদগী লাকই হায়। তম্পাকলোমদা অস্তম খুল শন্দোকলকই। পুরৈরোম্বনা লমলাইদা লৈহৌরগা ময়াম্বনা থাঙ্গাল অমসুং শুসা কমেংলোমদা চংখি। পাশংবনা অঙোম নিংথৌ তাম্বোরকপদা কংলৈ ময়ায়দা লৈবা ঙমদদুনা নোংমাইজিংদা অঙোমগী কোম্নুং শেমখি। নোংপোক লম অসি মচু ঙৌই হায়না খঙনৈ। অমুবা লৈবাক ফংদে। খাংখুই শুরুং অসি শুম্নু পেয়ে য়াম্না লৈ। লোইনমক ঙৌই। মৈতৈনা পুরৈরোম্ববু অঙৌ পানবা কৌনা খঙনবসিগা খাংখুইদা ফংলিবসিগা চানৈ। তাংখুল কাঙবু অমা খাব শলাইদগী থোকই। খাবরোন পাবদা খাবা কাঙবুগী তৌরাং

হায়বদু চৌংমী ওইখি। নাউথম্বনা হাংপদগী মখোয় খর নোং-
পোক লমদা তাংখুল ওইখি।

শরাং লৈশাংথেম অমসুং খূমনলোন পাবদা খরদি চৌংলোমদা
চন্দুনা হাউ ওইখি হায়। খুমনগী শেম্বগী মচা অতোনবনা মরিং
ওইখি হায়না খূমনলোন্দা পীরি। লূরাং শলাইদা নিংথৌ পুন্সিবগী
মতু চিংসুং হাউবা চন্থনা পোকপা লোকহন্না থাঙ্গাল মথন ওইখি।
মোইরাং কংলৈরোন্দা লৈম তনুগী মচা লংবনা লাংতে ওই। মোই-
রাং নিংথৌ সনাহোংবগী মনাউ অতোনবা অদু মাগী মীওইশিংগা
অকাম হাউ ওইখি মোইরাং থাংজীংবু চৌংউ হায়বদি চৌংগী
অথোইবা কৌই। চৌংদগী কুম্নগা মোইরাংগী অহানবা নিংথৌ
ওইখি। মশা পূম্বা লৈশংনা য়েৎশিনলি হায়না মিংগৌবগী অর্থদি
ফি শেত্রিঙৈগী ভাব তাকই।

চকপা খুন্দা খুম্থোকলোন নৈনবদা খাবা শলাইগী নিংথৌ
সুংজেংবগা পাখংবগা লান হৌনৈ। পাঙ্গল্লবা খাবনা পাখংবা
তাম্থোক্কুনা মোইরাংদা লৈহনখি। মোইরাংদা পাখংবগী মচা
অনী পোকখি। থাংজীং লাইগী মতেং লৌদুনা খাবা সুংজেংবা
তাম্থোকখি। খাব ভানবগী শলাই অসিদগী মচেৎ কয়া থোক্লা কায়খি।
খরনা তাংখুল, খরনা কবুই নুংনাং, খরনা অঙোম অসিনচিংবা
ওই। খরনা নিংথৌজাদ চংজদুন লুপসিনখি। নিংথৌজা শলাই
নৈনবদা কাংবা নিংথৌগী মচা খাবিনা খোংজাই জাৎ ওইখি।
নোংপ্রংদা চৌংদগী লাক্কুনা নিংথৌজাদা তিনখিবা য়ুম্নাক খর পী।
লেরা খোংনাং লোন্দা খোংনাংনা ভান্ন লৌদুনা লমুই, তোলোই
অমসুং লৈশন পোকই। মখোই মরিসি চৌংমী ওইখি হায়না
অঙোমদগী থায়বা ফান্তেকলোন অমসুং অঙোম ইনবা লৈরা খোং-
নাংলোন্দা য়াউই।

মণিপুর অসি কাঙলুপ মথন মথন কয়াগী তিনফম ওইরকই।
মীশিং খর হেনবা নাগাগী মফমদা মী বলি কৎপা, লুখা থানবা

অমসুং অচৎ অওক প্রজাদা খুদোংথীবা হেক হেক তৌরম্মী। তাংখুলগী খুল মশেন্দা লান তৌনবা অমসুং লম লানশিনবা য়াদবা ফংলম্মী। চীংমী প্রজাশিংগা তমগী মৈতৈগা তিন্নরবা অমসুং পূন্না লৈবাক ঙাক্লম্লবদি মণিপুরনা বর্ম্মাগী মখুঙা মীনাই ওইরমলোই। লাবন্যচন্দ্রগী মঙাইবুঙো হেরাচন্দ্রনা চহি তরেৎ খুন্তাক্লিদৈদা অরা কয়াবু লোৎলগা হাৎপদু চীংগী মতেং য়াওই। মহাক চীংদা লোত্তুনা মতম খাংখিবনি। যাদুনাংগী লালহৌ অমসুং খোংজাই লালহৌনা মৈতৈগী লানগা পুনশিন্নরম্লবদি ব্রিটীস সরকারনা মণিপুর লৌশিনবা অরুবা ওইরমগনি। লাইবক থীবদগী চীংদা অমা হৌ, তমগীদা অমা হৌ লৈবাকী মপাক্লল শোম্থখি। চীংমীশিংনা চীং লম্বেল তকথোকপদগী তম্পাক তান্না লান্দাবা লাকখিবনি হায়বা খূদম লৈ খৃঃ শতাব্দী ১৯শুরকপদা অর লান কায়রুরগা হৌজিনলকপদা চীংতম পূনশিনবগী ইথক কাখি। নিংথৌ গম্ভীরসিংহনা খূৎলাই শিজিন্নদুনা লম চিদাইগী কাঙবু কয়া মাগী মথা পোলহনখি। মণিপুরগী ঙমখৈ য়াৎপা হৌখি। বর্ম্মা অমসুং মণিপুরগী চিদাইদা লৈবা মীশিং য়ামদবা কাঙবু খর বর্ম্মাগী মখূত্তগী অরাবা নংবা অমসুং মদু কন্নবা British সরকারনা চংশিনবা য়াউখি।

মণিপুরগী চীংমী কাঙবু অয়াম্বা কবো তম্পাক অমসুং শমজোক-লোমদগী খুল হোলক্লুনা মণিপুরগী লমদা খুন্দাখিবা ওইনা তৌই। মখোইগী মরক্তা Negrito অমসুং Pre-Australian গী ঈ য়াউব্রা হায়বদু প্রমাণ রাংলি। মঙ্গোলিয়ানশিংনা লাকখিবদগী কাঙলুপ অয়াম্বা থোকখিবনি। কবুই কাঙবুদি লমসিগী মচা মশুনি মসিদগী অতৈ লমদা শন্দোকপনি অস্তুম্না খন্নৈ। মীশিং য়ামদবা কাঙবু অদুস্থ মৈতৈ নিংথৌনা ঙাকপিবা অমসুং হিংবা ঙম্বা শীনবীখি। কুকি অরিবা চোথে, অনাল, পুরুম্নচিংবদি মৈতৈগী লাই সনামহি, পাথংবা রাংবরেননচিংবা মখোয়গা মরী লৈনৈ। মান্তক খুলগী হাউম্বী অসি

মোইরাং কংলৈরোন্দা য়াউই। অনৌবা খোংজাই ফুরূপতি ১৯শুবা খ্রীঃ শতাব্দীদা বর্ম্মা চিদাইদগী তাম্নোরক্তুনা মণিপুর অমসুং আসামদা চেনখি। Political Agent ওইরম্বা মেকলোক সাহেবনা মখোইবু মণিপুরদা খুন্দাহন্দুনা লৈবাক অসি ঙাকশেনবা মতেং ওইনবা থম-খিবনি। মখোইদগী পাইতে, মার, গাংতে অমসুং হাউকপ্নচিংবা শাগৈ কয়া থোকখি।

চীংদা ভারিবা কাঙলুপশিঙগা মৈতৈগা সমাজ শেমগৎপদা মরী লৈনবা অমসুং লৌথোক লৌশিন তৌনবা থর মখাদা পীরি।

(১) মৈতৈগী শলাইদা মরূপকী সংস্থা (Institution) লৈরম্মী। লৈশাবী, পাখংগী interest (হৈনিংবা) ঙাকতুনা সমাজ মরা চেংহনখি। ফাল হায়না কৌনৈ। কবুই, তাংখুল, মরাম, মাও, অনাল অমসুং খোংজাইদা মখোই মখোইগী লোন্দা লৈবা ফংই।

(২) ফুঙ্গা মৈ হৌবা, লৈরং শেম্বদা মচৈ অহুম শেমদুনা থম্বা, লৈবাক মখা হুন্তবা, শীং অকংবদগী মৈ অশেংবা লৌদুনা লাইগী থবক তৌবা চীং অমসুং তমগী কাঙবু অনীদা ফংই। লম অসিগী মচা মশু নত্তবা Proto-Aryan কাঙলুপশিংদা ফুঙ্গা থম্বা অমসুং মৈ য়োকপসি ফংলম্মু হায়বসি নৈনবা চংই। [বেদদা উৎপা বিষ্ণুগী খোং অহুমগা য়োৎছবী মখোং অহুমগা চাংদম্নবা অসি শ্রীব্রাহেংবম য়ুমজাউ সিংহনা নৈনখি।]

(৩) মৈতৈ অমসুং চীংমী পূম্বদা য়ুম্লাই অমসুং লমলাই লাৎপা ফংই। মদু পাংথোক্লবা মাইবা অমসুং মাইবী ফংই। লাই হরাওবদা তাংখুলগী ফিজেৎ শেৎপা য়াওই। নূপানা তাংখুলগী ফিজোল শেৎলি। নূপীনা কবুই নত্রগা খোংজাইগী ফিজেৎ শেৎলি। অসুম্না তিনশিনবগী মওংসি খ্রীঃ চহিচা ১৭/১৮ দা লাক্লমগন্রা খনৈ। নোং-পোক নিংথৌনা তাংখুলগী ফিজেত্না লৈবাক অসিদা খুন্দাখি। নোংপোকী উমং লাই খরগী লাই হরাওবদা তাংখুল খুলদা বার্ত্তণ তৌবা চৎনৈ।

(৪) য়ুমশা তিন্নবা অমসুং চিরোং হাপ্পা ফংই।

(৫) শাবাউ লানখাউ তাকপদা মৈহুম মোরোক পুবা থেংনৈ।

(৬) জগোই, ঈশৈ, মূন্না অমসুং খুৎলাই শিজিন্নবা (শেনবুং, নোংথৈ, পেনা*) মান্নবা মমি তাই। মৈতৈগী লাই হরাওবদা চীংগী মমি তাই। ইমুং মনুংদা শান্নবা ওইনা কাং কাপ্পনা শান্নবা ফংই। তা খৌশারোন্দা কবুইগী, হরামগী ওইবা মতৌ অদু মৈতৈদসু তম্বীনরম্মি।

(৭) চাক, ঈন্সাং মথেন অমসুং ঙা অকংবা চাবা চীং অমসুং তমদা মান্নৈ।

(৮) ফি শাবগী খুৎলাই, তরেং, ফিশাতেম, হূইত্রি, তওৎ অমসুং তমংনচিংবা অনৌবা পুসন্নকপা পূম্বা চীং, তম অমসুং লোইলমদা শিজিন্নরমই। খাংদা ফি মথল কয়া শানৈ।

(৯) চীংমী জাত থরদা তমগী শলাইনা তৌবগুম্বা নামুংবা পোৎশক কয়া লৈরম্মি।

(১০) চীংমী থরদা শলাইগুম্বা কাওবু থর খাই। মৈতৈগী মী মমিং অমসুং বাহৈ রাতা কয়া চীংগী জাত কয়ানা শিজিন্নৈ।

(১১) মৈতৈনা গৌরধর্ম্ম চল্লিহৈদা ওইরম্বা ফীভমগা চীংদা ফংলম্বগা মান্নৈ। লম্বোইবা, মঠ অমসুং চাকনিবা ফংলমদে। থবক নোম্বা ঙমদবা মীওই অদু শাগৈ নাতৈনা থাকই।

(১২) শলাই তরেৎকি অপোকপা খুরুম্নবা পোৎচংশিংদা চীং অমসুং তমগী হৈ, লাং, শীং অনীমক পুন্ন য়াউই। তমদা ফংবা পোত্তনা ইরাৎ থৌনি মপুং ফাবা য়াদে হায়বা কন্না থাজনৈ। □

---

* পেনাবু কবুইনা লাং ; তাংখুলনা তিং তৈলাং কৌনৈ।

□ নোট— চীং অমসুং তমগী ঈনাৎ তিন্নবসি মরম কয়ামুকলোমদগী কুপথনা ঐহাক্না "অপুনবা মণিপুরগী সভ্যতাদা চীংগী খুদোল" কৌরবা প্রবন্ধদা ফোংদোকচল্লে। Manipur Cultural Integration Conference না ফোংবা থা তরুক-কী চেকফোং Cultural Integration, মরিশুবা, ইশু ৭৫, লামাই ১১-১৭ (মনি) তা ফোংজবসি ময়াম্না পাবিনবা হায়জরি।

য়ারোই তাবা

চীংমী মখনশিং অসিনা অপুনবা মণিপুরগী সভ্যতা অমা শেমগৎপদা মশক নাইবা খূদোল তৌখি। কবুই কাণ্ডবু অসি লাইহৎলোন, মাইবগী থবক অমসুং তন্ত্রগী থবক্তা মৈতৈনা ঈকায় খুম্নদবা ঙমদে। মঙগী অর্থ, মী কাপ্পনা হাৎপা অমসুং মুংশিনবগী লাইরা কয়া কবুই মাইবদগী মৈতৈ অচৌ অশাংশিংনা তমখি। মোইরাংপর্ব্বদা শিংথানবা কবুই শলাং মাইবগী মহৈ, লোক্তাক পাৎকি হৌফমগা কোম্নবা শলাংবাজী অমসুং লাইরেল কৌবা ঙম্বা কবুই মাইবগী য়ারী ঐখোইনা শক্ক শোম্নে। তাংখুল ফুরূপ অসি পুখ্রী তৌবা, পল্লি থোনবা অমসুং খোংবান তৌবদা মখূৎ ফবগী থাগৎনৈ। অৱাংলমগী চুই তাংখুল অসি থৌবগীদমক মৈতৈ য়ুমথোং খুদিং পাউরৌনৈ। তাংখুলগী লৈরমফি অসি মৈতৈ ফম্নাইবা অমসুং অঙম অথৌশিংগা লুহোংবদা অউনপোৎ ওইবদা লেম্নরম্মি। লশিং কাপ্নবা চুইত্রি লোংজল অসি মরিংনা শাবচু পামনৈ। মরিংগী শংবাক অমসুং মরামগী য়েম্বা মৈতৈ শৈশক্লবদা য়াউই। কুকি কাণ্ডবুশিং অসি অরাকান অমসুং ত্রিপুরাগী চীংলক্তদি শামুখেদা হৈ। মণিপুরদা মখোইনা হীরম অসিদা চৎখিত্রবস্তু থোনা ফবা খূদম য়াম্না লৈ। মাও নাগাশিংগী লমদা ফংবা থুম অচু হীদাক্কি মগুণ চেললি। তাংখুল অমসুং মাওগী মীওইনা অফবা চক্ষু শাম্নরম্মী।

খুঃ চহিচা ২০ হোগৎপদা চীংমী কাণ্ডবু অয়াম্বা নোংচুপকী শিক্ষা অমসুং খৃষ্টান ধর্ম্ম ফংখিবদগী হান্নগী ঈনাৎ শেমদোক্লরে। ফিজেৎ, চাকচা অমসুং হিংনবগী পুন্সিদা পৃথিবীগী ওইবা য়াওন্দা মখোইসু য়াউরে। চীংগীতগী ওইবা লম শেম্নবা লাংলহৌ কয়াদা মখোই পুনশিনম্লে। রাজনীতিগী মাইকৈদা চী তম পুনবা দল অমসুং ভারত অপুনবগী দলদা চীংগী মীওইসু শরূক য়াবা রাজভক্তি উৎপস্থ ফংই। মণিপুরগীদা নক্তনা ভারতপুম্বা শিংথানবা য়াবা ফম অচৌব পায়বদা

চীংমীশিংগী শরুক ফজনা লৈ। মণিপুরগী শাসনগী মতাং, কম হায়গী মতাং অমসুং লমসিগী শরুক ওইনা হায়গৎপা কমগী শরুক্তা চীংগী শরুক অখন্না থম্মি। থুগাইবা কয়া ফংলবসু চীংতমগী চৎমিন্নবা খোঙচৎ অসি হায়দগী কায়দনা চথরি।

---

(৩)

মণিপুরী সমাজগী কাঙলুপশিং অমসুং সমাজদা বামনগী থৌদাং

মণিপুরগী তম্পাক্তা য়েক তরেৎ, শলাই মাপলনা লম শেমদুনা পানখি। মখোইগী মমাংদা লৈরম্বা কাঙবুশিংদা হাউরোক, কোম্মৌ, থাঙ, কম্বোংনচিংবা পনবা য়াই। খৃঃ শতাব্দী অমদা নিংথৌজাগী নিংথৌ পাখংবানা য়াম্না খূৎকন পাঙনবা ওইদুনা কাঙলুপ অহুমগী নিংথৌশিংবু মায়থীবা পীখি। মখোইদু সোরারেন অরিবা অহুম হায়না খঙনৈ। য়েক তরেৎ অসি মমৈদা পুন্না মৈতৈ ওইখি।

নোংপোক হারম অমসু' নোংচুপ হারমদগী মীওই কয়া লাক্তুনা মৈতৈ তম্পাক্তা খুন্দারৈ। কলচর য়ানশিনবা অমসুং ঈ তিন্নবা থর মহৌশাদগী থোকলকই। মহৌশাদি মখোইবু মাংই হায়না লৌরমদে। শলাইশিংগী য়ুম্নাক অমদা চনহল্লদুনা মৈতৈ জাতি ওইহনখি। শাগৈ অমদা য়ুম্নাক য়াম্না খাইরি। য়ুম্নাক অমসুং শাগৈ অদু প্রজাদা য়েন্দুনা চৎহনবা অসি নিংথৌ নাওফংবা (খৃঃ ৪২৮-৫০৮) গী মতমদগী হৌরে।*

মণিপুর ইতিবৃত্তনা নিংথৌজা শলাইদা য়ুম্নাক ১০৪, অঙোমগী ৯০০,

---

* নোট—আর্য্যনা জাৎ তাক্লবা নক্রগা মপানগী মী পুশন্নবা ব্রাত্য-স্তোমা যজ্ঞ তৌখি। মহর্ষি দয়ানন্দ অমসু' মাগী শিষ্য স্বামী শ্রদ্ধানন্দনা ইসলাম অমসুং খৃষ্টিয়ান চৎলুরবা কাঙবুবু বেদগী ধর্ম্মদা পুশিন্নবা শুদ্ধি অমসুং সংগঠন পুথোকই। শুদ্ধিনা হিন্দু নত্তবা কাঙবু শেংদোকপা অমসুং সংগঠননা হিন্দুগী মশা ঙাকথোক্নবা শেমগৎপা সংস্থা অমনি। নিংথৌ নাওফংবানা তৌখিবসি মৈতৈ চাওথংনবা সংস্কার অমনি।

মণিপুরদা তারিবা শলাইশিং য়ুম্নাক অসিগী মপাল্দা থর হন্না লৌবা পানা মরি খায়বদা তিনহন্দবা থরগু মহৌশাদগী চৎনরকই। শলাইশিং অসিদি নিংথৌমচাগুম্না অধিকার তানবা য়াই। অধিকার অসি ধর্ম্মদা মায়রম্মী। মখোয়দুগী মখুংদা Back-ward (হন্থবা) অমসুং Scheduled Caste [চাওখত্তবা কাগুবু] পনবা য়াই। নিংথৌগী ভাকশেনবা ওইনা লৈরম্বা ফুঙ্গানাই, পোৎশংবা, অয়োকপা অমসুং কৈ হায়বসি মশক নাইনা চৎলকই। ফুঙ্গানাই হায়বসি নিপা মচা য়াম্না পোক্লবদি অহম্না নিংথৌগী লোইনবা, য়াইমনা লালুপ অমসুং অতোনবনা নাই ওই। নিংথৌমচা লুহোংবদা উনবা অমসুং মনা ওইবা য়েনবদা শিজিন্নরম্মী। Dr R. Brown না মীনাই ওয়ম্বদগী নাম্থোকলবা নোংচুপলম তেংখুন কৌবা লমদা খুন্দাবা কাগুবুনি হায়। হীদাক ফানবা [নিংথৌগী হীদাক নোইবা, শুবা] অমসুং পোৎশংবদি পানা খুতমৈ হন্থবা পানা ওইনা লৌনৈ।

পোৎশংবা হায়বসিসু ফুঙ্গানাই মথন অমনি। নিংথৌগী পোৎচৈ অমসুং ইংখোল শংবগী থবক তৌই; অয়োকপা হায়বসি নাগা চেনলকপা কাগুবুনি। নিংথৌশিংনা খুন্দাদুনা লৈহনখি। মৈতৈ-গুম্না লালুপ কায়। লৌ পরি অমমম খোয়হনখি। কৈ হায়বসি নিংথৌগী মনাইনি। অহানবদা নাগা ওইরম্মী। শাগে অমদা নিংথৌনা লৌ পরি অনী উহনখি। তম্বাইনা নিংথৌদা কৎখি। লালুপ কায়। শুমজিৎ, থুম্মোক শাই। শাগৈ ২০০ রোম তাই হায়না সাহেবশিংনা মখোয়না থেংনবা থর পনলম্মী। হৌকম ফত্তবা অমসুং য়ুম্নাক অমদা চংশিনখিবা মীওয়শিংবু মৈতৈ সমাজনা কৈথি, কৈকম অমসুং কৈফৎ হায়না থম্মখি।

লোই অমসুং য়াইথিবা—মথংদা লোই মথন ময়াম অমসুং মণিপুরগী সমাজগী ইতিহাসতা মখোয়না ওইরিবা ফীভম নৈনসি। মণিপুর তম্পাক্কী চিদাই অকোয়বদা তাবা কাগুবুনি। সাহেবশিংনা

ইরম্বা একাউন্ট ময়ামদা মখোইসিনা হায়ো তারম্মী হায়। মৈতৈনা নমথখিবদগী হম্বা লোই ওইদুনা লৈরে। মখোইনা লোনলিবা লোন অয়াম্বা মৈতৈলোন্দগী তোঙানবা শকওংনি। বর্ম্মা লোনগা নকশিননৈ হায়। মৈতৈলোন ঙাঙবদা খোয়বা, শিনফমদা খর নান্দবা য়ু শুংবা, ওক অমসুং য়েন লোইবা তৌই। শাজৎ, ইচৎ অমসুং ফিজেত্তা মৈতৈ মানলি। তমগী মৈতৈ জাতি অমসুং চীংগী হাউশিং অনীগী মরক্তা লৈবা কাঙবুনি। মখোইনা খুন্দারিবা খুল অদুগী মমিং লৌদুনা মীসু খঙনৈ। ফয়েং, লৈমারাম, শুগ্নু, অন্দ্রো থাঙ্গা, শেল্লোই, খুরখুন, ক্যাথা অসিনচিংবা মরুওইবা লোই তাফমনি। খুল অমগা অমগা খেন্নৈ। শিনফমশু খেন্নৈ। মখোইসিদা থাগী, শান, কবো, মৈতৈ অরিবা, তেখাউ, ভখেন অমসুং কাছারদগী লাকখিবা য়াউই। লান্দা ফাহোবা কাঙবু অদু মৈতৈ নপী পীদুনা খুন্দাহনখি। কাঙবু কয়াগী element (মচাক) য়াউশিনখ্রে। নোংচুপলোমদগী লাকপা কাঙবুনা ককচিং, থাঙ্গ, মোইরাংগী মনাক্তা লৈবা ক্যাক্তা অমসুং নিংথৌখোংদা তাহনলি। নোংপোকলোমদগী ফাহোবা লানফা মখৈনা সুসাকমেং লৈমারাম, কৌব্রুক, শেঙ্গম চিরাং, কান্ত অমসুং ফয়েংনচিংবদা তাহনখি। অন্দ্রো কাঙবু অসিদি মৈতৈ অরিবনি; খুলসিদা পোইরৈতোন খুম্ফোকখৈদগী থনম্বা মৈ মুত্তরি।

লোই কাঙবুদা চীংমী খরসু চনখি। খাগেম্বনা মরাম মনাক্কী চীংমীশিংবু শুগ্নুদা খৃঃ ১৬৪০দা লোই ওইহনখি। লুসাই লান্নবদা (খৃঃ চহি চা ১৯) ফারকপা খরসু থাংজীং চীং মনাক্তা তাহনখি। মখোইগী কাঙলুপ ঙাকপিনবা অমসুং হিংবা য়ানবা নিংথৌনা শিনবিখি। মশানা ফৌ থাদ্রিনৈদা চিঙ্গাক পীদুনা থমখি।

লোই কাঙবুনা লাৎলিবা লাই অদু মৈতৈনসু মখোইগী উমংলাই ওইনা লাৎলি। লোইশিংনা পুখোকপা রারী, লৈশেম্বগী ভগোই অদু মৈতৈনসু মখোইগী ওইনা শকখঙই। লোই খুন্দা

মৈতৈ য়ুম্লাক অমসুং শলাই খায়বা উই। নিংথৌজা অমসুং অঙোম শলাইদি চকপা ফয়েংগী গৌর ধর্ম্ম চত্তবদা ফংই। অপোকপা লাংপা অমসুং খুদম তৌবা য়েংবা চৎনৈ। মৈতৈগা খেন্নবা হায়বদু মৈ থাবগী মতাংদনি। চহি শুপ্রিবা অঙাং শিবদা ফুম্বা অসি মখোইদি তৌদে। অদুম মৈ থাই। মখোইসি তমগী মীতৈগীদমক থবক নোম্বা অমসুং সমাজগীদা নত্তনা অর্থিক অবস্থাগী ওইবা কাঙবুনি। লোই কাঙবুদা চারো মৌরৌনবা অসি শিনফম অদুনা লেপই। কত্রং তীল য়োকপা লোই কাংবুনা চফূশাবা কাঙবুদা মচা পীনদে; লুহোংনদে। মখোই শিনফর্ম মাল্লবদগী ঙাক লুহোংনরম্মী। লোক্লাক মপান্দা তাবা শেপ্রোইন হি অমসুং ঙাগা কারবার তৌই। নিংথৌগী ঙা অদু মখোইনা হুনলি। শেকমাইনা অফবা য়ু শুংবগী থবক পায়। অন্দ্রো লোইনা চফূ শাই। শুগু লোইনা উগী থবক অমসুং য়ুমশা কৈশাবা তৌই। থুম শুবগী থবকসু শিখোং, নিঙেন অমসুং চন্দ্রখোংনচিংবদা তৌই। লোই লমদা শূনরিবা শিনফম অয়াম্বা মৈতৈশিংনা শেংদে খল্লরমই।

মীশীং থীবদা মখোইসি মৈতৈরা হংনৈ। মখোইগী মশীং অসি মমাংঙৈগী মতমদা য়ামখৎলম্বগী খুদম ফংই। মশানা লোই ওইনা পোকপা নত্তনা নিংথৌন' শাউদুন লোই থাখিবা মৈতৈ সমাজনা লাপ্না থংশিবা মীওই কয়া য়াউরি। মশানা হিংবা ঙম্নবা লোই মরক্তা থবক শূখিবা অমসুং তিনশিনখিবা য়াউদব নত্তে। মরাল নৈবদু লোই থাবসি নিংথৌ থাগেধনা ইহান হান্না তৌখি। খুঙাউবা অংঙামগী লানহৌব মীওইবু ইথাইদা থাখি। লোই লম কয়া মাগা লান তৌনখি পামহৈবনা ধর্ম্ম অওনবা পুরকপদা মী কয়া লোই থাখি। মাজিং নিংথৌগী মতমদা অরা লান খোক্তুনা নৈবাকী অবস্থা ফংখিদে। নৈমশিজ কয়াগী লীক অমসুং নৈত্তেং থংপা মীওইশিং কয়া য়াউখি। গম্ভীরসিংহনা নৈপাক অসি পানবা মতমদা ওক্তবা তৌখিবা মীওই কয়াবুসু লোই ওইহনখি।

লোইদগী হেন্না তোম্বনা মাংনা খনরম্বা য়াইথিবী (হরিজন) কাঙবু খরসু লৈরম্মী। উনবা ফাউবা জাত তাই হায়না সভ্যতাগী রাংমদা থম্নরম্মী। থাইনগী মৈতৈ সমাজগী মিত্তা মরাইবক থীবা কাওবুনি। ফিমুদা শেক্কনা মশক থঙনবা তোপ তোপ্পা জাতনি। রাইথৌ পাৎপান্দা য়ুমশিং য়ামদনা মখোয়গী খুল তাই। নিংথৌনা লৈরাকী অশুপ্পা শক্তি পায়রম্মী। বঙ্গদেশতা বল্লালসেননা মী কাঙবু খর ইপ্নোকপা, বঙ্গদেশকি বালিদা লৈবা দত্তনা কনৌজগী বামন মঙা-দমক খিন্দোকউবগী কুলীন মাঙদুনা হন্থবা কায়স্থ ওইখিবা. নিংথৌ লক্ষনসেন্দা বৈদগী গুপ্ত কাঙবুনা শগোন্দগী কুমথদুনা ব্যাবহার উত্তবগী কুলীন মাঙখিবা তমথীবা মওং কয়ামুক লৈবাক অসিদসু মৈতৈ নিংথৌনা শাগ্নখি। রাজনীতিতনা সমাজ অমসুং ধর্ম্মগী মশক লেপ্পই। বর্ণ অমসুং সমাজগী ফম অসি মোগল নিংথৌশিংনা অমসুং ব্রিটীস সরকারনা মখোইগী মতমদা লেপখি। অশেংবা ধর্ম্ম লাইরিকনা য়াউবা জাতি অমগী অরাংবা অদুদগীদি শক্তি পায়রিবা নিংথৌ অদুনা থাক্সংপা নত্রগা থাদবনা হেন্না থন্নরম্মী। হাউজোং-বন্দা থাবা হয়বসি সমাজনা অমঙ্গল ওইনা খন্নরম্বা নীতি অমনি। মীরৈবাক কাঙবুনা লান লাকপদা মখোই থেংনরগা মঙ্গল ওইদনবা লম্বীদা থম্নরম্মী। মসিনা মণিপুরদা সমাজ অমসুং রাজনীতিদা করি ওইরকপগে হায়বদু মখাদা নৈনরক্কনি।

মীনাই থম্বগী মওং— মীনাই থম্বগী মওং মণিপুরদা মমাংডৈদা ফংলমই। অরিবা মতমদা মপু অমসুং মনাই কাঙবু অনীদনা সমাজ শেম্নম্বা প্রমাণ অদু সুমিৎ কাপ্পা অমসুং মমানা অঙাং কৌরদা শকপা ঈশৈ ওইনা ফংই। অঙম অথোনা মপু অদুগা লানফা-শিংনা নাই (মপুগী থৌদা পাংথোকপা) ওইনরম্বা মশক থেংনৈ। অচৌবা ইমুংদা মীনাই থম্বা কয়া য়াউই। নিংথৌনা অচানবা মনাইদা মীনাই পীথোকই। লল তোনবা মীনা শেনখুগী মীনাই

ওইবা, শেংদোক্লরগা অমুক তোকপা, নিপানা নূপীবু শেন ফংনবা য়োম্বোকপা অমসুং তনবদগী মীনাই ওইবা চংনৈ হায়না সাহেবশিংগী রেকোর্ডতা ফংই। মখোইগী অধিকার অদু মপুং ফাদে। পুন্সিগী charm (মুঙাইবা) অমসুং কলাবিদ্যাগী ফজবা অদু মখোইদা লৈরমলোইদরা হায়না চীংনবা ফাউবা য়াই। হৌজিক্কী মতমদা মীগী মমন অমসুং অধিকারদা রাখন পোক্লরিবসি মতম অদুগী সমাজদা লৈরে। মওং খেন্নৈ।

মথক্কি অসি নত্তবা মীনাই মখল গরসু ফংখি। মীগী মপোৎ হূরানলুবা অদু থোক্লবদি পোৎ অদু হঙ্গিনগ্নিবা ফাউবা হূরানবা অদু থি অমসুং য়োনথোকই। করিগুম্বা অচোবা মরালগীদমক মীনাই ওইহল্লম্মি। সমাজ খল চানা থম্লবা মরান লৈবা মীওইবু কয়াম থীনা চৎনবি অমসুং সরকারনা লাক্লবগে হায়বদু সাক্ষী ওই। মীনাই পামদবদগী মাঙতাক্লবা থবক অমসুং পোৎ হূবা তোক্লরম্মি।

নোংচুপলোমদগী বামন, বিষ্ণুপ্রিয়া অমসুং মুসলিমনচিংবা লাক্কুনা মণিপুরদা লৈখিবা—

নোংচুপলোমদগী লাকপা মীওইনা মণিপুরদা খুন্দাখিবসি য়াম্না নৈনবা মতিক চায়। অহানবদা মঙ্গোলিয়ান কাংবুনা লৈরকই। মথংদা চিঙুরেম্বী খোঙলুপ কৌবা পুয়া নৈনবদা ময়াংনৈমা চিংঙুরেম্বীগা লোইনরকপা খোঙলোই অয়াম্বা বৈষ্ণব হিন্দুধর্ম্মগী মিংদা ঙাক্লা ওই। মখোইনা মৈতৈগী য়ুম্নাক্লা চংশিনখি। নাউথিংখোংনা (খৃঃ ৬৬৩ ২) পাম্লিৈগী থৌদোক্লি। মৈতৈ নিংথৌশিং পুরান্থাবা (খৃঃ ১২৪৭-১২৬৩) থংবী লান্থবা (খৃঃ১৩০১-১৩২৪) অমসুং নিংথৌখোম্বা (খৃঃ ১৪৩২-১৪৬৭) গী মতমদা থোংনাং হায়বদি নোংচুপ লমগী মী মণিপুরদা লাক্লুনা লৈখিবা কয়া থেংনৈ। মমৈদা মৈতৈ ওনখি। হিন্দু প্রভাব তাবা হৌরকই

; মৈতৈদা আর্য্যগী ঈ চংবা অমসুং কলচরদা মৈতৈবু ভারতবর্ষগী শরূক অমা ওই হায়বসি বামনশিংনা মশক শেংনা লৈখিবদগী পন্নরকই। খৃঃ শতাব্দী ১৫গী মমাংদা লাকখিবা ব্রাহ্মন পুম্বা identity (মশাগী মতৌ) লৈতে। মৈতৈদা পুন্সিনখি। ক্যাদা নিংথৌ হাক্তক্তগী মখোইনা অচৌবা ফম্নাইখি অমসুং সমাজদা অরংবা থবক পায়খৎখি। খুন্দারকপগী ঈথক অসি অমুক্তা পুরূপ লাকপা নত্তে। কাঙলুপ মাইনা ১০ শুবা খৃঃ শতাব্দী ফাউবা চংথবকই। নিংথৌরোন শূদিংগী মতমদা খুন্দাগিবা অদু বামন খুন্নোক-লোন কৌবা লাইরিক্তা লৈ। হিন্দুগী organise (শেমশাবা) তৌবা মিশণ অমনা মণিপুরদা হিন্দু ধর্ম্ম শন্দোক্নবা থাখিবা নত্তে। মথন্তনা থোকাম্বা Historical Romance (ইতিহাসকী পঙ্গা ওইগন্দবা) ওই। ভারতকী মফম পুম্বদা মুসালমশিংনা পান্দুনা নৈখাইবা মতমদা খঙবা ঙমদনা চংজক্কম থিখিবা বামন কাঙবুনি। নোংপোক লমদা চীনা কোয়শিনবা মীয়োক মীচান ফবা অমসুং মচু তাবা লৈবাক অমা লৈ হায়বসি মখোইস্তু তাদবা নত্তে। বামন-শিংগী তৌবা শম্বা জ্ঞান বর্ম্মা তাগ্না শন্দোকখিবস মৈতৈ লৈবাক ফাউদুনা চৎখিবনি। মৈতৈ নিংথৌশিংনা বামন মীচেনদদি য়াম্না থৌজাল হৈখি। মখোইনা হৈনবা জ্ঞান অদু শীজিন্নদুনা মশক নাইনা থমখি। বামনশিংনা লাকপসি লান্দাবা নত্তে। চংফম থিবনি অদুবু কলচরদি খুনা খুদুম চনবা ঙমখি। ব্রাহ্মণশিংনা আর্য্যগী লমদম থারগা মগধ সম্রাজ্যারোমদা লাকুনা নিংথৌশিংগী কোন্নুংদা পাংথোকখিবা অদু নীংশিংবা য়াই।

হৌজিক ফাউবদা ফংলিবা বামনশিং অসিনা মখোইগী মফমদগী মণিপুর তাগ্না জৌরিরোমদগী লাকপদা মতম কয়া চংলমবগে খনবা য়াই। বামনশিংনা গুজরাত, তখেন, শ্রীহট্ট, আসাম, নেপাল, শান্তিপুর, নবদ্বীপ, কলিকতা, কুম্মিলা, বৃন্দাবন, পুরী, গুজরাট, প্রয়াগ, মথুরা, উৎকল, কান্যকুব্জ, লাহোর, ঢাকা, রাইবেরিলি

অমসুং রাধাকুণ্ডনচি বা মফমদগী লাকই। মখোইদা বেদ শাখা অয়াবা ফংই। অরাং ভারতকি ব্রাহ্মণনা মশীং হেনলি। গুজরাতগী লাকপা ব্রাহ্মণ অমা অনীদি খা ভারতকি কাণ্ডবুদা চনলি। অরিবা বামনগী ইতিহাস নৈনবদা ঝা, মিশ্র চক্রবর্ত্তী, সরস্বতী হায়বা উপাধি থেং-নদে। মচু পনলস্বদা ঐখোইদা য়াম্না রেন্না মঙান পীরমগনি। মখোইদা কুলীন (অরাংবা থাক) য়াউরি। মতুং কাইনথংদা (ক্যাম্বগী মতুংদগী) চেট্টর্জি, অধিকারী, পান্দা, গোস্বামী ঠাকুর, মুখর্জি, পূজারী, গোসাঁই অমসুং মিশ্র হায়বা খর থেংনৈ। মৈথিলী ব্রাহ্মন খর চরাইরোংবা মতমদা লাকপা তপন মিশ্রগী মচা মশুদা অমসুং গরিবনিরাজ মতমগী (কল্যাম্বর) মিশ্রনচিংবদা ফংই। অদ্বৈতগী ধারাসু অরালান মতুংদগী মণিপুরদা থুন্দাখি। লাই লাৎপদা মখন মথেন ফংলে। শৈব, শাক্ত, গনপত্য অমসুং বৈষ্ণব কাণ্ডবুগী বামন লোইনা ফংই। লৈবাক অসিদা লৈবদা শা, য়ু তৌদে। মৈতৈলোন লোনলে। মশানা মণিপুর থোক্লকপদা নূপী লোইনবদি পংয়াম য়ামদে। নূপী পুন্নুনা মণিপুরদা লৈগ্রবসু মচা মশু হাক্তক্লা মৈতৈ নূপী লৌখিবা তোয়না ফংই। তোপ তোপ্পদি মৈতৈ নূপী লৌবা, মৈতৈগী য়ুম্নাক থোনখিবা, মিং লৌবা, লোন লোনবা অমসুং চাকচা ফিজেৎ লৌখিবসিনি। বামনগী য়েক শলাইদি লৈতে। নিংথৌ পামহৈবনা হুকুম তৌদুনা সনামহি অমসুং লৈমরেনগী মুর্ত্তি লিংখৎলগা পূজা তৌহনখি।* মখোইগী য়ুমদসু সনামহি অমসুং লৈমরেনগী খুভম

---

* গরিবনিরাজ হাক্তক্তগী সনামহিগী মুর্ত্তিবু কৈশামথোংদা বামন্না তেক্ত কায়দনা পূজা তৌরকই। খৃঃ ১৯৭৫ অমসুং ১৯৭৬ কী মেরা থাগী চাউরেন হোৎবা সুমিত্তা মীতৈ মরূপ কাণ্ডলুপনা সেবাইত বা-মন্দগী লৌখৎলগা লৈবাক্ত্রী ওইনা লাৎকনি হায়না কন্না হোৎনখি।

থম্মী। বামন নুপাগী মিং অরোইবদা শর্ম্মা অমসুং নুপীগী মিং মমৈদা (মৈতৈ নুপীগা মান্ননা) দেবী হাপই। মণিপুরগী ধর্ম্ম সমাজদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা নিংথৌশিংবু দীক্ষা পীখিবা মতিক মগুণ লৈবা বামনশিংদা — ভানু নারায়ণ, রাইবনমালি কৃষ্ণচার্য্য, মাগী মচানুপা গঙ্গাধর, (চট্টোপাধ্যায়) গোপালদাস, শান্তিদাস অধিকারী, শ্রীরূপ পরমানন্দ ঠাকুর, (কৈলাশ্বর মিশ্রগী ধারা) গঙ্গা-নারায়ণ চক্রবর্ত্তী, জীবানন্দ ব্রাহ্মণ অমসুং রাধাবল্লভ চক্রবর্ত্তী পনবা য়াই। জ্যোতিষ বিদ্যা অউকপাদা থউবা, শাস্ত্রগী মতুংইন্না পূজা তৌবা হৈবা অসিনা মখোইবু মণিপুরী সমাজদদা নজনা অন্না কোনুংদা ফাউবা ঈকাই থুম্নাখি। ভানু নারায়ণ অসি ক্যাম্বা হাক্তগী মণিপুরদা থোকলকুনা শ্রীবিষ্ণু ঠাকুরবু ক্ষীর অমসুং তুলসী পত্রনা পূজা তৌখিবা বামান্ন। মাগী ধারাবু ফুরাইলাৎপম কৌনরি। রাইবনমালিনা নিংথৌ চরাইরোংবা অমসুং লৈপাকপুম্বা নিম্বার্ক সম্প্রদায়দা ইহান হানবা ওইনা দীক্ষা তৌখি। নিংথৌ গরিবনিরাজবু গঙ্গাধরনা নিমানন্দি নত্রগা নির্ম্বাক কাউনুপ্তা লাইমিং লৌবিবসু সনামহী লাইকলনা প্রমাণ তৌই। নিংথৌশিবু গৌর ধর্ম্ম নত্রগা রজদেসকী বৈষ্ণব ধর্ম্ম অরিব। অমদা লাইমিং পীখিবা বামন্ন গোপাল-দাসনি। চৈথারোলদা গোপালদাসগী মরম কুপথনা পনদে। ভাগ্য-চন্দ্র চরিত নৈনবদা গোপালদাস অসি রামগোপাল বৈরাগী ওইনা উৎপা ফংই। গরিবনিরাজগী মতমদা মণিপুরদা থোকলকলে। নিংথৌ

সেবা চৎলম্বা বামনগা মীতৈ মরূপকা কেশ চৎথনখি। থুদোং চাদবা থোকপা য়াই থন্দুনা সরকারনা মাংজোননা শেম শাদুনা লাকশিন্নবা চহি ২ সিদা তৌখি। খৃঃ ১৯৭৬ তা ঘটনাসিগী মরীদা মী ২ নোংমৈনা পান্দুনা শিখি। লাই অসি বামনদগী লৌথোক্লপা বোর্ড অমা লৈবাকী ওইনা শেমদুনা সেবা তৌনবা সরকারনা শিনলে।

ওইবা তোক্লগা রাধা গোবিন্দগী প্রেম পামহুনা রামগোপালদগী গৌড়ীয়দা দীক্ষা লৌখি। মানা গৌড়ীয় অসি প্রজাদা চংহনখিবা ঙমখিদবদগী রামগোপালনা ভাগ্যচন্দ্রদা দীক্ষা পীখিদে। শান্তিদাস গোষাইগী থবক খিবিক মীপুম্না খঙনরে। মৈতৈ পুরান খরদা মহাক অসি মৈতৈ নিঙোলনা মণিপুরদা পোকপগুম্না উৎপন্ন ফংই। লান য়াম্না তোম্লবনা শ্রীহট্টতা লৈকপগা অমুক থোকলকই হায়নৈ। মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রবু হরিনাম পীবা শ্রীরূপ পরমানন্দ ঠাকুর রাম গোপাল বৈরাগীগী অনীশুব সেবকান মুখ্য খাগী মতমদ খাগী ধারানা মণিপুরদা লৈখ হায়রি। লান তেংহবনা মণিপুর থাহনা কৃষ্ণনগরদা লৈক্লরগা অমুক নোনা থাকলকই হায়বা লান্দে।

নরত্তম ঠাকুরগী শিষ্য গঙ্গ নারায়ণ চক্রবর্ত্তীস মণিপুরদা থোকলক্লুনা নাম শন্দোকই হায়না চৎনৈ। জ্ঞানন্দ চক্রবর্ত্তী ঠাকুরগী মত্তা মহারাজনা মুর্শিদাবাদ চত্লুনা লাইমিং লৌকবগী রাক্ষুন্তিনা প্রমাণ তৌই। গম্ভীরসিংহগী মতমদা পাঞ্জি কৈবা জীবানন্দ অমসুং চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদা অচৌবা শক্ত পাযখিবা রধাবল্লভনি।

বৈষ্ণব ধর্ম্ম চংপ মতমগী প্রভাবতা বামনসিংগী মফম চাউনা মৈতৈ নিংথৌগী কোন্নুদা থমখি। ধামান্দি গুরু, অচার্য্য গুরু, রাজপুরোহিত অমসুং ব্যাবস্থাকারীনচিংবনা নিংথৌগী মথংদা লৈ। যুবরাজনা সনা য়োম্বা হীদাকফু থকপা য়াদে। তৌইগুম্বসুং নিংথৌগী হেক মথংদা মথক্কী ব্রাহ্মণ খরসিদি সনা য়োম্বা থুদোং থকপা য়াই হায়না চৎনরম্মী। ধর্ম্মগী নত্তনা রাজনীতিদা অমসুং নিংথৌ-মচা মশেন লান তৌনবদা খামজিনবা নিংথৌগী নুপী হায়বা অমসুং অতেপ্প দেশকা মরী লৈনহনবা মখোইনা তৌরমই। লান্দা রামিম্নরক-পা বামনশিং অদু নিংথৌশিংনা শাসন পায়রগা মফম রাংনা হাপ্পী।

বিষ্ণুপ্রিয়া (বিষ্ণু পুরিয়া)— নোংচুপ হারমদগী লাকপা মী কাঙবুদা বিষ্ণুপ্রিয়া (বিষ্ণু পুরিয়া) পনবা য়াই। মখোইনা খুন্দা-খিবা, য়ুম্নাক মমিং অমসুং মরীলৈনবা মরম পুম্বা মৈতৈ মম্লেক্লা ইবা

পুরারশিং — শানোংবৈ, নোংশুবৈ অমসুং খাগীগুম্বা কংই। শকাব্দ ১৫৩৩দা লাইশ্রমচা তোম্বু মুরশিরানা হৈখি। পুরাণ ইবা অমু (অগর পাত উকুগী লায়রাই ৫ দা) সৈব্যা পণ্ডিতনা কংখি। মণিপুরগী মচাকগী য়েংলগদি বিষ্ণুপ্রিয়া কাণ্ডবুদি খাগেম্বনা লান্দগী কাহৌবনি। হিন্দু শূদ্র মখৈবু বিষ্ণুপ্রিয়া হায়না থোনখিবনি। মখোইপুম্বা অহানবদা শৈব ধর্ম্ম চৎলম্মি। মণিপুরদা কুইনা লৈবদগী হিন্দু ধর্ম্মদা চংশিনখি। ময়াং কালিসা কৌবা কাণ্ডবু অমসু কাউখংবা (পৃঃ ৩৯৪-৪১১) হাক্কক্পা নোংচুপলমদগী মণিপুরদা লাকই। R. M. Nath-না মশুদি মখোইসি খোংতেকচা হাক্কক্পা লাক্কুনা লোক্লাক মপান্দা খুন্দাখি হায়। Bodo কাণ্ডবুগী মশা ওইনা পনলি। সাহেবশিংনা ইরম্বা একাউন্টতনা মখোই অসি খাগেম্বা হাক্কক্পা মৈতৈবু হিন্দুগী শাক্তং, লীচৎ তম্বিনবা কৌথোকখিবা বিষ্ণু লাংপা কাণ্ডবুগী মচা মশূনি হায়। মখোইনা লৈবদগী লমাংদোংবু বিষ্ণুপুর থোনখি। মার্জিংকী মতমদা লক্ষ্মীপুরদগী লাকপা অনৌবা কাণ্ডবুসু খণ্ডনৈ।

কার্ত্তাগী মতমদা বিষ্ণুপ্রিয়াগী কোইরেং খুম্নাকপা অমসুং য়ুম্নাক ময়াম স্বর্পানন্দ ঠাকুরনা গৌর ধর্ম্মদা লাইমিং লৌখি। মখোইগী য়ুম্নাক্কা অহানবদা লোক্কে হেক হেক তাই। মৈতৈগী য়ুম্নাক্কা মিং পুম্বা কংলে। মোইরাং লৈবাক কায়বা অমসুং অরালান্দা মোইরাং ময়াম চেনখিদুনা বিষ্ণুপ্রিয়া মরক্তা তিনখিবা, খম্বগী ফি অমসুং মোইরাংগী মরী মখোং মখোংদা লৌখিবগী মচাক খর কংই। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতম ফাউবা কাংলুপ অসিনা শিংথানবা য়াবা খবক লৌখিদে। মহারাজা কিশোরীদা আনন্দরাম কৌবা মচা পোকখিবা, তেখাউ চেনবদা দাসরাজ কৌবনা থৌগন ইনবা অমসুং মচাবু কালা-রাজ নিংথৌ হাপখিবদগী হিস্তরি অমা শেমগি। বর্ম্মাগী লান্দা চেন্দুনা লৈবদগী মণিপুরগী মপান্দা কাছার, শিলেট (শ্রীহট্ট) অমসুং

তখেন্দা খুন্দাখি। মখোইসি কুচু মুবা, থর হয়না য়েংলবা কাংলুপনি। কাংলুপ অসিবু পুন্নশিনলিবা কালারাজ অচু মৈতৈ নিংথৌনা হাপলম্মি। বিষ্ণুপ্রিয়া লোন মণিপুরীদগী তোঙাল্লি।

মুসলিম— মুসলিম থর মণিপুরগী তম্পাক্তা তাদুনা মচল অমা ওইনা কংলকই। খাগেম্বগী মনাউ শনোংবনা শিলেটতগী নেক্লনা লান্দারগা মণিপুর অসি মুসলিমগী মথাদা থম্লবা তৌখি। চৈথারোল কুম্বাবা নৈনবদা লানকাশিংগী মচা মশুনা লমসিগী নুপী লৌদুনা মীশীং হেনগৎহনখি হায়। পাঙল হায়বসি বাঙ্গালদগী থৈথখিবা মুসলমান খুন্দাবা কাংবুনি। নোংপোক হায়বা লাইরিক্তা মখোইনা খুন্দাখিবা অমসুং পাংথোকখিবা পুম্বা নৈনরি। লাইরিকয়েংবম ধনঞ্জয় পণ্ডিতনা হৈশিংলা নিংথৌদা মতেং পীদুনা মখোইবু খুহুম চনখি। মমিংলদা ইসলাম ওইবনি। য়ুম্নাক নৈ; মৈতৈলোন লোনলি। য়ুম্নাক্তা মিয়ঁা হায়বা রাহৈ থেৎলগা মখোইবু identify (মশক লেপ্পা) তৌরমই।

য়ুম্নাক অমসুং সমাজ শেমগৎপগী মওং

মণিপুর ইতিবৃত্তনা নিংথৌজা শলাইদা য়ুম্নাক ১০৪, অঙোমগী ১০০, মোইরাং শলাইগী ৬৫ হায়না মশীং পী। শ্রীএল: ইবুঙোহল সিংহনা Introduction to Manipur দা নিংথৌজাদা য়ুম্নাক ১১৬, লুয়াংদা ৪৬, খুমন্দা ১০০, অঙোমদা ৫২, মোইরাংদা ৫৫, খাবদা ৩, ঙানবদা ১৭, অমসুং শরাংলৈশাংথেম (চেংলৈ) দা ৪৪ পী।

শলাই ৭কি য়ুম্নাকশিংদা ভারতকী মকম পুম্বদা ফংবা শিনকম শুবা class (কাংলুপ) মথৌ য়াউরে। বামন কাংবুদা তাবা লমসিগী য়ুম্নাক অমসুং মুসলিমশিংনা ওইখিবা লমসিগী য়ুম্নাক পুন্নলগা লমসিগী Professional People (শিনকম শুবা মীওই) ওইরকই। অসি নম্ববা নোংচুপ হারমগী শলাইদা তিন্দবা লাইরিক-য়েংবম অমসুং ক্ষেত্রিময়ুমনচিংবা লৈরি। লৈবাক্তী শিংথানবা থবক

তৌবা অমসুং মরৈবাক নীংবগী শেংলবা খুদম কন্না শলাইদগী তো-ত্তানবা কাণ্ডলুপ্তগীসু থোকখি। লাইরিকয়েংবমসি কাম্নমনি। ক্যান্না হাক্তক্তা লাকখি। অহানবদা লুগুণ (কন্ঠি) থাংলমদে। মরৈথংদা লুগুণ থাংখি। লাইরিক শ,বগী থবক তৌই। চলাম্বা হাক্তক্তা থোক্লকপা ক্ষেত্রিময়ুম শাগৈনি। মেক শলাই নৈতে।

মৈতৈ নৈবাকী সমাজ অমসুং অখিক অমম্বা অসি তমদা নৈব। মুন্নাক নাইবা কাণ্ডবু খরসিনা শেমগৎ শাগৎখি। মৈতৈ মেক অমসুং শলাইশিংদা খণ্ডনরিবা মুন্নাকশিং অসি করম তৌনা মখিং থোনখিবনো হায়বত্বগী রাহন্দোক অচাবা লোইনা ফংই। শলাইশিংদা নিংথৌনা অশূপ্পা শক্তি নৈবা ওইখিবনা মাগী মপাঙ্গল কনখৎনবা শেমখিবা অমসুং মাগী থবক থর মী অমনা পাংথোকপদগী মুন্নাক মখিং থোকখিবা ওইনা ফংই। লান তৌগনবা রাজপুতকুম্বা কাণ্ডবু অসি নিংথৌ মচাশিং অমসুং শলাই প,সগী কন্নাইবশিংনা শাই। শাগৈ নিপা অমগী মচা অহূমগুবদগী তাথরকপা মচা মশূশিংনা লাম্মী ওই। মুসলিম কাণ্ডবুদগী লাম্মী থোক্কুনা শনতোক, তুমুনচি বা লান তৌনরুবা ফংই। থাংজমদগী চেকসা চক্রপানি থোক্কুনা তখেন লাম্তাবশিং মায়থীবা পীখি। কাইনথংদা নাগা কুকি লাম্মী য়াওশিনলকই। বৈজ্ঞানিক ওইনা অনাবা য়েংবা, পাজিগী থবক-শিং অসি লোয়শঙ পুবা পাণ্ডিতশিং অমসুং ব্রাহ্মণশিংনা তৌই। পণ্ডিত ওইখিবা শাগৈ অদুনা শিনফমশি তৌগনলি। লাইরিক ইবগী থবক তৌবা কাণ্ডলুপ্তি লাইরিকয়েংবমসু পনবা য়াই। কি শাবগী কাণ্ডবু ওইনা ফংদে। য়ুমথোং খুদিংমকতা নুপীনা কি শানৈ। নিংথৌ মচানুপী থোইবীনা শারম্বা কি হৌজিক ফাওবা ফংলি। অকরুবা মুন্নাক খরনা লাই হরাওবদা কৎনবা লাইফি শানৈ। লাইক্রাকপন্না লাই হরাওবদা শীজিন্নবা শারোংফি শেনই। রাংবজমনা শঙমু লাংমু ফি শাই। থাংজমনা য়োং শূই; অহৈবমনা কোল লিক শাই।

কাঙবগী অমসুং তৌরাংবগী সনা শাই। ইরোমনা মচু অঙাংবা, খুমস্রেমনা হিগোক, খমুজম্না কুমলং, ইপুশংবম্না নাপু অমসুং উশিজম্না অশংবা মচু শেম্বা অমসুং শৌজিন্নবা তৌরকই। য়ুম শাবসি নিংথৌ-গীদি চায়াম পোকপা নিপা অমগী অনীশুবনে, মরিশুবনে অমসুং অতোনবনে অসিনা তৌই। লৈকাইগীদি মরাম লিংচুনা তৌনৈ। লাইয়েকপা = কালিকড় (খানিকর) গী থবক্তি লোইশঙ লিংলম্মী। অয়েকপমনা তৌই। চেদা য়েকপদা নকুনা ফি, উগী লৈরোং, কাং য়েকপা অসিনচিংবা পাংবোকই। নিংথৌমচাশিংনা পায়বা শিনকমগী মতুংইন্না লোরুংপুরেনময়ুম, উপংপুরেনময়ুম অমসুং পোকপা শিবগী য়ুম্বাং পাউ ভাকপা পাচহন্নম হায়না খাইরি। লৌউবা অমসুং শা মণ য়োকপা শঙেনবগীদা ওইবা য়ুম্লাক ফংদে। পাঙল শিংনসু চাওখৎনবা ফনা তৌখি। লোইগী লম থরদা চকু শাব, থুম শুংবা, ঙা ফাবা, যু শুংবা অমদ উচানগী থবক তৌবা উই। পুং তিংবা অসি য়াম্না কুইরবা মতম হারবদি খুয়োই তোম্পোক্কী মতমদগী ফংলে। শউনগী থবক তৌবদি মুজি = কবুই কাঙবুনা তৌই। ফি শুবা ধোবী অমসুং শমশেংবা নাপীত খৃঃ শতাব্দী ১৯দগী মণিপুরদা নোংচুপলোমদগী থোক্লকই। বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ঈশ্বথন লাক্লি তৈদা খুৎনাইবা পুম্বা হন্থনা য়েংলমদে। Class (কাঙবু) কি থেগ্নবদি উই। অদুবু Caste mark (বর্ণগী মশক) কুপ্না লেপ্পবা পান্থৈ ফংদে। পাঙলশিংনা থাগেম্বা অমসুং গরিবনিবাজদা খুৎশা হৈবগী থবক্তা influence (ঈথিন) তৌরম্বগী খুদম ফংই।

ললোন ইতিক কম্না তৌরম্বা কাঙবু ঈফং ফংদে। মীপুম খুদিংনা লৈবা য়োনবা থর তৌরম্মি। মীতৈ ময়েক্কি শেল শীজম্নরম্মি। কাছার, শিলেট, তুমু, অমসুং চীংগী মফম থরগা ললোন ইতিক চৎনবগী প্রমাণ মরাং কায়না ফংই।

বামনশিংনা সমাজগী ইতিহাসতা গোত্র অমসুং হিন্দুগী আইন পুশিল্লকপা

[Caste Mark (বর্ণগী মওং) হায়রা, অমাং অশেং খায়বা অমসুং মণিপুরী হিন্দুদা কপ্পু সাইক লৌশিল্লবগী মতাং]

মথক্তা পনখ্রিবা বামন কাংবুশিং অসিনা লৈবাক্কী সমাজ অমসুং ধর্ম্মদা অওকপা ফংনা য়াওন থোকহনখি। তমগী মীওইদা ধর্ম্ম অমা পীখিবা ; পুরানিক অমসুং অনৌবগী হিন্দু ধর্ম্ম চত্তুনা ভারতলোমদা তিনসিনখিবা অসি মতুগী ফলনি। চৌংদনি করিমত্তা শোকখিদে। হৌজিক ফাউবদা মখোইগী কলচর তাহন্দে। বামন কাংবু মশীং য়ামদে অদুবু রাজনীতি অমসুং লৈবাকসিগী মসুংদা মণিপুরী মচাওইনা শরুক পুখি। হিন্দু ব্রাহ্মণগী গোত্র, প্রবর অমসুং চরন হায়বা institution অসি চৎলকই। মখোইনা চীন্দা পুই। লুহোংবা মতমদা বামন পুরোহিতনা চীনকা ওইনা পুহুনা থী। গোত্র অমসুং প্রবর তিম্নরবদি লুহোংবা য়াদে হায়না কল্প সূত্র-কারশিংনা গোত্র অমসুং প্রবরগী মনুংদা কুপ্পা নৈনম্লে। বেদগী মতমদা শন থমফম অশেংব মশমু গোত্র কৌনৈ। অথর্ব বেদগী মতমদা clan (কাংবু) ওইনা শীজম্নরকলে। Common ancestry (অমত্তা ওইনা হৌফম) ওইবা ৱাখননি। আর্য্য ঋষি ৭/৮ গী মমিংদা থোন্নুনা আর্য্য পুম্বা মখোইদগী হৌখিবনি হায়বা তাকই। চান্দোগ্য উপনিষদত্তা ৱাহৈসি শীজৈ। প্রবর হায়বসিনা গোত্র অমত্তগী মমিং চংপা (অহাপ্পা মী) হায়বনি। ব্রাহ্মণাগী মতমদা হৌদোক্খি। পুক্তাদ, গোত্রদা নত্তুনা প্রবর হায়বদি খর লাপ্পবা শাগৈগী মীওইসু পনলি। ক্ষত্রিয়শিংগী গোত্র অমসুং প্রবর লৈত্তে। চরন হায়বসিদি বেদ শাখা অমসুং সূত্রন যুম্ফম ওইবা কাইনথংদা লাকপা sociology-গী ভাবনি। অদুক রাপ্পা মরুওইদে।

গোত্র অমসুং প্রবর তিন্নরবদি লুহোংনবা য়ারমদে। Patrilineal (নুপাদগী থীগৎপা) ওইনা নুপাদগী পারী পুরী থীগৎনৈ। গোত্র অমসুং প্রবরগী institution (সংস্থা) অসি গরিবনিয়াজ নিংথৌগী মতমদা শান্তিদাস অধিকারীনা শলাই তরেত্তা পানশিনখি। নিংথৌজা = শাণ্ডিল্য, লুয়াং = কাশ্যপ, খুমন = মৌদগল্য, অঙোম = কৌশিক, মোইরাং অরিবা = আত্রেয় অমসুং চেংলৈ = ভরদ্বাজ। অঙোম শলাইদা গোত্র অনী অহুমসু হাপচিনখি। ভরদ্বাজ, কৃষ্ণনাথ গোত্র, গৌতম অমসুং কৌশিক গোত্রদা চৎলি। শ্রীএল: ইবুঙোহলসিংহনা Introduction to Manipurগী Appendix (vi) তা মোইরাং অনৌবা = আঙ্গিরস গোত্র, খাবা = ভরদ্বাজ, ঙানব = নৈমিষ অমসুং চেংলৈবু বশিষ্ঠ গোত্রদা পী। একাউন্ট ইমান মায়দবা বৈজ্ঞানিক ওইদবা খর থেংনৈ। আগস্ত্য অমসুং বিশ্বামিত্র অনীগী মিংদা গোত্র য়েনলমদে। গোত্র থোকপগী মতাংসু সনামহি লাইকলদা খুদম অমথক তাকপসি মতুনা অতৈ ফংদে। শলাইশিংনা অশুম্বা গোত্রদা চংসিনখি। বামনমখৈদি লাকখিবা মকমতুগী গোত্র পূরক্লম্বা য়াই। লোইরমগী মীওই কয়া নিংথৌগী হুকুম মতুংইন্না য়ুম্নাক লৌখি; অদুগা লোইননা শলাইনা ওইবা গোত্রদা তিনশনখি। জৈনধর্ম্মগী লাইরিক্তা মফম, শিনফম অমসুং পায়রিবা ফমগী মতুংইন্না গোত্র কয়া থোনখিবদু ঐখোইগী নৈবাক্তা ফংদে।

গোত্র চৎলিবা মওং অসি বামনশিংগী খুৎশেমনি। হিন্দুগী আইন অসি অতুক হায়া কনদে। Secular (ধর্ম্মগী মতুবা) ওইনা চৎনবনি। হিন্দুগী অশেংবা আইন তাকপা লাইরিক্তা মৈতৈগী মরম য়াউদে। লুহোংবগী মতাংদা য়েক থোক্নবগী মরম কয়া লেংনৈ। গোত্রদি লুহোংফমদা বামন্না থীবদা ওইনা ফংই।

বেদগী মতুংদা পৌরানিক যুগতা বর্ণ থাম্বা Indo-Aryan

সমাজগী মশক ওইরি। অরিবা রোম, স্পার্তা অমসুং হৌজিক্ক আমেরিকাদা মচু খায়বসিসু থেংরে। বর্ণগী শকম অসিসু মৈতৈ সমাজদা বামনশিংনা হাপচিনলকলে। মৈতৈ নিংথৌনা মখোইদা থৌজানখিবা ফমফম চাউনা থাকখিবা অমসুং ধর্ম্ম গুরু ওইনা থমখি-বদগী মখোইনা চাউবা ওইখি। বর্ণগী থিউরি অসি রাজনীতি অমসুং ধর্ম্মগী যুক্তমদা বামনশিংনা শাগৎখিবনি। শিনফম অমসুং অর্থিক অবস্থানা পুশনবা ঙমখিদে। হিন্দু সমাজদা ফংবা শিনফমগা মৈতৈ লৈবাক্তা ফংবা মীওইগা মান্নদে। লাইলাংপা, ধর্ম্ম অমসুং দর্শনগী থবক তৌবা কাংবু অসি বামনশিংদা নত্তুনা মাইবা অমসুং পণ্ডিতশিংনসু তৌই। হিন্দু ধর্ম্মগী মরমদদি বামনশিংনা তৌখি। মখোই লোইনমক গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্মদা চংখি। শাক্ত, শৈব অমসুং তান্ত্রিক চৎপা তৌখিদে। লৈবাক শকপা নিংথৌ অমসুং নিংথৌ-মচাশিংবু ক্ষত্রিয় মচানি হায়না genealogy (মৈহৌরোন) পুথোকখি। মৈতৈ নিংথৌ মচাবু পাণ্ডবগী অর্জ্জুনগী ধারানি, শলাই পুম্বা ক্ষত্রিয় মচানি হায়না শেমদোক্তুনা শাস্তদাসনা থনখি। মহাক্না লম অসিবু মণিপুর হায়না থোনলগত্তুনা ঙসি ফাউবা পৃথিবীগী মনুংদা মেপ য়েকপদা ফংলি। শলাই পুম্বা লুগুণ থাংবা নাম ফংবা ক্ষত্রিয় ওই। মতৌ অসিগুম্না লোই কাংবুসু ক্ষত্রিয়নি হায়না তানখি। বৈশ্য কাংবু ওইনা লম অসিদা ফংদে। শণশেনবা, লৌউবা, অমসুং ললোনইতিক তৌবা হায়বসি মীপুম খুদিংনা তৌনরমি। মথৎনা থবক শুবা শূদ্র হায়বসি শিনফম নাইবা লোই অমসুং যুম্নাক থরনা তৌরম্মি। ভারতকি মফম অতৈদা অমাংবা শূদ্র অমসুং অশেংবা শূদ্র ওইনা পুরিবা শিনফম অদুদি মণিপুরদদি শলাইগী যুম্নাক্না তৌনরম্মি। মখোইবু হম্মনা পুনদে। মাইথিবী কাংবু অসি মৈতৈ মনুংদগী লমহেনবদগী চৈরাক পীদুনা তাপ্তোকখিবনি। হায়না মথক্তা পনগ্রে। মখোইগা শোক্নবা য়াদবা কাংবুগা চাংদগৈ।

চীংমীশিংদি মৈতৈ কলচরদা য়াউবা শকক য়াখিন্নবা কাঙবুনি। Dr. R. Brown অমসুং Captain Dunনা মখোইগী লাইরিক্তা ক্ষত্রিয় মীশিংদা শূদ্র অমসুং বৈশ্যগী মীশিং পনখি। মৈতৈ সমাজগী নত্তনা মপান্দগী লাকপা ওইনা তৌই। বামনশিংনা লাইতীন, পূজা অমসুং লাইরিক্কী থবক নত্তনা লৌউবা অমসুং অমোৎপা থবক পায়দে। অতৈ কাঙবুনা চাক থোংবা অমসুং ঈশিং শোকপা মখোইনা লৌদে। শলাই অতৈনা চাক থো বদা মখোইনা চাদে। থোংবা থাকপা অমসুং শ্রীগোবিন্দগী সেবাসি মখোইনা তৌদুনা হৌনবী ভাক্লকই। মখোই চাবা থকপদা চেকশিনলি। মীগী লুগুণ থাংবীবা, পুন্সিগী কর্ম তৌবিবা, লাইবিক ঙম্বিবা অমসুং দর্শণ নৈনবা অসি কয়া চৎলকই। উৎসব, মেলা অমসুং চাবা থকপদা মকোক ফমই। বামন নিপানা মৈতৈ নূপী লৌবদি সমাজদা চৎনরগা মৈতৈ নূপানা বামন নূপী লৌবসি য়াম্না কুইনা ঐখোইগী সমাজদা চৎনরমদে। [হন্দক্কি মীরোন খরসিদা বামন নিংঙোন্না মৈতৈ নূপাদা মমুম পানখিবা থূচম য়াম্না পূথোকপা য়ারে।]

মৈতৈনা বামনবু অজ্ঞা কৌদুনা দীক্ষা গুরুনি উৎলি। ব্যাবহার ফজবা উৎলি অমসুং মখোইনা খুরমৎন। য়ুম যাত্রা হুনবা অমসুং পোকপা শিবগী থবক কয়াদা বামন ক্ংদ্রবদি পাংথোকপা য়াম্নরমদে। তৌইগুমসুং বামন্না পুমহেন কেনগৎপদি মৈতৈ সমাজনা তৌহন-লক্তে হায়না T. C Hodson না মত কোওদোকই। হিন্দুগী পুজা অমসুং নিয়ম ইনবসি তঙ্খাই ওই। হান্নগী চৎলকপা ফজরবা লাইনী-লম্বী অমসুং আইন লৈ। য়াম্না লুবা মতাং লাক্লবদি নিংথৌসু, প্রজাসু হান্নগী লাইনীং লাইশোন্দা হজিল্লি। নিংথৌ অমসুং রাজকুমারশিংনা খ্বাইদগী শক্তি পায়বা লৈবাক ঙাকপা হায়বদু তুইরকই। রাজকুমার হায়না খঙনবা মৈতৈ নিংথৌমচাশিংগা

বামনশিংগা মৈতৈ সমাজদা হাংবা তান্নবা মশক হেক হেক উই। মৈতৈ নিংথৌমচাশিংদা ভাগ্যচন্দ্র অমসুং নরসিংহগী থাম্নাদি মন্তিক ময়াই লৈনা ঈকাইখুম্নে। উৎসব মেলা অমসুং চাবগী কম্দা নিংথৌমচা শাগৈ জাৎ ফবগীদি কন্নাংজি কম্না, কা মপুম হেন্না তৌবা অমসুং বামনশিংনা ব্যাবহার তৌবা চৎনৈ। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা তৌহন্নিংবা থবক তৌখিদবদগী তপণ মিশ্রগী মশ, সুরথ, দশরথ, উদ্ধব অহুম ইন্নোক্তুনা গণক ব্রাহ্মণ জাৎ তাবা-ওইহনখি। শাউগল্লবা নিংথৌ গম্ভীরসিংহনা বামন অমদা অশিবা কাওডা পীজদুনা জাৎ তাহনলি। গোবিন্দগী সেবা তৌবদা ডা মন্ন য়াউরুবগী বামন লোই থাখিবগী খুদম চৈথারোন্দা ফংই। দেবেন্দ্র ব্রাহ্মন্না ইংরেজী হৈবগী বামনশিংনা ইন্নোক্তুনা গন্না মুপ্পা হান্নখি। মানা প্রায়শ্চিত্ত তৌ য়াদবগী মতাংদা নিংথৌ নরসিংহগা মিত্যাই বংশগী বামনশিংগা খৎনদুনা নিংথৌনা মতম থংন্ন ইন্নোকখি।

বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ঈথক হৌখিবদগী মৈতৈ লৈবাক্তা লাইমিং লৌবা, লুগুণ থাংবা, মী শিন্নগা মৈথাবা, হিন্দুগী লাই মন্নাম পূজা তৌবা, পর্ব্বদিন পুম্না পালন তৌবা (নোংম থেংথনা), শনবু লুনা নিংব, য়ু থকখিদবা, শা চাখিদবা, ওক অমসুং য়েন লোইখিদবা অসিনচিংবনি। চীংমীগা মৈতৈ প্রজাগা লাপথোক্রবা অমসুং অমাং অশেং পুশিলকপা অসিসু ধর্ম্ম অসিগী মরুমদা বামনশিংনা শেমখি-বনি। চীংমীবু তোঙান্না থাদোকখিবসি বৈষ্ণব ধর্ম্মগী কালি তৈবনি। হান্নগী লাইনীং লাইশোন অমসুং মৈতৈগী পুয়াবু থওইরক্কবা অসি ওইখি। মশা নানবা, কি অশেংবা শীজিন্নবা, ঈরুজবা, কি তুম্বা, ঈশিং তোইনা শীজিন্নবা লাকই। বৈরাগ্য নক্রবদি ডা চাবা চৎনৈ। পানলিবা নিংথৌ অমসুং দীক্ষা পীবা বামন্দা ভক্তি থমই. পূজাদা বলি কৎপা তোক্তুনা হে, লৈ অমসুং সংস্কৃত মন্ত্রনা শিনখি। মণিপুরগী লাইশিং মরুওইবা মকমশিং অমসুং নিংথৌশিংবু সংস্কৃত

লোনগী মিং অমমম থোনথি। শাগৈ লাই ওইনা লাংপা সনামহিগী মশক উৎপ শেন ময়েক অমমম থমনৈ। ময়েক্কা সংস্কৃতকি শ্রী হাপই। মসি নিংথৌশিং অমসুং বামনশিংনা সংস্কৃত প্রভাব তাহনবগী খুদম্নি।

কোনুংদা হিন্দু লাইশিংগী মন্দির কয়া, খুল্লকতা বামন লাই লাংকম, পুঙ্ ঈশৈগী মাঙব ময়াম লিংদুনা কলচরগী মশক অমা থোকহনখি। ব্রাহ্মণ সভানা লাল্লুপ কাহনা শ্রীগোবিন্দগী সেবা কায়দনবা তৌরকই। ধর্ম্মগা মরী লৈনরা খৎনবা কয়া হিন্দুগী আইন পুথোক্তনা বিচার তৌই। পাল্লিবা নিংথৌনা ব্রহ্মসভা অমসুং হায়গী ধর্ম্ম কাঙলুপ অনীমক্কী মকোক ওই।

পৃম্মমকসিগী মথক্তা নিংথৌ অমসুং বামনশিংনা মৈতৈ হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মদা হল্লবা লোইশিং অমসু' চাংমা কয়া পুশনলকই। মাংলুরবা কাঙবু অদুম ধর্ম্মশাস্ত্রগী মতুংইন্না প্রায়শ্চিত্ত তৌদু। অমুক শেংদোকই। মসিদা নিংথৌগী পুরোহিত ব্রহ্মসভাগী রত্ন-শিংনা অকনবা থোদাং লৌখি। হিন্দু নত্তবা কাঙবু কয়াবু আর্যগী কাঙলুপতা পুসনবদা Vratyastoma কৌবা যজ্ঞ অমা তৌখিবগী রা মথক্তা পনল্লে। মখোয়ড় ব্রত্যক্ষত্রিয় হায়না অরিবা মতমদা খঙনখি। পারী পুরী শেমদুন বর্ণ মরিদা কায়ম্ব্বু পুসিনখিবা ভারতকি মফমদা ফংই।

হিন্দুদা ওনলক্লবগী অথরিতিদি নিংথৌনি। চিজ্ঞাক অদু ঙাকপা তাই। ওনলিবা মীদুনা শা অমসুং য়ু থাদোক্লনি। হুকুম ফংলগা মতম খরদি Probation (চাং য়ে'বগী মতম) দা ঙাইবা তাই। অহানবদা মখোইগী মখুত্তগী বামনশিংদা ঈশিং শোকপা য়াবা মীওইদুরা য়েংলগা মৈতৈ সমাজদা পুশিনলি। ঈরুপ্পা, চন্দন থিনবা বামন্না মন্ত্র শোন্দুনা লুগুণ থাংবা, গুরুদা দক্ষিণা ওইনা ওনলিবা মীদুনা কৎপা অসিনি। লুগুণ পীবগী থবক্তি নিংথৌদগীম্ম বামনশিংনা শক্তি হেন্না পায় হায়বা য়াই। মী অমবু লাইমিং পীবসি নিংথৌ

অমসুং বামনশিংনা তৌরকই। নিংথৌনা লৈবাক্কী অসুম্বা মপু ওইবনা খুল অমদা লৈবা মী পুম্বা ক্ষত্রিয় ওনহল্লুনা লুখ্ণ পী। উরীক্তা পীবসু লৈ। যাম্বা তোইনা ওনগনবসি মরামগী ওইনা তৌদে। মী ১/২ গীদা অথমনা নিংথৌনা পৈশা খর লৌরগা হিন্দু ধর্ম্মদা পুশনবিখি। চীংমীশিং অমসুং লোই লমগী কাঙলুপ কয়াবু অসুম্বা শেংদোক্লম্বসিনা ইসলাম অমসুং খ্রীষ্টান ধর্ম্মদা থাদোকখিদনবগী পাম্বেনি। শেংদোক্লব লমশিংদা হরিনাম শোনবা, সংস্কৃত রাহৈ রাতা শীজিন্নবা, সংস্কৃত সাহিত্য নৈনবা অমসুং হিন্দুগী পুন্সি পুশিনবা অসিমক অনৌবা ইতিহাস অমা শেম্বনি। [হৌজিক ফাউবদা লোই লমগী মীওই অসি মৈতৈদা চংলবসু থবক হাপ্পা অমসুং ভোটকী মতাংদা মখোয়গী ফংফম থোকপা মশীং কল্লা থম্মি]। লোই লমগী পোকপা, শিবা অমসুং লুহোংবদা শ্রীরাম নোঙ্গাবা, নন্দকুমার, ধনঞ্জয় লাইবু নীংবা অমসুং সনামনিক্লচিংবা শক্লে। মরায় ওইবা মতমগী সাহিত্যগী মমি খর ফংই। চকপা ফয়েংগী মী মমিংদা নারায়ণ, হরিহর হায়বা ফংই। লাইরিক ইবগীহৌরকপদা হরিনে হরানে হায়বা হেক হেক থেংনৈ। Negative (ওইদবা) শেম্বদা আ হাপই। চকপনা কংলাদা চহি কয়াগী মমাংদা খুন্দারম্বগী রাস্তু লম মমিং থোনবদগী প্রমাণ ফংই। চকপা য়েনগাউপুং হায়না চকপা খুন্দা খুম্থোকলোম্বা হাপই। (T. C Hodson, The Meiteis, 1908, P,10)। খুঃ চহিচা নীপালগী ওইবা সংস্কৃত লোন য়াউবা কোয়ী কোম্পাক অমা শ্রীয়ুমজাউ সিংহনা ফয়েংদগী ফুকখি। মসি নৈনফমনি। মচাক্লা আর্য্যগী নত্তবা হাম্নগী ওইজবা তৌইগুম্বসুং আর্য্য বামনশিংগী কোকনা ঙাকলো ওইদুনা শেম্বা পোৎথোক কয়া ফংলি।

বঙ্গদেশ অমসুং আসামদা চীংমী, অতোনবা জাত অমসুং মুসলিমনচিংবা হিন্দু ওনহনখিবগী খুদম ফংই। মণিপুরগী ইতিহাসত্তদি পাঙল অমত্তা বৈষ্ণব ধর্ম্মদা চংশিনখিবা ফংদে। Sir James Johnstone না মৈতৈ অমদা কয়িগীদমক পাঙলবু হিন্দু ওনহল্লিরবনো

হংবদা মানা খুমখি—"হাউ (চৌংমী) অমসুং পাঙল অনীমক অমাংবা ম্লেচ্ছ ওাক্লি। চৌংমীদি পাপ তৌবদা জ্ঞান য়াউদনা তৌবনা মরাল লৈরে। পাঙলগীদি লম্মী খঙনা কত্তবা পূম্বা তৌই। মাংবা মখোইনা হেল্লি, মৈতৈদা ওনশনবা য়াদে।"

নিংথৌগী থৌজাল অমসুং বামনশিংগী শক্তি—

মৈতৈ সমাজবু হিন্দুগী লমজিং ইনহনখিবা য়ুম্মী ওইখিবা বামন-শিং অসিগী ইতিহাস কুপথনা য়েংশনবদা পানলিবা নিংথৌগী চানবি-হৈবা মিংয়েং অমসুং ওনলক্লিবা রাজনীতিগী মশক য়াউদবা য়াদে। নিংথৌ অমনা খুবম হেক ফংবদা হান্ননা গোবিন্দজীউগী সেবা তৌরম্বা বামন কাঙবু লোথোক্লগা অনৌবা শিনজনলি। মথক্তা মহারাজ নর-সিংহনা নিত্যাই বংশগী বামন ইস্নোকপগী ব্রা পনথ্রে। মহাক্তা লান্দা ৱামিন্নরকপা মাগী মীওই বামন অমবু গোবিন্দজীউগী লাইশঙ পুহনখি অমসুং ব্যাবস্থা তৌহনখি। মাগী মতুংদা হান্নগী বামনশিংগা অনৌবা লাইসেবা চৎপগা খৎনবদগী শ্রীচন্দ্রকীর্ত্তিনা লোইশিনখি। বামন হায়বা ইন্দবদু চৈ ৫০০ ফূগনি হায়দুনা মৈতৈগী চৎনরকপা আইন পুথোক্লুনা তোকহনখি।

খৃঃ ১৮৯৫-৯৬ তা মহারাজ চূড়াচান্দনা নিংথৌ ওইবদা অমুক সমস্যা হৌরকখি। মাগী শাগৈগী পুরোহিত অদুবু নিংথৌগী লাই গোবিন্দ সেবা চৎহনখি। হান্না চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদগী গোবিন্দজীউগী সেবা চংলক্লবা অরিবা বামনশিং অদু মফম তাহনখি। মতম কুইনা নিংথৌগী থৌজাল ফংলম্নবা শক্তি পায়রবা মীশীং য়াম্নবা অরিবা বামন কাঙবু কয়া নীংবা কায়খি। অরিবা কাঙবুগী সেবকশিংনা তমগী খুল কম্নাদা লৈখি। মখোইগী নীংবা কায়বা থোকখি।

অনৌবা নিংথৌগী থৌজাল ফংলবা মতম কুইনা তুমিন্না লৈরম্লবা অনৌবা কাওলুপকি বাম-শিংনা খুদোংচাবা ফংজদুনা খৎনবগী থবক হৌগৎখি। অচৌ পিশক খায়দনা খুন কয়াদা অনৌবা বামন অমা পীদুনা ধর্ম্মগী থবক তৌহনখি। অরিবা বামনশিংদগী লাইমিং লৌবা, ব্যাবস্থা তৌবা অমসুং সেবক থম্বা অদু থিংনবা হোৎনখি। ধর্ম্মগী থবক কয়া তৌবদা য়েৎকনবা মীওই-না অনৌবা বামন কৌশিন্দুনা অ রবনা যজমান ফংগদবদু মাঙহনখি। রাজম অসি পোলিটিকেল এজেন্তা য়োনরকখি। মহাক্না অহৈ, অশিং কয়া কৌদুনা উন্নরগা অরিবা অমসুং অনৌবগী মশিন অদু য়েৎনদনবা মত পীখি। মথৈদা খৎনবদু পংশাং শাথনখিল্লে।

মহারাজ চূড়াচান্দগী মতমদা ধর্ম্মগী ব্যাবস্থা তৌবসি মৈতৈ নিংথৌনা মৈতৈ ভাব লম পুম্বগী মকোক ওইদুনা তৌখি। অরুবা থৌদোক কয়া মাগী ময়াথং যাউদবা য়াদবগী মহাক্না শক্তি পায়খি। বর্ম্মা, কাছার, ত্রিপুরা, অমসুং নবদ্বীপনচিংবদা মৈতৈ ধর্ম্মগী মকোক মানা পুই। Progressive (চাওখৎপা পাম্বা নীতি) ওইবা কাঙবু কয়া মাগী মতমদ থোকখিদুনা বৈষ্ণব ধর্ম্মদা বামনশিংগী খুৎশেম কয়া মায়োক্নখি। মাংবা শেংবগী রাথোক অমা মাগী মতমদা থোকখি।

হিন্দু স্মৃতি পায়বা ব্রহ্ম সভাগী রত্নশিংনা করিস্থ লৈত্তবা মরমগীস্থ মাংই হায়দুনা মী, শাগৈ অমসুং খুন পুম্বা ইম্থে কপা তৌরকই। মাংই হ য়ন মখোইনা লাউথোকখ্রবদি, ধর্ম্ম কর্ম্ম তৌবা অমসুং মী চংবদা মতমদুগী সমাজনা তুক্কচনরম্মি। ইস্তোকলিবা অদু ফনবা শেংদোক্নবা পৈশা য়াম্না বামনশিংনা কংশিনবা চংনৈ। পৈশা য় ম্না কল্লবদি কুইনা মাংবা ওইখি। মখোইনা শেংদোকপিরবদি নিংথৌনস্থ করিস্থ হায়দবা চৎনৈ। ময়ায়থংবা যুগতা পোপকি নীতিদা মার্টিন লুথরনা মায়োকনখিবদুগুম্বা মওং অমা মণিপুরদা ওইখি। মাংবা শেংনবগী মরল অসি লুপা ৮৩ আনা ৩ পাই ৩ হায়না

শেন তাংলবা মতমদা লেপখি। নিংথৌনা শেংদোকপদি লুপা ৫০০.০০ লৌখি।

বামন ব্রতনশিংগী শিংবা হেনবা নীতি অসি মৈতৈগী রাখল খনবা মীওই খরগী মত্ত খরাক পুজাইখদে। মতম অসি ভারত জাতিয় কংগ্রেসনা ভারত শীনব থুংনা ব্রিটিশ তানগদগী আন্দোলন হৌবা মতমনি। নোংচুপাকি মহৈ মশিং ফংবা মীওই খরসু মণিপুরদা লৈনরে। ধর্ম্মগী মায়কৈদা নত্তনা অর্থিক অবস্থাদা মররারীশিংনা চেঙ থাখিব অমসুং ফৌ নংহনবগী মরমসু খৃঃ ১৯৩৯-৪০ দা থোকখি। শেন্দবা কয়ামুক্তা মরম ওইদুনা নুপী লান থোকখি। মসিগী কল ওইনা মাংবা শেংবা মাঙাখ। হিজম ইরাবত সিংহগী লুচিং সমাজগী ইতিহাসতা ময়েক লানা লৈ। কাছাররোমদা নাতিরিয়া ফুলোনা লুচিংদুনা মৈতৈ লাইনীং হায়গী অদু চেৎহনখি। কোর্টগী মতেং লৌদুনা বামন কয়ামুক্তা ধর্ম্মগী মায়কৈদা শোক্লাখ। য়াকাইরোল- নচিংবা চেফোংদা মাগী থবক পুম্বা শন্দোকখি।

শ্রীহিজম ইরাবত সিংহনা লোইরমদাই পুন্সিদা কম্যুনিষ্টকি নীতি কয়া শন্দোকখিবনা মাবু কম্যুনিষ্টকি নেতা ওইনা হৌজিক কাওবা ঈকাই থুম্নরি। ধর্ম্ম অমসুং সমাজ সংস্কারদা মাগী মথৌ পাংথোকপ্রবসু ময়ায়া খঙনখিদে। তৌইগুম্বসুং নাভিরিয়া অহনগী মীতৈ অপোকপ মরূপকী লাইনীং অসি মণিপুর তম্পাক্ত। অকনবা কাঙলুপ অমা ওইদুনা বামনশিংবু মায়োক্নার। হায়া কোনুংগী লোয়শংদা মাইবা অমসুং মাইবীশিংনা চংনবগা অপোকপা মরূপক। মায়দবা কয়া থেংনরবসু মীতৈ হনাৎ য়োকপগী মতাংদা পূনাশগ্নে।

নিংথৌ চূড়াচান্দগী মতমসিদা গৌর ধর্ম্মগী শাস্ত্রদা খমথেংনা নৈনবা হেনজিনব পঙ্কোট কৌবা লাইনীং লম্বী থোরকই। হায়গী বামনশিংনা তৌরকপা নিয়ম কয়াবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা কাঙলুপ অসি ইম্ফালগী মকম খরদা মপাঙ্গল কনখৎলকই। ঈশ্বরদা হেন্না

পুক্লিং থিংজনব, শ্রাদ্ধ কর্ম্মগী মতাংদা পূন্নমক লম্বোইবা, তেনশিন্না কৎপা, ভগবানগী মাধুর্য্যনা ঐশ্বর্য্যদগী হেনলি খনবা, কিশোরী ভজন পাম্বা অমসুং চৈতন্য চরিতামৃতবু চপচানা অর্থ হন্দোক্লুনা পুক্লিদা চৎপা নিয়ম কয়া কংই।

নিংথৌ চূড়াচান্দ অমসুং ময়াম্বুং অহন রাজাকৃষ্ণসিংহনা লাইনীং অসিনা হাল্লগী লাইনীংদা থূদোংথীবা পীদনবা কয়া লাকশিনখিবা কংই।

---

(৪)

মৈতৈগী সমাজ চৎনরোন্দা সমস্যা খর

মৈতৈ সমাজনা চৎনরকপনা শাগৈগী মিংনা (য়ুম্নাক্না) মাং থারগা মশাগী মমিংমা অকোনবদা হাপ্পে। জাপানগী চৎনবগা মান্নে। ভারতকি মফমদা চৎনবগুম্না মিংনা হাল্লগা য়ুম্নাক্না কোনবসু অরিবা মতমদগী হৌজিক ফাউবদা চৎনৈ।

মৈতৈ সমাজনা হিন্দু সমাজদা তিনশনবসি বামন সভা অমসুং লৈবাক্কি বৈষ্ণব চৎপা নিংথৌশিংনা থোদাং লৌখি। হৌজিক্তা মণিপুরগী মৈতৈ নিপাবু সিংহ হায়না থণ্ডনৈ। নুপীবুনা দেবী হায়না মিংগী মথৈদা থেৎলি। অতৈ লমদা মাগী শাগৈদি চেটুর্জি, ব্যানার্জি, অমসুং চক্রবর্ত্তী হায়বসিনা মশক লেপই। মথং মনাউ নাইবা অমা লেংথরকপদা নুপাসু নুপীসু শাগৈ অসিনা মমাংদা থমদুনা লেপই। ঐখোইগী সিংহ হায়বসিনা ভমগী মৈতৈ অমসুং মৈতৈ চৎখিবা পূম্বা (নূপাপুম্বা) লৌশনদ্রে। য়ুম্নাক অমসুং য়েক শলাইবু লাকহৎদ্রে। নুপী পুম্বদনা দেবীনা য়ুম্নাক, য়েক অমসুং শলাইবু মশক হম্বুহনলি। বামন নুপী পুম্বসু চিংশমবদা য়াউই। অতৈ

লমদদি সিংহ তাবসিনা নুপাসু নুপীসু খঙনৈ। পঞ্জাবী অহোম নিংথৌশিং অমসুং মকম অতৈগী জাত্রা চৎপা সিংহনা লোম্বগা ঐথোইগী চৎলিবা অসিগা পীনা খেন্নৈ। চম্মনবা থোকই। মপানগী তখেন্নচিংবদদি মৈতৈ নুপীদা সিংহ তাবা ফংই।

অনৌবা ওইনা চৎ-বদা সিংহগী মহুত্তা শলাই হাপ্লা য়্রাউরকই। মিংগী অরোইবদা লুরাং, মৈতৈ অমসুং খুমন হায়তুনা লোম্বা য়্রাউই। থরগীদা ওইনা ফংলকপনি। মৈতৈগী মশক তারবা মওং অমনি হায়বদ লান্দে। তৌগুম্বসুং Swami Ranganathananda না য়াম্ন য়ানীংদবা ফোংদোকখি।

হিন্দুগী ঈথিন কন্ন ফংলিঙৈদা বামনশিং অমসুং রাজকুমার শিংনা Superiority Complex (মথক থোংনিংবগী বাখল পকপা) থর ফংখি। রাজভক্তি লৈবসি হায়নগী মৈতৈগী চৎনবদগী হিন্দুগী শাজৎ অমসুং চৎনবীদনা হেনখি। বৃন্দাবন অমসুং বঙ্গদেশপু অশেংবা মুম অমসুং নবদ্বীপপু তীর্থ ওইনা পুনখি। থরায়না শিরগা চৎপা অসি হায়নগী ধর্ম্মদদি থোঙাক লাইরেম্বী খুরম্বা, মকোই সুঙোনচৌং য়োবা, শুগ্গুগী মায়কৈ পাংবা লৈশাবী অমসুং পাখংকয়াগী ঙাইনবা পাউরেনবা অমসুং ধর্ম্মগী পুনবা ভাব কয়া ফংলম্মি। বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎপদগী মসি পুম্বা শেংদবনি খনথরে। লম্বেন অসোমদা চত্তুনা গোলোক বৃন্দাবন্দা শ্রীকৃষ্ণ ফংবদা লুপনখ্রে। থরায়না গোপী মরক্তা তিনবত্র অরান খুভম ফংবনি হায়না পুনখি।

অসিগুম্বা লম অসিদগী মুসলীম কাওবুনা সিলেত, রামপুর অমসুং মক্কাবু অশেংবা ওইনা পুনখি। আরব অমুক্তং য়োবা হায়বসি মৈতৈ পাঙনশিংগী পামজরকপা অমনি।

অনৌবা তারবা ময়াংশিং—জৈন, বুদ্ধ শিখ, সাহেবশিং নমশূদ্র (জিরিঘাটতা তাবা) পুম্বা মখোইগী পোক্রকম অমসুং মপা মপুগী লমদা রাজভক্তি থমই। চৌংমী পুম্বা খৃষ্টান ধর্ম্মদা লৌশিনখি

অমসুং মতুংগা লোইননা লমসিবু হুম্বা প্রভাব লৌরকই।

মণিপুরদা British না শাসন তৌরকপা মতমদা হায়রগী মও- থুগাইদুনা অনৌবা কয়া পুরকখি। মীনাই থম্বা, লাল্লুপ কাবা, য়ায়রেক শন্থ্রি তৌবা, থাজনা কয়া লৌনরম্বা অদু মুথৎখি। ধর্ম্মদা শক্তি পায়রম্বা ব্রহ্মসভা অদু শাসনগী থবক্তা চংহনখিদে। চৌংগী লমদমসু হায়রগী Customary morality (চৎনরকপনা ঙাকপা নীতি) অদু থম্মখি।

মণিপুরদা নীংশিংগদবা অমনা বৈষ্ণব ধর্ম্ম অমসুং আর্য্যগী কলচর হৌদোকপসি ভমগী লমদনি। চীংমান্দা শন্দোক্রবা Charge (থবক শিনবা) পুবা মিশন মুংফং ফংখিদে। মসিদগী লৈবাক অসিগী ধর্ম্ম অমসুং সমাজদা অযোৎপা ওইথি। আসামদা শঙ্কর- দেবগী বৈষ্ণব ধর্ম্ম শন্দোকখিবদি চীংমীশিং— দফলা, মিকির, মিশমি- নচিংবগী লমদা ধর্ম্ম শন্দোক্রবা তোপ্পা সত্ত্রগী লোয়শঙ লৈ। মণিপুরদদি মসি তৌহৌদবনা বৈষ্ণব ধর্ম্ম অসি চীংগী লমদা চৎখোকপা তৌখিদরে। মতমগী ঈরাং ঙাক্তবা অমাং অশেংদা পূকচেল শেপ্পা অমসুং জতিগী ওইবা রাফম য়েংখিদবগী ফত্তবা কয়া থোক্রকখি। ঐখোইনা পুম্না হিন্দুদা পুসন্দুনা লম্বী হাংবা রাৎকে বদগী অতেপ্পা লম্বী অমদা থাদোকপ্রে। মরৈবাক নীংবা, থবক লোম্বা কনবা, ঐখোয়গী ইমায় ওইগদবা কাঙবু কয়াবু কলচর হুম্ববনি খনজিন্দুনা অথিংবা পীরে। চীংমী কাঙলুপ কয়া অমসুং লোই কাঙবু কয়াবু আমেরিকান বেপটিস্ত মিশন অমসুং অরাং নোংপোক বাইবল সোসাইটিনা খ্রীষ্টান ধর্ম্ম লৌহনপ্রে। স্বাধীন ফংলবা মতুংদা রোমান কেথোলিক কাঙবুসু ভারতকী সিভিজন লৌরগা কয়া ধর্ম্ম শন্দোরক্রে। মণিপুরগী চীং অমসুং ভমদা খ্রীস্টান লাকখিবসি লান অমসুং থাঙনা নত্তে। মৈতৈ হিন্দুনা হুম্বনা লৌবা কাঙবুগুদা মখোইনা পূরিং লুপ্পননি। চহি ১০০ মুক সিদ খ্রীষ্টান অসি মশীং হৈরে লৈরমদবদগী ফনা য়াম্না লৈপ্রে।

অপ্নবা মুত্তাইত্তবা ফোংদোকপা সভা অমতা কাউবা তৌখিদে লাইরিক্তা মসি নৈনবা থোকখিদে। হান্নগী চৎনরকপা অদু নীংশং-লবদি ঐখোইনা fellow feeling (মরুপ ওইবগী ঈহৌ) লৈফম থোকই। লম মচেৎ খরগী য়েংবা অমসুং অপ্নবা শক্তি মাংহনব অদু মশক অমরোমদা চৎথরকই। British না পানবদগী অনৌব মহৈ মশিং খর ফংনখি। মখোইগী নীতিবু ঐখোইনা য়ানীংত্রব মহৈগী পাঙ্গমা জাতি অম ওইবগী মশক খঙবা ঙমনখি। মখোইন পানলিঙৈ মতমদা অমাং অশেং খায়বা, শিনফমদা অমাং অশেং থম্বা লুহোংবদা অখিংবা লৈবা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী social tradition (সমাজদ চৎনরকপা) অদু মপুং ফানা মাংহন্‌বা ঙমখিদে। আর্য্য সমাজ ব্রহ্ম সমাজ অমসুং প্রার্থনা সমাজগী movement (রা হৌবগী থবক খরনা ভারতকি মফম পুম্বদা সমাজ শেংদোকখি। প্রজাগী মতেংন আইন কয়া শেমদুনা খুন্‌ং অমসুং লাইরবা প্রজাগী মতেং পাংথি মণিপুরদদি মতমগা চান্নবা মনম কাউবা তাখিদে। অনৌবা মওংদ শেমদোকপা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মশক প্রার্থনা সমাজ চৎপা কাঙলু মণিপুরদ ফংখিদে। লন-থুমগী থোঙদা Capitalism [শেন্জাও পায়বা গী মওংদা থুৎনাইবনা নংথরকপা, থবক ফংদবা অমসুং হান্নগী মুৎশনলকপা, কর্ম্মচারী তৌবা অমসুং ললোনবা মীনা পৈশা লৈব মথন্ অদু ফংলকই।

ভারতনা মনীং তম্বদা মণিপুরসু য়াউই। ভারত্তা তিনশঙ্কু লমসিগী ঙমখৈ মুথৎপা, Unitary Government (সরকার অম তমক লৈবা শাসন) লিংখৎপা অমসুং চথোক চৎশিনগী মর চাউখৎনবা হোৎনবা নীতি কয়া পায়থৎলকই। মহাত্মা গান্ধীগী খুন্‌ং চাওখৎনবা, থুংশূমন মাঙদনবা অমসুং খাদিগী নিয়ম খর মণিপুরদসু কয়া নৈনরকলি। খুন্‌ংগী থবক শুবা মীওইদা শক্তি

অমসুং থৌনাফবা হাপ্পবা সরকারনসু শোগৎপা নীঙিনি। মদু পুন্না মণিপুরদা মায়পাক্লা চথররা হায়বদু ঐখোইনা য়েংবা ঙমি। রাইথৌ মপানগী খুন খর কংগ্রেস পার্টিনা শেংদোকখি। ঙৌইগুম্বসুং থবক ফজনা তৌদবদগী শাগৎখিবা মন্দির, লাইশঙ কয়া মন্দুনা লৈরে।

ভারত অসি চীনাগুম্বা অচৌবা লমনি। চীনাদা সরকার অমতনা চলাই। লম মচেৎকি ওইবা কল্লকপা অদু থাদোক্লগা চীনাপুম্বগী National (জাতিগী ওইবা) লোন লেপ্পুনা লোনগী সমস্যা কোকহনলি। ভারতকিসু মসিগী মতৌগুম্না শেম্বা রাই।

মণিপুর অসি ভারতকি লম অতৈগা চংশিনমিন্নরি। আইন কয়া Delhi Parliament তা শেম্বদু মণিপুরদসু চৎনবা হোৎনরি। মণিপুরী সমাজগী তুংগী ফিবমদি লৈরিবা প্রজাগী মীওইগী অনীংবদা লৈরে। খুৎনদবা, অমগা অমগা মতেং পাংনবা অমসুং মুংশিননা লৈমিন্নরগা অফবা ওইগনি। লৈবাক্কি মরুওইবা ফমদা কাঙবু খুদিংগী মীওইনা মীচুং ওইবা অমসুং শাসন পায়বা মীওইনা প্রজা মুঙাই- নবা তৌবা অমসুং পুকচেন পিকপা থাদোকপা, মীবু ইকায়খুম্নবা অসিতনা সমাজ অসি শেমগৎপা ঙমগনি।

---

(৫)

মৈতৈগী ইমুং অমসুং সমাজ

সমাজগী লমচৎ অসি Biological Evolution (জীববিদ্যা হৌরকপা) দা তপ্না য়োরকই। থোপনা হকচাংগী থবক পুম্না লাকশিন্দুনা থবক পাংথোক্লবদা খোঙচৎ অসি লাকই। ইমুংগী মরী

লৈনবগী — অপা' মচু' অমসুং 'অতৈ মচাউ' লৈনবনি। অহিংবা মতমদু চেমপাক লাপোংপদা 'থুইহনবা' মরুওইবা অমনি। Dr Herik না মতাং খোপাক অমত্তু মচাম পোক্লা থাম্বা cell (কাম্বাং) অমত্তা লৈবা খংবায় পাম্বা জীবদা মশী ওইবা কাম্বাংকা অপিকপা কাম্বাংকা মতম থম্বী মরী লৈতে। মতম থম্বদং মরী লৈনবা মথন অমিনা ইথুংগী মরী ওইরকপগী মরুনি। ডীন কাং অমসুং মীওইবদা মমি ওন্থোকা চংথোকপা ওইরকই।

মপা মমা অমসুং মচাশিংগা লৈনবা মরী অসি খোম পীথকপা অমসুং গর্ভদা মাঙ্গপুরুনা পোকপগী মরুনি। পোক্লবা মতুংদসু পীজবা, চাউথবা খোকপা, মথাদা কোনবা অমসুং চুম্না লেপহনবদা অঙাং অদুনা চুংদা অরুবা থবক কয়া তৌরকই। ডীন-কাং অমসুং মীওইবদা সমাজ শাগৎপগী মচাক অনীথক্লা থবক তৌরি। ককচেং অকোয়বা অমনা কাওবু কনবা লোইনা পীথোকপা মশাগী থমদবা কাংই অমসুং মীওইবগী গণতন্ত্রদদি মীগী অকবা অচু মাঙহল্লে। মথন অনীরক biology (থবায় পানবগী বিদ্যা) দা মায়পাকই। অহানবগী-না মী মখায়, কাঙলুপ (হিংনবগী লানকৎদা মায়পাকপা) অদুনা অমসুং অকোনবগীনা হিংনবা অমসুং কুইনা খাংনবা পাম্বে তৌবিবা মীগী হৈশিংবনা মমল পী।

খোপ অসি অহানবদদি মসুংগী ভবনা শাবা, থম্বা অমসুং থওবদা শীজিন্নদে। হকচাং মপানগী থবক লাক্নবদা [illegible]। Dr Perry না মত্তা খোপ অসি মথত্তনা শম্মুং নত্তে, থবক তৌবনবা [illegible]শিংনা লমচৎ চৎহনবা পাবৈনি। অসিগী থবক্কী মীওইবা [illegible] ওইবা থবক কয়া চমই। শাগী কাওবুগা [illegible] [illegible] [illegible] মীওইবদনা য়েননি।

“চঙ্গথবশিংগী” মতুং অসি লেংদবা মতুং না Environment (অকোয়বদা লৈরিবা পোৎশিং) অমসুং মপা মমাদগী কনখৎলবা পোতশিং সমাজগী মতুং ওই। লোংলোকপা তাবগদগী অমসুং লাইপোক অমগী শক্তি মখোকপা তাবগদগী মশিনদা পৎকেন হেন্দে।

ইমুং মনুং হায়বসি মীওইবা জাতি লৈরকপদগী হৌরে। অহোংবা কয়াম লাকঙি সঙ্গী মীওইগী শাগৈ লৈরে। মীগী পুন্সিদা মকোক্কী মসাম আওয়াংবশিংনা ইমুংনি হায়বসি Plato অমসুং Aristotle গী মতমদগী খঙলকখ্রে। সমাজ খুদিংমক ফংবা পামই অমসুং সমাজ পুন্না শাগৈ লৈরি। মৈতৈ সমাজদা লৈরবা ইমুং অমগী মশক অদু মরাং অসিনি পাংথোকলি।

ইমুং অমদা নুপা অমা মাগী মচা অমসুং মখোইনা পোকপা লুকোংশিনবা মচানুপাশিং লৈ। Joint Family (মীয়াম পুন্না লৈবা ইমুং)দা মপা মমা, মখোইগী মচাশিং, মচানুপীশিং অমসুং মশুপিশিং য়াওই। ইমুং অমদা মইক্তে মনাউদা লৈরবগুম ফংই। নুপা মচুমদা নুপী লৈ। নিংথৌজ অমতা পোক্রবদি থাওং ইনবা চৎনৈ। মচা নুপাশিংনা মমুম পাননিংলদগী লোক্তান চাই। নুপা অতোনবগী মপা মমাগা লৈমিন্নৈ। মচা অমা পোক্রবগুম মসুম তৌই। মপা মমাগী লৈহৌবা অদু মানা ফংহনবা ময়াম পোকলবদি য়েনখ্রগা মানা অয়ান্না ফংই।

মচা নিংথৌজা অসি মপা মমাগী অথাদা চাওরকই। মমুম পানখিবদা মমুং থাদোকই। থাইনবা নত্রগা নুপা নত্রবদি মচুং মপাংশিংনা লাকই অহন ওইরবা মপা মমা থাকপা অমসুং নিংথৌজাগী কোমবসি অতোনবা মচানা তৌগনি।

যুপানা মকোক ওইনা চংনব মশক অসি মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পা ফংই। পাখী পুখী খিরদা মপাকগী লৌই। মপানা উংপা

[illegible] [illegible], মখুনাবত তৌই। মখা মহৌশগী মশা মখোনা [illegible] [illegible] [illegible]। মতেং পাংনবদু মশা মহৌশী শাথোনা তৌরে। [illegible] [illegible] নিংথৌজাম মখোনী মত চৎপগু কই। মচাশিংগী মখংগা নিংথৌজাম মখোদী মত পাংলৈ। অসি লোক্তবনা অহোকপা খবা [illegible]।

[illegible] মখা অসি ব্রিটিশনা শাসন তৌরিকাউবা চৎলরগে। [illegible] অসি মথক্তা লৈনরে।

[illegible] মকোক মশাদি। মশা নগগা নুপা অহুনা শনখুম পুখৎক পায়। লৈশা তানবদা নুপা নুপী অনীমক ক-লি। চাওরকপা অহাংশিংনগু হাউই। লৈশা [illegible]বদা নপা অতু মখাম্বা পীবা পাউজাক ইরলি। সমাজগী, ধর্মগী অমসুং রাজনীতিগী কাথবদা [illegible] মখা লৌরে।

[illegible] [illegible] মচাশিংগা লৈনবদু নুংশিনবা অমসুং মতেং পাংনবনি। চাউখৎলকপা মচানুপানা মশাগা, মচানুপীনা মমাগা লোইনখি। [illegible]গী কিনমনা লোয়নজনবনি।

নুপা নুপী মখোই লৈনবাসগু মশা মশা নুংশিনবনি। মশানা থৌরমকপা, নুংশিজবা অমসুং থজবগু কংই। অহনলময় শীনখিরগা মখুম পালহনবা চৎনবী কংই। পুক্রা ওইবা মাম্না কংই। খরনা অমুক (তেনশনবা লুহোংবা মথন অমদা) মখুম পানলি। মচা [illegible] হাকগী নুংশিবা মতু তাকই; লুখ্রা ওইরগা ধর্মগী থবক [illegible]। নুপীনা কি শাবা, মকুপ মতাগী থবকমথৈ মনীংতোনা য়োনবা [illegible]। পোৎচাউদি নুপাগী মথৌনি। অতৈ মকমদগী মৈথৈনা [illegible] [illegible] [illegible] থবক নুপীদনা তৌবনি। কথেন কাম্বুনা ইমুং [illegible] [illegible] [illegible] মতম ওইরবী নুপীশিংতনা তৌই।

মচিন [illegible] [illegible] কাউবা পুম্না চাখিদে, অমসুং [illegible]। মথংদা থাইদোক্লা লৈখিদে। মুম অমদা নুপা তা, নুপী তা অমসুং অহনবী কা থাম। পুংকক চাউবা নুপীমচানা অব পীকপা অমত্তা, পোক্লা অমসুং কম্না খেংবা কংই। মসা ওইনবগী থবক্তা তমই। নুপানা মপাদগী থাউ তা লাংশোই শীজ্জবা অমসুং শামু কাবগী নিয়ম অসি অহানবদা তউই। ময়েক হব পাবগী ইমুংগী মপাদগী তম্লগা কোম্না অথত্ অহৈদা চংলি। নুপী মচাশিংনা লং নাইবা, কিশাবা, অমসুং লোনবা অসি মমাদগী তমই। লৈকাইদা নুপীমচা ময়াম তম্লবা মক্কম কয়াম্ন লৈ।

ইমুং অমদা পুম্না অমা অমসুং শেম্তাও অমা ফংই। ইগী মথী নরুবগুম্না চাবা থকপগী মতাংদগী নৈ। শৈশাগী মতাংদা থংন চৈনবা অসি মতম পুম্নদা থোক্তবগী অচুবা ওই। লোন তোনবা, লাইরবা, লিংবা ওমদবা কম্না থোকই। অচৌবা ইমুংগী থাকপা তারবাদ পৈশা য়াম্ন থোকপ ত্তাই। খরচ য়াম্না চংই। হিসাব অচু কুপ্না থম্বা তাই। ইমুং অচু মম্না চেংনবা পাদে খিগনি। পুরোংবা, অশি অনা অমসুং উৎসব মেলাদা লম্চম, চিঙ্গাক অমসুং কিরোন মাংহল্লি। অমা অনা থোকপনগী লন তোনগে। মুম অমা হিংবদা পৈশাগী মথন অমসুং শীজ্জবগী হৈতত্তবদগী মৈতৈগী ইমুংদা সমস্যা কম্না থোকই।

মৈতৈগী ইমুংদা পৈশাগী খুদোংথীবা, থবক ফংদবা, মুমদৈ কম্না মশা কত্তবা, খুত্তাইনদব অমসুং অভাং য়োকপা শোখবা কংই। অভাং য়োকপদা চুমদবা মমসুং ইমুং কায়বা থবক ফজনা চলাইনবা খুদম তোইনা কংই। মুম পানবা মতমদা খোৗবাং বাংপা অমসুং মথৈদা নীংবা কায়বা ওইরকই। অকনা অভাং শেমন মতমদি ইমুংগী খুত্তাইবা থকপদনি। অফবা মথা খোৗকপমবা মতমদি মাগী

অতাং ওইহনবিদৈগী মতমদা। মখোই অতুপদা যেন্না ওইরম্বা সুজাইনা লেপ্লবা মতমদি মখোগী কান্নবা মত্তম অমসুং নত্তা ওইহনবিদৈনি। মতাং থুনিদা [illegible] অমসুং [illegible] পুৎশীবা কয়া [illegible] মখোগী [illegible] থামলি। [illegible] মণিপুরগী [illegible] লোক্লকই [illegible] মশক মথিং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

✓ [illegible]

সমাজদা [illegible] লেপলম্মি। [illegible] অমসুং [illegible] অমুক্তা [illegible] মাদা থবকনি। [illegible] কম্লশ্নবা লোপ। [illegible] Sexual Promiscuity (নুপা নুপীগী মরীদা তায়বা) কৌনিবসি মণিপুরী অহিবা মওংদা কংলখ্রক্লায়না লুই। মখোয়না নুপাগা চৎমিনবা অসি কাইনখৎলা লংডৌ ওন্নরমদে। লোম থাক্লবা অমসুং পুংশিব (Paramour) গী খুদম কংবসি মখানা তাই। অচৌ অমাং মকোন্দা নুপী লোনবা চৎলে। থোক্লাল কংবা মাংলপা নুপীমিংমা লোমা মরী লৈনবা অহু উৎলপা খুনুংগী মতৌ কয়া উই। নিয়োগ (Levirate) কৌবা

থাম্ব শন্দোক্লবা (লুহোংবা নত্তনা) নুপা নুপী মরী লৈনহনবা অসি ফোগুনা চৎনদে। অর্থাৎ য়াবা কৌবা জাত মাগুদনবা মথন অমা সমাজদা ফংলম্মি। কাছার, আহোম অমসুং মকম করাদা মতৌম্বা লৌবদু মণিপুরদা চৎনদে।

লুহোংবা অসি পাংথোক্লমদাইদা লৌনবা য়াবা য়াদবা, য়েক থোক্লবা, পু তিম্ববা অসিনচিংবা শলাইগী কাংলোন চৎলি। মসিগী য়াংমদা চৎপদু হাউজোংবন অমসুং শামুপন্দা থাদুনা মাংহনলি। মসা কোম্বুংগী পণ্ডিত লোয়শঙনা লৌনবা, য়াবা অমসুং য়াদবগী মরম লেপই। নিংথৌনা লোই ওনহনখিবা চৈরাক অসি পণ্ডিতশিংগী বারেপ মতুংইন্না চৎথৈ। বৈষ্ণব প্রভাব লাক্লবদা রাশি পরবা, জ্যোতিষকি নিয়ম অমসুং গোত্র য়েংবনচিংবা তৌনৈ।

লুহোংবদা ঙা উশিন তৌবা, লুবাক চেগুবন কাইবা অমসুং চিরুক মুংশাং কাইবা কৌবা হায়গী লাই খুয়ম্ববা মথন কয়া তৌক্লমি। মংকত ওইনা নুপা ময়ুমনা নুপী ময়ুমদা মমন পীবা, মমন য়াউক্লগা নুপাগী মংলেন্দা তিনহন্দবা চৎনৈ। মনা, লৈমা অমসুং অরাংবী নুপী লুহোংনবদা কাগোক হানবা চৎনৈ। চেনবা, কাদুনা লৌবা অমসুং মরা লৈবদু মুন্মুনা লৌবগী খুদম মৈতৈ সমাজদা ফংখি। চেনবা নুপীদু অযুক হোংবা য়াই। হোংত্রগা অহনশিংনা লৌখৎপা অমসুং লাইতৌন থাবা তৌই। চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদা লুহোংবগী চহি লেপথোকই। নুপানা চহি ৩০, নুপীনা ২৫ ওইগনি হায়খি। মমাংদা নহা ওইনা লুহোংবগী নিয়ম চৎনরম্মি। থাইনবা অসি মরম কয়া-মুক্তা সমাজনা য়াহল্লি। মমামা মচা পুক্লবদি চাউত্রিবা কাউবা নুপাদুনা চাকথাক পী। থাইনবা নুপী অদু অতোম্বা নুপামা চেনক্লবদি অকোনবগী নুপানা অহানবগীদা মমন পী। পরদা চৎনবী

ফংদে। নিংথৌ, অঙম অথৌ, নূপী অমসুং অঙাংনা মপাদা লৈতেংলবা, হকচাং নানহলম্বা, শেংলম্বা ফিজোল অমসুং শম শেম্বগী মথনশিং— আর্ট কয়ানা মৈতৈবু থেংনিংবা পোকহনলম্মী।[১]

মৈতৈ সমাজদা নূপাতনা নিংথৌ ওইখি। নূপীনা লাল চৌহুনা মেরুবা তাঙোকপসি লিশোইঙবীনা উৎলি। যুবরাজ ওইখিবীদা চন্দ্রকীর্ত্তিগী মচা নূপী অহন তথাসনা পনবা য়াই। লোয়শঙ পায়বী লাইশ্না অমসুং মহারাণী শেরীন্দ্রীগী খুদম ফংই। অতৈগী মকমদা নূপীবু কাউথোক্লবা মতমদা মণিপুরদা পাচ লোয়শঙ লিংহুনা যা-মেনবা ফংই। মপুংশক ওইবা কৈফেদাগী তোঙানবা শঙ লিংহুনা হজবা য়াম্না (খু: ৫১৮– ৫৬৮) শমৈয়াংনা হৌদোকখি। রাজনীতিগী থোঙদা কম্না খুৎ থিংজনখিবী মরীন তাউবী গরিবনিরাজগী রাণী গোমতি, চন্দ্রকীর্ত্তিবু শেমগৎপিবা মমা মৈগ্রাম কুমুদিনি মহারাণী ওইনা পনবা য়াই। বৈষ্ণব লাইনীং চাওখৎহনখিবী শীজ লাইরোইবী, অচুম্বা চৎপী শিজ বাকেঙ্গা অমসুং বাংখৈরাকপগী মমাগী নীতি মৈতৈ য়ুমথোং খুদিংদা পাউরৌনৈ। সতী মোইরাং থোইবী, সতীখোংনাং অমসুং শায়ন কয়াগী ফিদম লৈরি। মৈসুংদা চো'শিন্দুনা মপুরোইবপী মতুং-ইনশিবী কয়া নিংথৌ গরিবনিরাজগী মতমদা ফংই। তুংদসি কয়া তৌনখিগ্রে।[২] মৈতৈ চনুনা মণিপুরগী মপান্দা ওংখিবা মথোইগী

[১] মুতুয়া বাহাদুরনা ইবা "মৈতৈ আর্টকি য়াম্নী শিংবুন" তলম অমা, অনী অমসুং অহুম ফাউবা কোঙলে। তলম পুম্না পাবা কায়ে।

[২] মৈতৈ সমাজদা ফংলম্বা নূপীগী সমস্যা কয় শুগাইনা ঐহাক্না পাওজেল কৌবা খু'তিগী চেকোংদা ফোঙদোকখি। আর্টিকলগী মিং 'মৈতৈ সমাজদা ওইরম্বা নূপীগী ফিবম' হায়না কৌদুনা International Women's year গী উপলক্ষদা Sunday Special গী মখাংদা ফোঙখি। ইং ১৮।৫।৭৫, ২৫।৫।৭৫, ১।৬।৭৫,

লমচুদা শিংথানবা রাজনীতিগী থবক পাংথোকখিবদা কুররজনরলী, ইন্দুপ্রভা অমসুং চকপা মণাউ তম্বী পনবা চুমই। লৈবাক মপুংদা অচৌ-অথাংগী নত্তনা মম্বাযগী ওইবা থবক্তা মৈতৈ মাইবীগী থৌদাং অমসুং অগোই ঈশৈশদা নূপীনা য়াবা মথেন খাম্বা লৈ। চাথোকপী মাইবী অমসুং মায়োক্লবগী জ্ঞানদি হৌজিক নূপী ডাক্তরদগী হেন্না মথৌ থওই হায়রবনক য়াই।[৩]

নূপী লাল—মণিপুরগী ইতিহাসতা নূপীশিংতনা অধিকার তান-খিব' অমসুং লৈবাক তাক্লিব কাঙবুগা মায়োক্লবদা থৌদাং লৌখিবা খুদম উই। নূপীনা মাংদা চংশিন্দুনা হৌবগী নূপী লাল হায়না কৌনৈ। তুংদা নূপা কাঙবুনা সমর্থন তৌরগা নূপা নূপী পুম্না হৌবনি। অহিংসা ওইনা হৌদুনা মথোইগী অরাবা অদু কোকহনবা পায়থৎপা মওংনি পৌবা য়াই। ক্রান্সকি বিপ্লব থোকখিবদা নূপী-শিংনা চৎপা থেংনবগুম্না মণিপুরদা নূপীশিংনা লাউদুনা চংবা অমসুং খুৎলাই পায়দবা লালওং চৎথখিবা ফংই। ব্রিটিসকি লাকাউ অমসুং অরা লান্দা নূপা মথেনা মপাঙ্গল শোম্বখিদুনা নূপীরোমদা লৈপাক্ক থবক ইস্নোকপগী মরম থর ফংই। মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনা ফৌ লোকপা লোইদ্রিতৈদা নূপামথৈ শামুফাবা চৎলু হুকুম তৌখি। শামু তানবা চৎপদু মতম ৎর য়ৈথোক্লবা নূপীমথেনা হৌখি।

২৬।৬।৭৫ ৩০।৬ ৭৫ ইং। তোইগুমসুং প্রেস অপিন। চেক-শিনবা রাৎপদগী লোইরমদাই মতেক থর কোঙদোকপদা চিথহৌখি।

৩। ডাক্তর এমঃ কীর্ত্তি সিংহ "ধর্ম্মগী থবক পাংথোকপদা নূপীগী মফম", ১৯৭৬, ইন্টরনেসনেল উইমেন্স ইয়ারগা মরী লৈননা ডাই-রেক্টোরেট অফ ইডুকেশন (সোসিয়েল বেলফিয়ার) না কোঙদোকপা সোভেনিরদা হাপখিবা।

মপুংদা নুপামথৈনা লাল হৌনবা শিনখি। ঈরাং অসি মনম কংদুনা নেপ্রা মেজরনা মহারাজদা ভাঙনরগা কৌ লোকপা মতুং কাউবা য়েথোকহনখি। অদুনা কম্রাইববু নিংথৌ ওগা অওবা হায়না কৌনখি।

ব্রিটিশনা মণিপুরগী শাসন তৌরিবৈদা নুপীগী লাল হায়বা ইতিহাসতা থঙনবা থৌদোক অনীথক থোকখি। সাহেবশিংনা মৈতৈ নুপীবু মথোইগী অধিকার তানবা য়াম্না শাথীবা অমসুং ওক কনবা ওইনা চৈদুনা ইথম্মি।

খৃ. ১৯০৪ দা অহানবা নুপী লাল তৌখি। British Political Agent না মতম থবগী ওইনা মাগী assistant গী বাংলা মৈ চাকলুরবদু শাগৎনবা মণিপুরীশিংদা লালুপ হৌদোকখি। ছোট সাহেবনা ইম্ফালগী চৌকিদারমথৈ কবোদগী চীংগুউ য়ানহম্নবা হুকুম তৌই। লৌবাগদি য়াউদে। পানা মরিগী বামন, নিংথৌমচা খাক্তনা লালুপ তৌহনগনি হায়বদা বামন অমসুং নিংথৌমচাদি মহৌশাদগী তৌনরক্তে হুকুম ককপিয়ু হায়দুনা বড়সাহেবতা দরখাস্থ থাই। সাহেবগী হুকুম মতুং-ইন্না চৈরাপ্পা লৈকাই মরিগী মীওইদা উ. য়া, য়াচেৎ পুখৎলো হায়না থৌদাই। ময়াম্না থাইরখন্দা তিনলি। মী মঙা শুনা তিন-লবদি কাগনি হায়না সাহেবনা হুকুম তৌই। নুপী ময়ামনা বড় সাহেবতা চংজবদা য়াবিদ। মহারাজকুমার অনৌ. রাজকুমার মঙা, অমসুং নিংথেমমচা তরেৎ ফাজন্দুনা থমই। নুপী ময়াম্না লাউগে চংবদা ইম্নবদা নুপী অমা ময়া তেকই। সেকমাই নুপী তরেৎনা থোকচাও তৌনাববু শেন চায় হায়বগী ছোট সাহেবনা বিচার তৌরগা ময়াম লৈতে হায়দুনা নুপীশিংবু বন্দী থমই। বড় সাহেবগী ডাক বাংলো শানবা য়া খিনগৎপা মমিং চৎপা বামন অমনা মুচিংদুনা লোইখি।

অরাং লমদগী সিকাই ২০০ থোমগৎপদা পানাগী নুপী অঙাং

শাঁথৎনৈ। থেমজিন্দুনা থমই। পোলিসনা লৈকাই ঙাকলম্বা অমসুং কথেন কারখদবসু মমৈদা ফম্বকখি। কাজিনখিবা নিংথেম মচা তরুক অহু (কাছাড়) মযাংদা পুশিনখি। চেঙজেন লৈনবা লুপা ২/২ পী। মানা মানা পাম্বা পোৎ লৈনবা লুপা ১০০/১০০ পী। থম লৈরগা শাগ্নি লোইনদুনা কারুবা নিংথেম মচাশিং থাদোরকখি।[৪]

খৃঃ ১৯৩২ দা ঈশিং থাজনা লৌখৎপগী মতাংদা ডরবারগী President অহু পুখ্রীদা নুপীশিংনা ইঙ্গখি। ঈশিংদ অহুক থরাম্ব থাউরব'দ চংলো হায়দুনা নুপীশিংনা তপ্পা লাউখি। President গী মহুৎ শিনহৌবা অহু লোক্তাক্তা অশাউবা নুপীমখৈনা (ঙা কাবগী শৎনবা অমগী দমক) থাদগে তৌখি। মহাক্না হিদা থূনগী অথোইবা মী থরগা চৎথোকলকই। ঈশিং মপাক্তা নুপীশিংনা ঙাইখি। President অহু অশিংবা স্কোট মচানি। হিদ লৈরিক্তা মমাম থেংনদ্রিবৈঙদা অপাম্বদু পীদুনা নুপী ময়াম্না শাউরম্মদগী শুঙাইবা ওনহনখি। মসিদা ইনশিনম্বা নিংথেম মচাশিং মতম থম্ব কাখিল্লুই।

খৃঃ ১৯৩৯ গী ডিসেম্বরদা অনীশুবা নুপী লাল থোকখি। কুম অহু ফৌ থোকতে। মমন হায়গৎলি। মররারী ললোনবা কাম্বুনা অফংবা চেঙথবৈ লৈরগা মপান্দা থাদোকখি। ভৌলচৌ মেঙ্গবগী কল কৃকে তৌবদা হায়জদুনা তোকখি। খুদোং থীবসি থঙবদগী তুংগী অরাবা থোকলক্লবা উদুনা নুপী ময়াম্না State office দা চতুনা Darbar গী President Mr. T. Sharpe দা চেঙ থাবা

৪। চৈথারোল কুম্বাবা, লামাই ৫৩৪—৩৫, ৬২৬—২৭; Introduction to Manipur, P. 44—45.

থিংই হায়খি। Manipur road তা চেং পুথিগদবা Lorry (গাড়ী মখল অমা) মরাংদা নূপীশিংনা থিপখি। ছোট সাহেবপু গাড়ীদগী চিংথৈ, কৌ, চেং অমসুং চেংপাকী গাড়ী কাহুনা থমই। নূপীশিংনা থাবা লৈপাক অহূ তৰখায়না থমবগা মথৌপন্তা লৈথিবা মহারাজদা তাক-ত্তৌখি। মুদক্তা চেং থাবা তোকপে হায়বা হুকুম অহু লাউথোকপা ঙমদবদগী আন্দোলন তৌবা কাওবু থেনগৎতুনা টেলিগ্রাফ আফিস কোয়্যলনখি। আসাম রাইফলসগী কমান্ডেন্ট অমসুং সিভিল সর্জননা প্রেসিডেন্ট ওইবা লাকপদা মখামনা মসুংদ; থিংজিনখি। আসাম রাইফল সিপাই কাওবুশিংনা নূপীশিংগী কনেকতা সন্দীনা থিন্দুনা ইথোকই। নূপী খর শোকখি। অশোকপা খরা Major Cum-mins মা' আফিস মনুংদা লাইকখি। কংগ্রেস (হৌরিবা) কাং-থুনা অশোকপা মেংগে হানবদা কোইচক ডাক্তর-গী-মাদা পুথ্রে ঙম্বদা মাইথীথি হায়না সাহেবশিংনা মখোয়গী রেকোর্ড'তা চুমবা ইথি।

মহারাজদগী চেং থাবা থিংলে হায়বা হুকুম কখি। মসিগী মতুংদা অশাউবা প্রজাশিংনা কল মপু মন্ত্রীথোংনাং কৌবা অমদি কৌ অহু ঐশিংদা তিংলগা চেংপাক শাগদৌরে খঙবদগী চংশিন্দুনা কোয়শিনখি। নূপী ময়াম চংদুনা চেংপাক লৌবা মফম পূম্বা চংই-থাই। মরক অসিদা নূপী খরনা পোলিটিকেল এজেন্ট মিস্তর জিমসনগী রেসিডেন্সীদা চংশিনখি। নূপী লাল হৌরকপদা পিঃ এঃ অসি লম চংথোকলুই। অচেনবা মীদগী গাউ লৌতুনা থুনা হল্লকই। কল কারখানা পুম্বা লেপউ হায়বদা মফম খরদদি মরক মরক্তা চলাইদ্রি থুরখি। মতম খরগী লেপলে, বানিজ্যাই লৈত্রে থুরদা শীরুৎ অমনা ঐথোয় থাজদে হায়খি। অখবার অমসুং মহারাজনা থিংলে

হায়বা কাউবা চৎথরবনিনা নংনা থাজরবসু ঐখোইদি থাজবা ওয়দে হায়খি। নুপীশিং অসি হেন্না তাঙগনলি। খোংথোকখিবা পুথা থবক্তা উৎনবগীদমক চেঙগী কল পুম্বা মৈ থাগদগী চৎশিনলি। অথক্সিটিনা থবক তৌবা ওয়মত্রবদি সখোইনা থবক পাংথোকলি হায়তুনা নিংথৗনা শেংচারবা নুপী ১৫,০০০ না বড়সাহেবগী চংকম কাউবা পী খত্রে। জিমসন সাহেবনা ষ্টেটগী ইঞ্জিনিয়ার তেক্রিগা অমসুং নুপী ময়ামগা চেঙগী কারখান দা চংখি। 'সাহেব চেঙ ভকপা তৌকহল্লো' নুপীশিংন লাউখি। "ঐখোইদি তোক্লে" হায়বদা নুপীশিংনা ওক্লুনা খুমখি "নংন খঙলবসু খঙদ্রবসু মরমাবীশিংনা চেঙ ভকপা ওয়ই; চেঙ ভকপা তোক্লবা থাইদগী কব পাইবদি Switoh (বিজুলিগী খুৎলাই) লোথোকপনি।" মিল পুম্বা ইলিকত্রিকা চলাই বনি। বিজুলিগী থিংদোক নিংজিন তৌনবা খুৎলাই অদু বড়সাহেবনা লোথোকতুনা অশাউবা প্রজাশিং অদু চৎহনখি।

নুপীগী অনৌশুবা লাল অসি মাংবা শেংবা অমসুং নিখিল মণিপুরী হিন্দু মহাসভানা মহাত্মাজীগী পাউতাক মতুংইন্না ভারতশীনবা খুংনা সাহেবশিংদা সহযোগ তৌদবগী নিয়মগা মরী নরবা কংই হায়রে। বহিরনা ইবা ধর্মগা রাজনীতিগা য়ানবা লৈবাক নীংবগী ঊৈশে খল্লে মাতরম কৌবসু মখোইনা শরুখি।

নুপী লাল মতুংদা সহরগী অচৌবা কৈথেল অনী— খাইরম্বন্দ অমসুং পোলিস বাজার কানখিদে। পোলিস বাজার তোকখিত্তুনা মোইরাংখোম কৈথেল্দা কানখি। মতুং থর লৈরগা খাইরম্বন্দ কৈথেল হজিনখি। থৌদোক অসি মণিপুরগী রাজনীতি অমসুং সমাজগী ইতিহাসতা অচৌবা অমনি হায়না হৌজিক কাওবা ঙমদবি। চুবি খুদিংগী সুমিৎ অসি নুপীগী সংস্থান থরনা পালন তৌরৈ।

(৬)

ঐখোইগী সভ্যতাগী লনগৈ ঃ
মসিগী হেজিঙ্গা নাতৈ চান্নবা

(থৌনা অমসুং পূজা)

[বিষয় অসি ঐহাক্না কলচরেল ফোরমগী চহী মীতিং— ১২ । ১০ । ১৯৭৪ ইং দা বক্তা অমা ওইনা সভাদা ফাওখিবনি ।]

ঐখোইনা লৈরিবা লৈবাক অসি পৃথিবী শীনবা থুংনা থন্ডনবা অমসুং মহৌশাদগী লৈরক্লবা লম অমনি। ভৌগোলিক অবস্থাগী ওইনা থ্বংশেম ফজরা চীং, পাৎ, তুরেল অমসুং উমং, লৈমুংদগী কংবা পোৎ অমসুং মৈতৈগী থ্বং-শা হৈবদগী থোকপা ফিরোল মপানগী জগৎনা থন্ডনরে। রাজনীতিগী ইতিহাসদা অচেৎপা যুক্ষম অমা মহৌশাদগী ফংলকই। মথক্তা নাইতোম তাবা তৌদনা নোংপোক অমসুং নোংচুপকি লমশিংগা মরী লৈনরকই। খৃঃ ১৮৯১ দা ব্রিটিস সরকারগা মণিপুরগা শোক্লখিবা লাঞ্জাও অসি ফাউবা মণিপুরগী মরিংজেন উৎপা, থৌনা ফোংদোকপা অমসুং জাতি অমা ওইবগী মতৌ অচু ফংই। মণিপুরগী শগোল কাঙজৈ অমসুং হুগোইঈশৈ মালেম শীনথুংখরে। মশকশিং অসিদগী মৈতৈবু মীওইরগী চৌন্না পনখরে।

ঐখোইনা মী কাঙলুপকি মরুপদা লৈনবদা তমদা মৈতৈ জাতিনা, চীংদা চীংমী কাঙলুপ কয়ানা লৈবা ফংই। তমগী মৈতৈ হারওনিং মেকপ, শনাই ৯ অমসুং মমাংদা হাম্না লৈরবা কাঙলুপ খরগী মচা মশুনি। মেক শনাই পুখা মমৈথুংদা মৈতৈ পুন্না কৌখরে। তোপ তোঙ্গা

লাই লাংপা, ঈরাৎ থৌনি তৌপা কংলবা পুবা খুং শতাব্দী ১৮ শী অইবা লাইরিক্তা য়ানশিন্নরে। নোংচুপলোমদা শাক্ত চৎপা বিষ্ণু-পুরিয়া, হিন্দু বৈষ্ণব স্কুল ইনবা বামনশিং, নোংপোক্লমদগী বৌদ্ধ চৎপা কবো, শান অমসুং খাগীনচিংবা মণিপুরদা খুন্দাদুনা মৈতৈ ওনখি। ইসলাম ইনবা পাঙলশিং অমসুং চীংমী কাঙলুপ কয়াগী মথেনসু কংই। মঙ্গোলিয়ান, আর্য্য, অমসুং Tibeto-Burman কাঙবুগী লোন ঙাঙবা মণিপুরদা উই। মৈতৈনা চেংলৈ শলাই-দগী লৌহোবা কুরাক অমসুং লমখুনুবু মপা মপু কুমকপা ওইনা খনবা মওং অসি আর্য্য কলচর নঙবা লোংপোক লমশিংগা মরী লৈনবগী খুদমনি। সংস্কৃত, প্রকৃত অমসুং পালীদা মৈয়ানবাদি কংই। কুরাক্কি য়াউদে। লোক সাহিত্য ওইনা থরা কংলিবসি মঙ্গো-লিয়ান কাঙবুনা পুথোকপনি। আর্য্য জাতিগী ওইবা বজ্র (খুৎলাই) লাংপা, নুমিৎপু নুপা ওইহনবা, থাবু নুপী ওইনা লৌবা, শগোল য়োকপা, লাঙ্গোয়া লৌউবা, শঙোম শীজনবা অমসুং থকপগী মও সু মৈতৈনা কংই।

তমগী ইম্ফাল ভুরেলনা ময়াম থায়দুনা চেনবা লমদং সভ্যতা অমা কংলকই। পণ্ডিত থরানা বেদগী সভ্যতা ওইনা, থরানা মঙ্গো-লিয়ান কাঙবুগী সভ্যতা ওইন পুবা) মত খেনবা কংই।

ঐখোইগী কলচর অসি হীরম কয়াদা শাকই। কলা, সাহিত্য, দর্শন পুম্বা ধর্ম্মগা মরী নৈ। তমগী মৈতৈ জাতিনা কয়া চাও-খৎপগী লনশৈ অসি ধর্ম্ম অমসুং পূজাগী মাইকৈদগী শক্লে। মসি শয়বা হোৎনবদা নরম্বা থাক্কি Psychol-gical level (প্রকৃতিগী থাক) ঐখোইগী লৈবাক্তা কংবগে হায়বদু য়েংসি। অনাত্মদি মী ময়াম পুম্নগা শাই। মীগী প্রকৃতিগী মশক অমসুং থাক অদু সমাজনা ভাই। চৎলিবা ধর্ম্ম অদুসু মীগী প্রকৃতিনা শেম্মনি। মীগী প্রকৃতি অসি চাওখৎপগী মতুংইন্না Reflex Action or Appetite (মপানগী

পোকপা লেংলবদগী মথক্তা লেংজরকপা), Instincts (মহৌশাদগী লোইনবা জ্ঞান) অমসুং Reason (বুদ্ধি) হ'য়ুনা লৈ।

হন্থবা Reflex action অসিদা চাক তুথা, থম হোনবা য়াউই। হেনগৎপা মথনগী থবক্তা লোক থুংবা অমসুং মিৎ উইশিনবা পনবা য়াই। পন্থুং লৈতবা, ভহাকি ওইব অমগুম্বা গু চৈদগী হন্থবা থবকনি। থর্ম্মদা মসিগী মপা অসি Magic অমসুং Animism না (ভুত প্রেত লাইপা) উৎলি। মহৌশাগী থংশেমগী শক্তি নোং, নুংশিৎ, নুংশা-থাবা, নোং-কাংবা অসিনচিংবন মীওইবদু মাঙহনগদবা হায়বগী চিংনবা পোকই। অকিবা নঙ্গা মংকপা কাউই। মী হায়বসি শক্তি মখোইদু লাকশিনবা ওন্না অকেনব লৈ হায়না থনবদু animism কৌই। অখোইবা শক্তি থুমংতুনা পুজা তৌনিংই। হেৎবা হন্থলা পেলহনপা মীগী কান্নবা ওইহন্নিংই। মথক মওং নাইনা মুক্তি নাই। মসি magic কী শক্তনি।

থাক অসিদা মী অয়াম্ব ঈশ্বাৎ থোনি য়াউই। মপুং ওইবা মী অমত্তনা য়ুচিংই। মমাংজৈগী মংমদা ফবা লাইনীংদা নত্তনা চাওখৎলবা সমাজদগী লাইনীং অসি ফংই। ময়াম পুনবগী জীবন লৈবা অসি Physical stimulus (মপানগী পোৎনা লোইতিনবা) লৈরিবমখৈ ফংই। Fanatics (থাজবা অমদা ভাগব) ক উতুনা থাজনীতিদা থবক (action) লৌবা নংগা লৌথিবা চৰি থয়াদা পৃথিবীগী মফম অয়ামদা থুম হোংবা অসি Religious Reflex কী খুদমনি।

Instinct কি থাক অসি থম্বা হয়াচেৎপা অমসুং ঐখোইনা পনবিবা tradition (বিচার), custom (আচার) কী থাক ফংই। মণিপুরী য়াথী অমসুং থাজবা, পৌরানিক, সমাজগী চৎনবীনচিংবা কয়া উৎলি। মতাং পোকপা, শিবা, মিং চৎপা অসিনচিংবা লৌলোকপা

ঐখোইগী feeling (পুক্নিংদা কাউবা) মথন কয়া লাকই। শিবদা পুক্নিং থাই। অথুপ্পা কয়াম্ব ফংই। মকম থুদিংদা থৌদোকশিং অসিবু চন্না লৌদে। মতিক চানা পাংথোকতে। পুম্ন থাজবা লাইগী মিংদা কাঙলুপ পুনবা মচৎ ওই। মুক্তি লিংবা লাইশঙ শাবা অমসুং কুথৈ, উৎসব-চিংবা কয়া ফংই। লমচৎ লাইশোন অমসুং সভ্যতাগী মতৌ কয়া লেমই। কংরিগুম্বদ অপুনবা পুরকপা ওমদহুনা ফক্লাং ওইনা থিংবসু ফংই। মসিগী মখবা শরুক্তা লন থোকহনদি। ধর্ম অসি Static (পাঙ্গল লৈতবা) ওইরকই।

Reason (বুদ্ধি) গী থাক অসি শকয়বা ধর্ম শম্নোকপা নিপা অমনা লিংখৎপা অসিনি। Prophet শিংবা— বুদ্ধ, যোরোএষ্টর মহম্মদপোইনা শেমহুনা ধর্মবু dynamo (শক্তি লৈবা) ওইহল্লি। হায়বা থ জনরপ্পা কয় মখোইনা থুপাইহুনা অনৌবা পুখোকই। হায়-গীম্ব মাঙখদনা অনৌবদা ওম্বোকই Cultural organism (সভ্যতাগী অহিংবা মশা) অমসুং অধ্যাত্মিক ওই থবক্তা ওম্বোকপা শরুক্তা লম্বোইবা অমসুং শিরয় লিংবগী মতাং লাকই। ঈশ্বর অমসুং উন্নবা লমখোইবগী লম্বী ফংই। ধর্ম শম্নোকপনা লিংখৎখিবা ধর্ম পুম্বা monotheistic (লাই অমতগী ধ) ওই। পঙনা থাজ-নরপ্পা অমসুং তোকহনা অকবা কিদম যেংনৈ। জীব পুম্বা সুংশি।

থাক মথন অহুম অসি হিন্দু ধর্মদা পানশিনবদা লোইনমক উবা ফংই। Level (থাক) অমতদা ভারতকী ধর্মবু থম্বা হমদে। মী অমতনা লিংখৎলম্বা বেদগী ধর্ম নত্তে। সনাতন ধর্ম হায়বসি মতম পুম্নগী ওইরবা কুইরবা ধর্মনি। হিন্দু ধর্মগী স্কুল অমসুং কাঙলুপ কয়ানকুম হৌদোকখিবা ধর্ম শম্নোকপা মীওইসু ফংই। পুম্বক ধর্মনা মহু শঙবা অমসুং কিমায় লেম্না ওইনা গী।

মৈতৈ ধর্ম্মগী লাইনীং লখী অসি অকক্নবা মী অমনা মতম অমদা হৌদোকই হায়বা ঙমদে। মাইচৌ পণ্ডিত গুরু কয়াদা কোঙদোরকই। মৈতৈগী লাই হরাওব অসি নোংচুপকি সাহেবশিংনা tribal stage (চাওখত্রিবগী) নি; animism অমসুং মেজিক্না মপুং ওই হায়না ইরম্মি। তৌইগুদসুং এথোইনা কুপথনা মৈনবদা অয়াংবা বেদান্ত দর্শনগী বাখল থরা— নির্গুণ উপাসনা, সগুণ ঈশ্বর, লিউটর ওইবা লাই, ঈশ্বরগী লীলাগী তত্ত অমসুং তান্ত্রিক পূজাগী পোৎশক কয়া ফংই। Animism বু পৃথিবীগী মনুংদা খ্বাইদগী কুইরবা লাইনীং মথন ওইনা লৌই। নুং, উ, চীং তুরেন অমসুং সুংশিংবু লাই ওইনা পানশিন্দুনা লাৎপনি। হৌজিক্কি জৈন ধর্ম্মদা পোৎ পুবা থরাই পানবা ওইনা নীংদুনা ব্যাবহার তৌই। অহিংসা চৎলি। মসিদা Animism গী লাইনীং অসি মথরায় পানবদা লুনা তৌবনা প্রমাণ ওই। T. C. Hodson না মৈতৈ লাইনীং অসিবু 'animism tempered by Metaphysics' হায়না পনলি।

মৈতৈনা লাৎপা উমং লাই নুপা নুপী অসি ৪০০ রোমনি। খুল অমদা উমং লাইগী খুডম হেক হেক ফংই। লাই মশীং অসি নিংথৌরোন খুদিংগী অশুম অশুম হেনগৎলি। লাই অমনা মতু থিদুনা মচা কয়া পোকই। লাই অমদা মমিং তোঙান তোঙান থোনলি। লাই অচৌবা অমদগী ময়াম চোংথোরকই। অচৌবা মী নত্রগা নিংথৌগী spirit (থরাই) অদু উমংলাই ওইখি। শাগৈ, শলাইগী লাই, খুলগী লাই, মণিপুর পুম্বগী লাই ওইনা উমং লাইশিংবু পুথোকপা য়াই। য়ুমগী লাই, লমগী লাই হায়না থায়বস্তু য়াই। মপা মপু পোকপা ঈরাৎপগী মচাকস্ত ফংই। শিব লাৎপগী তোঙানবা মশক অমা উট। পাথংবনা শিনগী মশক লৌদুনা, লৈ। মৈতৈ নিংথৌজা পুথা পাথংবদগী পোকখিবনি হায়দুনা পুথংবগী

সিন ওইবা মশক থুরমনৈ। পাকল তাউরোইনাই লাৎপদা তন্ত্রগী প্রভাব কয়া উবা ফংই। হিন্দুগী তন্ত্রদা কুণ্ডলিনী শক্তিবু লাইরেম্বী ওইনা লাংলি। যোগগী নিয়মদা লাৎনৈ। মণিপুরদাদি পাকল অসি নিউত্তর ওইনা নত্রগা মশক তোঙান্না লৈবা পাখংবগী মশক্কি। মাইবা মাইবীনা ইরাৎ থোনি তৌরগা পেনখনবা উম্মি।

হরাওবা মথংশিং:— কংলৈ কক্চিং, ফয়েং. লৈত্রাম, অন্দ্রো. মোইরাংনচিংবগী মশক ফংই। মপান্দা থর শেম্নরবসু মসুংদা খ্বাইদগী হেনবা লাই মপী অমা লৈবগী রাগন ফংই। চক্না খুদম ওই। কোমাইনা লাই নুপা নুপীগী মুর্ত্তি শাই। মনোবিজ্ঞানগী শরুক হকচাং শাগৎপা, সমাজগী মশক, নিয়ম পূর্ণ্ব জগোইদা ফংই।

লাই হরাওবদা ওক. য়েন, ঙানু, খুমু অমসুং ঙা কংনৈ। লাংথৈ তাইরেন, পুংফাইনচিংবা লৈবাকশিদগী হোজব কয়া কংলি। হৈরুক তাঙ্গ, পান তাঙ্গ. লকোই লফাং চং থোকপা, হৈরম, লৈরম মশক নাইবা লাইদা কৎপসি মৈতৈনা পুথোকচবনি। মপান্দগী পূদে। কিজেং লৈতেং অমসুং ঈশৈগী যন্ত্রনচিংবদি যাম্না চাউনা লৈখ্রে। মনবিজ্ঞানগী শরুক — hypnotism, trance, অরোনবা বিস্তু, Possession (লাইনা তোংবা) -চিংবা কয়া মাইবীগী শরিক খীংজুনা লাই তোংবা, শেনমিৎ য়েংবদা ফংই। লাই মনাইনসু লাই-ফাউ তৌই। Psycho-analytic method, অঙাওবা য়েংনব', শাবৈনচিংবা য়েংনবা শরুক কয়াসু মাইবীগী মশক নৈনরগা ফংই। তান্ত্রিকী লায়য়েংগী লাইরিক কয়াসু ফংই। ওঁ অমসুং হুঁ হায়রবা তান্ত্রিক বুদ্ধিজমগী মরুওইবা মন্ত্র অনীমক ফংই। মন্ত্র — লাইবা চেৎনা থাজে।

✓অরিবা লাইনীংদা কৌওইবী থুরমজুনা ক্ষুব, অমগী মহৈ মথোং

[illegible]-কম লেম্বা, কুমগী কৌনৌ অহু সনামহিদা কংপা agricultural community গী মশক উৎপা কুইব কয়া ক'ই। হিংচাবী, শরোই ভারোই খুরম্বা, লাইমাং (লাংমু) ভুত প্রেত খুরম্বগী ধর্ম্ম মথমসু মশীং থীডমদনা লই।

খা ভয়ানীথোইদা শাগৈ শলাইশিংগী লাই খুরুম্বা অথম্বা পুম্বিৎ অমসুং হয়াউ কুমেগী মতম লে। তোইৎ-তোইৎফবা হ্যম্বা কয়া চৎলৈ। প্রজা অপূবা সুভাইনবা, চাহোড ভাহোডনবা অমসুং কুইনা পুজিনবা পালন তৌরনি।

Instinct অমসুং Reason গী থাক অমি পুনশিনখুনা মৈতৈ ধর্ম্মদা চেন্থে। বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মথন কয়া লৈবাক অসিদা চংলকপদা হায়গী লাইনীংগী মচাক কয়াগা adjust (চানব) তৌনবি। হিন্দু ধর্ম্মগী মওং কয়া লৈবাক অসিদা ভারিব'স অকম্বা মিশন অমনা থারকপা নত্তে। ভারতকী মকম পুম্বদগী চেনখকপা (মুসলমান কিবদগী) বামনশিংনা হিন্দুগী শাঙৎ লীচৎ কয়া হৌদোকখ্রগী মরম ওই। শান্তিদাসনা ধর্ম্ম শন্দোকপদসু নিংথৌদগী হায়া হৌরগা, অঙম-অথৌ অমসুং প্রজা ময়ামদা শন্দোকই। ইয়ান্দা যোরোপ্রষ্টরনা মাগী ধর্ম্ম শন্দোকপদুগা হায়কেৎ যাম্লৈ।

খৃঃ শতাব্দী ১৮—১৯ শুবা মতম অসি বৈষ্ণব ধর্ম্মনা লৈবাকি ধর্ম্ম ওইবা মতমনি। নিংথৌনা য়াবদগী হিন্দুগী Social order, বর্ণ থায়বা, ধর্ম্ম দর্শন, রায়ীনচিংবা সংস্কৃতকী শেংলবা লামাইদা ফংবসু মণিপুরী মৈতৈ অমগী পুন্সিদা চঙলকই। মথোইসি আর্টকি থবক পূবদা পাংথোকই। লমসিদা লেপ্পা ভারতকী অতৈ ধর্ম্মদগী খোম্বা মওং কয়াসু থেংলৈ।

নিংথৌ চয়াইরোংবা অহানবা দীক্ষা ফংবা মৈতৈগী নিংথৌনি। মাগী মতম্বা মুনি গোসাই ২২ থোকললকপা, লাইকিং লৌরবা লৈবাক

মরাম চয়া হেনবা অসি চৈথারোল কুপ্পাথাদা কংই। গরিবনিৱাজনা রামানন্দী, নিমান্দী অমসুং গৌড়ীয়মাচংবদা লাইমিং মথং মথং লৌবা, লৈবাক পুম্বা নমচুনা লাইমিং লৌহনবা, কুম্ভমেলাগী মৈ থাহনব, অদুগি খোঙ্তোকতুনা নিংথি তীর্থদা থাদবা, মৈ থাবা অমসুং যোহর ব্রত তৌবগী মওং কয়া কুম্বাবাদা চনশি। ভাগ্যচন্দ্রনা মতমদা নরহরি ঠাকুরগী গৌর ধর্ম্ম শন্দোকপা, গায়ত্রী তমহনবা, বৈষ্ণবগী শাস্ত্র কয়া নৈনবা, নিংথৌরোন মথং মথং লাকপসি চিংনবা লৈত্রে। অদুবা লাইরিকশিং, নুঙদা ইরম্বা অমসুং লিংখৎলম্বা লাইশঙ অমসুং মূর্ত্তি শিংনা প্রমাণ তৌই। মমৈথংগী একাউন্টতদি চৈথারেন অসিসু থাজবা য়ারে। অরিবা মতমগী মচাক য়াংলি। বৈষ্ণব ধর্ম্মনা পাক্কন কনখৎলকপ মতমদা লাইরিক পুম্বা ইথোকাথবনি হায়না মশু পানৈ।

মণিপুরদা হিন্দু লাইনীংগী পূজা অসি স্মার্তগী ভাবতা মরাং কায়না ফংল্রে। হায়া খুরম্বরম্বা লাইনীং লাইশোন অদুগু বৈষ্ণব প্রভাবতা শেমজিনল্রে। তৌইগুমসুং নিংথৌ, নিংথৌমচ মশু অমসুং লৈবাকী অঙম অথৌশিংগীদমক্তি লাইনীং লাইশোন তৌবদা হায়গী ধর্ম্মগী মকমসু মাঙহন্দনা ঙাকই। সনামহিগী অশাবা মুর্ত্তিবু নিংথৌ হুকুমনা থামনশিংনা সেবা চৎহনলি। মহাপ্রসাদ, তুলসী পত্রনা হিন্দু ধর্ম্মগী মতুংইন্না পূজা তৌহল্লকই। লাংবন পূর্ণিমা অমসুং ইঙাগী পূর্ণিমাদা নিংথৌনা চেঙ মণ থরগা শেনগ পীতুনা সনামহি খুরমনৈ। সনামহি লাংপা থামনবু সনামহি শঙলাকপা কৌই।

পূজাদা থাজবা অসি Materialism অমসুং Spiritualism অনীগী মরক্তা লৈ। লুঙণ কংলবা মণিয়া বৈষ্ণব অমনা পাংথোকদবা নিত্য (তৌদবা য়াদবা) অমসুং নৈমিত্তিকা (তৌরবসু য়াবা) সংস্কার কয়া পাংথোকলে। পুন্সিগী থৌরোক থুনিংনা থামন পুরিৎ দমকার ওই অমসুং শেন চংনা পাশন তৌই। রঘুনন্দনগী স্মৃতি,

বৃন্দাবনগী বৈষ্ণব গোসাঁইশিংনা শেম্বা খুৎই অমসুং লৈবাক অসিগী পণ্ডিতশিংনা নিংথৌগী হুকুম লৌরগা হেং‌দোক হোংজিন থর থবা লোইবা ফংই। মৈতৈ বৈষ্ণবশিংনা কয়ামুক হিন্দু শাস্ত্র মমুৎ তানা থওবা হায়বত্রুগী মতাংদা T. C. Hodson না মপান্দা থওবা মানবনি. মখুংদদি থওবা য়াৎলি হায়। Shakespear সাহেবগী মত্তা হৌরক-লিবা নহারোমশিংনা মাই মশিং নিংথীনা ফংদুনা শাস্ত্রগী অকুপ্পা মরেক শেংনা নৈনৈ হায়বা মত পী।

পোকপা মষ্ঠী শোনবা, শেংদোকপা, মমিং থোনবা, চউম্বা, মনা চুৎপা, বিয়া তম্বা হৌবা, লুহোংবা. শিবা, শ্রাদ্ধ অসিদ বৈষ্ণব ধর্ম্মগা হায়গী লাইনীংগা তোৎনবা উই) এলহৌবৈ ভগী রাখন পুন্সি অমসুং অতৈদগী থেয়বা কয়া মৈতৈগী চৎনরম্বা রারী অমসুং লৈ-ক্ষমনা উহনবা ফংই। মমৈথংগী মৈতৈ বৈষ্ণব অমনা তৌবা থবকশিং—
(১) লাইমিং লৌদুনা লুগুণ থাংবা। (২) চাঁই য়ামশল্লগা মালা পায়দুনা লীক চৎপা। (৩) হিন্দু লাইশিংগী মূর্ত্তি গোপালদেব, রাধা-কৃষ্ণ, রাম, লক্ষ্মণ, গৌরাঙ্গ. হনুমাননচিংবগী মূর্ত্তিশিংদা ধুপ, মৈ, লৈ, অমসুং দক্ষিণানা থুরম্বা (ঊগী, ধাতুগী, নুঙগী অমসুং অয়েকপানচিংবা)। (৪) কোন্নুংদা মুংতিগী শ্রীগোবিন্দদা তৌবা পুজা শিং—আরতি, ভোক কৎপা—অচৌবা কুমৈ তারা মুমিত্তা মুংতিগী তৌরগী মথক্কা কীর্ত্তন, জগোই অমসুং লাইরিক তাবা হাপকৎপা। (৫) বৈষ্ণব ভক্ত অমনা য়াহৌবদগী মুমিদাং সন্ধ্যা থুরম্বা কাউবদা তৌগদবা লাইশোনশিং।

মরক মরক্তা তাবা কুমৈশিংদা কৃষ্ণ জন্ম, থৌরানী জন্ম, বামন জন্ম য়াউদং মুমিৎ ৫; হলক্কার, রাস মথনশিং, শনশেনবা, রথ যাত্রা (কাঙ ৯ নি), জলকেলি, ঝুলন যাত্রা, দুর্গা পূজা, শিবরাত্রি, বারুনী, পঞ্জরী, হরিউত্থান নচিংবা হিন্দুগী কুমৈ কয়া পাংথোকই। তারকচি

মফমদা পালন তৌবদগী মণিপুরগীনা নোংমা কোননি। মণিপুরনা পুমিৎ মণ্ডাম কংবা হানবনা কুমৈ অমগী খেনফম চংবদা খেন্নবনি অতুনা মথংগী নোংমদা পালন তৌই। পূজাদা থাপি মাইকৈ অমসুং তৎনবা পুমিৎ কয়া য়েংনৈ। হৈক্রু হিজোংবা, মীচেঙ্গাম চাকৌবা, নিংথেম কীর্ত্তন অসি বৈষ্ণব প্রভাব চংলবসু মণিপুরগী বৈষ্ণবশিংনা মৈতৈগী সভ্যতাগা চান্নবা শেমজখনি। আসামদা বিহু কুমৈ অসি মথন অহুম থোকনা ব্রহ্মপুত্র মপানগী লমশিংদা পালন তৌবগুম উই। চৈরাওবদা হায়রগী ধর্ম্মগ বৈষ্ণব লাইনীংগা ত্তনাশিননৈ।

তিথিশিংদ নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্র আকন্তুশাই, চন্দ্রকীর্ত্তি, গম্ভীরসিংহ, নরসিংহ চৈতন্য, নিত্যাই অমসুং গোসাইশিংগী লৈখিদবা পুমিৎশিংদা পালন তৌই। মখোইন পোকপগীসু পাংথোকই।

'গ্রহণ তৌরিবৈঙ মতমদা শেংদবা চাবা, থকপা অমসুং লাইগী সেবা তৌনদবা মণিপুরী বৈষ্ণবশিংগী অকনবা পুন্সিনি। গ্রহণগী ফল অসি গৌর ধর্ম্ম চৎলিবৈঙদা মৈতৈনা খঙনরবসু মাংবা অমসুং শেংবগী রাফম চৎনদে। গৌর ধর্ম্ম অমসুং জ্যোতিষ শাস্ত্রগী চৎনলোন্দা গ্রহণ লাকপা মতমদগী থাগ্রিকাউবা ধর্ম্ম কর্ম্ম তৌদবা চৎনখি। মণিপুরদা পুমিৎ অমসুং থা উগদবা মতম লেপ্তুন গ্রহণ লাকপগী ব্যাবস্থা শেমই। কোন্দুংদা শ্রীগোবিন্দগী সেবা য়াই নত্রগা য়াদ্রে হায়বদু নোংমৈ থাডুনা ময়াম খঙহনলি। পাউ ফংবগা লৈবাকপুম্বা চাবা থকপা তৌই।।

নিংথৌনা কঙ্গাল তোংবা অমসুং নিংথৌ অমা শিরগা পোৎলোইজিবৈঙদা অমা হাপ্লগী চৎনবী অদু বৈষ্ণবগী প্রভাবতা গোবিন্দ সেবাগীদমক পাংথোকই। শ্রীগোবিন্দনা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা লাইনি। নিংথৌনা মহুৎ শিন্দুনা লৈপাক ভাকই হায়রনা থৈ।

একাদশী চরা হেনলি। সপ্তাহ ভাবা, কালেন্দা লৈকাই মরুপকি

লাইরিক তাবা, হরী তাবা, পাল্লিনা লমাগী মরম মতুংইন্না মসু : পীদুনা লাইরিক তাবা অমসুং কলাম কংপা অমিং চিংবা ধর্মগী নুংবা অথন্ত খৌনোকখিদনি। নাম্রাপ অমসুং শনি পূজাদা কংদ লিবা কলাম অদি মৈতৈগী তোপ তোমা থুংশেমনি। চেতশাক অমসুং কথোক হাপচিনবদি ভারতকি মরমফরৈদা ফংদে। নৈনরিবা লাইরিকশিংদা, বৈষ্ণবগী অশেংবা ধর্ম গ্রন্থ রূপ ফংই। ভাগবত, গীতা চৈতন্যচরিতামৃত অমসুং মসকি লাইরিক কয়া পাম্নৈ।

অসিগী মথক্তা অরোনবা বিষ্ণু, তান্ত্রিক মথনগী পূজা অমসুং নিংথৌ খুত্তম পাম্নবা নিংথৌমচাশিংনা পূজা কয়া তৌখিবা কই। নিংথৌনা পোৎশেম যাদুগী পূজা তৌরবা মী পূম্না ফাদুনা তাম্নোকখিবা কুমাথানচিংবদগী ফংই। লৈবাক্তা শাবা মূর্ত্তি কয়া কুমৈশিংদা লাৎলি। মসি London গী Trafalgar Square দা Nelson গী মূর্ত্তি লাৎপগুমনি। ব্যাবহার উৎলি। পূজা তৌবসি শালগ্রাম (বিষ্ণু), লিঙ্গ (শিব), যন্ত্র, মন্ত্র, ঘপ অমসুং ঘট পূজানচিংবা চৎলি। পাদচিহ্ন (Relic), ধর্ম লৈবা মীওইবগী খুৎশু খুৎলাই, মপোৎ মচে লাৎপা ফংই। শিবগুম্বা অশেংবা লাইরিক পূজা তৌই। বৌদ্ধ লমোইবশিংনা তৌবগুম্বা মরম কয়াদসু মাৎনৈ।

হিন্দু সংস্কারশিং অসি পুশিনবদা অক কত্ত কয়া লোটপরকই। পূজানা লাকহৎপা সমাজ অসি সভ্যতা য়াংই হাবা ঙমদে। হিন্দু ধর্মদা আক্রমন তৌনবগী মচাকনি। শেনথুম য়ান্না মাঙহনলি। হিন্দু ধর্মগী গুরুদা লাইগুম থনবা, ঈশ্বাৎ পূজাদা মতম মাঙহনবা সন্ন্যাস ওইদুনা জগৎতগী মপান থোকখিবা অমসুং শোকখা-খানবা পুশিনবনা হঙনবগী মশক ওই।

ভাকথোকপা ওইনা শনলবদা সংস্কারশিং অসি পাংথোকপনা মীওইনা হায়বসি অকনবা লৈবা শা-ভাগী মচৎ মরক্তা হায়বা উৎলি।

লম্‌চৎ হৌনবা মরম অমস্তুং লৌরিবা পাম্মী, অদু চাউখৎলকপা রে'শিন্ন-বিবা অমস্তুং য়োকখৎপা চংই। পুন্সিগী তাংকক অসি তোঙান তোঙানবা মতাংদা লাইশিংনা শাকশেনলি, অমস্তুং লাইশিংবু পেল-হন্নবা সংস্কার অমস্তুং পর্ব্বদিন কন্না তৌরিবনি। সংস্কারশিংনা কনলিবা মফমশিং অসি য়াম্না পাকই। Personality (মীগী শক্তম) মপুং ফাহনবা অমস্তুং মীওইববু অধ্যাত্মিকতা পুশিনবা অসি সংস্কারশিংগী মথৌনি। লাইয়েকপা অমন মতিকচাবা মচু ময়াম হৈশিংনা তিন্দুনা ফজরা লাই পুখোকপগুম অধ্যাত্মিক অসি মথন মথেনগী পুক্তাদা পাংথোকই। নো চুপলোমগী মমিং চৎলবা Will Durant না মীওইবগী সভ্যতা অসি লেনবদা মাগী পুন্সি লেনাখ অমস্তুং মানা ইবা "History of Civilisation" গী লামাই খুদিংদা ধর্ম্ম খুদিংগী পুক্তানা ভক্তশিংপা থাজবা পোকহনবা, ঈশ্বরগা উন্ন-হনবা, ঈন্দ্রি পেলহনবা অমস্তুং কাঙলুপ পুনশিনহনবগে৷ হয়খ্রু পীরি। পুক্তা পীরমলিবা Planning (পাদৈ অসি পুন্সিগী মপুং ওইবা পুক্ষমক খোপচিনবা মও'নি।

সংস্কারশিং অসি Cycle ওইনা লৈতুনা হৌরককুমদা হঙিনালে। নুপী অমনা অঙাং পোকদগী নাউয়েক, নাবদগী পোকপা ফাওবদা ফংবা পুক্তাশিং অসি হকচাং মরম, sex (নুপা নুপীগী মতৌ) কা মরী লৈনৈ। অঙাং চউখ্বদা চিঙাক হকচাং, অঙাংগী মনবিজ্ঞান অমস্তুং মরী লৈনবা বিষয় অমা ফ'ই। অঙাং মমিং থোনবগী সং-স্কার চৎনরকই। হিন্দু বৈষ্ণবগী মিং অমস্তুং এলহৌ মৈতৈগী মিং অনীমক চৎলি। নিংথৌশিংগী মমিং অনী ফই। কল্যান তোং-বদা মিং অমা লৌই। হৌজিক কাউবদা মিং থোবগী Magi-strate মফমদা চৎনৈ। Register Office চংই। ইতিহাসতা মিংগী কারবা কংই। বত্তম পনবদা সোরাব হয়খি। অঙাংদা মিং থোনবগি মৈতৈগী মতাংতা অর্থ লৈবা থোকলি। নুপাদা থোনবা,

নুপীদা খোনবা অমসুং অনীদা চৎনবসু ফংই। য়াম্না তোয়না শিগল্লবা ইমুংগী অঙাং হিংহৌনবা মমিং থোনবা ফংই। নুপা নুপী খঙনবা, নিংথেম মচা, বাখল তাকপা অমসুং শল্লাই খঙনবা মিং লৈরম্মি। কুঠিদা থোনবা দশা য়েংনবা জ্যোতিষ শাস্ত্রনা পীবা অরোনবা মিংসু চৎলৈ। ভেক লৌবদা মিং অমা লৌই। অম্ম কুঠি অমসুং নাম পীবসি সংস্কৃতকি মিং লোইনা ওই।

লাইমিং লৌবনা অশেংবা সমাজদা চংশিনবা ধর্মগী থবক তৌবা য়াম্রে অমসুং অয়ানবুঙম ফংগনি অসিনচিংবা পোকহনলি। মহৈ তম্বা হৌবদগী লোইবা মতম ফাউবা অসি মমা কৈ মতংগী Compulsory Education উৎপত্তি। অরিবা যুগতা রাখল অসি লৈরমগ্রবসু মহৈ তম্বা মতম কম্বুনা থাদোকপসিনা নাকন অসি য়েনখৎলি। লুহোংবগী সংস্কারনা ইমুংগী পুন্সি অদু নিয়ম নাইনা থম্মা পী। লোনবা য়াই য়াদে কায়বাসদা হকচাংগী, ঈগী মরম অমসুং Eugenic (অকনবা মশেন লোনবা) নচিংবা ফংই। অশিবা থোকপদা তৌরিবা সংস্কারশিং অসিনা লৈতৌরিবা ঐথোইনা করি ব্যাবহার উৎপগে তাকই। হেক শিবদগী কাউনবা অসি জন ধর্মদা ফংই। মণিপুরী সমাজগীদি মীশি চাদনা শিবদু ঈরাৎ পূজা মপুং ফানা তৌদে। অসি নত্তবগীদি চহি ওনত্রিকাউবা উৎসবনচিবা তৌই। য়ুমশেংবা, কোল-লিক শেংদোকপা অসিদি Hygiene গী মরমনা ফজন' লৈ।

তিথি অমসুং ধর্মগী কুমৈ কয়াদা পূরিং লাকশন্মুনা ঈশ্বরদা নকশিন্নবা অমসুং Integral Personality (মপুং ওইবা শকফম) ওইহন্নবা তাক্লা শেমই। শেংনবা কত্তবা শেংদোকই। হাক্লা চৎনরম্বা কুমৈ কয়া মতমগী মতুংইন্না হোংলকলি। কিজেৎ অমসুং পালন

তৌবগী মশক অসি হোংলকপসু দরকার ওই। Domestic Ritual (য়ুমগী পূজা) সংস্কারশিংনা হিন্দু ওইহনবা অমসুং ধর্ম্ম শন্দোকপদা মতেং ওই।

পূজা অমসুং ধর্ম্মগী থবক পাংথোকপদা লাইনীং লম্বীগী মকোং তারখ্রা উগনি। পূজা তৌরবা মীওইনা হান্নদগী চৎনরকপা ঈনাহ অদু জ্ঞান তারকই। অথোইবা মীওই কয়ানা শেমলথদু ভাব তারকই। মখাম চংদুনা পাঙথোকপদা মমাংঙৈদগী থোজেন অদুদা হৌজিকি অনীং-বনা মপাঙল কনখৎহনলি। থাজবনা সমাজগী মওং অদু ঙাকশেনলি। অনৌবা মাঙতাক্লবা ঈহৌ অমসুং চিংনবা লাকপা পূখ্রা মাইপাক্লা মায়োক্লবা ঙমহনলে। Social Confirmation (সমাজনা চেংহনবা) অসিনা মমাংঙৈদগী চৎনরকপা অফবা পুখ্রা মুংহনদে।

মণিপুরগী নিংথৌ পুখ্রা বৈষ্ণব ধর্ম্ম ঙাকই। হান্নগী লাইনীং অমসুং বৈষ্ণব ধর্ম্ম অনীগী মপু মানা ওই। মৈতৈ তাবা বর্ম্মা, কাছার তখেনচিংবা লমগা কস্তমগী মপু মানা ওই। বৈষ্ণবতা পুশিনবা অমসুং ইস্লোকপা মানা মকোকনি। মণিপুরদা গৌড়ীয় বৈষ্ণব শন্দোকপসি অনৌবা মওংনি। নবদ্বীপতা শাক্ত অমসুং মুসল-মানগী প্রতাপতা মরায় চায়থরব মতমদা মণিপুরদা মকা লাম্না চৎনৈ। বামন, পণ্ডিত অমসুং ধর্ম্ম শন্দোকপা লাকপা কয়া নিংথৌগী থৌজান ফংই। ধর্ম্মগী মরমদা লান তৌনবা ফংদে। Compromise (য়ানবা) তৌবা অমসুং Syncretism (তোৎশিনবা) গী মশক অসি মণিপুরগী Heritage (অহন্দগী ফংবা) নি। অদুনা ভক্তি রস অমসুং কীর্ত্তনগী মায়পাকপা ওইখি। বামনশিংসু য়ুম-লাই, উমংলাই পূজা তৌবা ফংই। নিংথৌ, মহারাণী, জেনরেল, শেলুংবা, মী পুখ্রা ধর্ম্মগী থবক (পুণ্য) তৌই। থুন পুখ্রদা লাইশঙ, মাণ্ডব, লাইদা কৎপা লৌ ফংই। মৈতৈ নিংথৌগী কোমুং

অসিমক মম অতৈদগী লাকুনা বৈষ্ণব ধর্ম্ম নৈনকম ওইরকই। চৎনবী, থিজেৎ অমসুং চাকচাদা বৈষ্ণবগী প্রভাব কনলি। গোবিন্দদা চা কৎপা বাবন, কাংশি মতম চাদনা য়ৈবা মী দগী পী

তীর্থ চৎপসিনা ভারতকি মফম অতৈগা উমবা অমসু বুদ্ধি চাওখৎনবা ওই। মৈতৈগী মফমদা লৈবা তীর্থশিং অসিবু মপ'নগী মীওইনা খুরবা লাকনৈ। চীং অমসুং তমগী তীর্থশিংগা হিন্দুগী অশেংবা রাবী অমসুং মমিং চৎপা মীগা শন্নহনবা রারী কয়া ইথোকনৈ।

মৈতৈগী ঈনাস্ত প্রভাব লৈরবা বৈষ্ণব ধর্ম্ম অসি পৌরাণিক হিন্দুগী মশক্লি। Hegelian Dialectic অসি হিন্দু ধর্ম্মদা পানাসনবদ, বেদগী মতমনা থেসিস, উপনিষদকি মতম্না এন্টিথেসিস অমসু পৌরাণিকী মতমনা Synthesis ওই। অহানবগী লাইনীং রাখন অনীহু পৌরাণিক যুগতা ভারনৈ। বেদগী মতমদা মশক অকংবা লাই লাৎপা, materialistic ওইবা উপনিষদকী মতমদা আত্মাদা কয় নৈনবা অহু পুরানগী মতমদা পুনলে। রাধা কৃষ্ণগী রাখন অসি মতম অসিদা মপুং ফাই। রাখন অসি বিপিন চন্দ্র পালন য়াম্না পাম জবা অমনি। Monism (লাই অমতা নীংবা) অসি কয়া থাজরবদি সংসার অসিবু থওইদবা অনৌবা outlook (মীয়েং) কা চায়দবা ওই। Qualified monism অসি Neo Vaishnavism মখন চৈতন্যগী অচিন্ত্য ভেদা ভেদ বাদনস্ত সমর্থন তৌই। মহৌশাগী (tradition) অমসুং অনৌবাগী (modernity) অনীমক পুনলি।

মণিপুরগী ধর্ম্ম অসিদা রামকৃষ্ণগী আর্য্য সমাজগী অমসুং ব্রহ্ম সমাজগী কাণ্ডলুপ কয়া তাহুনা মখোইগী order দা খোঙদাবা অরিবা কান্দা ফংদে। অরবিন্দগী দর্শন, রামকৃষ্ণ মিশনগী রাখন অমসুং অনৌবা মুভমেন্ট খোঙদাবসি একাদেমিক ওইব, তৌই।

Relevance—মরম চাবা হায়বসি হৌজিক কালদা পুনসনবদা সমাজগী, রাজনীতিগী, লমসিগী (Local) অমসুং লোনগী ওইবা য়াই যুগ অসিদি বিজ্ঞান অমসুং লোজিক্কী লেপ্প' যুগনি। Pro-gressive চাওখৎপা মওং) অমসুং Modern (হৌজিক্কি মতম) ওইবা মিৎয়েংনা লেপ্পদা শুমবদি মরম চায়বা ওই। বিজ্ঞানগী চাওখৎপা অসি Italy দা খৃঃ শতাব্দী ১৫ অমসুং ১৬ শুবদা Re-nais-ance গী কল্পনি। বিপ্লব অসি হীরম কয়াদা থোকখি। পৃথিবী-গী মফম পুম্বদা বিজ্ঞয়া অওনবা পুরকলি। মহোশাগী মনগৈ অসি হৌজিক্কি মতমদা মরম চাবা থরদং লৌখৎলি।

(১) হিন্দু ধর্ম্ম লাকপদগী জাতি বর্ণ খায়বা, অমাং অশোং নাইবা অমসুং শোক্রবা য়াদবগী রাকম চৎলকই। হায়গী লাইনীংদা বর্ণগী মশক ফংদে। বামন ক্ষত্রিয় অসি সমাজদা উই। অকনবা বর্ণগী মশক ফংদে বৈশ্য অমসুং শূদ্র অসি মপান্লোমদগী লাক-তুন মণিপুরদ খুন্দাবা য়ুমথোং থরদা উই। পুজা পাংথোকপদা বামনশিংগী অফবা মফম ফংই। তৌইগুমসুং মণিপুরদদি বামনশিংনা Supreme (খ্বাইদগী হেনবা) ওইবদি য়াহনদে। হায়গী লাইনীং অমসুং চৎনরম্ব কয়াগা adjust (চানহনবা) তৌনৈ। চেকশিন্ন-ক্লবা অকবা তানফমদা মৈতৈনা হায়গী লাইনীং লাইশোন্দা হনজিনলি হায়না পনবা য়াউই। অকোম্বা মওংদ বর্ণ চৎপা ফংই। Modern mind না য়াই। মৈতৈগী তোঙানবা Caste লৈজে।

(২) অপিকপা অঙাং লুহোংবা মৈতৈনা চৎনরক্তে। নুপীদা মমায় খুম্বা ফংদে। লুপ্রা লুহোংবা য়াই—কন্যা কৎপা ফংই। অথিংবা লৈতে। নুপীবু অশোনবা ওইনা লৌদে। নুপা নুপী অধিকার মানৈ। নুপীগী তোঙানবা শণ্ড অমসুং বিচার তৌনবা রায়েনশঙ লৈ। মুস-লিম যুগতা ভারতকি নুপীশিংগী ফিবম তাথবদু মণিপুরদা ফংদে। মৈতৈ কলচর শেমগৎপদা অথোইবা নুপীশিংগী শরূক লৈ।

(৩) Intermarriage (কাণ্ডবু অমগা অমগা লুহোংবা). অসি হৌজিক মতমদা পায়রে। মমাংঙৈদসু নুংশিবা পাংথোক্লবা সমাজগী পল ল্যাম্বোকখিবা প্রেমিক, প্রেমিকা ফংদবা নত্তে।.চীংগী অমসুং লোইগী নুপীনা মৈতৈগী অথোইবী নুপী ওইখি। মণিপুরদা খুন্দাবা পাঙন-শিংদা মৈতৈ নুপী পীখি।

(৪) মৈতৈগী লাইনীংদা ঐখোইনা লৈরিবা জগৎ অসি য়াম্না মরু ওই। জঙ্গলদা চত্তুনা ময়ামগী পুন্সি লংশেকখিবা (সন্যাস) ওইবসি কয়া য়ামদে। লখোইবগী মওং অাস বৈষ্ণব ধর্ম্মদা চৎতুনা ভিক্ষা নিবা মীবু জীবনমুক্ত ওইনা লৌবা অসিসু ফ ই। মৈতৈ-লোনগী শাস্ত্রানচিংবদা য়ুম্বানবনা তাংকক অতৈগী ঙাকলৌ ওই হায়। মতাং অসি লাম্বোক্লগা কোয়া অতৈ অতৈ লাকই। থবক শূর্বদা থাজৈ। জগৎ অসিদা লৈনা অরান খুভম ভানব তাই। মী-ওইবগী সমস্যা অসি ফাগী নত্তে হায়বসি হায়গী কলচরদ য়াউই।

Vমীতৈ লাইনীংদা গুরু নীংবা ফংই। লাইগী গুরু নত্তবা মী গুরু (mortal) বুসু ব্যাবহার তৌই। তন্ত্রসাধন হৈবা, অহৈনবা জ্ঞান চেনবা অমসুং মাং তুংগী মপোক থঙবা মীওইনি। মখোইসি শিদে; মণিপুরদা হয়া হয়া পোক্তুনা মৈতৈ লাইনী শন্দোকই হায়নৈ। গুরুশিং অসি ময়ুম মকৈ পাল্লি, যোগ সাধন তৌই। ভিক্ষা চৎপা নত্তে। রাধন অসি হৌজিক্তা য়াম্না নাতৈ চানৈ।

(৫) ধর্ম্মগী থবক খূদিংদা Democracy কক্তনা চৎলি। নুপা, নুপী অচৌ-পিশক থাক্তনা লাই খুরম্বা য়াউই। মীয়ামগী পুন্সি অদু কোম্মুংগী গোবিন্দজীউগী লাইশঙ অমসুং খুলগী লাইশঙ মাঙব অমসুং উমং লাই হরাওবদা উরে। খুলগী লাইশঙ, লাইকম শেম্বা অসি প্রজাগী অপুনবা হোৎনবনলি। য়ুমথোং অমগী মী অমা থোক্তুনা শাগৎপদা য়াউই। থয়া থবায় য়াউবনা হেয়া পৈশা থাংদোকই

অমস্যুং মী পুখোকই। লাই খুরুম্বদা চংগদবা পুম্বা সহযোগ ওইবা মওংদা পুখোকনৈ। কীবম কত্তবশীদি য়েংনৈ। পালি নাইনা পুবা সি চৎনরকই। চাক চাবা কুমৈ পীয়োংদা মী খেন্ননা থমদে। অহন, লমন, মচীন তোংবা মীওইগী মকম খাকই। খৎন-চৈনবা পুম্বা মখোইনা বিচার তৌবদুনা অরোইবা ওই।

য়ুমথোংগী মী অমনা কাং চিংবা য়াউবা, লাই হরাওবদা শরুক য়াবা অসি ধর্ম্মগী চৎনবীনি। মপা য়েঁারকপদা য়ুম্মুনা অঙম্বা হৈ-লৈ অমস্যুং পৈশা কৎলি। অফংবা পৈশা অদু ময়াম য়েনৈ। সমাজ সেবা (Social Service) গী মখল অসি ধর্ম্মদগী লোই।

(৬) Humanism (মীওইববু পুংশিবা) গী মচাক মরিক চুম্বা মৈতৈ ধর্ম্মদা ফংই। খুৎশেম খিবিকি মকোক্তি মীওইবনি। মীখোই মীহেনবা অদু লাইগী শক্তি য়াওই। মীওইবগী মপোক অসি লাইগা অম্যুপকি মতিক নরুনা থমগ্রে। লাইনা তৌরম্বা থবক খিবিক মীনা তৌবগা মান্ননা লৈ। লাইমক্তা মীগী মপোক পামদুনা লাংওন কন্না পুখোকখি। মীমক্তা ঈশ্বরদা পীবা ওম্বগী শক্তি ফংই। মীগী বুদ্ধি, মনীংতম্বা অমস্যুং শেম্বগী শক্তি অদু হুন্দোক্লমদে।

(৭) শা চাবা, য়ু থকপা অমস্যুং জীব হাৎপা অসি বৈষ্ণব ধর্ম্মনা থিংখি। অহিংসাগী প্রভাব কন্না ফংই। শা হাৎপা অমস্যুং য়ু থকপা অসি করিগুম্বা ধর্ম্মগী মরী লৈনবা থবক্তা য়াহনলম্মি। শা, ঙা অমস্যুং মী বলি তৌদুনা লাই খুরুম্বা ফাউবা ফংই। ধর্ম্মগী নত্তবদি তৌহৈদবা থবকনি হায়না লোনৈ। হৌজিক য়ু থকপা অমস্যুং কত্তবা চিঙাঙগী সমাজ কাংখোং চাইবা অমস্যুং লৈবাক মাঙতাকপা ফংই। Prohibition (য়ু্যাই কাবা চাবা থিংবা) চলাই-রকপা অসিগা হান্না মাংনা থনয়রম্বগা মরী লৈনৈ। হান্নগী ধর্ম্মদগী inspiration (রাখন হাপ্পা) লোকম থোকই।

(৮) রস শাস্ত্র অমসুং বৈষ্ণবগী কোম অসিনা সমাজ থল চানা থমই। রসতা মপা মচা, মতৌ মনাউ অমসুং মপুনা মনাইদা থম্লবা মরী খিবিক নৈনৈ। রস অসি নৈনবা অমসুং নুংতিগী লমচত্তা পানবদা হৌজিক মতমগী খৎনবা, হাৎনবা, য়ুম মৈ থাবা, মী হুনবা অমসুং মীবু থওইনা লৌনরক্তবা অসি হল্লগনি। নাপন য়াউদবা, নোল্লুকপা অমসুং ভক্তি লৈবা বৈষ্ণবগী গুণশিং অসি লৈবাক অসিদা শান্তি থম্লবগী মচাকনি। তেনবাদোনা খোজেল ফজথোকপা মনুংদা মাঙ তারবা শিনলিবা কলিযুগ অসিদা অফবা হীদাক ভক্তিতনা ওইগনি।

(৯) মণিপূরগী অতোপ্পা মশক অমনা Institution = লোয়শঙ লিংখত্তুনা ঙৈনাৎ য়োকপা অসিনি। লোয়শঙ লিংখৎখিবা মতম, মফিংনচিংবা য়েংদুনা ইখৎপদনা থোইদোক্লা পাকপা ওইগনি। লোয়-শঙ অপুম্বা ধর্ম্মগী মিংদা লিংখৎখি। থবক অমা তৌবদা লাইদা কথোকপা ওইনা চৎনবনা Secular ওইবা মশক ইকং কংদে। ফমদৌ ৬৪ লৈরম্বগী বা কংই। উমং লাই পান্নবা মাইবা, মাইবীগী লোয়শঙ, পূং, ঙৈশৈ. জগোই অমসুং পূজাগী সংস্থা শ্রীগোবিন্দ পূজাগী বামনশিংগী লোয়শঙ, পন্না কৎনবা, অমসুং বর্ত্তি কৎনবা ফাউবা লৈরম্মী। নিংথৌনা খরচ তৌদুনা লিংলকপনি। লোয়শঙশিংগী মপান্না মালেমদা মৈতৈ ঙৈনাৎ উৎথোকপা ঙমলিবনি। মাগী কল-চরদি মালেমনা খঙবিরি। লৈকাই লৈকাইদা খুনজানা শেমজবা করামগা লৈরি। সংগঠনশিংনা পাংথোকদবা মথোইগী পন্থুং, দর্শন অমসুং কিদম লৈ। মমাংঙৈদা লৈরম্বা Institution শিংগী মশক অসি হৌজিকি সমাজ দর্শননা সমর্থন তৌই।

সংস্থা মম্নাম লিংবা, আইন শেম্বা অমসুং রেজিষ্টার তৌবা modern concept অমত্তমা লোটৈ। মফিংদা খেন্নরবস, পুজিগী

চংদবা য়াদবা দরকার কয়া পাংথোক্লবা শেমজুনা থবক চৎথরবা লোয়শঙ তাক্লনি।

(১০) ঐখোইগী সভ্যতাগী ঈনাত্তা য়াম্না কজবা অমনা লম অসিগী লোন অদু চাওখৎনবা য়োকলকপনি। তাঙনবা লোন ওই-বদা নত্তনা সাহিত্যাগী পাকচাউরবা লনগৈ ওইহনলি। বৈষ্ণব ধর্ম্মগী শক্তি অমসুং রাখন কয়া চংশিনবদা হায়গী পুম্না কয়া মৈ থাখি। মৈতৈ লোনগী ঈশৈ, পূজা অমসুং লাইশোন থিংজুনা সংস্কৃত অমসুং বেঙ্গলীগীগা শকথঙনখি। মসিদা লমগী শলনা মচি শাংবগী তাব পোকহনখি। মৈ থাখ্রিবা পুম্না পুম্বা মতমগা চান্নদবা, পোৎশেম অমসুং মিত্রাংগী ওইনা তৌই। ভারতকি কলচরগা মণিপুরগা নকশিন্নবা অচৌবা খোঙথাং শেখনি হায়। গরিবনিরাজ নিংথৌ অসি আশা চাউবা অমসুং হায়গী লৈরম্বা কয়া হোংদোকপা অমসুং মশানা ইতিহাস শেম্বা পাম্বা ওইনা কংই। মৈ থাখ্রিবা লাইরিকশিং অমুক নীংশংজুনা ইহনখি। রামায়ণ, মহাভারত, গীতা অমসুং চৈতন্ত বৈষ্ণব ধর্ম্মগী লাইরিক কয়া মৈতৈলোন্দা হন্দুনা লেংবদা Manipuri Version ওইনা ফংই। Model (মওং লোবা) লৌরগা লমসিগী লে-খকশিংনা হাপতোক হাপচিন কয়া তৌই। মণিপুরদা খুন্দাখিবা মী পুম্বা মীতৈগী ফিজেৎ, চাকচা অমসুং লোন লোনহনখি। লোন অমসুং সাহিত্য ঐখোইদা থম্বিরবা অসি মায় পাকচকমনি। সভ্যতাগী থরায় ওইরিবা লোন অমসুং সাহিত্য অসি কুইরকপা, লেপ্তনা চৎথরকপা, মপাঙ্গল লৈরম্বা অমসুং লম্বুম অমসুং মসিগী Relevance (মরম চাবা) অদু হৌজিক মতমদা ঐখোইনা তাককম থোকই।

অরোইবদা হায়জরি—থরদং পঙরিবা অসিনা বিষয় অসি মপুং ফাবা ওমদে। ঐখোইগী চাওখৎপগী লম্বুম অদুগী মচেৎ থরদং ঐবু ফোংদোকপা য়াহনবগী শিনলিবা কাওবুবু থাগৎচরি।

মৈতৈ সমাজ চাওখৎলমব্রা ?

ঐহাক অসি Degree Class তা কলেজ অহম মরিরোমগী Social and Moral Philosophy তম্বিবা ওজা ওইনা হোৎরকই। বিশ্ববিদ্যালয়না Social Philosophy কৌবা Metaphysics অমসুং Sociology অনী শন্নবা অনৌবা বিষয় অসি হৌদোকপদা অকোঙবা লাইরিক য়াম্না থোক্তবা মতমগী ছাত্রশিংদা খঙহন্নবদি য়াদবনা তম্মী-বদা খুদোংথীবা নংলকই। চাওখৎলবা নোংচুপকি থিউরি নৈনবা অমসুং ভারতকি চৎনরবা রাখন কয়াচু মৈতৈগী সমাজ নৈনরোন্দা পাক্লিন্দুনা ব্যাখা পীবসি ইথৌ ওইনা লাকই। প্রবন্ধ অসিদা ঐনা কোঙদোকখিবা Meithei Sociology গী মশক পীজরি।

মৈতৈনা সমাজ নত্রগা স্টেট হায়বসি contract (ময়াম্না লেপ্নবা) নত্রগা organism (অহিংবগী মতৌ) গী ভাবতা পুদে হায়বসি পুয়া কয়াদা কংই। লাইনা মীবু নিংথৌ হাপ্লিরবা, লৈবাক ঙাক্নবা থৌদা-বিরবা অমসুং নিংথৌবু লাই ওইনা খনবা থেংনৈ। প্রজানা পামদনা নিংথৌ ওইবা ঙমদবা অমসুং নিংথৌ অসি প্রজানা খনবগী মতুং-ইন্না ওইজবা গনতন্ত্রগী মচাকসু থে'নৈ। অতুম ওইনমক মনাংনৈগী মতমদা সংস্থা লৈরবা, মীনা তৌগদবা মতৌ অমসুং আইন কয়া নিংথৌ পেন্নবা অমসুং মৈতৈ ধর্ম্মগা মরী লৈনবা খুদম ঙাক্লা কংখি। মতম কুইনা ঈনাৎ মাঙহন্দনা য়োকপগী শক্তি লৈবা মৈতৈ সমাজ চৎনলোননি।

Tribal *Stage* (কাঙলুপ নত্রগা হয়বগী) দা পুনরবদগী মথং মথং জাতি অমা ওইবগী থাক্তা সমাজ চংলকই। এনহৌনৈদগী

মণিপুরনা ভারতা পুনশিন্দুনা কাউবা মথুবা শাকন অমদা থাজনরি। মণিপুরগী ঙমথেবদনা মালেম অসি লোইরবোই থনলি। Common good (মরাবশী অফবা) কি মফম অদু পাকলনবদে হায়বসি লাইশোন চীনশোন, মাগী অমসুং চৎলম্বা নীতিনা উৎলি।

মৈতৈ সমাজ হোংলক্লি। অহোংবা হায়বসি পুক্নিংগী অমসুং সংসার পুম্বগী নিয়মনি। অহোংবা য়াওন অদু থঙবা ঙমত্রবা জাতি অদু লৈথা ভাথরক্নুনা অশেংবা মশকা চৎমিন্নক্লিবা সংসারগী তীর্থ চৎপা কাণ্ডবুগী অচৌবা শরুকগী নাম্বহৌরগনি। মহৌশাগী আইন ইন্দবা অদু দণ্ডি ফংবগুম্না অহোংবা নাইদবা সমাজ অদু দণ্ডি ফংগনি। তৌইগুম্বসুং অহোংবা অপুম্বা চাওথৎপনি হায়বা ঙমদে। অহোংবা অসি থুবস্ত য়াউই; খোঙচৎ তপ্সু য়াউই। হোংলক্রিবা অপুম্বা থক্তরগা ঐখোইগী মৈতৈ সমাজ অসি চাওথৎপদা খোঙথাং চংশিন্নি-বরা নত্রগা হন্থক্লিব্রা হায়বদু খৃঃ ১৯৪৭ ফাউবগী মতম ফাউবদা য়েংশি। মসিগী মতুংদগীদি মপুংফানা অনৌবা চংবা অমসুং মণিপুরনা পৃথি-বীগী ওইবা শাজৎ, রাথন অমসুং কলচর থঙলকপা ওইনা তোপ্পা লৈনজগে।

সংস্কৃতকি ধর্ম্ম অমসুং সভ্যতাগী প্রভাবতা চংহুনা যুগপু চক থোনলি। অরিবা যুগতা অরাংপা লৈরমদব, ধর্ম্মগী মখোঙ মপুং ফারগা, মী থুদিংমক কুইনা পুন্সিবা; অর অনা লৈরমদবা সনাগী যুগ ওইরম্বসি হিন্দুগী লাইরিক্তা নত্তনা বৌদ্ধ অমসুং জৈনগী মাগী নসু প্রমাণ তৌই। কোম্না লাকপা যুগনা ধর্ম্মগী মখোঙ মাঙ-শিনলকপা, মশা মউ মাঙশিনলকপা অমসুং পাপনা থনবা ওইনা চাওথত্তুনা লৌবদু মৈতৈশিংনসু থাজৈ। শ্রীঅরবিন্দনা জগৎসিদা Supermind (লাইপোক) না থনগনি অমসুং অকবরোমদা মপুং ফানা চংশিনগনি হায়বদু মৈতৈগী রাথন্দা ফংদে।

* সমাজ চাওথৎলি হায়বা লেপ্পবা মচাক কয়ামুক অহৈ অশিংনা

[illegible] মতৌ, মচুম অমসুং Physical (হকচাংগী ওইবা) ওইবগা মতুনা Morality গী মথক, নীংবা [illegible] [illegible] থোকই। [illegible] লৈনবগী পুক্নোং চানবা [illegible] মণি-পুরগী ওইরবা [illegible] [illegible] মথক, চৎনবগা [illegible], নুপী অমসুং হৎবা কাণ্ডপুগী মথম অমসুং সরকারনা অমসুং প্রজানা তৌকম থোকপা নীতিগী ভক্তিদা পানশিন্দুনা লৈনরি।

লৌউ-শিংউবা, 'কুমগী মোংগা নম্বা অমসুং নবাকগী ওইবা সভ্যতানি। মসী থোকপদদি মরাং কায়রম্মি। মসিদা কংবা মসী মথন অচু চাবা হাউবা, হকচাং ফবা অমসুং নফলিগা চানবা ওই। লৌউ মৈশৈ অমসুং ফৌগু মৈশৈ কয়ানা প্রমাণ পীরি। লানগী মতম নত্তবা চাক ভাণ্ডবা পংথোক থোকখিদে। মসী নত্তবা লৌউ শিংউবদগী ফংবা মহৈ মরোং কয়াম্‌ মরাং কায়না শীজরৈ। পোৎ মমল য়াম্মা হোঙই। শিংথৎলগা কৈথেল কয়াদা পোৎকা পোৎকা ওন্নবা অমসুং শেল ওইনা শীজন্নবা ফংই। অঙম অথৌ অমসুং লৌয়াম চাবগী নিয়ম অসি মহৌশাদগী চৎনবদা হৌজিক ফাউবা মাঙত্রি। থবক শুবা মীওই অমসুং অশূমন অচু নিংথৌ অমসুং অঙম অথৌশিংগী অপান্বদা লৈরম্মি। Cottage Industry (খুৎনা শাবা পোৎথোক) অমসুং খনি য়াম্না চাওথৎখি। ফিগী মথন অমসুং আর্টকি পোৎথোক অমসুং ফিজেৎ লৈতেং পূম্বা পুক্রিং শুমহৎনিঙাইনি। উমংদা চীংগু উ, উনিংথৌ অমসুং আগর কয়া ফংই। পাৎ অয়াম্বদা অহাউবা ঙা মথন ফংহনা লৈবাকি চানবা কে মৈ।*

---

*সমাজ অমগী তোপ তোপ্পা ঈনাৎনা লোনগী অঙকপা কয়া লেখই। অমুকন্থ লোন অমসুং ঈনাৎ পূম্বা থোকমিন্নকই। Joshua A. Fisherman না য়াগী article 'A Systematisation of the Whorfian Hypothesis' কৌবদা (Alfred G. Smith না খু: ১৯৬৬ তা New York তা থোকহল্লবা Communication and Culture

মাইকৈ থবদা মপান লমশিংগী জ্ঞান লৈবা মীওইগী মচেং লৌয়-বস্থ মণিপুরগী পোৎথোক থবদি অমা (কর্থা) কোন্দুং অমসুং ব্রিটিশ ইণ্ডিয়াদা পায়থি। চৎথোক চৎশিনগী লম্বেন শেয়া অমসুং মপানগা কাউনবা অসি মহৌশাদগী নিংথৌগী থবক ওইরকই। লম অসি লবায় অমসুং চৌংগী শরুক্তা হেনলি। নিংথৌ অমসুং ধর্মগী থবক্তা ক্রূয়া দলাল শীজয়ৈ। প্রজানা ইনা কুপ্পা অমসুং বানা শাবা য়ুমদা লৈ। সনা, লুপা অমসুং লৈতেং থবদি নিংথৌমচাশীদা ওইবনা প্রজাগী ওইহনলমদে। হকচাংগী অমসুং Sanitary (হকচাং কবগা নরুবা) মায়কৈদা তমগী মৈতৈদদি য়াম্না থাগৎননিঙাই ওইবা উই। লোই অমসুং চৌংমীদা লু-হেনব য়াংলি। অনৌবা লায়না থোক্লক-পদা লৈপাক ছপ্পা শিন-নানবগী খুদম তোইনা থেংলৈ।

মী মরী লৈনবা অসিদা আইন কয়া শেমলকই। অচৌবা নিংথৌ অমসুং মাগী শাগৈ, অমরোমদা মীচম অনংবা অমসুং মরক্তা ময়ায় ওইবা মশীং য়ামদবা মীওই ফংই। পানা, লালুপ অমসুং

হায়বা লাইরিক্তা য়াউবা) ইরি মচুদি ইংরেজীদা 'Snow' অমসুং Ice' তা লৈবা বাহৈ অসি Eskimo গী লোন্দা তোঙানবা কয়া ফংই। আরবশিংদা শগোন থঙনবা তোঙানবা কয়াগী লোন লৈ। লোন্দা থেয়বা ফংবসিনা তাকপদি English ঙাঙবা মীওইদগী Eskimo শিংনা উন্দা অমসুং আরবশিংনা শগোন্দা নৈনবা হেনলি হায়বনি। মৈতৈলোনগী বাহৈ বাত। কয়ামুক ফংলম্বনা ঈনাৎ কয়ামুক বাংলম্বা থম্মফম থোকই। ফৌ মথন ৩৫, থবানমিচাক মথন ২৭, তা মথন, বা থাবরগা থোকপা মথন অমসুং শায়কপা বাগী পোৎকি লোন্দাশিং ঙা মথন, শগোন মখিং পীয়ম্বা মথন ঐথোইগী মাঙহনফম থোক-ত্রবা ঈনাৎনি। ঐথোইগী Culture অসি মীয়োন কয়া লোন্দা থাদরকপনি। ঐথোইনা শীজমবা লোংথক্তগী থাদয়কপা নত্তে। মীওই পূম্বা genre (পোকপদগী লাকপা মচাক) দা শেয়দে। শেময়াংপগী শক্তি অচুম্বা য়েংফম থোকই।

পাম্লিবা নিংথৌ থেবা তৌবা অসিনা আইন থিবিক হৌরকখ্রে ওই। নিংথৌগী মতুং যাউনবা Executive Legislative & Judiciary পুম্নমক থবক তৌবদা অথিংবা ওইখি। লৈবাক মুসিদগী সংহেন্না মী অমা তাম্মোকপা, হাংপা অমসুং লোই থাবা হায়রবসি চহনবী পুগাইবগী মশকনি। হৌজিক্তা মীগী অধিকার কুংলিবসি অরিবা মতমবুি ওইরবা ওই। লৈরবদু মপুং কাদে। মীনাই থম্বা, মী হাত্নবা বুলি কংপা চহনরম্মি অমসুং সংস্থা কয়াবু নিংথৌগী মঙাল চাউখনবদা মতুংগা করিম্ম ওইদে। লাই হরাওবগী ঈশৈ খরদা মীগী তৌরম খোকপা মথৌনা লৈবাক্কি আইনদগী হেন্নলি হায়রব খুদমসু মকাই। নিংথৌ শেখগী খুহল্লিংডুনা লালহৌবদি য়াম্না তোইখি। সংস্থা লিংডুনা অধিকার কংনবা হোৎনবসি মণিপুরদা ব্রিটিশনা পালবা মমায় চললক্রবা কালদা নিখিল মণিপুর হিন্দু মহাসভা শেম বদগী হৌখি। মসিমু অহানবদা নিংথৌ য়াউখি। মমৈদা অশোবা মশক হোংলকখি।

নুপীগী মশক কয়া নৈনদ্রে। মমাংদৈগী চহনরোন্দা অক ফত্ত অনীমক য়ারে। চৌংমী অমসুং হল্লবা কাঙবুশিংগীদি লৈবাক অসিগী সমাজ অমসুং রাজনীতিগী পুন্সিদা চাথুং মায়বা ওইরমদে। পাঙল লোই অমসুং চৌংমীশিং য়েংশন্নবা তোঙান তোঙান শঙ লিংডুনা কল্লাইবা কয়া থরখি। Secular (ধর্ম নত্তবা) ওইবগী মিৎয়েংসু মৈত্তৈ লৈবাক্তা কংই। অরিবা মতমদা শান্তি থম্নবা য়াম্না মতেং ওইখি।

সরকারগী তৌদবা য়াদবা মকমদ্দদি নেশা মু থিংবা, নুপীবু ওক্কবা ওইখিদনবা ঙাকপা, জ্বার মখন থিংবা অমসুং হুয়ানবা থিংবনচিংবা Negative function (লৌথোকপগী থবক) কয়া লৈরি। বৈষ্ণব প্রভাব চংলবা কালদা নিংথৌ কয়ানা শা চাবা, য়ু থকপা অমসুং ঈরুদবমু পাশনি থম্মুনা মী কয়া দণ্ডি তৌখি। খুমু তুনবা অসি প্রজানা কয়া তৌনরম্মি। নিংথৌনা য়েন কাওনহনবা অমসুং নিংথৌ নচাশিংনা শক্রং শাবনা তৌখি। মখোইমুসু থিনবা আইন লৈখি।

আরিবা মৈতৈ সমাজবু পৃথিবীগী সমাজ অমনা কুপ্পৎপা চম-লোইদবসি মাগী নুপা অমসুং নুপীনা অশংবা মতমদা শাগৎ মথক থরা, জগোই অমসুং পুং, ঈশৈ, ধর্ম্মগী থবক ভৌনবা থাজংশিং পুখোকখিবা অসিনি। লান ভোইনা ভৌরবসু কনা নিঙ্গাদা সুম-থোং থুদিংনা লৈনবগী থুদমনি। অতোপ্পা অমনা মরৈবাক নী বশী খুদম লেংজ্রবা লৈরি। মপালগী মীনা মণিপুরদা লাকুনা অয় ভৌরৈ হায়বদুনদি থঙবদা ঈকাইনিঙাইনি। লমসিগী মীনা মরৈবাকী ঈ ভাখিবা অমসুং থরায় কৎখিবা অদু ঐখোইগী নাপনি। মৈতৈ নুপাশিংগী ওইনা থঙ্গা শাবাউ, লানবাউ অমসু অরাম্বাইপা মরী লৈনবা পাউরো অংসুং ঈশৈ মরাং কায়। Manipuri National ঙাক্তা ওইরবা মৈতৈ লাম্মীশিংনা মখো থঙচুনা লানকম করা লান শোক্নখিবা ? চেকপা চক্রপানি, হরাচন্দ্র, গম্ভীর সিংহ, নর সিংহ, কোকিলানন্দ, টেকেন্দ্রজিৎ, য়াইস্কুললাকপা পিক্লবা চাংলেনসন রাজ-কুমার, পাউনা ব্রজবাসী অমসুং থাঙ্গাল মেজর অমসুং লানকমদা শহীদ ওইপ্রবা মৈতৈ অঙম-অখৌশিং নীংশিংবদা পাপ কোক্লনি। লান চংহোদবা নুপী মমা ওইবাশিং অমসুং শোক্লবা অহনশিংগী নীত্তিনা মখোইগী মতুংদা লেপই। অনোবা থৌনা হাপকৎখি। লৈবাক্কী-দমক ফনবা মপালগী (কাছার) মৈতৈশিংনা লান লেমশাখি। S cial progress কি ময়েক লারবা ঐখোইনা কাউরোইদবা থুদমনি।

হৌজিক্তা Concept (ভাব) থরা খেন্নবা উরবসু ঐখোয়গী সমাজগী নিংথৌরবা, কন্নবা, মচাকশিং অদুবুদি থওইদবা চুমদে। মতমগী ঈচেলনা মাঙহল্লরোইদবা ঐখোইগী ধর্ম্ম, নীতিশাস্ত্র অমসুং দর্শন অদু মশক লেংনা থওলবদি অনোবা পুক্নি ফংবা ঙমগনি। মৈতৈ জাতি অমসুং লমদমগী image (মমি) অদু ময়েক শেংনা তাহনবা হায়বসি মৈতৈ ওইনা পোক্লবা, মৈতৈ ওইনা চাউরবা অমসুং training (তমশনবা) তৌরক্লবা মী পুথগী মুঙাইরবা থৌদাংনি।

অনীশুবা শরুক

তৌঙান তৌঙানবা লাইনীংশিং

মৈতৈ জাতিগী Socio-Cultural (সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী) ইতিহাস নৈনবদা Cult (ধর্ম্মগী কাংলুপ) মশক উবা য়াদে। তৌঙানবা কাংলুপ অমসুং লাইনীংবগী শরুক করম্না সমাজদা শিং-থীরবা শরুকশু অমা কোঙদোকই। মসি অসিনা ভারতকি সংস্কৃতিগা মমাংঙৈদগী মরী লৈনরকপা অমসুং হৌজিকসু স্তেত অমা ওইবনা ধর্ম্ম কাংলুপ উৎপদা ভারতকি Context (নৈনবদ কাম্বা শরুকি মথক মখা) কা শম্নজনা মণিপুরগী মথন্তা উৎপা য়াদে। লাইনীং-শিংগী লুসনবা দর্শন অমসুং লাইনা শঙনবা শরুক হেক হেক ফংই। Cult aspect (খুাইনা শঙনবা লাইনীং শরুক) অদুদি ভারতকি মকম অতৈদগী মণিপুর য়ৌরক্লুন চংলকপগী প্রমাণ ফংই। সমাজদা মতম অমদা অকনবা প্রভাব তাহল্লম্বা অমসুং অতোপ্পা মতম অমদনা মুৎথিবা অসি লাইনীংশিং অসি নৈনবদা ফংই। মণিপুর তম্পাক্কি মৈতৈদদা মতুংনা মৈতৈনা শন্দোকখিবা ধর্ম্ম তংখল, কাছার অমসুং বেঙ্গলগী মফমদসু মসি মঙাই। অনৌবা হিন্দু ধর্ম্মগী মশক অমা লৈবাক্তা চেংশনহনবদা মৈতৈগী থৌদাং য়াম্না চাউই।

লাইনীংশিং অসি হায়না বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা নৈনহল্লনা লাইরিক পুথোক্লবিত্রি। মতাং থোকপদা য়া অমা অনীশুং বিষয় অমা নৈনবদা পনথা নত্তনা রিসার্চ ওইনা থিজিন্নদে। অরিবা মতমগী ওইনা বৌদ্ধ, শৈব, শাক্ত, তন্ত্র অমসুং বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মশক অমা ধর্ম্ম শন্দোকপা মীশিং, লান লাক্লপা মীশিং, পুন্নাকপা মীশিং, মচেৎ লাকপা লাকপা মীশিংদগী মণিপুর লৌরকপা ফংই। লৈবাক্কি ধর্ম্মগী বৈষ্ণব সুবুক্তা উমংলাই লাংপদা চংলকবসু অকু ওইবা লাইনীংশিং অদিসী

[illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] মণিপুরদা [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] ওইনা লাংণা, মুথিংকী [illegible] [illegible]
ওইবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমসুং বৈষ্ণব লাইনীংদা নারায়ণ
([illegible]) [illegible] মকোক লোংবা লাই ওইনা খুরুমবা কংই ।
[illegible] লাংণা [illegible] হায়রবা, ভারতকি ধর্ম সম্প্রদায় অমুখ [illegible]
[illegible] [illegible] মহাদেব অমসুং দুর্গাগী মচা ওইনা খুরুমনরকই ।
[illegible] [illegible] কামনশিংনা পুজাদা [illegible] ওইনা লৈতেংদা কংলৈ ।
[illegible] অমসুং [illegible] লিনগী লাইরেম্বী মনসা দেবীগী অকনবা
প্রভাব তাবথা অদু ঐরেংকোইগী [illegible] ফংদে । তৌঔবসু
লাইনিংথৌ পাখংবান লিনগী মশক লৌবা অমসুং শনাই ময়াম
লোকহনবিবা হায়ী চৎলৈ । লাইরেনদ চৎনবা মথু কয়া খং‌ই ।
বৈষ্ণব অমসুং শিব লাইনীং চৎপা কাংলুপনা মণিপুরদা খুন্দাখিবসি
লংহুই কুইত্রি । অমীশুবা শককসিগী অধ্যায়শীরিবশিংদা মরওইবা
লাইনীংশিং খুদং মনাই [illegible] ইজরি ।

(৮)

মণিপুরদা শাক্ত লাইনীং

লাইরেম্বী লাংণা ধর্ম মথল অসি পৃথিবীগী মফম অয়াবদা
[illegible] জাতি অয় খদা চৎলৈ । সেমিতিক, হেলেনিক, তিউতোনিক
অমসুং বৈদিক কাংলুপকী মীওইবা মরেবাক অমসুং ধর্মগী [illegible]
লোকহনখিরসি কলত অসিননি । শক্তিজশিংগী মতা অসিবা মুখংতা
[illegible] [illegible] মকোক থোংবা মুতাং অমা লৈমি । [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] থৌরম পুজা নুপীনা মকোক লোংবা শীকি । [illegible]
[illegible] [illegible] (matriarchal) ওইবা [illegible] । [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] । লাইরেম্বী লাংণগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] বৈদিক কাংলুপ [illegible] [illegible] [illegible]

"তাৰকী [illegible] অমসুং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]" হায়না [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কাৰবুগা শক্তিগী কাংলুপা [illegible]। ভাৰতকী [illegible] [illegible] [illegible] ইবেং শিনি। [illegible] অদ্বৈত সিদ্ধিকী [illegible] [illegible] বেদ অমসুং উপনিষদ [illegible] লাইথি। শ্ৰীশঙ্কৰাচাৰ্য্যনা 'আনন্দ-লহৰি' কৌবা লাইৰিক্তা শক্তি উনিথি "[illegible] শুধিং ভাব কাওবগা [illegible] মরুপি [illegible] [illegible] [illegible]। অমসুং অহৌ: [illegible] [illegible] [illegible] মম অতুগী [illegible] অনীসি [illegible]। অমসুং [illegible] লাৰবদুগী লংলানা কিদুনা থমই।"

শক্তিবাদ হায়ব বাখল অসি ভাৰতা হাপ্পা পাম্বৰক্ত কয়া থোকপা মতম অগুদি কংদে। মসিগী সাহিত্য কয়াবু থওইদনা অমসুং করেম্ব মওংদা চৈনবা হেক হেক তৌই। পণ্ডিতশিংনা শাক্ত সাহিত্যবু শক্ক অহুমথোক্না থম্মি। ১। বৌদ্ধ যুগকী মমাঙগী কাংলুপ, ২। বৌদ্ধ যুগকী মতুং, খৃঃ ১২০০ ফাওবগী মতম অমসুং ৩ খৃ ১২০০ দগী হৌজিক ফাওবা কংলিব সাহিত্যগী কাংলুপ। বেদগী মতমদা পৃথিবীবু অচৌবা মমা ওইনা লাৎপা অসি কংলে। আৰ্য্যগা অনাৰ্য্যগা কাংলুপ অনী সমাজ, কলচর অমসুং ধৰ্ম্মদা হাংশিনবা মতমদা দেবী লাৎপা অমুক্তা হেনগৎখি। পৌৰানিক যুগতা দেবীবু লাই পুৰুষকী শক্তি ওইনা লৌৰে। উমা, অমা অমসুং মহাদেবকী নুপী দুৰ্গা ওইনা লাৎনবা মতমদা লাইৰিক হাজা ইথোকখি। লাইৰেম্বীবু শক্তি ওইনা লৌবা প্ৰভাব অসি দৰ্শনগী মক্তম চাউনা লেমদে। লাই নুপা অসি পাকল নৈতে। জগৎ অসি বেঙ্গোকপিব (transcendent) ওইরি। লাইৰেম্বীনা পাকল নৈ; জগৎ অসিদা লৈবা 'নুংদা লৈবা (immanent) ওইবা শক্তি উৎনি। অচৌবা [illegible] [illegible] নুপীগী [illegible] কনবা ওইনা লৌই। [illegible] অমসুং নুপি [illegible] [illegible] নুংক অসি নুপীবা ভাৰই থমি। [illegible] [illegible] '[illegible]ri[illegible]', 'Scylla', 'Charybdis' [illegible] নুপীশিংগী [illegible] [illegible] কনা

[illegible] Pali [illegible]
[illegible]
[illegible] ।

[illegible] দর্শনগী [illegible] বৈদিকসু কৌবা [illegible] শঙ্করাচার্য্যনা অদ্বৈত বেদান্তদগী হেক্লদে। [illegible] বেদান্তদা [illegible] হাম্নবনি [illegible], ঈশ্বরগী [illegible] [illegible] কৌবা [illegible]। জগৎ অসি [illegible] হায়না [illegible]। [illegible] দর্শনদা [illegible] হায়বনি ঈশ্বরগী শক্তিনি। জগৎ অসি [illegible] হায়রি।

পৌরানিক যুগতা শাক্তগী [illegible] চাওখৎপা মতমদা বৌদ্ধ কাঙ-ষুনা তারা কৌবী লাইরেম্বী অসি ভারতকা চীনাগা [illegible] মরী লৈনবা মতম অমসুং ভারতকী [illegible] চীনাগী টাউইজমগা উম্নবা মতমদা খোকখিবা কলতনি। লাদাক টিব্বত, মঙ্গোলিয়া নেপাল অমসুং বঙ্গ উপসাগরগী মনাকতা কলত অসি ফংই। 'তারাগী কলত' অসি বঙ্গদেশতা পাল শাসনা পানবা মতমদা চাওখৎপগী খুদম ফংই। কামাখ্যা লাইশঙ অসিদা বুদ্ধগী [illegible] মূর্ত্তিনচিংবা ফংলকপগী প্রমাণ গঙ্গানারায়ন চৌধুরীনা [illegible] পীরি।

দেবী কৌবী লাইরেম্বী অসি শক্তোন [illegible], [illegible] [illegible] অমসুং [illegible] হায়রি। শিবগী মমিং ১০০৮ লৈ। মমিং [illegible] [illegible] দেবীগীসু লৈ। মসিগী মথকতা [illegible] তোপ তোপ্পা [illegible] লৈ। ভারততা ফংবা লাই নুপী পুম্বা মচোন্দা চানশিন্নি। [illegible] লাইরেম্বী, [illegible] লাইরেম্বী [illegible] অমেনা [illegible] [illegible] লাইরেম্বীসু মহাক্নি। [illegible] [illegible] [illegible] দর্শন [illegible] [illegible] লৈনবনি। রোমান কেথোলিকশিংনা মিরা [illegible] [illegible] মেরী লাংলগী কলত [illegible] [illegible]। [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]
[illegible]

[illegible]

[illegible] নাইনবগী [illegible] ফজনা [illegible] মণিপুরী [illegible] অমদি [illegible] মণিপুরী [illegible] শান্তিদাস [illegible] অমসুং [illegible]

মণিপুরদা মখোই শাক্ত সাহিত্য অসি শরুক ফংলকপা ফুংগাইদনি। ভারতকী মফম অমখদা অহিবা হাতনবী শাক্ত সাহিত্য কয়া লেমগৎখি। মূল অসি শ্রীচৈতন্য কান্দি, শ্রীকৃষ্ণ কায়না থায়দোকই। অগস্ত্য, দুর্বাসা, দাত্তাত্রেয়বচিংবনা, শ্রীচৈতন্য কাংলুপকী লাইরিক কয়া ইখি। সংস্কৃত সাহিত্যদা মখিং চংলবা অভিনাবগুপ্তনা শাক্ত কলচর চাওখৎলবা ফোরম্মি। মথংদা গোরক্ষনাথ অমসুং মাখী কাংলুপনা তন্ত্র, যোগবচিংবা কয়া পুশংখি। মাগি কাংলুপকী সংস্কৃত লাইরিক য়াম্না লোকখি। মথোয়শিং অসি মণিপুরগী শাক্ত মফম অহেনবা অমসুং [illegible] যোংবী মরম কাওনদবনা মণিপুরদা মখি তারকদে। মিথিলা, বেঙ্গল অমসুং আসামগী শাক্ত প্রচার লৌখিনি ১৭০৮ [illegible] পুংফমদা লাকই। [illegible] নীংথৌ [illegible] নীংথৌ [illegible] মফম [illegible] শাক্ত [illegible] (tradition) [illegible]

[illegible]

খুভম্ম শেমদুনা হৌনবী পোৎলমা থুকমচক্লি। নুংশি নুংওম অমসুং সিংজেন লৈবী নুপী অমা ওইনা নৈনখ্রবদা ইঙৌরু লাই অমসুং শোৌবোন লাইরেম্বীগী মরী, কৌক্রু নামোইনুগী মরী, ফৌওইবী লাইরেম্বীগী শাধন কয়া পনবা য়াই। খৃঃ ৭০০—৮০০ গী অত্তরাইদা তন্ত্র কয়া পাম্ববা মতমদা মণিপুরদা মৈতৈগী রাগল চংবা পাঙ্খোইবী খোঙ্গুল কৌবা লাইরিক ইথি। নোংপোক নিংথৌ অমসুং নোংপোক পাঙ্খোংবী অনগী পরকিয় ধরম লাই হরাউব অগোইদা, ঈশৈদা অমসুং লাইরিক্তা শরীক চুরা ফংই। পাঙ্খোইবী অসি লাই পুম্বগী নিংথৌন হায়রি। মমন য়াম্লবা লাইরিক অসি করম্বা মতমদা চংপা লেখক ইবুংও খড়ব তুমদে। দেবীগী অকরবা মমং পহক লাই নিপা ৭কী শক্ত ওইনা লৌই হায়রবসি Dr. R. G Bhandarkar না য়াগী লাইরিক Vaishnavism, Shaivism লাগী অমায় ২০৬ তা পান্না। মৈতৈ মরী লোলাই ৭ (লাই-পুরা ৭) না চখোল ৭ কা পানদুনা শলাই ৭রা পোকখিবগা মান্নবা য়াই। উমং লাইগী মখংদা লাই নুপী কয়া ফংই। শাগী ওইনা লাইনবদা লাইখুরেম্বী (লাইখুৎলোংবী=সাক্ষী দেবী), কোম্ভোতম লাইরেম্মা অমসুং লাইশ্রম লাইরেম্মা পনবা য়াই। খুনগী ওইনা কাপিক লাইনৈ। মখোয়সি শাক কলতা ময়োনবনি। য়ুম্লাম চুইরোমদা লাইজাউ লাইরেম্বী শীতলা দেবী গুপ্ত মঙ্গল দেবীগী শক্তোন) অনাবা কোকই হায়নৈ। কাবা অমসুং সহিতা মচাক ফংদ্রবসু মনবাবু মরাই কৌদুনা রাশিরু অমসুং ঈরাৎ পূজা তৌদুনা খুরুমনৈ। লৈবাক নিংথৌবু অরাবনবী কনবী হিকুবী, য়াইকুবী ওইবা য়ুমজাউ লাইরেম্বী অমসুং নোংমাই পেঙ্গুগী মরী কয়া চৎনরি। মোইরাংগী থাংজিং চৎলবা থম্ব থোইবীগী মরী অসিমক শিব দুর্গাগী শায়নলি হায়না লৈশাকনৈ।

হিন্দু ধর্ম্মগী ঈথিল কয়া লাকপদা মণিপুরগী চৎনরকপা মরী কয়াগা সংস্কৃত সাহিত্যগী মরীগা শমজিনদুনা উপ পুরান কয়া শেমখি। লৈবাক্লিগী কবি কয়ানা উপপুরান কয়া পংকুই হুইদুনা ইখি।

শিবগী দুর্গাগমা কিরাত (তাংখুল) গী ফিজোল খোন্দুনা লৈবাক অসিদা লৌ'উবা হৌখি। লৈশেমলোন অমসুং লাই হরাওবা জগোই থোকখিবা মতাংদা পার্ব্বতিনা বৃন্দাবনগী রাস য়েংগে হায়বদা খোউ শঙলুবা মহাদেবনা জগোই উৎকর্ম থিরকই। চৌংনা পুমকোম্ব কোম্ব-শিনবা লম অসিদগী রাস তৌনবা ঈশিং চিথোকখি অমসুং লাই-য়ামগা রাস তৌখি হায়রি। রারীসি মণিপুরগী লৈশেমলোনবু Hindu version দা ইবনি। চণ্ডিগী প্রভাব তাবা রারী অমা পাম্হোইবীগী রারীদা উই। মী শেম্বা লোইফাওনা হিংচাবা হিংচা-বীনা চাথোকপদগী মখোইসি ঈশিং মথন্তা খিকপা, মুংশিৎ মথন্তনা শিৎপা, মৈ মথন্তা হোৌবা মরোল মরোল ঙাকপা লমদা থাদোকখি। সে'মোরি সোমে অনাদি চিথহোই। মখোইনা লাই পূম্বা মাইথীবা পী। পাম্হোইবীনা মরৈ তিংথোক্তুনা হিংচাবা পূম্বা হাৎলি। মখোই হাৎলবা মতু'দা শা, ঙা, মী শেম্বা লোই হায়না ইরি।

উমংলাই ওইনা থূকয়বা লাইরেম্বীশিংগী পূজাদি তন্ত্রগী নিয়ম চত্তে। চঙগদবা পোৎচং পূবা লমসিগী ওইনা শেমদোক্লবা চৎনৈ। তান্ত্রিকী নিয়ম কুপ্ন ফ'দে। মাইবা মাইবীশিংনা লাইরোন শোন্দুনা থূরুমনৈ। ঙাম্মু, খুম্মু, ঙা মথন কয়া মখোইগী লাইশঙশিংদা কৎলি। প্রজা পূম্বনা মশা মশাগী নীংবা থুংনবা কলত অসি ঙ'কলম্মি। থুমখোং লাইরেম্মাদা থুমগী ঈশিং ফাওনবা লমজা পিতৎ পাতৎপা বলি কৎপা অসি মতম অসিদা চৎমরম্মী। থুমখোং তৌবা কালদা নত্রগা' চহীগী ওইনা মী কৎনব' ইনষ্টিট্যুসন লৈরম্মি। থোদোক-সিগা মরী লৈনবা motif (রারীগী মরুওইবা মচাক), মুংশিবগী ওইবা ঈশৈ অমসুং রারী কয়া চৎনৈ। মী অমসুং শা উচেক বলি কৎলবা লাইরিক অহু য়াইবী ঈরাৎ কৌই। পূজাগী অকুম্মা অহু মসিদা তাকই'।

ইতিহাসকী মতমদা শাক্ত কলচয়না মণিপুরদা চঙসকপাসি'

লৌখৎসি। চৈথারোল কুম্বাবদা মৈতৈ নিংথৌ খুয়োই তোম্পোক্না (খৃঃ ১৫৪—২৬৪) দুর্গা লাৎলম্মি হায়রি। পাখংবা নোঙ্গায়োন কোৌবা পুন্না নৈনবদা মৈতৈ নিংথৌ খুই নিঙোনবা (খৃঃ ৩৬৪—৩৭৯) অমসুং পেংশিবনা (খৃঃ ৩৭৯—৩৯৪) না লানগী লাইরেম্বী দেবীবু হায়েং অঙৌব বলি কম্নুবা লাৎপা পললি। খুই নিঙোন-বনা দেবীবু হায়েং অঙৌবা অমসুং পাজোং অঙৌবগনা মেয়াদা চাউ-রেন ঈরাৎনৈ। থাঙদম তম্লপা হায়েং কৎখি হায়। খোংতেকচা নিংথৌগী (খৃঃ৭৬৩—৭৮৪) কোরি কোম্পাক্না দুর্গা অমসুং তন্ত্রগী মওং নীংবগী ঈথক কয়া পল্লি।

✓চরাইরোংবগী (খৃঃ ১৬৯৮ - ১৭০৯) মতমদা লৈবাক অসি বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎপা ওইখি। বৈষ্ণব ধর্ম্মগা শক্তিজমগা পুন্না চাওখৎমিন্নবা য়াম্না নীংথিরবা মচৎ অমা লৈবাক অসিদা চৎলক্লি। ধর্ম্মদা মিৎ-য়েং পাকপা ভারতকী অতৈ লমদা চৎনদবা মতৌ মণিপুদা চৎ-লকই। শক্তি মথন্তা নীংদবা শিবগা পুন্না নীংমিন্নবা মতৌনি। শক্তিবু খুরুম্নসি বৈষ্ণব অমসুং শৈব কলত অনীমক্তা তৌই। অরাং থংবা ভারতুদি মুসলিমগী ঈথিল অমসুং ভক্তিপ্রেম ঈথক লাক্তুনা শক্তিজম শোম্নখি। মীশিং য়াম্না চৎখিদে। কাঙবু অসিগী লম্বোইবা অমসুং বামন কয়া মণিপুরদা চেল্লকপা হৌরকপা মতম্নি। শাক্ত কলতনা লৈবাকী ধর্ম্ম ওইখিদে হায়ববু নিংথৌশিংনা য়োকখৎখি হায়বসি চৈথারোল কুম্বাবনা প্রমাণ তৌই। নিংথৌ চরাইরোংবনা কালিগী লাইশঙ অনী শাদুনা কৎখি। বর্ম্মারোমদগী ফুরা শাবা হৈবা মীনা লাইশঙ শাখি। পাম্থোইবীগী কৈথেন হোঙই। পান-থোইবীগী মূর্ত্তি হৈবা হোই।

চরাইরোংবা নিংথৌগী হাক্তক্তা অকোকশা লিংই। কালি-পুরদগী কালারাজনচিংবা য়ুম্নাক ১০০ রোম উখোংশাংদা তাহল্লি। লৈবাক অসিদা চৎলম্বা দেবীগী কলত অঙকপা অমদি হিংচাবী চঙবা হায়বসিনি। নুপীদা দেবীনা শাদোং ওইনা তো হুন্না তাঙথোকহনবনি

হায়রৈ। হিংচাবী হায়রুনা অতেকপা পোৎ হিংনা চাবা নত্তে। মী চৈনবা কাললদ্দি শীজিরে। হিংচাবী চগুরুনা মাবদা লায়রেংনবা সিংহমদি খাঙী হিংচাবী কাংলগা মথক্তা নল্লিবা নুঙজাউ অচুম্বা মচেৎ কক্লগা খো ভোরগা ফৈ খইরে।

নিংখো গরিবনিবাজ (খৃঃ ১৭০৯—১৭৪৮) গী মতমদা রামানন্দী অমসুং গৌরধর্ম্মগী য়াওন লাক্লে। শ্রীহট্টগী গোসাঁই অসিনা রামানন্দী হৌদোকপদা নত্তুনা দেবী লাংপা হৌদোক্লমসু থেংনৈ। মৈতৈ নুপীগী মমিংদা দেবী তাবা, দেবীগী মমিং কয়া মৈতৈ নুপা নুপীনা কৌনবা মতাংসিদগী হৌরে। নিংখোসিগী মতমদা লম অসিবু মণিপুর কৌখিব. লাইশোন ভিংশোন্দা হিন্দুগ রাহৈ রাত লোশিনখি। লম অসিবু মেখলে কৌদুনা দেবীগী খ্বাং তাফম পীঠ মফমনি হায়না কালিকা পূরানগী রাগী পুররে। ভারতকী মফম অয়াম্বদ শক্তি পীঠগী মফম লৈ। ভূগোলগ মরমদা রাখল অমা তাহল্লি। কালিঘাটতা দেবীগী খুৎশা তাখি, আসামগী কামাখ্যাদা যোনি তাখি অমসুং হিয়াংথাংদা খ্বাং তাখি হায়না শেমলকলে। মণিপুরগী রাকম অসি ভারতকী পণ্ডিতশিংনা রাখল শণ্ডরগা মোৎ পীবা মতাং য়ৌরে।

গরিবনিবাজগী হাক্তক্তা মৈতৈলোনগী লাই.শান অমসুং ঈশৈ খিদুনা বাঙ্গালা শীজিল্লরে। বাঙ্গালা লাইরিক ইবা কীর্ত্তিবাসনচিংবা থরগী খুৎই রামায়ণ অমসুং মহাভারতনচিংবা মৈতৈলোন্দা কনদোক্লখি। বাঙ্গালাদেশ শক্তি কলতগী মফমনি। মখোইনা ইবা লাইরিক্তা সংস্কৃতকী ওইনা লৈবা রারীদগী থরা শেন্নবা ফংই। রামায়ণ অমসুং মহাভারতনচিংবা ইবদা বৈষ্ণবকী কলতনা শাক্ত নত্রগা শৈব কলততগী হেল্লি হায়বা উৎনব মতাং থাপচিল্লি। রামায়ণদা, দুর্গাবু রামনা থুরুম্বা, মহিরাবন্না রাম লক্ষণবু পাতালদা পুরগা দেবীগী লাইশঙদা হাৎকে হোৎনবা, মহাভারতদা যুধিষ্ঠিরনা দেবীগী মণ্ডপ শকপা মতাং অসি বাঙ্গালাদা ফংবা লাইরিকতদা ওইনা তৌই।

থা তাৱকলোমদা কম্বা লাইরিকশিংদা য়াওদে। মণিপুরদদি সেম অসিদগী লাকপা মরম্বা দেৱীগী মঙ্গল শন্দোকপা মতাং য়াম্ব পায়ে।

মারকণ্ডেয় পুরানদা অধ্যায় ৩২ দা দেৱীনা মহিষ অমসুং হিং-চাবা মরাম হাৎখিবা তাকই। দেৱী পুজা তৌনবা ময়ম কয়া উপপুরান কয়াদা কাইনখৎদা ইথোররকই। শক্তি কলতগী মরু-ওইবা লাইরিক কালিকা পুরান, অমসুং যোগিনি তন্ত্র কামরুপতা সংস্কৃত পণ্ডিতশিংনা লেংখিবনি। খৃ ১২০০ গী মতুংদা পুথোকপনি। কালিকা পুরানগী ঈগী অধ্যায়দা শা, উচেক অমসুং মী হাৎপগী মরম তাকই। মী হাৎপা অসি য়াই হায়বগী প্রমাণ কয়া পীরি। মণিপুরদা তন্ত্র অমসুং শাক্তগী মওং অসি চপচাবা হিন্দুগী মওংদা চঙশিন্নে। মৈতৈশিংনা দশা য়েংবগী মতাংদা দেৱী দশা কৌবা মথল অসি কয়া চৎনরকই। পাজিনা অনাবা মীগীদমক দেৱীগী মথল কয়ানা পীবা কল অমসুং ফত্তবা অদু ডাকথোরবা কয়া য়েংই।

দেৱী লাৎপা মরু ওইবা মকম শঙ্গনি। উরিপোকী লাই-খুরেম্বী, মোইরাংখোমদা লৈবা কালীমাইগী লাইশঙ অমসুং ইম্ফাল-দগী মাইল ৬ লাপ্পা মখারোমদা লৈবা হিয়াংথাং লাইরেমবি। দেৱীবু কত্যায়নি নক্রণা কৌশিক কৌড়না শাগৈগী লাইগুম্বা ল ইখুরেম্বিবু তাইবুংখম শাগৈনা য়েন্নেল ভৈদগী লাংককই। লাইকম অসি হুরানবা অদু মশক খঙগে অমসুং মণ্ডোন্দা অরাবা তাংনবিবু শাঋবগীদমক পোৎ মাঙবা মপুনা থুকম্ববি। পুলিনসেন্দ শর্মবা কালীমাইগী মকমসিস্ত য়াম্না কিনা তৌনবা লাইকমনি। ওঙদবদা কাংগী পম্বুনা রাশকপদা মতিচাবা চৈরাক ফংই। শান্তিদাসনা খোংনাংথাবগী মকমদা মাইথীবা ফংলবা মতুংদা মোইরাংখোমদা মাগুব শাদুনা দেৱী ঈরাৎলি।

খাইদগী যমিং চৎপা লাইকমদি হিয়াংথাংদনি। মসি ক্যাম্বগী মচানদা খরাং লৈশাংখেমগী নিঙেঙ্গোল অমনা হিয়াংথাং লাইরেম্বী

ওইখিবগী ম্রাখী লৈ। মণিপুর ইতিবৃত্তগী লামায় ৪১—৪২ দা অসুম্না পল্লি। "....শান্তিদাসনা হায় ঐনা কাবা লাইদগী হৈগোপকী লাই অসিদি লৈহৌরে অদুবু কাক্লখিগে হায়না কুমকলে। হৈগোপ য়োম্বদা লম্বোইবনা অসিদা লৈবা লাইদি করিনো হায়না কৌবদা লাইরেম্মনা হায়, ঐদি দেবীনে ইমিংদি দুর্গা কৌঐ। লম্বোইবনা হায়, হে ইবেম্মা! নঙদি তাইবংপানবগী মবেম্মনে ঐবু হাংপিগনু, নঙগী পূজা তৌজগে হায়রবদা দেবীনা লম্বোইববু নম্বা থাদেকই। লম্বোইবনা দেবী পূজা তৌরে, অদুদগী হন্নক্লে। লম্বোইবনা নিংথৌদা হায় - হে নিংথৌ! নঙগী লৈপাক অসিদি দেবীগী লৈপাক্লি চীং অসিদা দেবীগী খুবম শেমলো। দেবী পূজা তৌরো, সান্তিদাসনা হায়বা মতু ইন্না খুবম শেমলে। ইরাৎ থৌনি পূম্নমক তৌরে। শোক ১০৩৯ দা যুব অহনবা মচা অমা শারে। মেরা থাদা গুরুচন লাইমিং লৌরে নিংথৌনচিংবা লৈপাক পূম্নমক। অদুগী মতুংদা নিংথৌগা সান্তদাসকা হৈগোপতা দেবী পূজা তৌরম্মি।"

ভাগ্যচন্দ্রনা পানবা (খৃঃ ১৭৭৩—১৭৯৮) মতমগী খৃঃ ১৭৯৩ দা কাক তানবা হৌদোকই হায়না কুম্বাবদা পল্লি। নিংথৌ অসিনা গৌরধর্ম্ম লৌদুনা কলচবদা অনৌবা পূল্লি হাপখি। অতৈ কাঙবু চৎপদা তাথীবা তৌদে। পোৎশেম হৈবা অমসুং ভক্তি য়াওনবা মচৎ অদুদি তাস্লোক্লুনা দগ্তি পীখি। মথংদা চৌরজিৎ (খৃঃ ১৮০৬ —১৮১৩) না মন্নাম্বা মধুচন্দ্রগী লান লাকপা মায়য়োক্লগে হায়দুনা হিয়াংথাংদা অচৌবা যজ্ঞ তৌখি। মতম অসিরাইদগী নিংথৌ খুভম কল্লকপা অমসুং লান পাম্বা নিংথৌমচা খুদিংমক্লা দেবী পূজা তৌনবা, লান তম্বা অমসুং ভক্তগী লাইনীং ইনবা যুগনি। লান য়াওখিব মী পূম্বা দেবী যন্ত্র শীজিন্নবা অমসুং কালী মন্ত্র চৌন্দা পুনবা মতম্লি। চন্দ্রকীর্ত্তি খৃঃ ১৮৫০—১৮৮৬) মহারাজনা পানবা মতমদা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী পম্বেং অয়োবীদা চাওখৎপা মতম্লি। শাস্ত্রগী ম্রাখল অমসুং কলচরম্ মাগী মতমদা অয়োবী কুংখি। লাইরেম্বী অসি মেরা থাদা

পূজা তৌবা, ধূমেন কৎপা অমসুং লৈথোকনা শাড়ুনা লাৎপা মাগী মতমদা হৌখি। দেবীগী লাইশঙ কয়া মকম কয়াদা শাহনখি। নিংথৌ অসিনা শাক্ত কলচরদা চঙশিনবগী মরমদা হায়নবা লৈ। ধর্ম্মগী নিয়ম, নীতিগী মতুং ইন্না শাক্ত কাওবু অসি দক্ষিণ মার্গ, বাম মার্গ অমসুং কৌল কৌই। খুংইদগী হেনখিবা কাওবুসি কৌল হায়-বসিনি। মীথোই মীহেনবা পাপ্পা শাক্ত কাওবুসিনা অহৌং লোংমাই-রাইদা মী ত'দবা অচিকপা মফমদা সেবা সাধন তৌই। মীকুম-কম মোংফম মথক্তা পূজ অসি তৌই। লোইফিচৈদা মী শঙলবা নত্রগা নোংঙাললবদি ঙাওই হায়। তমথৎলকপা মীওইনা নত্রগা মীথোই মীহেনবা পামদবা কাওবুনা মসি তৌনদে। থৈবা গুরুনা লমজিংত্রবসু অমাঙবা ওই। ভৈরবী চক্র অমসুং লতা সাধন কৌবা নুপীগা পূজা তৌমিন্নবা পূজাসু লৈ। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ তৌবা ঙম্বা অমনি। মহারাজ ঈশ্বর হায়ন'র। অঙাং ওইরিঙৈদা কাছারদ লৈবা কালদা পাঙল অশিবগী মোংফমদা ফমড়ুনা কৌলগ সধন তৌখি হায়না পণ্ডিতশিংনা মোৎপী। মণিপুরদা নিংথৌ ওইরবা মতমদসু অহৌং সাধন তৌই। নোংমাইজিং বৈষ্ণবী কৌবী দুর্গাদ পূজি কৎথোক্লবি অমসুং ভুংগী রা হয়বী অমা ফাওব। মহাক অসি অরবিন্দগী থবক্তা মাপ্পরনা, বিবেকানন্দগী থবক্তা সিস্তর নোভদীতানা ওইবগুম্না মহারাজগী শাক্ত সাধনা মতেং পীবিনি।

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতম অসি ব্রিটিশনা লৌশিং তৌড়ুনা মণি-পুরবু মথোয়গী সম্রাজ্যদা হাপাচরবা কয়া হোৎনখি। মণিপুরগী মনীংতম্বা হায়রবদু মুৎলমদাই থাউমৈনা ঙানবগুমলে। তমগী মৈতৈপা চৌংগী চৌংমী কয়াখকমগা পুনশিন্দুন অকনবা লৈবাক অমা শেমড়ুনা মপানবু থিংবগী রাখল অও ফজন শেত্রে। কাওবু পুম্বা মথোয়না পোকচবা মমা লৈবাক্তা লমলানবা ওইড়ুনা মরিংচেন রাংলকপা অমসুং মাইথীবগী থুরম খোঙথাং থুদিংদা কংলক্লে। সাসনগী মতাংদা থুক্ত থিংজিনবদা নত্তুনা মণিপুর অসি ইংরেজশিংনা ঙাক শেনবদি

লৈবাক মনুংগী নিংথৌমচাশিংগী লান, চৈংমীগী হৌরকপা লান অমসুং বর্মাগী লান্দগী পুম্মাং মাঙবা য়ানা লৈরে হায়বা থঙলে। নিংথৌ অসিদা মনা মথিন পীশিন্নুনা মথোয়গী মথুং চনশিল্লে। জিলা দরবার চঙবদা বড়লাট সাহেবনা লম অসি বর্মাদগী করম তৌনা মনীং তথা ঙমগদগে হায়বসি মতমচুপ্পদা থনখি। তান্ত্রিকী সাধন তৌদুনা মীথোই মীহেনবা ওইরগা পোলিটিকেল এজেন্তবু কিহন্নবা হোৎনখি।

নিংথৌ অসিদা নত্তনা সিংহাসনদা থরাই তাবা নিংথৌমচা কয়া-মরুম, লাম্মী মকোক অমসুং অঙম-অথৌ খিবিক শাক্ত অমসুং তন্ত্রগী অভ্যাস তৌখি। লম্মাইগী ওইনা মতম অমসুং মফম য়েংদুনা দেবী নীংবনি। শুক অমদা লাইমিং লৌদুনা লৈবাকী ওইনা শাক্ত ধর্ম্ম চত্তে। কৌল নত্তবা দক্ষিণমার্গ অমসুং বামমার্গগী কাঙলুপসু মণিপুরদা ফংখিদে। দুর্গা পূজাগী মতম অমসুং লানগী মতমদা দেবী নীংবা নত্তনা শাক্তগী ফিজেৎ, চন্দন মথিন মায়দে অমসুং রুদ্রাক্ষ মালা শিদে। ক্লি অঙাঙবা, লৈ অঙাঙবা পূজাদা য়াওদে, মৈতাল অদু ঘীদা লপ্পগা লাইবক্তা মুত্তনবা খুদম ও থক থাবদু লৈবাক অসিদা ফংদে। যু, বলি কৎপা অমসুং শা চাবদু মনা মশীং, মুবি, খোংক্রমদা শিল্লি। ভাগবত পুরানগী নিয়ম কয়া ঙাকই। বাম মার্গ (ওইথংবা) কাঙবুগী শাক্তশিংনা ঈশ্বরদগী লাপথোক্লকপা থরায় অদু অমুক হন্নিন্নবা ম' না হোবা পোৎলম ৫ (যু, শা, ঙা, মইৈমরোং অমসুং নুপী) গী পূজা তৌই। থকপা, নুপীগা উম্নরুব', ভৈরবী চক্র লত' সাধন অমসুং হকচাং অসি মরায় কাহন্দুনা লান্দ শিদনবা অমসুং য়েরুবা থেংননবা কয়ামরুম উংলি।

মপানগী পোৎলম নত্তনা যোগগী প্রভাবগা হকচা' শেংদোরুবা পঞ্চতত্ত্ব শী'জন্নবগ্র ফংই। সাধক বীরশিংনা পূজা অসি পাঙথোক-পদা ধর্ম্মগী মিংদা পুকচেল শেংনা দর্শন থঙনা পাঙথোকনৈ।

মণিপুরদা দক্ষিণমার্গ অমসুং বাম মার্গনা মরা তাবা খুদম কংদে। মপোকপী খঙোয়রদা শাক্তনা মুংশিব মনম কংবদে অমসুং মৈতৈ সভ্যতাগী অচৌবা অচুগী পাউখুম পীখিদে।

মেরা থাদা দুর্গা পূজা মুখিং মঙানি লৈথাক নিংথৌগী ওইনা পাঙন তৌই। বঙ্গদেশতা লেন নিংথৌশিংনা হৌদোকখিবা মমুনা থৌজিক ফাওবা মুথদে। অরাং ভারতকী রামলালা অমসুং মহীশুরগী দশরাগা মণিপুরগী ফংবা বর অমসুং কাক যাত্রাদা রাবণ কাপ্পা চাংদমবা য়াই।

দুর্গা লাইরেম্বীনা মপামদা লাকপা মুখিং ৫ নি লৈরম্বগা হনখিবা কুমৈ অসি কোনুংদা নিংথৌনা তৌই। য়ুমথোং খুদিংদা অমসুং অঙাং মচাশিংনা পুনশিন্নরগা দেবী শুরম্বন্ত য়াম্না চংনৈ। লৈকাইগী ওইনা পূজা কটি শেমদুনা কুমৈ তৌবসি পংকুপ কুংগ্রি। মিউনিসিপ লিটিনা লই শাবদা অমসুং পূজ নীথীনা পাঙথোকপদা কারঙুম্ব মতেং পীবগী থবক পায়খত্রে।

লাইশাবা মীওইন লেবাক্লা দেবী শাবচু মফম খুদিম লাকনৈ। চেদা য়েকপা শঙু য়ুমথোং খুদিংদা পুজা তৌনৈ। থাংনা শাবা নুংগী মূর্ত্তি শরা তাঙই। চৈরেম্বী চীংদা যোনিগী খুদম নুংদা হজুনা থনশা অমথক ফই। দেবীগা মহিষ-মর্দিনা হাথবা চণ্ডীদা তাকপা ইরোইগী মশক লোবা হিচাবা অদু শোঙনা নেৎপা অমসুং হাৎপদু য়াম্না পান্নে। লোংশা দ্রোংঙ, জয় অমসুং বিজয়া (লক্ষ্মী অমসুং সরস্বতী) অনীবু মচানুপী ওইন লোয়নৈ। মচানুপা ওইনা গণেশ অমসুং কার্ত্তিক লোয়নৈ। খুদেনা (১০) তরাদা পূৎলাই শুনা পায়। কালীগী মঙ অমসুং চয়োন ওগী মতুংদা তৌবা কালী পূজা মণিপুরদা চাউনা পাঙথোক্রদে। বেঙ্গল অমসুং আসামদা তৌবগুম্বা ঐথোয়না অম্বুবাচী তৌদে। খুৎপাইদদি মুখিং ৫ নি ইজুনা থাই।

দুর্গা পূজা তৌবগী মতাংদা অহানবদা দেবীনা মপাম চৎলমদাইগী হৈ খাগৎলক মখোয়দা পোথাবা হায়বন্ত কয়া থাজৈ। মুখ্যৈ খুন্দিংদা হৈহক তাঙ, দক্ষিণা অমসুং চণ্ডী অনৌবা মহৈ মহৌ কৎলি। চণ্ডী অমসুং কবি কঙ্কন মুকুন্দরাম চক্রবর্ত্তীগী চণ্ডীমঙ্গল অদু থিনৈ য়ারী ওন নুপী পালা, নুপা পালা কয়া মফম খুদিংদা তৌই। মেকান্নি থবক পূজা অসিগা থান্নবা য়াদবা মওংনি।

পাং শব সুমিৎপু বর কৌই। ইম্ফালদা মাইল ও লাপ্পা লৈবা হিয়াংথাং চীদা লবা দেবীগী লাইশঙদা মণিপুরী মী খুদমক দেবী খুমজম চৎনৈ। মহৌশাদগী চৎনরকপাদ কোম্মুংগী বামনশিংনা লাইফমসদা হৌনবী পূজা তৌই। যজ্ঞ তৌবসি লৈবাককী মতুং শিনবা নিংথৌনা তৌরম্মী। মাংকন মগুন য়াওনবা মীচম পূজা কপা তৌরমদে। দেবীগী সিন্দুর লাইবক্ত নম্বসি যাম্মা লুনা তৌনরম্মি।

য়াম্মা মরুওইবা অমমা লাইশঙ থনিগী কুন্ড মপুংদা মূর্ত্তি ওইনা দেবী লাক্তে। লফু তুরানা দেবীগী খাং শাদুনা থমই। কনেক কৎলবদি মহৈ চাউই হায়না লম অসিন মীনা থম্মে। নুপীশিংনা মশাগী অমসুং সংশিং শেংনবা লাইকন আস থুরমনৈ। ঈশৈ কীর্ত্তণ অমসুং ধুমেন্নচিংবা মথল কয়া লাইরেম্বীদা কৎনি।

৪ নি শুবা সুমিৎপু বলি হায়না মণিপুরী হিন্দুশিংনা থগৈ। মখোয়না তোরবৎ, খোংক্রম অমসু ঙাম্নচিংবা বলি কন্নুনা দেবী থুরমই। মৈতৈ নত্তবা অতোপ্পা জাতিশিংনা আসাম রাইফলসগী লম্পাক্তা দেবীদা ইরোই, হামেং অমসুং উচেক বলি কন্নুনা পুরখা কৎই।

ইরোই লোইবা সুমিৎপু কাক কানবা হৎদুনা নিংথৌনা পালন তৌই। সুমিৎ ৯ নি পূজা তৌবা মফমদদি মসি বিজয়া দশমী তৌনৈ। রামনা রাবন মায়থোবা পীব. দেবীনা মহিষ হাৎপা, অর্জুনা শনকাখা লাকপা কাওবুরু মায়থোবা পীবা সুমিৎ

অসিদা ভাই। মহীশুরদদি সুমিৎ অসি অঙাংগী মহৈ তখিবা হৌই। মহাকবি কালিদাসনা দেবীগী খোঞ্জাক কংখিবা নীংশংনবা কালিদাস জয়ন্তি তৌনৈ।

মণিপুরদদি সুমিৎ অসিগী অয়ুক্তা নিংথৌনা সেনাপতি বরিবা কৌবা মতৌ উৎলি। লৈবাক্কী লাম্মীগী মকোক থোংবা সেনাপতি অহু নিংথৌমচা নত্রগা নিংথৌগী অচানবা অঙখা অমনা পুই। সুমিৎ অসিদা নিংথৌনা মাবু ক্ষত্রিয় ধর্মগী হোনবী ইন্দুনা শা-লানগী থবক পুনবা শিরৈ। মৈহৌরোল্দগী শীজিন্নরকপা থামেন চৎপা শেৎলি, রেশম ফুরিৎ লীৎলি, কোকয়েৎ য়েৎলি অমসুং খোংগম-মেলৈ (কাকলৈনচিংবা লম অসিগী ওইবা লৈ থরা) চিল্লি। নোংমৈ থাদুনা কোম্নুংদা কুমৈ অসি তৌগ্রে হায়বা লৈবাক ময়ামদা খঙ-হল্লি। সেনাপতি হাপ্পবগী শক্তক অসি সুমিৎ অসিগা মরী লৈননা নিংথৌনা ভারত সরকারগী তলব ফংবা মতম ফাওবা উৎলম্মি। মৈত্তে নিংথৌগী সেনাপতিগী ফম অসি ফন কুইরকাওবা সুমিৎ অসিদা উৎপা চৎনরম্মি।

সুংখিনগী মতমদা দোলাই তোংবা অঙম, অথৌ পেনা শকপা, মাইবা, মাইবী অমসুং থাঙ-তা হৈবা মীওই কয়া কোম্নুং কাই। সেনাপতিনা শামু তোংদুনা বাজাই বেন্দুনগা লোয়ননা কোম্নুংদা মহারাজগী শঙ্গাইদা চঙলকই। নিংথৌ অমসুং বিষ্ণুঠাকুরবু শামুগী সেম্বাং মহুমদা পুই ; মীয়ামসু চৎপা য়াওই। শগোল তোংবা পরেং দোলাই তোংবা, লাম্মীগী পরেং কয়ানা মাঙ থাই। ময়ায়দা সেনা-পতি অমসুং নিংথৌ শামু অনীদা চংলি। মতুংদা মাইবা, মাইবী অমসুং পেনা শকপনা থোগন ইল্লি। কাকশঙ তাম্না যাত্র তৌবসি নোংমৈ কয়া থাদুনা লৈবাক্তা খঙহল্লি।

কাক তানকম মায়কৈ পাঙ্জিশিংনা হোৎলগা পী। চৎনবা পুং-ফম অমসুং কাক কাপকম অসিসু মখোয়না তাকই। কাকশঙ

য়োরগা পানা ৩ গী থাঙ ভাদা হৈশিংবা মীওইশিংনা নিংথৌ অমসুং সেনাপতিগী মমাঙদা মরোন লোন্দুনা কুমৈ উৎলি। চীংমী কয়াসু থাঙ-তা উৎলি। কুমৈ অসি মৈতৈ, চীংমী অমসুং পাঙন পুম্বা য়াউনৈ। সাহেবশিংনা প্যাল্লিইঙদা মখোয়সু মমিৎ থিৎনা য়েংই।

শগোন তোংবা, অয়াম্বাই শূবা মীওই খরনা কাক কাপ্পা নত্তগা রাবণ কাপ্পা উৎলি। উকাই কাপ্পসু কৌনৈ। কাক চৎখিবগী মায়কৈ য়েংদুনা লৈবাক্কী অক কত্ত কয়া লেপ্পরম্মি। কাক কাপ্পুবগী পাউ সেনাপতিদা তম্নগা পান লান্দুনা লাম্মীশিং অদু ফমফমদা ফমহল্লি। মাইবী জগোই, পেনা নচিংবা তৌরগা শুন্নমক কোনুংদা হল্লকই।

অহীং অথেংবদা দেবীগী মুর্ত্তি অদু কোনুংগী থাঙপাত্তা থাদবগী থৌরম তৌই। হি ২/৩ পুনশিল্লগা লাইমাঙদা খূবাক-ঈশৈ, পালা অমসুং যাত্রানচিংবা কয়া উৎলি। থাঙপাৎকী অকোয়বদা মী লেপ-তুনা লাই খূকৈয়। চেবোন, মৈকাপ্পী অমসুং মৈগী কুমৈ কয়া উত্তুনা ভাবোকপু সুংঙাইহল্লি। অয়োইবদা মুর্ত্তি অদু ঈশিংদা থাদৈ। কুমৈ অসি মণিপুরগী সামাজিক পুন্সিদা তত্তনা মমি তারকই।

মথক্তা শাক্ত কলচরগী শক্তক কয়া মণিপুরগা মরী লৈননা নৈনম্রে। শাক্তশিংনা সতীদাহ মুথৎপা, নূপীগী অধিকার পীনবা অমসুং মহৈ মশিং তম্নবা সংস্কার কয় তৌখি। শাক্ত দর্শনদা নূপী পুম্বা মরুওইনা মমাবু অচৌবা ফম পী। নূপীদা খীনা চৈবা, জাতি ভেদ নাইবা অমসুং রাহনবা য়াদে। ঈশ্বরবু ইমা ওইনা পুবা রাখল অসিমক লৌজিক্কি নূপানা তুহৎলবা জগৎ অসিদা য়াম্না পুক্নিং হুনিঙাইনি। জ্ঞান ভক্তি অমসুং কর্ম্ম তোংনদুনা তাইবংদা লৈবা মীবু লাইগী থাক য়োংনবা দর্শননি। অপেনবা থিবা অমসুং সংসার থাদোকপা সন্যাসগী মচল অনীমক পুনশিনবা মশকনি।

খৃঃ শতাব্দী ১৮ শুবদা সাধক রামপ্রসাদ অমসুং মশীং থীঙমত্রবা সাধকশিংনা বঙ্গদেশতা কলত অসি ময়েক শেংনা শন্দোকখি।

খৃঃ শতাব্দী ১৯ শুবদা রামকৃষ্ণ পরমহংসনা কালী নীংথৌনা অরান খুভম ফংখি। লাইরিক হৈতবা বামন পুরিৎ অমনা ইচম চম্না লাইশঙ অমদা কালী মূর্তি অমা লাৎলগা পৃথিবীগী ধর্ম্ম পুম্নমক্কী তিন্নকম শেমলগে হায়বা উৎলি। শাক্তগী পূজা অমসুং চৎনবদা লায়া লৌরম্বা কয়া শেংদোকপীখি। মাগী শিষ্য স্বামি বিবেকানন্দ অমসুং রামকৃষ্ণ মিশনগী লম্বোইবশিংনা শাক্ত দর্শন অমসুং হিন্দু ধর্ম্মগী রাখল কয়া শন্দোক্লুনা জগৎ অসি ঙকহনলি। ঋষি বঙ্কিম-চন্দ্রনা মীগী অইবা লাইরিক কয়াদা ইমা নীংবগী দর্শন অতু মী খুদিংদা কাউদনবা থম্বিরমলে। ২০শুবা খৃঃ শতাব্দীদা অরবিন্দ ইমা লাৎপা জগৎনা শকথঙবা দশর্নিক অমনি। মপুক্সিচুপ্পা তান্ত্রিক অমসুং শাক্ত সাধন তৌদুনা মাগী পূর্ণদর্শন পুথোকখি। ইমা নীংবগী অনৌবা মশক অমা মাগী দর্শন্দা নৌহৌনা ফংই। Conscious force (চিত শক্তি) গী শকলোন অমসুং শক্তি মশীং য়াম্না লৈপ্রে। ঐ-খোয়গী সুঙাইরবা জগৎ অসি মানা শেমই; মথকলোমদা ঙাকপদা নত্তনা কুমথবিরদুনা ঐখোয়দা থৌজাল উৎপিরি।

পুরানগী প্রভাবতা দুর্গা লাৎপা নত্তনা অনৌবা মথনগী শাক্ত-দর্শন অসি মণিপুরগী হিন্দুশিংনা চত্তে। স্কুল, কলেজগী লাইরিক্কা অমসুং নৈনবগী মতাংদা রামকৃষ্ণ, বিবেকানন্দ অমসুং অরবিন্দগী রাখল থরা থরা নৈনৈ। লম্বোইবগী পুক্সিদা চংশিনবা অমসুং মপুক্সিদা চপচানা ইমা লাৎপগী নীতি ইনবদি মণিপুরদা ফংদ্রি। শাক্ত কল-চর অমসুং ধর্ম্ম মণিপুরদা পোকপা অঙাংনি হায়বা য়াদে। অদুমন্দি ওইরগা ভারতকি নোংপোক চিদাই মণিপুরদা মসি য়োকখৎপা অমসুং চাওখৎপা ওই হায়নীংই।

মণিপুরদা তন্ত্র অমসুং অরোনবা মহৈ চাওখৎলকপা

তন্ত্রগী নিয়ম হায়বদি মন্ত্র শীজিন্নবা, হকচাং নুংঙাইনবা থকপা, খুদোংথীবদগী ঙাকথোক্নবা হীদাক অমসুং মন্ত্র শীজিন্নবা অসি মমাঙ-ৈঙগী মীওই খুদিংদা ফংই। কাঙবু অমগা অমগা হৌফম অমসুং সভ্যতাদা মরী লৈনব্রবসু তন্ত্রগী ধর্ম্ম অমসুং দর্শন অসি মফম পুম্নমক ওইনা মমাঙৈঙদগী ফংখি। তন্ত্রগী অর্থ অসি তোঙান তোঙান্না শীজিন্নে। ইন্দ্রিয় চুম্না থবক তৌহন্দুনা মী অমবু ঈশ্বরগী শক্তি য়োং-হনবা নিয়মবু তন্ত্র কৌই। অপুনবা কয়া লংথোকতুনা মীবু অয়ান খুভম পীবা লম্বীবুসু তন্ত্র কৌনৈ। জ্ঞান শন্দোকপবুসু খঙনৈ। জগৎ, শেম্বা, মাঙহনবা, নুপা অমসুং নুপীগী অথুপ্পা মওং তম্বীববুসু তন্ত্রগী মথৌনি। লং মশিং অমসুং মিয়াংনচিংবা পুনশিন্দুনা করিগুম্বা অমা থোক্নবা শাগৎপদুনু তন্ত্রনি। হায়না চৎনরকপা হৌনরোন অমসুং আধ্যাত্মিক ওইবা ইরেপ লেপ্তুনা চেম্বরকপবু তন্ত্র হায়না লৌনবসু য়াই। তন্ত্র অসিদা মিত্রং, যাদু, কিহন্নবা অরোনবা মহৈ, মী অমসুং শা হাৎপগী প্রভাব য়ান্ন ফংই।

তন্ত্র অমসুং অরোনবা মহৈ—তন্ত্র অসি অরোনবা মশক উদবগী মরমদা নৈনবা বিদ্যা ওইনা লৌনৈ। স্বর্গগা ঐখোয়না লৈবা মা-লেমসিগা অনীগী মরক্তা মিৎনা উদবা পোৎশক কয়া লৈরি। ঐখোয়গী পৃথিবীদা মগোয়গী থবকী ফল তাহল্লি। অরোনবা মহৈ Occultism কৌদুনা ঐখোয়না নৈনরিবসি তোঙানবা জীব অমসুং শক্তিশিংগী মরমদা হন্দুনা নৈনবা মখল অমনি।

মশক উদবা অমসুং লোৎপবু অরোনবা কৌই। মসি কন্না নৈনবা মীওইদদি মশক উত্রবসু কান্নবা কয়া পী। মন্ত্র, পূজাগী মতেংনা মশক উদবা কয়াবু ঐখোয়গী কান্নবা শীজিন্নবা য়াই। বিজ্ঞানগুম্বা

মহৌশাগী নিয়ম অমসুং আইন মসিদসু ফংই। বিজ্ঞানগী তোঙানবা হায়বসু থৌদোক অমা থোকপদা লাইভীন অমসুং ধর্ম্মগী রাকম পুশিল্লকই। ঈশিং চাউবা, মৈ চাকপা অমসুং নোং তাদবা অসিন-চিংবা লাইনা থোকহনবনি হায়না লৌই। জি, জে, ফ্রাজরনা বিদ্যা অসিবু ;(Homeopathic) (মান্নবা আইন নত্রগা মতৌ চুপ্পা) অমসুং Contagious (শন্নবগী আইন) হায়না থায়দোকই। মান্নবনা মান্নবা পোকহল্লি হায়দুনা মী অমগী মূর্ত্তি শারগা মৈ থাবা অসি অহানবগী খুদমনি। অনৌশুবা মথনগী খুদমদি মীগী মখুজিন অমসু মশম্নচিংবদগী মী অদু মাঙহনবা ঙম্মি হায়বসিনি। অককপা পোৎশিং অসিদগী শেমজনবা ঙম্মি মরমদি হান্না পুবা লৈমিন্নরম-নিনা মতুংদসু লৈমিন্নগনি হায়বা ভাবনি। পোৎশেম অমসুং যাদুগী মশক অসি ভারত্তদি অথর্ব বেদগী মতমদা পান্নরক্লে। অরোনবা মহৈ (Occultism) গা মিনমতুনা তৌবা মিত্ররংগা থেম্নে। খুৎকী চালাক্লা মী ঙকহনবা অসি মীনম্বা মথন্নি। ভোজ ব্রাহ্মণশিংনা ভারত্তা হৌদোকখি হায়নৈ। তৌইশুমসুং অরোনবা মহৈ অসি মীওইবগী হেন্দোকখিবা শক্তিগী মতেং লৌই। বেদ অমসুং তন্ত্র হিন্দু ধর্ম্মদা পুজাগী মওং অনী ফংই— (১) বেদ অমসুং (২) আগম মথন অনী অসিনি। মমৈথংদা চাওখৎলকপা হিন্দু ধর্ম্মগী রাখন্দা আগম নত্রগা তন্ত্রনা বেদগী মহুৎ শিনখ্রে। পণ্ডিত খরগী মত্তা তন্ত্রনা বেদদগী হান্না পুই। সিন্ধু সভ্যতাদা ফংবা যোগ অমসুং যাদুগী মথন অদু তন্ত্রনি হায়নৈ। ব্রাত্য কাঙবুনা ভারতকী কাশ্মীরদা হৌদোকখি হায়নৈ। অতোপ্পা পণ্ডিত খরগী মত্তা তন্ত্র অসি বেদদা যুম্ফম ওই, থেন্নদে হায়না মত পী। বেদনা সত্য যুগ স্মৃতিনা ত্রেতা যুগ পুরাননা দ্বাপুর যুগ অমসুং আগম নত্রগা তন্ত্রনা কলিযুগকী চৎকদবা ঈশ্বরনা ফোংলকপা পোৎনি হায়।

তন্ত্রগী মতম লেপথোকপা অমসুং মরুওইবা মফমশিং— তন্ত্র অসি বেদদগী হৌখিবরা নত্রগা তোঙানবরা হায়বা রাকম অসি পণ্ডিতশিংগী

মত থোক্ষবা লৈ হায়বা পজরে। তন্ত্রগী পূজা অমসুং মচাক খরদি ঋক বেদদা য়াওই। অথর্ব বেদগী মতমদদি তন্ত্রনা মপুং ওইরে। কুরুক্ষেত্র লানকমদা ভারত অসি তুম্না মাঙখিবদগী অনৌবা সমাজ অমসুং ধর্ম্মগী মওংনা মীওই কয়াবু য়োকখিবসি তন্ত্রননি হায়রি।

ইতিহাসকী মতমদা খৃঃ ৭০০ তগী তন্ত্রগী নিয়ম পাক্লরকই। অরাং নোংপোক ভারতকী খৃঃ ১২০০—১৭০০ ফাওবগী কলচরগী ইতিহাসতি তন্ত্রনি। অয়োনবা বিস্তা অহানবদা চীন্দা পুনরস্থলগী লাইরিক ওইনা ইথোরখি। ফত্তবা মীনা মন্ত্র অদু ফত্তবা থবক্তা শীজিন্নগত্রা হায়বগী চিংনবনা পণ্ডিত অয়াম্বনা লাইরিক ওইনা ইনবা পাক্লখিদে। ইনবা লাইরিক্তা সংস্কৃত অশেংবা নত্তবা, শেংদবা য়াহৈ অমসুং য়ানশিনবা কয়া ফংই। মমৈথংদা ইনরকপা লাইরিক্তা টিব্বত, আরব অমসুং চীনানচিংবা লমগী লোন য়াওশিল্লকই। লোন য়ানশিল্লগা তন্ত্র অসি সিদ্ধ ওইবা হেল্লি হায়বা ভাব পোক্লখি।

তন্ত্রগী সাহিত্য অসি মৈহোরোন অমসুং মমাঙতৈগী থাজনরবা অদু শেমগৎপদা য়াম্না কায়ে। বেদ পাম্বা ব্রাহ্মণশিংনা ভারতত্তা পানবা মতমদসু তন্ত্রবু তুকচনা য়েংদুনা মাঙহনখি। পণ্ডিতশিংগী মতম্তা ভারতকী অরাং নোংপোকথংবা লমদম অসিদা ধর্ম্ম, দর্শন, পূজা অমসুং সামাজিক জীবনদা তন্ত্রগী প্রভাব য়াম্না কল্লি হায়নৈ। আসাম অমসুং বেঙ্গল অসি তন্ত্রগী মফমনি হায়না কিনৈ। মহাযান তন্ত্রিজম কৌবা বৌদ্ধগী তন্ত্র অদু নেপাল, ভুতান অমসুং সিকিমদা ফংই। টিব্বত্তা বোণ ধর্ম্মগা মহাযান বুদ্ধিজমগা য়াম্নবা লামাইজম কৌবা মথন অদু খৃঃ ৭০০ তগী পাক্লখি। বর্ম্মাদদি মহায়ন ফংদে; সিংহল, শ্যামদগী হীনয়ান বুদ্ধিজম লাকখি। হায়গী পুরিৎশিংনা চৎলম্বা অরিবা ধর্ম্মদা তন্ত্রগী মচাক য়াম্না য়াওই। হিন্দু ধর্ম্মগী শক্তি, সিদ্ধ, নাথ কপালিকা হায়বা কাঙবুনা তন্ত্র ইল্লী। সুমিৎ, থা, শনি খুরুম্বা কাঙবুদসু ফংই। বৈষ্ণব ধর্ম্মগী সহজিয়া পঞ্চরাত্রদা তন্ত্রগী মচৎ থম্না য়াওই। বৈষ্ণব ধর্ম্মগী আগমদি বেদদগী লৌই। শক্তি লাইনীংগী

পূজা মতৌদি মপূং ওইনা তান্ত্রিক চৎলি। মণিপুর অমসুং তন্ত্র সাহিত্য— তন্ত্রদি ভূগোলগী মতুংইন্না ক্রান্তি অহুম খায়দোকই। বিন্ধ্যা চৌংগী অরাংথংবা লমদমগী মহাচীন য়োনা শন্দোকখিবা লমদমথৈ রথ ক্রান্তনি। মণিপুর অসি রথ ক্রান্তদা থম্বা য়াই। মণিপুর হায়বা মিং অসিমক য়ালেমগী ময়ায় হায়বা তন্ত্রগী অর্থ লৈবা য়াহৈনি। তন্ত্রগী মকম ওইরকই হায়বসি মন্ত্র মখল শীজিন্নবা, ভূত তাম্বোকপা, লাই অথোইবা কাজিনবা অমসুং অনাবা য়েংবগী মরমদগী হায়নীংই। হান্না চৎলম্বা ধর্ম্ম (animism) অমসুং হিন্দু তন্ত্রগী চৎনরোন কয়া ফংই। বর্ম্মা অমসুং বৌদ্ধ ধর্ম্ম চৎপা নোংপোক লমগা তাইনবা লম ওইবনা বৌদ্ধগী প্রভাব কয়াম্রু মমি তাকম থোকই। তন্ত্র শাস্ত্র কয়া পায়রকপা মতমদা সাহিত্য কয়া থোকখি হিন্দু তন্ত্রদি শিবগা পার্ব্বতীগা য়ারী শায়বা মওংদা অথুপ্পা কয়া নৈনৈ। তন্ত্রনা শরুক মরি-থক তথী (১) জ্ঞান পাদদা জগৎ শেম্বা, মী ওইরকপা নৈনৈ। (২) যোগ পাদদা পুক্নীং অমসুং হকচাংগী অচুম্বা কয়া পী। হকচাং মসুং মপানগী তৌগদবা সাধন নৈনৈ। (৩) ক্রিয়া পাদদা মীনা সমাজদা তৌগদবা অমসুং মতেং লৌনবা অদু পীরি। (৪) চার্য পাদদা মীশক থেন্নবগী মতুং ইন্না হৈনগদবা নীতি, লাইনীং অমসুং চান্নগদবা থবক তাকই। পূন্না লৌরবদা তন্ত্রগী অপাকপা সাহিত্য পূম্বদা পূজা অকুপ্পা ময়েক শেংনা তাকই। ভারতকী মফম পূম্বদা চৎলিবা লাইনীং লম্বী কয়া তন্ত্রনা মশক হোংহনবগে হায়বসি ধর্ম্মগী ইতিহাস চাংদম্নদুনা নৈনবদা থগবা ঙমই।

মণিপুরদা চৎনবা অমসুং লৈরম্বা তন্ত্রগী সাহিত্য মশীং থাবদা য়াগনি। অতৈ লোন য়াদ্রবা মৈতৈ লোন অরিবদা য়াওবা শ্রীশ্রী হায়বা লাইরিক অসি তন্ত্রগীনি। লাইরোন হৈবা পণ্ডিতনা লাই হরাওবা অমসুং সংকীর্ত্তনদা তন্ত্রগী মফম—মৈতৈগী লাইনীং লম্বীদা লাই হরাওবা অমসুং সংকীর্ত্তন হায়বসি অয়োবা ওইরি। সংকীর্ত্তন অমসুং রাস লীলা অসি হায়গী লাই হরাওবনা কয়ামুক মশক শেম্নবগে

হায়বদুসু ময়েক শেংনা লৈ। লাই হরাওবা অমসুং সংকীর্ত্তন (রাস) দা তন্ত্রগী মচাক কয়ামুক তিনশিনখিবা অমসুং খাইদোকপা য়াবগে হায়বদু পনবা য়াই। লাই খুরুম্বদা নৌংশিবা মী অদুগা অমতনি হায়বসি মতাং খুদিংদা পলি। লাই নৌংশিবা নুপা নত্রগা নুপী অদুনা পুকচেল লেপ্পা, মশা শেংদোকপা অমসুং মপুকচেল তিংবা অসি লাই হরাওবা অমসুং রাসতা য়াওরি। মওং কায়বা অমসুং ফত্তবা থোক্লকপা, অসি মপুকচেল শেংদবদগী লাকই হায়না কয়া পুনৈ। ভূতশুদ্ধি কৌবা তন্ত্রগী মওংসু মসিদা শেংনা ফংই। লাই হরাওবদা লাইগী মূর্ত্তি অদু কোম্মায় হাপ্তুনা মশক নাইবা মগুণ লৈবা ঈশ্বর ওইনা শাগৎলি। তান্ত্রিক সাধনদা অহানবদদি মূর্ত্তি পূজা তৌই। লাইগী মহুৎ চেদা য়েকপা, ফোটো নত্রগা শালগ্রাম নত্রগা লিঙ্গ ওইবা য়াই। মওং অসিমক মাল্লবা উই। ভারতকী সংস্কৃতিদা লনগৈ ওইরবা মূর্ত্তিদা থবায় হাপ্পা প্রাণ প্রতিষ্ঠা কৌবা তন্ত্রগী চৎনবী অমা লৈরি। লাই হরাওবদা হৌরি ফানবা কৌদুনা লাইনিংথৌ লাইরেম্মাগী থবায় হাপ্লগা পূজা তৌই। লাইশঙদা লাৎপা মূর্ত্তি পূজা অসুম তৌনৈ। পূজা লোইরগা লাই অসি চৎহনলিবা অমসুং হকচাং অদু ঈশিংদা থাদবা বিসর্জন তৌবা চৎনৈ। হায়রগী লাই হরাওবদা লাইকাবা অমসুং লোইসনবা চৎনৈ। অতোপ্পা য়াম্না মক ওইবা অমনা ন্যাস হায়দুনা খুৎশা মতোম্না অমসুং য়েংকী খুবাক্তা মরোন য়াউনা হকচাং শোকই। হকচাংগী মফম পুম্বু লাইগী লৈফমনি হায়দুনা ভাবনা তাকপনি। লাই হরাওবগী মতাংদা হকচাং শাগৎপা তাকপা ওইনা হকচাংগী কায়াৎ পুম্বা শোকই। অতোপ্পা খল্লগদবা অমনা লাইগী মন্ত্র অমসুং তৌরিবা পূজা মখুংগী Psychological) অমা অমসুং মপানগী মত (physical) ওইনা পুই। ঈশ শঙ্কগা জগোই শাবদা খুন অদু চাওখৎপা ঙমলোই হায়না চৎনরম্মি। খৃঃ ৭০০—৮০০ অদুরাইদা মণিপুরদা চৎনরকই। মমাঙদসু চৎলবগী মতাং কয়া ফংলে। তুংগী নিংথৌরোন কয়াদা শেমদোকুম্না

চৎনখি। নিংথৌ খোঙতেকচাগী মতমদা তন্ত্রগী মওং অমসুং মন্ত্র কয়া থাজনরে হায়বা শ্রীযুদ্ধজাউ সিংহনা পুখোকপা কোরি কোম্পাক্তা সাক্ষী ওই। পাকন (কুণ্ডলিনী) (শক্তি) অমসুং পাখণ্ডবনা লৌনগী মশক ওইদুনা লৈবা কালদা ইনখিবা লাইরিক পুম্বা তান্ত্রিকী প্রভাবনি। মাইবা কাঙলোন্দা মন্ত্র অমসুং হকচাংগী শিংলিগী মরমদা পুখোকখিবা লাইরিক কয়া অদু তন্ত্র ওাক্তনি। থেবরোন কৌবা লাইরিক্তা তান্ত্রিক নিয়মগা অনাবা য়েংবা তাকই। মৈতৈগী শুবিকা হায়বা লাইরিক অসি অয়েকপা ওাক্তনা মপুং ওই। শিবগা দুর্গাগা অনী বারী শাবনগী মওংদা মণিপুরগী চৎনবী কয়া য়াওরি। লৈচিনলোন অমসুং খরগী পুংকম য়েংদুনা তুংগী অফ কত্ত হায়বসি তন্ত্র চৎলখগী সাক্ষীনি। উমং লাই হরাওবদা শরীক শীজিন্নব, অরোনবা লাইরোন কয়া য়াওবা অমসুং তৌহৈবা কয়া য়াদবগী মওং কয়া লৈ। তান্ত্রিক যুগতা চৎনরম্বা মথননি। খৃঃ শতাব্দী ১৭ শুবদা ইথিবা হাওবমচা পুরাখগী শলাই ৭কী বাকম অসি তন্ত্রনা মপুং ওই। মন্ত্র শোলিবা অসিদা সংস্কৃতকী বাহৈ হাপলে। শলাইগী পূজা তৌকম মকম থায়দোকপা, পোৎলম তোঙান তোঙাক্না পীবা, পুংকম, সুমিৎ তোঙাক্না লেপ্পা অসি তন্ত্রশাস্ত্রগী মওং লৌবনি হায়নীংই।

শান্তিদাস গোসাঁইনা ঈনশিন্দুনা নিংথৌ পামহৈবনা থাদোকখিবা পুরান মরাম অসি পোৎশেম অমসুং তন্ত্রগী ওইবা লাইরিক ওাক্তনি হায়না মত পীনৈ। ভক্তি ঈথক কারকপদা তন্ত্র অমসুং দর্শন য়াওদবা মিক্সংগী লাইনীংনা অয়ান খুভম পীবা ওংলোই হায়বা মত অমসু চৎনরম্মী।

পণ্ডিত খরনী মত্তা মমুংগী মনবিজ্ঞানগী ওইবা অর্থনা মপানগী অর্থদগী হেন্না লৌনৈ। হকচাংগী মকম পূখদা মকওইবা লাইশিংগী লৈফম থোম্মুনা তাকই। অদুনা লাই হরাওবগী নিয়ম পূজা ইশাগী অংলোংবা মশক অমসুং জ্ঞান ফংনবদা পুই। তৌইণ্ডবগুং অধ্যাত্মিক

অর্থদি অচম্বা মীনা খঙনদে। অরুবা সাধন অসি মৈতৈ লাইনাংদসু ময়েক শেংলম্মি।

লাই হরাওবা অমসুং রাসকী মওং অসি মৈতৈ অমগী পুন্সিদা অরুবা দর্শন অমসুং অধ্যাত্মিক ওই। কৎলিবা পোৎলম, শরুলীবা লাইয়োন, শারিবা জগোই খুৎথেক পুম্বা অর্থ চেন্নি। খজিকং শোয়বদা অমুক হনবা তাই। তৌহৈদে হায়না চেকশিন্না তৌনৈ। তন্ত্র সাধনদসু খোঙথাং খুদিংদা ঙাওই হায়না চেকশিন্না তৌনৈ।

মণিপুরদা ফংবা তন্ত্র লাইনীংগী তোপ তোপপা মশক ঃ

অতৈ লমদা ফংবা তন্ত্রগী নিয়মগা লৈবাক অসিগীগা খেন্নবা থরা হায়বসিসু ঐখোয়না তন্ত্রগী মশক থরসি লৌথৎতুনা য়েংলগা খঙই। (১) মন্ত্র (২) যন্ত্র (৩) মুদ্রা (৪) হকচাং অমসুং লায়রেং-বগী মরম (৫) দর্শনগী মতাং।

(১) মন্ত্র তন্ত্র শাস্ত্রনা ঐখোয়গী পুন্সিদা মন্ত্রগী কান্নবা কন্না তাকই। খোন্থোক্না ঈশ্বরগী মশক উৎলি। ঐখোয়না ঙাকথোক্লবা খুৎলাইনি। ঈশ্বর থাগৎপা ঈশৈনি। ময়েকশেংনা লেংথত্তুনা মশক অমা উৎলি। বীজ ওইবা খোন্থোক য়ানদবা লাইগী মশক তাকপা 'ক্লীং', শ্রীং' হায়বা য়াম্না য়াওই। মন্ত্রদা রাহৈগী মওং, অর্থ অমসুং হোংলকপা য়াম্না ফংই। তন্ত্রতগী তোঙানদবা ব্যাকরন ইত্তুনা রাহৈ খুগাইত্তুনা অথুপ্পা অহু হাংদোক্লবা হোৎনখি। লায়না ইথোকপা (Digest) গী মতেংনা মন্ত্র অসি নৈনরম্বা ফংই।

হিন্দু ধর্ম্মগী ঈথিন লাকত্রিঙৈদা মৈতৈলোন অরিবনা শেম্বা লাইয়া অমসুং লাইশোন কন্না চৎনরকই। অতৈ লোনগী মনম তাদে।

কাইনথংদা সংস্কৃতনচিংবগী মাহৈ মাতাগা মৈতৈলোনগা তিমহনা মন্ত্র শেমলৈ। ওঁ নত্রগা হুঁ হায়বা অত্রদা মাল্লা তোয়না শীজিন্নরকপা থেংলৈ। শীজন্নরিবা মন্ত্র পূম্বা য়েংবদা খরদি চানবগী •মতৌ অদু (Symmetrical) মরী উৎপদা পুথোকপা য়াই। হ্রীং গাণ গণ-পতয়ে গাণ হ্রীং, ওম হ্রীম বাজয়ে হ্রীম ওম অসিগুম্বা মন্ত্রামদগী য়েংবদা শুংঙাইবা অনৌবা লোজিকী মথং মনাউ উৎপা য়াই। মন্ত্র অমগী মপুংদা বীজ (মরু) অদু অমুক্তং য়াওবা নত্রগা হম্না হম্না য়াওবা হায়না শাগৎলিবা অদু য়েংবসু য়াই। শাংলবসু বীজ হল্লবদি কাবদা শুঙাই; য়াম্না জপ তৌদবা য়াই। কল অমসুং শক্তিদসু হয়দে হায়না গোপিনাথ কবিরাজ এম: এ: ডিঃ লিৎনা মত পী।

মন্ত্রদা শীজিন্নরিবা লোন অসি অর্থ থোক্তবা অমসুং তম্বদা কান্নদবনি হায়বা য়াওই। হৌজিকী মতমদা ইউরোপতা Analytic Philosophy অমসুং Logical Positivism হায়বা দর্শনগী ঈথক হৌরে। মাহৈ পূম্বা থুগাইদুনা লান্নি নত্রগা অর্থ থোকই হায়বা লেপ্পবা খুৎলাই পুথোকলে। লেপ্পা য়াদবা মাহৈ অদু অর্থ লৈতে হায়দুনা হন্দোকই। মন্ত্র অসি স্কুল অমসুং কলেজগী লাইব্রিক তম্বগী পারাদা য়াওকম থোক্তে হায়বসি উইতজেনস্তাইন অমসুং অয়ারন-চিংবগী মত ইল্লবদি হায়রগনি। অর্থ লৌবদি লান্নরদুনা কল করি-মতা ভাবা ওমদে। মসিগী পাউথুমদা নীংশিংগদবদি হৌজিকী চাংয়েংনা থান্নগী পোৎ কৈ কক্তে লেপ্প চুমদে। মতম মতমদুগী মতুংইন্না অক কত্ত পুই। মন্ত্রগী অশম্বা ফোরমুলা (থ্‌দমনা তাকপা আইন) অসি চৎননবা তোঙান্বা সংসার অমা লৈ। মত্তুদা কোঙ-দোকনি। মন্ত্র অদু ফৈ-ফত্তে; লান্নি মদসুং চুম্মি হাৎবসি মত্তুদা পুক্লিং ঈথক হৌহনবরা য়েংগনি। ধর্ম্মগী থোঙদদা মানা পীবা ফলনা লেপকনি। ভাষা তত্ত্ব নৈনবা, ইউরোপকী পণ্ডিত অমসু আর্য্য সমাজনা তত্ত্ববু থেচ্ছিনি হায়বদু পুমচুম চুমদে। লোংচুপকী মনবিজ্ঞান

হৈবা তাক্তুর জং অমসুং মাগী সেবকশিংনা ভারতকী সাধন অমসুং মন্ত্রগী কান্নবা অসি কুপ্না হৈনবগা কান্নবা অদু পুখোকখি।

লাইরাদা মপাঙ্গনি লৈনবা অচৌবা থরা পাওখোকপা তাই। মদু পাওখোকত্রবদি মহৈ য়ানদে। তন্ত্র শাস্ত্রগী মতুংইন্না মখাগী অসি চঙই। (১) মতিক চাবা শুরুনা লমজীংবীবা অমসুং তাকপীবা, (২) নিপা অদুনা মন্ত্রগী শীজিন্নকম, অর্থ খঙবা অমসুং মন্ত্রবু মশাগী শরুক ওইনা লৌশিনবা; (৩) থাজবা লৈবা; (৪) মকম, মতম অমসুং মথং মনাউ ওাকপা। মখোয় য়াংলবদি মন্ত্রগী মথৌ লৈতে। হন্নবা মীদগী তব্বা নক্ষ্রগা হন্নবা মীদা পীখোকখিবা কক্তে হান্নবা অথিংবা কন্নামুক উবা কংই। মসি কাওবু অদুগী অপাম্বা ওারুবা শেমখিবনি। লম খেন্নবগী মতুংইন্না মন্ত্র অমবু তোওান তো-ওানবদা শীজিন্নবা কংই। লম অসিদগী চৈতন্যগী বৈষ্ণব ধর্ম্ম চংপনিনা ঈশ্বরগা মাগী মমিং অমসুং মন্ত্রগা খেন্নদে। পূরিংনা থাজরবদি মকম মতম লৈতনা শোনবা য়াই হান্নমা লৌনৈ। অরাবা মতম, খুদোংথীবা অমসুং সুংওাইরকপা মতম পুম্বদা তান্ত্রিক বৈষ্ণব ধর্ম্মগী হৌনবী চৎলি। য়াম্না কুপথবা মন্ত্রগী মওং নত্তবা অচম্বা ঈশ্বরগী মিং শোনবনা মীওইবগী অফবনি হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা মহাত্মা গান্ধীনা উৎলগলে। পেনা মখোন, মোইবুং অমসুং পূঙগী পূঙখোম্না কত্তবা লাই তানবা হকচাংগী চক্র হায়গৎহনলি হায়।

(২) যন্ত্র — তন্ত্রগী লাইখুরবদা অখুপ্পা নমুনা (design) থরা য়াওই। লাইগী মূর্ত্তি নত্তনা যন্ত্র কৌবা মশক উত্না তাকপা মথম্মি। লাই লৌংলিবা মী অদুগী পূক্লিং চোইদনা ঈশ্বরদা চিং-শিন্নবা লম্বী অমনি। ধাতু চে নক্ষ্রগা কন্নিগুম্বা পোৎ অমদা য়েক্তুনা শীজৈ। লাই মথম য়াম্না লৈবগুম্বা যন্ত্রসু মথম য়ামই। মন্ত্র ওইন্নিবা লাই অদুগী হকচাং ওইনা উৎলি। যন্ত্রদা দর্শন, খুংশা হৈবা অমসুং য়েকখোৎপগী মওং কয়া চঙই।

মন্ত্রনা কোয়রবদি মণ্ডল হায়না খঙনৈ। মণ্ডল শীজিন্নবসি ভারতকী তন্ত্র অমসুং টিব্বতকী মহাযানা বুদ্ধিজমদা ফংই। মণ্ডলগী শরুক তোঙান তোঙানবগী মমিং, মথন মচু অমসুং থূৎশানা শেম্বগী মথন কন্না লৈরি। লৈইগী মশকসু থেঁম্নে। মথোয়গী মতেংনা পূজা তৌনৈ। সংকীর্ত্তন অমসুং রাসদা ফংই।

মণিপুরগী থেঙ্কোয়রোন্দা অয়েকপা মথন ৯ য়াওই। অমমম পাঙথোকপদা থাঙ মন্ত্রগা অগোই থূৎথেক্লা উৎকনি হায়। লাই-রেন মথেক চৎপা অমসুং থেক্লোদা য়েকলিবদি তন্ত্রগী প্রভাবনি।*

মন্ত্র অমসুং যন্ত্র অচু ভূর্জপত্র মনাদা ইবগা মসুংদা হাপ্তুনা শেম্বা খোঙজি, থূদোপ, লীক অমসুং লৈতেং কন্না লৈরি। হকচাংদা অবাবা তাদনবা পোৎ কন্না ঙক্লা, থূত্তা, খোঙদা হাপই। শিখাদা পুনবসু য়াওই; কবচ অসি শীজিন্নবগী অকুপ্পা নিয়ম ঙাকই। নিয়ম থুগাইরবা অমসুং চৎপা ঙমত্রবদি যন্ত্রগী মঙণ মাঙই। অনীংবা ফল পীদে। মণিপুরদা দেবী যন্ত্র কন্না শীজিন্নরমবগী প্রমাণ ফংই।

কবচ অসি ফৈ কত্তে হায়দুনা চাংয়েং তৌবসি মণিপুরগী মৈতৈ-শিংগী মরক্তা য়ান্না পামনৈ। মাইবা, পাজি অমসুং মহৈ হৈব-শিংনা কবচ ইদুনা অমসুং তাক্তুনা পৈশা তান্নি। (৩) মুদ্রা—মী অদুনা লাইদা সমর্পণ তৌবা মথন অমনি। হকচাংসু য়াওদুনা শোক্লবা য়াবগী তত্বনি। হকচাং অমসুং থূৎশাশিংনা অথুপ্পা শক্তি ফোংদোকই। হকচাংনা ঈশ্বরদা লোন ফোঙদোকপদু মুদ্রা কৌই। পূকসুংদা থৌরাং লোইদুনা লাইগী খনবদু অমসুং ফাওবদু মুদ্রানা মপানলোমদা উৎলি। অচুম্বা থূৎথেক শাথেক্তা লাইনা পেনবী

---

* নোট—খৃঃ চহিচা ২০ হৌগৎপদা ভারতকি হিন্দু ধর্ম্ম হজিনবগী আর্ট চাওখৎপদা; তন্ত্রনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। তন্ত্রগী abstraction অসি নোংচুপলোমদগী পূমথেন খেন্নৈ। মমিং চৎলবা আচিস্ত কে, পালিকর অমসুং এম, মজুমদার খোইনা তন্ত্রগী ময়েক অসি কজনা পূথোক্তুনা নোংচুপপু ঙকহনখি।

অমসুং য়েংবী হায়না খল্লি। মীগী হকচাং হায়বদি অকবা অমসুং করবা চৎপগা লাইনীংবা য়ায় পাকই। 'মণিপুরগী জগোই' লাই হরাওবদা খুৎশা খুৎথেক অঙকপা কংনা পুথোকই। লাইবৌদা ৬৪ অমসুং মাইবীগী লাই চীংথোকপদা মুদ্রা ১১ লৈ হায়না পণ্ডিত-শিংনা পুথোকই। জগোইগী মায়কৈদা নৈনরবদি মখল মথেল য়ামল্লে। অদুবা মী অনী চীল্লা ঙাঙথোক্লনা শাথেক অমসুং খুৎথেক্লনা ভাব ফোঙদোকপা য়াই। লাই মশক অমমমগী মন্ত্র অমসুং যন্ত্র তোঙান তোঙান কংই। তৌগুম্বসুং খুৎথেক শাথেকীদি লাই খুদিং-মক মামনা তৌবা য়াই হায়ব। তন্ত্রগী নিয়মসু কংই। খুবাক অমসুং খুৎশা মঙাগী জগোই অমসুং তৌবা ঙম্বা অদু পণ্ডিতশিংনা পুনরম্মি। মুদ্রানা চাবা তুম্বা হেনগৎহল্লি। মী অদুদা অহন ওইদবা অমসুং অশিবা চঙদবা ওই। লোক থুংবা, হারা থুংবা অমসুং যক্ষার তৌবা ঙমদে। পৈগী শক্তক পাকহল্লি।

(৪) হকচাং অমসুং লায়য়েংগী মরম— মণিপুরদা খঙনরিব। মন-বিজ্ঞান অমসুং হকচাংগী শক্তক শাগৎপা মচাকী জ্ঞান অসি ভাগবত পুরান, গীতা, সাংখ্যযোগ অমসুং তন্ত্র শাস্ত্রদগী কংব। জ্ঞান ঙাকনি। শিংলিগী মখল অমসুং হকচাংবু ঙাকলো পীরিবা দোষ অহমগী মথৌ খঙবদা অয়ুর্বেদ অমসুং চরক সংহিতানা জ্ঞান পী। মৈতৈগী পুক-শুবা, মাইবনা থরায় মখল হায়বদি প্রাণ, অপাণ, বায়ুগী মিং খঙনয়ে অমসুং মথোয়গী মথৌ নৈনরে। হকচাংদা লৈবা শিংলীগী মখল, জ্ঞানগী তুংনকম চক্র ৮/৭ থম্বালগা চাংদমনদুনা তন্ত্র শাস্ত্রদা নমুনা তাক্লি। চক্র খুদিংগা থম্বালগা চাংদমনৈ; থম্বালগী মনা মশীং অমসুং মচু তাকলিবদু মাইবশিংনা খঙলনবা হোৎনৈ। খুৎলি হৈবা মৈতৈ মাইবনা পুক শুবদা ইড়া, পিঙ্গলা অমসুং সুষুম্নাগী মকম খঙই। থোপতা লৌশিংগী তুংনকম ওইনা চৎনৈ।

প্রাণশিংবু চুপলি ওইনা লাকলিবা অতিয়া শিদবহু 'ক' কৌবা য়য়েক্লা চাংদমনৈ। মীওইবনা স্বর হোন্দোক হোজিন তৌরিবসি

মসিগী থবক্নি। য়াওজেন শরুদা কুমছুনা লৈরিবা অথুপ্পা কুণ্ডলিনী নাদ শক্তি অসি "ক" ওইনা মশক লৌই। পাখণ্ডবগী মরমদা লৈন-ছুনা ইরবা "পাফন" হায়বসি কুণ্ডলিনী শক্তিবু খণ্ডনবনি। শক্তি অসি লাইয়েন্দৌনা কোনশিন্দুনা লৈ। মহাক্না হৌগৎপদা মীওইবনা অথুপ্পা কয়া খণ্ডনুনা লাইগী শক্তি য়োবা ঙম্মি। তন্ত্র লৈনবা যুগতা লৈবাক অসিনা পুথোক্লম্বা বিত্তাগী মপুংদা পাফন; অসি অমনি।

বৈষ্ণব ধর্ম্মদা চঙশিল্লবা মতমদা চৈতন্যদেবগী দর্শনগী প্রভাব অদু হকচাংগী মরমদা পুশিনখি। ঈশ্বরগী মগুণ শকশোনবা, ধ্যান অমসুং চঙজবগী মপান্না অধ্যাত্মিকতনা শাবা "চিন্ময় দেহ" কৌবা অমা ফংই হায়না ভাব পুখি। ঈশ্বরগী থবক তৌবতনা পুরকপা, মায়া চঙদবা, জ্ঞান অমসুং সুংঙাইবতনা থনলবা দেহনি। অশেংবা হকচাং অসি মৈতৈ পুম্বনা য়াম্না পাম্নখি অমসুং ফংবা ঙম্নবা ঈশ্বরগী থবক্তা থরায় লুপ্নখি। মতম অসিরাইদা দেহ বিচারগী ঈশৈ অসি ঈশৈগী যন্ত্র কয়া পায়দুনা শক্লখি। হকচাংগী কায়াৎশিং, নারক্লবদা হরি নীং-শিংনবা ঈশৈ অদু লীলাদা শকুনা মীপুম থূদিং তাহল্লি।

পুক্রিং অমসুং হকচাংগী মরমদা খন্নরম্ব। য়াখলগা লায়য়েংনবা পাথাপকা য়াম্না নকশিন্নে। লায়য়েংনবা পাখৈদি মন্ত্র শীজিন্নবা, পুক্রি শুব, পোৎলম য়াওনা থৌ তৌবা অমসুং হীদাক শেমদুনা য়েংবা অসিনি। মাইবা অমনা মরম পুম্বা লোইনা হৈ। মতম অমদা মণিপুরদা থাজনরম্বদি মাইবা অদুনা লাই খুরম্নবা মচাক পুম্বা য়াওনা পাঙথোক্লবদি অনাবা ফবা শোইদ্রে। মন্ত্রগা হীদাকা য়াম্না নক্লে। অনাবা থোকহল্লিবা লাই অদু হীদাক শীজিন্নবা মাইবনা মন্ত্রগী মতেংনা ভাম্থোকপা চৎলৈ। নাহল্লিবসি থোংবান লুক্রাং অমসুং লমহাংদা পুবা লাইশিংনা থোকহনবনি। মথোয়দা ঈরাৎথোক্লগা নাবা ফগনি হায়না কয়া থাজনরম্মি। মণিপুরদা ফংবা থৌ তৌনবগী লাইরিক্তা যোগিনী, ডাকিনী খুরুম্নবা উই। যোগিনীবু নোংথাং লৈমনি' হায়না খণ্ডলৈ। তন্ত্রগী প্রভাব অসি ভারতদি মরাম্নথংবা যুগতা কয়া খুরুম্নরক্লে"।

মণিপুরদা করম্বা মতমদগী চৎনরকপনো হায়বহ্ন খিজিনবা দরকার ওই। মখোয়সি রুক্নগী অকিবা শকওংদা লোয়নবা নুপী কাওবুনি। অভিধান ইবা খরগী মতা মখোয়বু কালীগী লোয়নবীনি হায়। পিঃ সিঃ বাকচিগী মতা যোগিনী অমসুং ডাকিনীশিং অসি নোংচুপ চিব্বত্তগী লাক্লনা তিনখিবনি হায়। ডাক্তর এসঃ বিঃ দাস গুপ্তনা চিব্বত লোন্দা "ডাকা" হায়বসি অশেংবা মী হায়; মহুগী নুপীশিংগী মওং ওইরবা য়াই হায়না সমর্থন তৌই। অগ্নি পুরান অমসুং শাক্তগী লাই-রিক্তা মখোয়গী মশীং ৬৪ তাকই। পুরান নৈনবা অমসুং জব্বলপুর মনাক্তা ভেরাঘাট খাজুরাহো, হীরাপুর (ওরিষা), রাণীপুর, খারিয়ল (সম্বলপুর—ওরিষা) গী লাইশঙশিং য়েংবদা মখোয়বু খুরুম্বসি মণ্ডল হায়বদি অকোয়বদা তৌনৈ হায়বা খঙনৈ। ডাঃ জিনঃ এন বেনর্জিনা মখোয়বু লাৎলিবসি অতে লমদগী পুখা নত্তে হায়না কোঙদোকই।

মণিপুর অসি তন্ত্র অমসুং আয়ুর্বেদগী লায়রেংনবা মকম অমা এনহৌনৈদগী ওইরকই হায়বা প্রমাণ কংই। মাইবশিংনা মনাক নকপা উমংশিং হায়বদি মহাবলি, লোংমাইজিং, হৈবোকচীংনচিংবদগী হীদাক পাম্বী য়াম্না লোতুনা হীদাক শেমখি। হীদাক মগুণ হেন-গৎনবা অহিংদা হেক্লবা অমসুং লাইরা শোনগদবা করাম্ব চৎনরকই। হৌজিকতা জঙ্গল কোকশনলকপা, হীদাক পাম্বী মশক লেপ্পা ঙমদবা অমসুং শেম্বদা প্রজাগী মতেং মাঙলকপা অসিনা নিয়ম অসি মাঙ-খরক্লে। খুঙংগী মীওইনা নাম্বদা ঙাম্বা, ময়াই চেনবা নোংথৈ, শংবরেত, পোহাল, খোইজু লাইখাম্নচিংবা কয়া জঙ্গলদা মথন্তা হৌজরকই।

মমাঙনৈগী মতমদা নিংথৌনা অনাবা য়েংশিন্নব, মাইবা লোই-শঙ থনম্মি। মীগীদা নত্তনা শা, মণ অমসুং মখোঙ মরি পানবা জীবশিংগী লায়েংনবা লোয়শঙ থনম্মি। লায়েং তাক্লবা লাইরিক কয়া নৈনদুনা য়েংবদা মণিপুরদা মশা কবা অমসুং লায়না খোজনবা করাম্বক চেকশিন্নমবগে খঙই। মাইবা শাবা মীওইনা সমাজদা রাংনা

লৈরম্মি। অশিবা অসি মৈ থাক্লিন্ডৈদা চুমলমহৈ অমসুং অশিববু মা'ংনা পাংখন খুন্নরমদে। হকচাং খান্নদোক্লুনা লৈনবা অসি কয়ামুক চঙশিনলমবগে হায়বন্থ ঐখোয়না হৌজিকী কীবম অসিদা হায়বা ওমগ্নে।

(৫) দর্শনগী মতাং— মণিপুরগী লাইনীং লম্বীদা তন্ত্রশাস্ত্রগী দর্শন্না ওইখি। তন্ত্রনা পীবা দর্শনদদি ঈশ্বরগা মাগী খুৎশেম ওই-রিবা মীওইবগা খেন্নদে। সাধনগী মতেংনা মী পুম্বা ঈশ্বরগী শক্তি ফংবা ওমই। কুণ্ডলিনী শক্তি বাংখৎহন্দুনা মী পুম্বা ঈশ্বর ওই-রকপা ওম্বসি মীগী অধিকারনি। সংসার থারগা অয়ান খুভম ফং-গদবা নত্তে; জগৎ অসিদা লৈনা লৈনা হিংলিন্ডৈদা অয়ানখুভম ফংগনি। জগৎ অসি ঈশ্বরগী মায়া নত্তে অমসুং লীলা শান্নবনি হায়বসি মণিপুরগী রারী, লাইনিঙ লম্বী অমসুং জগোইদা মরু তারয়ে। লীলাগী রাখল অসি মোইরাং কংলৈরোন অমসুং মৈতৈগী কুমৈদা পায়রমহৈ। লাইনা শান্নবন্থ মতৌ তমদুনা মীওইবনা লাই হরাওবা উৎলি। হরাওবা অমসুং সুংঙাইখ্রোকপা উত্তরবদি লৈবাক অদু অবা অনা নংহৈ হায়না থন্নৈ। লুবা-নানবা ফিজেৎ অমসুং লৈতেংনা হকচাং রাহনবগী মহুত্তা খোইনদুম অয়ান খুভম পীগনি হায়বা মৈতৈগী দর্শননি। হকচাং রাহনবা অমসুং ফি য়াউদবা থরায়দি ভূত ওইরে।

তাইবং লীলা অসি লাইশিংনা কয়ামুক সুঙাইনা লৌরপগে হায়বন্থ মখোয়না মীওইনা পোক্লুনা সুংঙাইবা উৎনবা লীলা শান্নবা অসিনা তাকহৈ। মীওই মপোক অয়েন্বা নত্তে হায়বা মুক্ষম ফংহৈ। অতোপ্পা মণিপুরদা ফংবা রাখল অমনা লাইনুপা অমসুং লাইনুপী অনিমক মপাঙ্গল লৈবা (dynamio) ওইনা লৌহৈ। হিন্দুগী তন্ত্রদা শিববু খোংকম ওইনা লৌহৈ। দেবীনা শক্তিগী তুংনকম অমসুং জগৎ শেম্বা অমসুং যাওহনবগী মরম ওই। টিব্বতকী মহা-যানা তন্ত্রদা ওয়না লৌহৈ। নুপানা শক্তি লৈবা অমসুং নুপীনা মপাঙ্গল

নৈতবদা পুই। তামিল শৈব ধর্ম্মগী "পেরিয়া পূরানম" কৌবা লাই-রিকসু শিবদা মপাঙ্গল নৈব অমসুং দেমীদা লেঙদবা ওইনা খুদম থম্মী। নূপীদা মথৌনা নৈতে অমসুং মাদি লেঙদনা নৈ হায়বদি মারকণ্ডেয় পুরানগী চণ্ডী পাঠকী মতাং অসীদসু পল্লি। মণিপুরদা কংবনা মখোয়দগী তোপই। শক্তিগী মখোঙদা নৈবা সমাধিদা লৈম্না শিব নীংদে। সাহিত্য কয়া নৈনবদা নূপানা হেন্না মথৌনা ফুদোকপা অমসুং নূপীনা মীনুংশি চাউগনবী ওই। লাইরেম্বীশিংসী য়ারী নৈনবদা মথল খুদিংগী মচৎ হায়বদি অতপ্পী, অকবী অমসুং তমথিবী ফংই। মণিপুরগী লাইনীংদা লাই নূপা নূপী কয়া অমসু অতৈ লমগী পুশিল্লকুনা নীংথিবা অমসু ধর্ম্মগী মশক কয়া থোকহন-খিবসি তন্ত্রননি।

তন্ত্রগী শিক্ষা অমসুং মীথোই মীহেনবা কাঙবুশিং:— হায়গী অরিবা সাহিত্য হায়বসি তন্ত্র অমসুং মন্ত্রনা শাগৎলি। তন্ত্রগী মচাক-শিং—মন্ত্র তম্বা, মণ্ডল শেম্বা, ধ্যান পূজাগী মচাক শেম্বা, কবচ শীজিন্নবা অসি মমাঙথৈগী মীওইনা তৌদবা য়াদবা থবক্নি। মহৈ তম্বা হায়বদু মখোয়সি নৈনবদা লৈরে। গুরুগী মফমদা থম্মুনা মতম থম্বা লাইরা তম্বা, পূক শুবা তম্বা যোগগী মওং অসি মৈতৈগী অফংবা লাইরিক কয়াদা থেংনৈ। সনাহৌদাক শীজিন্নবা, রসায়ন নৈনবা অমসুং কুইনা পুক্লিনবা মহৈ অসি মণিপুরদসু পাম্নরমই। তৌইগুম্বসুং ভারতকী নোংপোক লমদা চৎনবা "নাথ লাইনীং" অসি মণিপুরদা ফংলত্রা হায়বা ঙমদে। নাথ লাইনীংগী ঈথক অসি লম অসিদা কনানা পুরকপা, কয়াম চৎপা হায়বদু লেপ্নবা লাইরিক ফংদে। থাদগী শিদহৌদাক থকনি হায়বা, পুমিৎপু নূপী ওইনা পুবা অমসুং থাবু নূপা ওইনা পুবা মওং অদু মৈতৈদদি ওয় তৈনমা ফংই। গোরক্ষ নাথ, মৎসেন্দ্র নাথনচিংবা যোগীশিংসী মমিং তানদে'। অদুম ওইদুনসু নাথ কাঙবুগী যোগীশিংনা লাইমিং লৌদনা অমা হুৎপা, খুজি শিব। অসিনচিংবা প্রভাব থরা মমি তাই। ইমুং অমদা অঙাং

য়াম্না তোয়না শিরবদি মতুংদা পোকপদু য়না হুত্তোকপা অমসুং খুজি শিন্বিবা তৌনৈ। অসুম তৌরগা শিবা ঙাকই। ধাতু পুম্বা সনা ওনহনবগী (alchemy) মহৈ অসি মণিপুরদা ফংলম্নসি বর্ম্মারোমদা চৎনরম্বগা য়াম্না মামৈ।

মণিপুর অসি লৈশেমথৈগী য়াম্নী অমসুং ধর্ম্ম নৈনবদা তন্ত্র অমসুং অয়োনবা বিদ্যা তমফমগী মফম অমনি হায়বা উৎপ্রে। কং-লাগী কোনুং অসি মী হাৎফম, পূজা তৌফম অমসুং মায় পাকফম ওই হায়না থাজনৈ। মণিপুরগী লাইফম কয়াদা মী বুদ্ধি মাঙনবা, শুমবা অমসুং মহৈ য়ান্দনবা হৈবা পণ্ডিতপু লাইময়া কিবা অমসুং নিংথৌনা ব্যাবহার তৌবা ফংই। মফম লাইবা, মীথোই মীহেনখিবা অমসুং নিংথৌ ওইখিবশিং পুম্বা তন্ত্র-সাধন ঙাক্তনা পীবা ঙাকনি। মন্ত্র শক্তিনা মৈ পায়বা, লাই তানবা, শীজিন্নবা, লিন, শা, কৈ অমসুং লাইরেনবু লাকশিনবা, লাইহৎলোনগী মতেংনা ফত্তবা চঙ-হন্দবা অমসুং থেনফম য়েংবা হৌজিক ফাওবা চৎনরি। তন্ত্র সাধনগী মপান্না স্বর্গ, নরক অনীদা তৌবা ঙম্বা কয়া ফংই। লাইগী নূপীবু হাগী ওইনা থম্বা, মশা চাউথোকপা, কনবা হেনগৎপা, শকওনবা, মী পুম্বা পেনহনবনচিংবা ঙম্মি হায়না থাজনরম্মি। বৈষ্ণব ধর্ম্ম লাকত্রিঙৈদা পোৎশেম তৌবা লাই শান্নবা, কাপশিন্নবা অসিনচিংবা মণিপুরগী মীশিংনা তমথীনা তৌনখি। বৈষ্ণব ওইরবদসু তন্ত্র অমসুং অয়োনবা মহৈ অদু অদুম চৎথখি। তমগী লোই কাঙবু খুরখুন, ফয়েং, লৈত্রাম অপ্রোনচিংবদা কাপশিন্নবা অমসুং মী ঙাওহনবসি য়াম্না থাজনৈ। তথেন অমসুং কছাড় লৈবাক্তা মীওইশিংবু মণি-পুরগী প্রজানা মহৈ অসিদগী কিবা মতাং কয়া ফংলম্মি। লমদম-লোমদগী তারবা মীগী লৈফম থাজ, কাঙ্লা, ককচিংনচিংবসু তন্ত্রগী তম্ফম ওইরকই। চীংগী কাঙলুপ কম্নাদগীসু মহৈ তম্নবা অসি মৈতৈ অচৌ অশাংনা তৌনরকই।

মশানা য়াদবা নুপা অমসুং নুপীবু লোইলম অমসুং চৌংগী মহৈ শীজিন্নদুনা কাদুনা লৌখিবা, জাৎ ওনখিবা কয়াগী খুদম মশীং লাক-ঙমদনা মণিপুরগী ইতিহাসতা ফংই। খোইরুনা মী শারগা লয়োং অহুম ফাংবদা ফুম্বা, কংলা কোম্সুংদা ফুম্নবা, কা, লৈ নাচোম অমসুং অচা পোত্তা শেমজনবা চৎনখি। চন্দ্রকীর্ত্তিগী য়াণী চোংথা অহল (কোইরেংগী মমা) অদু শেম্বা হৈবগী ঘটনা থোকপা চাউনা চৈ-থারোলদা পনলি। লৈবাক অসিদা লৈহনখিদনা কবো অমসুং ময়াংদা থাজিনখিবা মীওইদি য়ামগ্রে। ঈশৈ, পুঙ অমসুং মহৈগী চাংয়েং-লিঙৈদা মিজ্রং, লাইরা কামশিনবদগী মখোন থোক্কবা অমসুং পঙথ-খিবগী য়ারী কয়া ভানখি। মায়োকরা, খোইদোরা অমসুং হীগায়রা নচিংবা কয়া শীজিন্নরম্মি।

মোইরাং ক'লৈরোন নৈনবদা থোংলেন অমসুং কবুই শলাং মাইবনা তন্ত্র শাস্ত্র নীংথিনা শীজিন্নখি হায়বা থঙই। খম্ব থোইবীগী লীলা অসিমক তন্ত্র পাম্নবা মতমদা থোকখিবা ওই। খ্ মন পুরেম্বগী মমি কক্লুনা থোংলেম্না থরায় লৌখি। থোংলেম্না খম্বনা কাও অমসুং কৈ কারমদাইদা "ঙপ্রী" তম্বীখি। ফানয়াই পূনয়াই কয়া তম্বীদুনা খম্বদা ফাহনখি। ভানা থিনবদা কৈগী মতু অমসুং ঈ ফংই তৌইগুম্বসুং থোংলেনদি শিদে। মঙোন্দা মহৈগী শক্তি লৈবা অঙকপা কয়া ফং-হনলি। নোংবানগী থরায় অদু চৎখিদনবা খম্বনা কৈবন মসুংদা "পলান্দবী" য়েক্লগা থম্মি। কবুই শলাং মাইবনা লায়য়েংবদা কয়ামুক হৈবগে হায়বদু হৌজিক ফাওবা য়ুমথোং খ্ দিংগী য়ারীনরি। থরায় অসি চৎখিদনবা ফাজিন্দুনা থম্মি। মপাঙ্গল কল্লবা পূরেনবনা মন্ত্র হৈতবদগী নৌনা পুন্সি কেমখিবনি হায়দুনা মহৈগী কান্নবা থাজহনখি। অসুম্না চৎনরকপা অসি মৈতৈ অকন অথৌ অমসুং অহন লমনশিংনা খৃঃ ১৮৯১ ফাউবা কননা অভ্যাস তৌখি। খোংজোম লান্দা মৈতৈনা ব্রিটিশপু মায়য়োক য়াখিবা অদু তন্ত্র সাধনগী মপান্নি।

(১০)

মণিপুরদা শৈব-সাহিত্য অমসুং লাইনীং

শৈব ধর্ম্ম অসিনা ভারতকী হিন্দুশিংদা কয়ামুক চুশনবগে হায়ববু শিবহং শিবহং হায়বা মীগী থরায়গা ঈশ্বরগা অমতনি হায়বসি চৌন্দা শোনবদনা থঙনৈ। মঙ্গল ওইবা তাকপদা ওঁ নম শিবায় পমৈ। সিফাইশিংনা লানফমদা থরায় কৎপদা হর হর মহাদেব শোনলি। জগৎ মাঙহনবা শক্লোন ওইবা হিন্দুগী লাই অসি নীংবগা হিন্দু ধর্ম্মনা রাজনীতি, ধর্ম্মনীতি অমসুং শরূক কয়াদা মপাল ফগৎ-লকপা মতমগা ঈরোইননা চৎলি। বৈষ্ণব ধর্ম্মদগী হাল্লি হায়বসি সিন্ধু সভ্যতাদা ফংবা লিঙ্গগী মূর্ত্তিনা প্রমাণ তৌই। ভারতকী ধর্ম্মদা বৈষ্ণব ধর্ম্মগা পূন্না থোদাং লৌমিমৈ। লাই অসি মাগ নত্রগা ব্রাত্য কাঙবুনা হৌদোকই; মঙ্গোলিয়ান কাঙবুনা পান্নবা অমসুং বেদনচিংবা লাইরিকশিংনা হুন্দুনা লৌবা ফংই। গ্রীকতা Bacchus (য়ু অমসুং হরাউ তয়াম্বগী লাই) অমসুং ইজিপ্তা Osiris (ইজিপ-কী থ্বাইদগী চাউবা লাই) খুরুমনবা অসিগা এখোয়না অরিবা মতমদা খুরুম্নবা লিঙ্গ অমসুং যোনিগা মান্নবা কয়া ফংই। ধর্ম্ম অসি চৎপা লম্বোইবা কাঙলুপ কয়ানা মিত্রং অমসুং সমাজদা চান্নদবা থবক কয়া তৌদুনা ভারতপু মিং থীহনবগী শরূক ওইবসু য়াওই। অদু ওইদুনসু হিন্দুগী অচৌবা নিংথৌশিং বিক্রমাদিত্য, ভোজ, কবিশিং—কালিদাস, সোমদেব, রসিক মমিং চৎলবা অভিনাব গুপ্ত অমসুং দর্শন শাস্ত্রদা অনীশুত্রবা শঙ্করাচার্য্য অসিনচিংবা শৈব ধর্ম্ম চৎলি। বৌদ্ধ ধর্ম্মদগী ভারতকী হিন্দু ধর্ম্মবু কন্নবা হোৎনবদা শ্রীশঙ্করনা মহাদেব অমসুং দেবী লাৎপা শোগত্তুনা প্রজা কয়া ফাখি। হায়রিবা শৈব ধর্ম্মগী লাইনীং অসি মণিপুরনা কয়া পাক্লা অমসুং কররম্বা মশঙ্কা ফংবগে হায়বদু প্রবন্ধ অসিদা নৈনজরি।

লৈবাক্কী ধর্ম্ম অমা ওইনা শৈব লাইনীং—

মহারাষ্ট্র. কাশ্মীর (হিন্দু যুগ) রাজস্থান (খৃঃ ৮০০—১০০০), অরাংথংবা কুর্ণাটিক অমসুং তামিলগী নিংথৌ পানবা লম কয়াদা শৈব ধর্ম্মনা লৈবাক্কী লাইনীং ওই। শৈব চৎপা নিংথৌশিংনা অতৈ ধর্ম্ম চৎপবু নৈবা তৌগদ্রি। বাসব দেবনা হৌদোকপা বীর-শৈব ধর্ম্ম অসিনা ইউরোপ্তা প্রোটেসতেন্টশিংনা তৌবগুম্না সমাজ হোংহনবগী থবক কয়া তৌখি। খৃঃ ১৮৫৭ কী সিফাই লালহৌবদসু য়াওখি। মণিপুরদা লাইনীং অসিনা অকনবা শক্তি ওইখিবা অসি ঐখোয়না অদুক হাক্লা খঙবা ঙমদে। অইবা লাইরিক অমসুং কোরী কোম্পাকনচিংবা নৈনবদা ফংবদি বভ্রুবাহনগী মমাঙদা পানখিবা গন্ধর্ব্বগী নিংথৌ পুম্বা শৈব ওই। খৃঃ শতাব্দী ৮ শুবদা ইরম্বা ফয়েংগী কোরী কোম্পাক্না শিব অসি বিষ্ণুগী মথাপোনবা, শৈব ধর্ম্ম মরায় চায়থরকপা ওইনা ফংই। বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎপা নিংথৌশিংনা শিব মুর্ত্তিবু থোঙভাকপা ওইনা লাইশঙশিংদা থম্মি। তৌইগুম্বসুং লাইনীং অসি হায়া চৎলম্বা উমং লাই লাৎপগা পুম্না তিনশিনখি। উমং লাইগী কোমায়বু লিঙ্গগী মওং ওইনা অমসুং তমদা ফংবা চীং পুম্বা শিববু নিঙনফম সাধনা তৌফম ওইখিবা ঈচেলসু কয়া ফাই। শিবগী লাইনীং অসি ভারতকী মফম পুম্নদা নত্তনা নোংপোক এসিয়াগী মফম পুম্নদা শন্দোকখিবা মতমদা মণিপুরদসু মখি তারমগনি খল্লি। শৈব নীংনফমগী অশেংবা মফমসি কৈলাস বেনারস, উজ্জয়িনী অমসুং সোমনাথনচিংবনি। খা ভারত্তা কাঞ্চি, চিদাম্বরম অমসুং রামেশ্বরনচিংবা পনবা য়াই। কাশিগী বিশ্বনাথবু মৈতৈশিংনা লুনা নীংজবা অসিসু থেংনৈ। মণিপুরদা হিন্দু প্রভাব কনবা কালদা চৎনবা রারীদা শিবনা খুম্লোকখিবা ওইনা কৌব্রু, নোংমাইজিং অমসুং হৈবোকচীংশিংবু লৌনৈ। শিববু উমং লাই নোংপোক নিংথৌ ওইনা লাৎলিবদি তখেন, চরাংপাৎ, ফৌদেল, সলুংফম, খেংঙাম মোয়াং অমসুং মোইরাংদা কুমামনা লাৎপা মহারাবগী লাইশঙ অসি

মৈতৈশিংগী শিব নীংকমমি। মহাবলী উমংদা মমায় মঙা কাংবা শিবগী মূর্ত্তি ফংই হায়না চৎনৈ। নোংমাইজিং, ইঙোরোক, থোঙাম-মোন্দুম, কারোক অসিনচিংবা মকমদা লৈবা মহাদেবগী খুবমশিং অসি মণিপুর পূবগী ওইনা খুরুমনৈ। ইঙোরোকী খুবম অসি মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদা ফাওখি। নোংমাইজিংদা চীঙোই বারুনী, খঙোং অমসুং লাইফম অচৌবা হায়বা মফম কয়াদা শিব খুরুমনৈ। মন্দির কৎপা অমসুং শেমজনবগী থবক কয়া মহারাজ বোধচন্দ্রনা তৌখি। মণিপুরদা লৈরিবা মীশিংদা লম অতৈদা ফংবা শৈব কাঙলুপ ফংদে। চৈথারোল কুম্বাবদা অমসুং নোংচুপ হারম ভাকপা লাইরিক নৈনবদা নোংচুপলোমদগী লাইনীংবা, যোগী অমসুং মথন্তা লৈজরবা মী কাঙলুপ অমসুং গঙা থকপা লাইনীংবা কাঙবু অসি থুংলবা উই। হৈদা চাবা কাঙবুসু ফংই। লম কোয়বগী ভাবতা মরক মরক্তা থুংলবা ওইনা তৌই। খুন্দাখিবগী প্রমাণ ফংদে। ঐখোয়না উবদি কানফাট যোগী কৌবা লিন জগোই শাহনবা ওবা হন্তবা মথলগী শৈব যোগীশিং অসি মরক মরক্তা শেন তানবা তৌই। বেঙ্গল অমসুং আসামগী মফম থরদগী মণিপুর য়ৌরকই। অদুবু নোংচুপ হারমদগী লাকপা ব্রাহ্মণশিং অসি বিষ্ণুগী মথল অমসুং চৈতন্য মহাপ্রভু লাৎপা ওক্তা ফংই। ক্যাম্ব। হাকুকী আচার্য্য কুলীন-ময়ুমনা রুদ্রবতি কৌবা লাই অমা লাৎলি য়ুম্নাক অসি ককচীং-ভাবমনি। গণেশ লাৎপা বামনগী কাঙলুপ্পু শামুলাইলাৎপম কৌখী। মহাদেবনা শন্দম্বা মথক্তা ভোংবগী মূর্ত্তি, গণেশকী মূর্ত্তি অমসুং কার্ত্তেকেয়গী মূর্ত্তি অদুম অসি মণিপুর ষ্টেট মিউজিয়মদা (নুঙনা হকুনা শেম্বা) থম্বা উই। খৃঃ ১৯ শুবা শতাব্দীগী খুংশেমনি। ভোংজৈ মরিলগী চীং ককপদা নুঙগী মূর্ত্তিশিং অসি থেংনরকপনি। অসিদা নত্তনা মৎস্য অবতার, সরস্বতী অমসুং হনুমানগী অশাবা নুঙগী মূর্ত্তি থরম্ন বিষ্ণুপুরদগী ফংই।

মণিপুরদা ফংবা শৈব সাহিত্য

সংস্কৃত, বেঙ্গলী অমসুং তামিলনচিংবদা শৈব সাহিত্য মরাঙকায়না ফংই। সংস্কৃত লোন্দা ইবা শিব, স্কন্দ, লিঙ্গপুরান, শ্বেতাম্বর উপনিষদ অমসুং শিব রহস্য অসি মণিপুরদসু লৈবৈ। মার্কণ্ডেয় অমসুং পাতঞ্জলিনা মন্ত্র কয়াসু শিব খুল্লম্বা লেংখি। শিব বাক্য অমসুং লাইনীং অসি সীত্তার (সিদ্ধা), ঋষিশিং অমসুং ভক্তশিংনা তামিল লোন্দা লাইনীং অসি চাওখৎনবা লাইরিক কয়া লেংখি। বেঙ্গলদা নাথ সাহিত্য ত্রিনাথ পঞ্চালী অমসুং শিবদা পান্দুনা শন্নবা ঈশৈ কয়া ময়ায়থংবা যুগতা ফংই। অয়েকপা লাই, মূর্ত্তি অমসুং নুঙদা ইরম্বা কয়াসু লৈ।

হিন্দুগী প্রভাবতা তাউরবা কালদা মণিপুরীশিংনা শিব লাইনীংগী সাহিত্য কয়া লেংখি। খোংজোম পর্ব্ব শন্নবদা শিব দুর্গানা মণিপুর শেমই হায়বৈ। পাম্হোইবী খোম্বুল, খোঙতেকচাদা শিবনা পীবা পুরান, পাখঙবগী মমাঙদা পান্নম্বা পুরৈরোম্বা ইঙৌপানবগী রারী, নুঙলুম নুঙনাওবীবু শিব লিঙ্গ ওইনা নোং কৌথনবা লাৎনবা মন্ত্র, সৌবোল লাইরেম্বগী রারী অমসুং মণিপুর লৈশেম্বগী রারী, শৈব সাহিত্য ওাকনি। ধরনী সংহিতা কৌবা লাইরিকসি সংস্কৃত লোন্দা শিবনা মণিপুর শেম্বগী মরম ইবা লমসিগী খুৎশেমনি। তমদা ফংবা চীঙোইরোন কয়াদা মহাদেববু পনলম্বা কয়া থেংনৈ। মহাদেব লৈহকলোল, মৈতৈ শুবিকা খুৎলো য়েংনবা লাইরিকশিং অসিদা শিব লাইনীংগী প্রভাবনা থল্লি।

মণিপুরদা চৎনবা শিবগী লীলা অমসুং লমচৎ

হিন্দুগী পুরান, শাস্ত্রদা বিষ্ণুগুম্না শিবগী মিং ১০০০ লৈ। মিং অমমমগা কোম্নবা থবকশিং, শান্নবা লীলা অমসুং শকওংশিং পনলি। শিববু ভারতকী মফমদা খঙনবদি কৈ মউন শেৎপা, উৎতৈবা,

মপাদা লিন হাম্বা, মমায় মঙা পানবা, মমিৎ অহুম পানবা, মোং-ঙমদা লৈবা অমসুং ত্রিশুল পায়বা ওইনা ফংই। সংস্কৃত সাহিত্যদা ফংবা মচাকশী তোঙানবা লম লমগী ওইবা বারী কয়াম্না লৈ। বঙ্গদেশতা শিবনা গঞ্জা থকপা, চাকনিবা ওইবা, লৌউবা অমসুং যুমপানবা ওইনা লাৎলৈ। তামিলগী লমদা লাইরিক লাইশু হৌ-দোকপা, ঈশৈ অমসুং জগোইগী লাই ওইনা নীংলৈ। অতোনবা জাৎনা লাৎলৈ। শ্রমদান হৌদোকপা, ঙাকাবগী থবক তৌবা, মীনাক্ষি লুহোংবগী বারী চৎলৈ। চিদামবরমদা নট্ট রাজ শিবনা তাণ্ডব জগোই মথল কয়া পুথোকই। দক্ষিনমূর্ত্তিগী অঙৈংবা শকলোনশু থূরুমলৈ। চৎন-বারী কয়া নৈনরুবদগী শিব অসিদা ওয়তৈনবা মগুণ কয়া ফংই। খ্বাইদগী চম্বা অমসুং খ্বাইদগী লুবা (Impersonal) ওইবা মশক; খ্বাইদগী নানবা অমসুং মোংপা, নুঙশুম কনবা অমসুং লৈখোমগুম-পেৎপা, যোগী ওইবা অমসুং নুপীদা ঙাওবা (যুম পানবা) অসিনচিংবা কয়া উই। খৎনগনবদা দক্ষ মঙক ককপা অমসুং কাম হাৎপা অমসুং গনেশ মকোক ককপন। প্রমাণ ওই। তমথীবদা বেদগী রুদ্রনি। মন্ত্র, তন্ত্র য়াওদনা অমসুং অচোবা পূজা য়াওদনা থম্মোই শেংনা নীংজবদা মহাক্না থৌজানবী। জগৎ মাঙহনবা ওইনা লৌরবসু লৈশেঙ্গী মশক্তা ফংই। অক কত্তবা পুম্বা মঙোন্দা তিনবা অমসুং মহৌশা লাইরেম্বীদা তৌবদা ওয়বা ফংবসিনদি অক কত্তবা হায়বসি তোঙায়া লৈতে হায়রি। লাইনীং অসিদা য়াওবা দর্শন অমসুং যোগ অভ্যাসকী শরুক অদু গোরক্ষনাথ অমসুং তন্ত্রগী কাণ্ডবু থম্না পুথোকই।

ভারতকী মক্তম পুম্বদা চৎনবিবা শিবগী লীলা অমসুং অথুপ্পা কয়া মণিপুরগী খুনং কয়াদা থঙলৈ। শিবনু লৈবাক শেমগৎপা, য়াস হৌদোকপা, লৌউ-শিংউ অহানবা হৌদোকপা অমসুং পরকীয়া রসকী ঈচেন উৎপা ওইনা এসহৌঙৈদগী থৈতেনা লাৎলৈ। মহাকপু নোংপোক নিংথৌ কৌড়ুনা লাই হরাওবগী মপু বেদগী পরমেশ্বর অদু

ওইনা নীংবৈ। উষংলাই ওইনা হরাওদুনা লাংপা মচৎ উই। নোংপোক নিংথৌ ওইদুনা লীলা শাম্নবদা মৈতৈ ময়েক অমসুং কোর্ব্বাক হৌদোকপা, শগোল কাংজৈ শান্নবা, লিংজেন লৈবা প্রেমিককী প্রভাব ফংই। নোংপোক নিংথৌগী মশক্তা মৈতৈগী লৈহাউদা চাওখৎপা নোং-পোক নিংথৌ শিবগা মগুণ মান্নবা রূপ কয়াগী মথক্তা লমসিগী ওইবা ভাবসু ফংই। নোংপোক্লা য়োংকী থুক্লম তো'ই। মসিদগী লাইনীংবা মুনিশিংগী মশক হেন্না ফোংদোকই। শেজেংগী কাণ্ডি জুরা অনীস্ন মথুংনা পান্নবা উংলি। অচুম অরান তৌবগী মওংদু তাকই। পৌরানিক হিন্দু ধর্ম্মদা শিবনা লাই ময়ামগী রায়েনবীবা, খৎনবা তাইশিনবিবা অমসুং ফত্তবা মাংহন্নবা, অচুম্বা পূরক্নবা বারী অদু থিন্দুনা তাকই।

অরিবা সমাজগী চৎনলোন ওইবনা নোংপোক্লা শা তানবা, লৌউবা অমসুং শগোল কাংজৈ হৌদোকপা উংলি। ময়াম কাবা পোৎ চাবা অমসুং থকপসি মহাকসু নাম্নোকথিদে হায়বা ফংই। লাইরিক্তা ফোংনা থায়মত্রবসু মচাক অতৈদগী লৌখৎপা ঙমই।

সংসার অসি প্রলয় তৌবগী প্রভাব অদু পাখংববু মহারাবা লৈথিলাই ওইনা থুকম্নবদা ফংই। মতিক লৈবা নূপা হায়বদি খম্বগুম্ববু শিবগী শায়োন ওইনা লৌনৈ। মণিপুর তাকপী শেনবীবা অমসুং সভ্যতা অসিগা থান্নদবা ওইনা থৈয়ে। তাইবং মপুবু নুমাং লোমদা পম্নৌ অমসুং লুতুংলোমদা পলেম হায়না কৌনবা লাইনীং অসি মাবু অর্দ্ধ নারীশ্বর (নিউটর) ওইনা নীংবগা চায়ে।

শৈব লাইনীংদা মপা মমানা পোকপা মী ওইবা ভাব অসি পত্রবসু মরক মরক্তা মীগী মশক লৌই হায়না তাকই। লানহৈবা কাংবু চাংয়েং তৌনবা, হিংচাবা হাৎনবা অমসুং ভক্ত পেলহন্নবা মীগী মশক লৌই। বিষ্ণুগী অবতারদদি শ্রী (বিষ্ণু অমসুং লক্ষ্মীদা) হাপই, শিবগীদি শিবা, মাংবা নাইবা হকচাংগী মরম তাকপা শ্রী

হাপ্লদে। ইঙোবা লাইনা লাইনীংবা অহল শাদুনা শৌবোন লাইরেম্বীগী মনাক্তা লৈবা, শা কাবা অমসুং খৌজালখিবা, সনামনিক্কা মপা খিং খিং ঙাংবাগা উনহনবা, খুনচক হৌখদা ঈশিং চিংথোক্লুনা রাস শাম্নবা, লুপাগী লিতান ভিংবা, অপুখী ম্যোইরেন পোকপা, নোংপোক পাম্থোইগী বীগী বারী অমসুং খম্বা থোইবীগী লীলা অসি শৈব লাইনীং ঙাক্তনি।

মথক্তসু পনপ্রে :— শিবদা নত্তনা দুর্গা, গণেশ, কার্ত্তীক অমসুং নন্দীনচিংবসু খুরুম্মে। গণেশ অমসুং কার্ত্তীকপু খোঙাকপা ওইনা মুর্ত্তি শাম্নগা, চৈরাপ শারদত্তা থম্মি। অনীগী বারী তমদুনা মালেম কোইবা হানবা ভাম্নবগী পুরান ইখি হায়নৈ। কার্ত্তীকনা মতম খঙনবা ভানম্নৈশং পুথোকখি।

খৃঃ শতাব্দী ১৮-১৯ শুবা মতাং হিন্দু ধর্ম্মনা মণিপুরদা মরা তারবা কালদা ইখিবা লাইরিক কয়াদা শিববু শ্রীকৃষ্ণগী মথংদা খ্বাইদগী চাউবা লাই ওইনা ব্যবহার তৌনখি। পৌরানিক হিন্দু ধর্ম্মগী লাইনীং ঈচেন অচু মৈতৈ ময়েক্কা ইবা লাইরিক কয়াদা মরিক চুম্না পল্লগা খরদং লৌখংলি—ওইনামচা প্রজানন্দনা হন্দোকপা মৈতৈলোনগী গীতাদা শিববু জীবকারু ধ্বংসি। ইশান্নাথ, খগুপ্রসু, পঞ্চানন তাংজ লুরেন মঙা পানবা হর নোংপোক মহাদেব অম্নুমা পল্লি। যীশুখৃষ্টগুম্না মনামগী ফনবগী দমক শিবনা হু থকখিবচু অম্নুমা গীতাসিদা পনলি — "মতম অচুমক্তদা নোংপোক মহাদেব লাইরিংথৌদি চকযোম মৈরী অচৌববু খোম্নমা মায়ন্নোকনা ওনচিনখিরগা চীংঙু খদাং মথা খংবনা মালেম লৈদা পন্নে। চাংজৌ মথক খংবনা কোরো নোংদোল ফংনা থা'থংলে। তাংজ মরৈতোন অকুইববু শাংনা তমথোক্লরবগা মৈচাক অচৌববু শীংচা খুৎতাপ পুনগুম পুনশিল্লগা থোইরন মারেন থোঙজি নুংবু তান্না চিংশিনখিদুনা চীংঙু পায়মা উনকোইনুংদা ঙম্না য়োংশিনপ্রে হায়- নবরা ?" (লামায় ৩২-৩৫) শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা লাইপুম্না শ্রীহরি শিদবগী

মাথং মতুং ইল্লা মাগী মখো তৌকৈ হায়না তাকপদা অসুম্না পল্লি—"ব্রহ্মাণ্ড মালেম তাইবং পাল্লিবা পুম্নমাদি চৌথৈ লৈচু তরেৎ মানে। লৈচু তরেৎ মাদগী মধ্যম ময়ায় চল্লিবা লৈচু খোইনা নীংখিবা অদুদা চীংগু মহাদেব শিদববু মাউরিয়ে। ………. মালেম তাইবং পানবগী থবায় অচৎ-চত্ত পুম্নমাদা আহার মখোয়গী মচীঙারচিংনা কুচু মশক-থোক্লা চাউনা শায়রিবগুং ওয়া শীনা য়েংবিরিয়ে" (লাবায় ১২৬-১২৭)। বীরসিংহ পঞ্চালীদা অসুম্না ই — "মহান নোং জন্ম মপোক কয়ারকপু চীংগু নোংপোক মহাদেবগা য়োইবু দুর্গা লাইরৈমগা অনিমদা কোরৌ নল শাজবগী তাইবং নোংশাপান্দা চেংলৌ শকোই হেয়া পোল্লরনে" (লাবায় ৮৪)। গোপীচন্দ্র পণ্ডিতনা ইবা একাদশী পঞ্চালীদা ইরি— "হৌজিক্তি হে রুকাঙ্গদ নিংথৌরেল অথোইব-ও নিংথৌ নঙগী নতিক অচৌবা অসিবু ওস্লোল্লা পূন্য ওইরে। মহাদেবগী লৈপাক মুঙাইবা কৈলাস সনজী'দা নঙগী খুবম ওইববু পাম্বরা অমদি ……….." (লাবায় ৬৮)। পাম্বোইবী খোঙ্গুল কৌবা লাইরিক অসিদা নোংপোক নিংথৌবু শিব মহাদেব ওইনা অসুম্না পললী "তাঙজা ঙক্কোয়নবা, পাম্বা কৈউল শেৎপা, লিল্লা খাওল য়েৎপা, শম্নাং জটাসুংদা গঙ্গা লাইজ ঈপুবা, কাউরেল শল তানবা তোংবা অমসুং টিমেল হুমপাল টারোঙ শুবা, মিৎয়েং হুমপাল লোঙবা" হায়না শিংথাই। মাহৈ থরসি কোয়া পণ্ডিত থরনা শেমজনবা ওইরবস্থ শৈব ধর্ম্মগী ঈথিলননি হায়বদা করিমতা লান্দে।

রামায়ণ, মহাভারত অমসুং ভাগবত পুরাণনচিংবা বামনশিংনা পাঠ তৌবা অমসুং বারী লিবা কালদা শৈব লাইনীংদগী বৈষ্ণবশিংনা হেল্লি হায়বা ঈচেনসি কয়া শন্দোকই।

পরসুরাম, রাবণ অমসুং কংশনচিংবা শিব নীংবা কাঙবুবু বিষ্ণুনা জয় ওইবগী বা শন্দোকপদু মণিপুরগী বৈষ্ণবশিংনা থম্মোইদ চেৎনা থাজৈ। চৈতন্য লীলা অমসুং গৌর ধর্ম্মগী লাইরিক তাবদা আদৈত

মহাপ্রভুবু মহাদেবগী অবতারনি হায়বদু মৈতৈশিংনা পামই। মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রনা মণিপুর থাদোক্লুনা পঙ্গা চৎলুমদাইদা বিষ্ণুপুরদা পাল্লিঙৈদা আদৈদনা মহাক মহাদেবগী অবতারনি; থৈবোং মরু অদুনা নিরূপন তৌরকখো হায়না মওদা হায়বদগী লমাংদোং আদৈত লিংখৎখি।

বৌদ্ধ শিবগী মশক—মণিপুরগী শৈব লাইনীং নৈনবদা বৌদ্ধ ধর্ম্মগী রাকম থরা পন্থরবদি মপুং ফাদে। বঙ্গদেশ, আসাম অমসুং নোংপোক এসিয়াগী লমদা শৈবতন্ত্রগা বৌদ্ধ তন্ত্রগা য়ানশিন্নবা মওং চৎলি। বৌদ্ধ অমসুং শৈবগী তন্ত্রদা সাধনাগী মকম, সাধনাগী পাম্বৈনা মপং ওইবা পোত্তা চংবা, মশক উহন্দবা অমসুং পুংশিত্তা পাইবা ঙম্মী হায়বা কংই। বঙ্গদেশতা শিববু চাক্লিবা ওইনা লাৎপসি বৌদ্ধগী ত্যাগ তৌবদুদগী ঙম্মী। বঙ্গ সমাজগী ওইরম্বা অদু মহাদেবনা লৌ উবা অমসুং ময়ূর পানবদা, মমি তাই। মণিপুরদা লম্বী ওইদুনা থা নোংপোক এসিয়াগী লমদা বৌদ্ধ ধর্ম্ম শন্দোকখি হায়বসি পৃথিবীগী পণ্ডিত পুম্বনা হায়রৈ। মণিপুরদা বৌদ্ধ ধর্ম্মগী ঈথিল লৈরম্বা হায়বসিদা পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপু শর্ম্মাগী মোত্তা চীংমান অমসুং লোক্তা অচৌবা নুঙগী মূর্ত্তি লাৎপসি বৌদ্ধযুগকী চৎনবীনি। বৌদ্ধগী অচৌবা মূর্ত্তি শারগা মহাদেব ওইনা খুরুম্মে। মৈতৈশিংনা হান্না লাৎনরম্বা লাই অদুগা বুদ্ধদেবগা মশা অমত্তনি নীংদুনা হান্নগী লাইনীং অদু হন্দোকতে। কোম্বনা লিংখৎপা বুদ্ধগী মূর্ত্তিদা হান্নগী লাইনীং অদু থোনজিল্লি। মরম অসিনা হুরেনশাংনা কামরূপ (আসাম) তগী সমুদ্র কাউবদা বৌদ্ধ ধর্ম্মগী ঈচেন চেন-শিন্দে হায়খিবনি। নুঙ হক্তুনা মূর্ত্তি খুরুম্বসি বৌদ্ধ শিবগী শকফম ভিন্নখিবদু ওইবা য়াই।

পূজা অমসুং মরুওইবা কুমৈশিং:— শিববু উমং লাইগী মশক্তা মাইবা মাইবীশিংনা হরাওরগা, ঙা অমসুং ওক কত্তুনা খুরুমনৈ। পৌরাণিক হিন্দু ধর্ম্মগী মওংদা বামনশিংনা রুদ্রযজ্ঞগী মন্ত্র থীবা,

ত্রিনাথ পঙ্কালী থীবা অমসুং হৈ-লৈতগী পূজা তৌখসু চৎলৈ। শঙ্গোম, কোলা অমসুং নৈমিৎ কৎলগা ময়াম্বা প্রসাদ ফংবসি মৈতৈ লৈবাক্তা চৎলৈ। হৈথাগোক মনা অমসুং মহৈ, শঙ্গোইহীদাক মপান, থম্বাল অঙৌবা, অচাথাউ, গঞ্জা ভাম্বক অহুম অমসুং কবোক-হৈবোক অসি পূজাদা চংদবা য়াদে। বামন য়াওদনা মৈতৈতনা কোলা কৎপসু তৌই। ত্রিনাথ পঙ্কালীগী য়ারী তাকপা বেঙ্গলী পয়ার অতু লাইরিক থীবা অমনা পাই অমসুং মৈতৈলোন্দা হনবা লাইরিক হায়বনা ব্যাখা তৌদুনা ভাবক ময়াম তাহল্লি। লাই খুরুম্নবা মুমিৎ, থাবান অমসুং খেনফমদি মাইবী অমসুং পাঞ্জি হৈবনা লেপই। নোংমাইজিং মুমিৎ অসি শিবা খুরুম্নবগী অশেংবা মুমিৎনি। ললোনবা তোংনবা, মচা-মশু পোক্রবা, কত্তবা কয়া ঙাকপিনবা অমসুং অরুবা তানথৎনবা মহাদেব খুরুম্নে।

মণিপুরদা ফংবা অঙকপা অমনা মহাদেবনা তোংবা মাইবী অমসুং পাঞ্জি কয়া ফংই। উমংলাই নোংশাবা, পাথৎবনচিংবনা পূবা মাইবী-গুম্না মহাদেবনা পাউতাক পীবা অমসুং থানদবা মাইবী কাঙলুপ চৎলৈ। পণ্ডিত অমসুং পাঞ্জিদসু মহারাজ মংতাক পীবা অমসুং খুদম চাংদম খংহনবা ফংই। শিব ভক্ত ওইনা মহাকপু প্রজানা খুরুম্নবগী থবক কয়া মখোয়না তৌরকই।

লম্নাই খুরুম্নবা নত্তনা লৈপাক হুপ্পা পালন তৌনবা অমসুং মৈতৈ নিংথৌনা প্রজাগী ওইনা শিনবা শিবগী কুমৈ মথল অহুমথক ঐখোয় লৈবাক্তা মহৌশাদগী চৎনরকই। মখোয় অদুদি :—(১) শিংথেক শিংথাবা অমসুং চৈরাউবা; (২) চীঙ্গোই বারুণী কাবা অমসুং শিবরাত্রি।

(১) শিংথেক শিংথাবা অমসুং চৈরাউবা :— কুমৈ অনী অসি এঙ্গোলৌঙদগী চৎনরকপা মৈতৈ জাতিগী কুমৈনি। মৈতৈগী চহী অমা লোইখিবা তাকপবু চৈরাওবা হায়না চৎলৈ। মথাঙ নোংমা

হানবা সুমিৎপূনা শিংথেক শিংখাবা ঃহাম্ন। চৈরাউবগী চৎনবা মসক অসি ক্যাম্বা হাক্তক্তা শেমদোকখি। শ্রীখোম্বনা হৌজিক উরিবা মতৌ অসি নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী মত্তমদা গৌড়িয় বৈষ্ণবগী ঈথিন্দা কজনা শেমদোকখিবদুনি। আসাম অমসুং বঙ্গদেশতা চৎনবা কুমৈদা তোংশিনবা হান্নগীসু খরা য়াওবা অমসুং মণিপুরগীদা শেম্বা খুৎশেম অদু ফংই। শজিবুগী হৌগৎলকপা নোংমা পানবা তাক্লবা কুমৈ অসি বৈশাখ সংক্রান্তিদা শ্রীশ্রীচড়ক পূজাগী মতুং ইন্না চৎপ্রে। শ্রীশ্রীনীলপূজাগ শিংথেক শিংথাবগা নোংমতগা তাহল্লে। বাঙ্গালীগী থাবানগী তারকপা মতুং ইন্না মৈতৈগী চৈরাউবসু থাবান হোংদুনা লাউরে। শজিবু লোইবদা নত্রগা কালেনগী মপুংদা চৈরাউবা তারকই। কুমৈ অসি শজিবু মপুংদা তাত্রবদি হান্নগী চৎনবী কায়। চহি ৪/৪ দা মলমাস থা ২ পানবা য়াউদুনা (চানহনবা) তাই।

কুমৈ অনী অসিদা মৈতৈনা চহি, থাবান অমসুং সুমিৎ পাবা, জ্যোতিষ শাস্ত্রদা নৈনরম্বা সভ্যতাগী মচাক উই। সুমিৎ ৩৬০গী চৈশিং থাবা অসি শিংথেক শিংথাবদা তৌই। লাক্কদৌরিবা কুমদা শিগদবা মী অদু শিংথেক শিংথাবদা য়াওই হায়দুনা কিনৈ। সুমিৎ অসিদা অহিং তুমদবা চৎনৈ। লৈপাক্কী পণ্ডিতশিংনা হৈবোক মহাদেবদা চত্তুনা চৈ মপুল পুরগা পূজা তৌই। চৈরাউবা সুমিত্তসু শিব নীংবগী অচৌবা শক্ষক অমা ফংই। কুমৈ অসি সনামহি লাইনীংথৌগী অচৌবা, অশেংবা ওইদুনসু মৈতৈ য়ুমথোং খুদিংনা মপান্দা কোম্বোংদা চাক য়েঙ্গাং অমসুং দক্ষিণা য়াওনা মহাদেবনা পোকপা লম্মাবা, তুমাবা, লমশেনবা অমসুং তুশেনবা লাৎলি। পেরুক, লৈরি, লোকলৈ, পূলৈ অমসুং কোম্বীরৈনচিংবা মণিপুরগী অনৌ-অপেন অমসুং হৈ-লৈ পুম্বা চৈরাউবা মত্তমদা ফংই। য়ুমগী সনামহি অমসুং লৈমরেল সিধা কৎপা, তন কৎপা, খুলগী বামন লাইদা

সিধা থিনবা অমসুং ময়াম চানবা খোংবদা মতম অসিদা কংবা হৈংলৈনা মপুং ওই। মহৈ কুংই ঋষৈ।

চাক চাবা তোক্লগা অইন, 'নহা কুমসুং মী পুম্বা মনাক নকপা চীংদা শিব খুরুম্বা চৎনৈ।' লাঙ্গোল চীংদা থোঙারেম্বী খুরুম্বসু চৈরাউবা সুমিত্তা ফংই। চীংমৈয়োং, চীঙা, হৈবোক অমসুং ভম্পাক্কী চীংশিংদা নুংঙগী থুবম ওইবা শিব-খুরুম্বা ফংই। নুংঙনা শাবা মূর্ত্তি চেদা নত্রগা ফীদা য়েকপা শকওং অমসুং লৈবাকনা শাবা শিবগী থুবম কয়া চীংথক্তা বামনশিং অমসুং লাই খুরুম্বা হায়বসি সুংথিল সুমিদাংবাইগী ওইনা অচৌবা কুমৈ অমা মণিপুরদা চৎনরকই। পুম্নমগী থাকনি হায়না মখোয়না লেপই। পোলিস দিপার্টমেন্ট অমসুং লম লমগী ভলন্টিয়ারশিংনা ঙাক শেন্দুনা থৎন চৈনবা খোক্তনবা কয়া শিনলি।

(২) চীঙ্গোই বারুণী কাবা— মৈতৈগী সমাজ অমসুং সংস্কৃতদা মমি তদ্রেনা লৈহৌরবা কুমৈ অসি শৈব লাইনীংগা তিন্নবা ফংই। লমদাগী শিগদবা সুমিৎ হুম্নি রাংলিঙৈদা হায়া বারুণীগী চীঙোই লুপ্পা অদুগা শিব খুরুম্বগা অনীমক তিন্নহুনা মৈতৈনা পালন তৌরি। সুমিৎ অসি নিংথৌ নাউথিংখোংনা মাবু কনবিরকপগী থামুথক্তা মাঙগ্রবী নোংমাই পেতঙাবু নীশিংনবা তৌবা মৈতৈগী কুমৈনি। হিন্দুগী প্রভাব কয়া মহারাজ গরিবনিৱাজগী মতমদগী চঙশিল্লক্লুনা চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদা মশা মরেং শন্দোকখি। শ্রীহট্ট অমসুং কাছাড় মায়কৈদগী হিন্দু কয়া লাকখি অমসুং খুন্দাখি। মখোয়দা চৎনব বারুণী কুমৈ অদু মণিপুরদা চঙশিল্লকই। [মণিপুরগা কাছাড়গা ভাইমুবা ভুবন চীংদা ভুবনঠাকুরগী (মহাদেবগী শকওং অমা) খুব লৈ। বারুণী সুমিত্তা হিন্দুশিংনা তীর্থ চৎনৈ। লাইনীংবা লা কয়াসু লাইফম অসিদা ঙবা ফংই।]

পাথংবগী থুবম শজাই ঋষমদা অমসুং থলোংদা লৈবা ও

মহাদেবগী থুবম ওইনা চৎনখি। নোংমাইজিংবু নীলকণ্ঠ গিরি হায়না খোল্লুনা শিবগী শক্তাই মুংকম ওইহনখি। শ্রীকৃষ্ণনা মোহিনীগী শককম লৌদুনা মহাদেববু ভস্মাসুর হিংচাবগী মথৎতগী কনখিবা মকম অদু নোংমাইজিংগী শুরুংনি। চীঙোইবু শিবনগরনি অমসুং নোংমাইজিংদা লক্ষ্মী অমসুং সরস্বতীগী কুণ্ডনচিংবা লৈ হায়বা মৈতৈ বামন পণ্ডিতশিংগী শেখ শুগী শক্তি কয়া চৎহনজ্রে। নোংপোক নিংথৌ অমসুং নোংপোক পান্থোইবীনা কম্বাল তোংখিবা খলোং অসিদা য়োংকী খাবৈ নিংথৌরোন খুদিংগী মুংবা, শেন কৎপা অমসুং পুন্সি শাংনবা থৌনিরোল কয়া তৌবা মহৌশাদগী চৎনরকই। নোংপোক নিংথৌ শিবগী অবতার ওইদুনা থৌনিরোল অসিগী শৈব লাইনীংগী তোপ তোপ্পা মচল ওইনা থোকহল্লি।

নোংমাইজিং চীং অসি নোংপোক্রবা লাই লৈবা, ফৌথোক ফবা মকম অমসুং মমল য়াম্বা হীদাক লাংথক কংবা অশেংবা মফম্নি। খুরুম্বা চৎপা অসি ইমাকখুনবা, মকম নাইনবা, মচা মগু পোক্রবা অমসুং খলোং চঙলগা লাইথুং কোকই হায়না খল্লে। লাই খুরুম্বা মীপুম খুদিংনা বারুণী মমাঙগী অহীংদা নোংমাইজিং তান্না অঙবা হৈ, লৈ অমসুং শেন পুদুনা চৎনৈ। অহীংদা চীঙোই তীর্থ মুপই। গৌরনগর নত্রগা শিবনগরদা রাস অমসুং ঈশৈ য়েংই।

মথংদা লাইকম অচৌবা তান্না কাখৎনৈ। য়োরমদাইদা কুণ্ড কয়াদা শেন কৎনৈ। লাইকম অচৌবা খুরুম্নগা হল্লকপা লম্বীদা খলোং খুরুমনৈ। চহী ৩/৪ লেপ্তুনা বারুণী কায়বদি বৃন্দাবন, নবদ্বীপনচিংবা চৎত্রবসু য়ারে খল্লে। বারুণী ঈরুম্নগী মতম অদু লৈবাকী অখণ্ড-অহৈনা লাউথোকই। নোংমাইজিং সুমিত্তা তারগা মহাবারুণী কৌদুনা খুরুম্বদা মহৈ চাউবা হেনলি।

লাই খুরুম্বা চৎপদা শিব, দুর্গা, যোগী অমসুং ভেবুত ভৈবা শাদুনা কাওম্নুপ চৎপসু মহৈ চাউই হায়না খল্লে। লৈকায় কয়াদগী হোলি

দল কয়াসু চৎলৈ। লাইকমশিং অসি প্রজানা খুরুম্বদা মুঙাইনবা ধর্ম্মগী মকোক থোংবা নিংথৌনা শিননি। কোম্মুংগী পুরিৎ অমসুং বামনশিংনা হায়না শেমদুনা ময়ামবু ওকই; যজ্ঞ তৌই। বন্দকী চহী খরসিদা মৈতৈ মরূপ লাইনীং প্লাবা কাওবুনা লাইকম অমা অনী পাইশিন্দুনা মৈতৈ ঈনাৎনা হৌনবী কয়া তৌদুনা খুরুম্লৈ। বারুণী গীদমক চপচানা শেম্বা কমিটি লৈত্রি। সরকারগী মায়কৈদগী পোলিস অমসুং ডাক্তরনচিংবা থাদুনা অশোক অপন অমসুং খৎনবা য়েংশিল্লি। প্রজাগী মায়কৈদগী স্কাউট কাওবু অমসুং চীং মনাক নকপা খুনগী নহারোনশিংনা ভলন্টিয়ার লিংদুনা লাই খুরুম্বা মুঙাইনবা হোৎলৈ। লম্বীদা কাকম শেম্বা অমসুং অচৌবা পুখ্রী তৌবনচিংবা তৌই।

বারুণীগী অয়ুক্তা ইরোইশেম্বা চীংথক্তসু লাইখুরুম্বা চৎলৈ। লাইখুরুম্বা চৎপা মীশিংনা কীর্ত্তন তৌবা, হৈ, লৈ, ফলার কৎপা ফংই। তুরেন তিময়ফম ঈরোংদা ঈরুপলৈ। আনন্তশাই মন্ত্রী পুন্সিবনা হৌদোকখি হায়লৈ। বিষ্ণুগোবিন্দগী সেবা চৎপা বামনশিংনা মহাপ্রভু মুর্ত্তি চীংথক্তা পুখৎলগা ময়াম খুরুমহল্লি।

বারুণী খুরুম্বদা মৈতৈ, হিন্দু ধর্ম্মগী অতৈ কাঙলুপশিং, শেংলবা মুমিৎ অসিগীদমক লাই খুরুম্বা লাকপা মপানগী সাধুশিং, তমগী লমদা তাবা কবুই অমসুং পাঙলশিংসু য়াওই। কাঙলুপ নাইদবা খুদিংমক্তা য়াবা অমসুং মণিপুরগীদা ওইবা লাইনীং মখল অমা কুমৈ অসিদা উই। রেডিও প্রোগ্রাম অমসুং ফীল্ম ওইনা পুথোক্তুনা উৎপদা ঐখোয়গী অফবনি।

ধর্ম্মদা থবায় লুপ্পা মণিপুরী হিন্দুশিংনা নোং মুংশিৎ কয়া তৌরবসু, থীনা ময়বন্ত অমসুং শা-কৈগী অকিবা লৈবরসু মুমিৎ অসিদা লাই খুরুম্নদবা য়াওদে। ওয়বা চীংথক, তিম্মং শীংনাংনা থল্লবা লম্বী, লম্মৈ চাকপা অমসুং উ-রা ভেকপগী অকিবনা হস্থহনখিদে। অচা থাউনা মৈনম থান্দুনা অহাং তুমদনবা চীং কাখৎনবা যাত্রিকশিং

উবদা কন্নাগী পুক্নিং ওনলোইদগে। (হিংবুনা লৈরিবা শৈব লাইনীং, গী থোইদোক হেন্দোক্লবা খুদম ওইরি।

কুমৈসিনা মণিপুরী হিন্দুশিংগী (পাখণ্ড লৈশাবীশিংগী) পুন্সিদা ওইরিবা মকম অমসুং সাহিত্যগী মায়কৈদা তাবা শক্তি ঐখোয়না কাউবা ঙমদে। মাইস্নু পেমচানা মশাবী বরাচাউবা ঠাকুরগা চীঙ্গোই লৃপিন্নবা অমসুং মাইরিপোক থঙ্গালগী মহাদেব খুরুম্বা অসিনচিংবা কয়া শৈশক শৈদা অমসুং সাহিত্যদা শিদ উরেং থিল্লমলে। পাখণ্ড লৈশাবীশিংনা ঙাওনবা, প্রমাণ তৌনবা অমসুং রাশক্লবা অসি ময়ায়-থংবা মণিপুরগী সাহিত্যদা তঙাইকদনা তৌনখি। বারুণী মহাদেববু অচৌবা লাই ওইনা হায়বদি থুংনগদবা লৈরবদি অকবা খুদম উহনবা, থামুখক্তা মাঙগদবা ওইরগা খুদম ফত্তবা পীবা, অরানববু লাক্লবা অমসুং মরান লৈজদববু কনবীবা ওইনা উৎলি। ডাক্তর কমল সিংহনা মহাক্কী মাধবী উপন্যাসতা উরিরৈগা বীরেনগা লাই খুরুম্বা চৎমিন্নহনবা, চীংদা বীরেনগী নুপা থৌদাং পাংথোকখিরা, লম্মে চাকপা, কৈ হাৎপা, অমসুং ফত্তবা ভুবনগী কাওবু থেংনবন-চিংবা চীঙ্গোই বারুণী কাবদগী শেমখি। লাইফমদা উরিরৈনা বর নীত্রিবত্তমক মশাগী মশক উৎপা ওইনা কবিনা লৌই।

চহী ১০/২০ মুক্কী মতুংদা সুমিৎ অসিগী পালন মতৌ খরা হোংলক্লে। হান্নগী মৈতৈগী ধর্ম্ম পাম্বা মীওইদদি চীঙ্গোই মপাল ঈরুপফম অসি বৃন্দাবন অমসুং নবদ্বীপতগী হেন্না ফেংই। পৈঙ্গা তিংনা তীর্থ চৎকনবগী শরুকপুদি মসি লৃপ্পনা ফৈ থনলে। শিবগী অস্তি অতু মসিদা ফুমজিন্নরে। লাইফম থরম্ম শেমগৎতুনা বামন-শিংগী মকম শোম্বহল্লে। নহারোল কাওবুদি অহৌং লাইখুরুম্বা চীংদা চৎপসিনা থবন চৈনবা অমসুং ধর্ম্মগী মমিংদা ফত্তবা কয়া তৌনবগী তাঙ্গা ওইরে। হরাগাড়ী, জীপ, ওক্তোরিক্সো অমসুং একাগাড়ী-নচিংবা মপুংফানা সুমিৎ অসিগী অয়ুক্কা চেনফম ওইবনা মুদোংথীবগী

ঈ-পাউ কয়াগুম্ হাপকৎলকই। ধর্মগী মকোক ওইনা থবক তৌরবা মৈতৈ নিংথৌগী শক্তিসু মুখৎখরে। অদুনা মকোক থোংনা য়েং-শিনখিগদবা লৈতনা প্রজাশিংগী য়ুখলতনা অচৌবা কুমৈ অসিগী হৌনবী ভাকপা তারে।

(৩) শিবরাত্রি শিরু থুরুম্বগী শেংলবা অহীংবু শিবরাত্রি কৌই। ভারতকী মফম অতৈদা তৌবগা মণিপুরগা খেন্নবা হায়ববু মণিপুরনা নোংমা চোম্বনা তৌই। মশাগী অভাবদগী নোংমা থোংথ-রগা হিন্দুগী উৎসব তৌবসি মৈতৈগী অতোপ্পা মশক অমনি। অহাবা সুমিত্তগী অকোনবনা হেন্না শেংই খনৈ। শিবরাত্রি সুমিত্তা লাই-নীংবা মৈতৈ প্রজানা চরা হেনবা অমসুং অহীং তুমদবা চৎনৈ। শিব পোকলে, পূজা তৌবা য়ারগনি হায়বসি কোসুংগী নোংমৈ কাপ্পুনা খুন অপুম্বা তাহনলি। কাপখিবা মথোল ফংদনা খুরুক-ইরক্তা পূজা পায়খৎনদে। পূজাগী মতম পালন তৌগদবা সুমিৎ অমসুং ফলনচিংবা নিংথৌগী ব্রহ্মসভানা লেপই। লেপ্লখিবা অদু নিংথৌগী হুকুম্না লেপ্পুনা লৈবাক পুম্বা চৎনৈ।

অহীং অসি তুমদনবা মথল কয়া মণিপুরদা চৎনরকই। রা-শকুনা পূজা কৎপা মীওইনা পূজাগী পোৎলম লাওই। বামন কোম্বনা হৌনবী চৎথহনলি। ত্রিনাথকী মরমদা ভাকপা ঈশৈ খন্তবা মী, ভজন হৈবা মী, যন্ত্র শীজন্নবা মীওই কয়া কোম্বনা অহীং অদুদা শকুনা তাহল্লি। ত্রিনাথকী ঈশৈদা নত্তনা মথল মথেন কয়াগী ঈশৈ শকহন্দুনা ভাবক সুগাইহল্লি। বেঙ্গলী, হিন্দী অমসুং মৈতৈ-রোনগী ঈশৈ কয়া লেংথোকতুনা সুর পানলি।

চহী খরগী মমাংদা মথোক কারকপা লৈশ'বী পাখংশিংনা খুন খুন্দা লিকোন শান্নবা চৎনরমই। কৃষ্ণজন্ম রাধাজন্ম, শ্রীপঞ্চমীগুম্না শিবরাত্রি অসি সমাজগী পুন্সিদা মশক লাইবা সুমিদাংগী কুমৈ ওইরম্মি। পাখংশিংনা লিকোনগী থাউমৈ ভম্বা নঙ্গ্রসা থাউমৈ পু পুদুনা

শায়কম থিবা কয়া তৌনরম্মি। মৈতৈ সমাজগী মশক অমা উৎ-লম্মি। শাবী-শানৌ কয়াগী উয়নবা তাঙ্গা, শুক্লিংগী বা ফোঙদোরবা অথিংবা লৈতবা অমস্তুং সুংশি সুংওন কয়াগী মচাক উৎনকম ওইখি। লিকোন ছন্দুনা অহৌংচুয়া শায়বদা পাখং লৈশাবীশিংনা প্রমাণ তৌনবা, ফাগী তৌনবা অমস্তুং সুঙাইমিয়বগী মতাংনি। মী তিনকম হায়বদু জম্মসিদা ওইখি। নূপী মচাগী য়াহৌগী পাখং মশেন খৎনবা, য়ৈনবা অমস্তুং তুংগী থৌদোক কয়া থোরবগী মরু ছনকমশু ওইখি। লিকোন তৌবসি ধর্ম্মগী মিংদা ভোল্যুণ্টরি (অনীংবা য়াওনা থবক তৌবা) ওইনা তৌনরম্মি। লৈকায়গী অহল লময়া ঙাকশেনলি। সহর অমস্তুং লরায় থরাইদা কুমৈ অসি লিকোন শায়বনা ফোঙ-দোক্নে।

য়াউশঙ পালন তৌবসি মণিপুরদদি বৈষ্ণব ধর্ম্মগী প্রভাবতা শ্রীচৈতন্য পোকপা অমস্তুং রাধা কৃষ্ণগী (দোলযাত্রা) হলি শায়বা ওইনা থম্নে। অপাম সুংশিনবগী লাই কামদেববু মহাদেবনা উৎ ওলহনবগী কুমৈ অদু কয়া থওইনদে।

---

(১১)

মণিপুর অমস্তুং বৌদ্ধ ধর্ম্ম

বৌদ্ধ ধর্ম্মগী ফজরবা নীতি, হিন্দু ধর্ম্মবু হ্যমেনাইজ [থোৎ-হনবা উৎপা] তৌদুনা চহীচা কয়া য়োকখিবা অমস্তুং ভারতকী মপান্দা ঈনাৎকি সম্রাজ্য অমা শেমখিবদু ভারতনা মনীংতম্বা লৈবাক অমা ওইবদগী খঙনরকই। ঐখোয়গী অহানবা প্রধান মন্ত্রি পণ্ডিত জবাহরলাল নেহরুনা লম অতৈগা মরী থম্নবদা শেমখিবা নীতি পঞ্চশীলা অসি বৌদ্ধ ধর্ম্মদগী লৌবনি। ভারতকি থুদম উৎপদা

অশোক চক্র অমসুং নোংশা মমায় অহনবা কাংবা পীজিম্নখি। পদ্মশ্রী হায়বা বোদ্ধী মতুগী মিংথু. উপাধি পীবদা তোয়না পীজিম্নরি। পণ্ডিত জৱাহরলাল অমসুং ডাক্তর আর. বি. আম্বেদকরনচিংবনা ধর্ম্ম অসিবু থরায় তানা পামখি। দ্রাবিড় সভ্যতা. চাওখৎহন্নীংবা খা ভারতকি নেতাশিংনসু কয়া শোগৎপা উই। খৃষ্টান ধর্ম্ম অমসুং কম্যুনিজম-শুম্না অচৌবা শক্তি ওইরক্লি। নোংপোক এসিয়াগী লমপুম্বগী মরায়-বক লেপ্লকম ওইরী।

বৌদ্ধ ধর্ম্ম অসি মশাগী লোন, সাহিত্য, ঈনাৎ অমসুং অফবা মগুণ পুম্বগা মশামরেং কল্লবা খোংনাংবটকুম্না এসিয়াগী মফম পুম্বদা শন্দোকখি। অশেংবা মরা অদু কংখিবগুম্নে—মরম কয়ামুক্তা ভারত্তা মুথৎখরে। সুংশিৎনা পুখিবা মরুদগী তাহৌবগুম্বা চায়না চীনা, লঙ্কা, টীব্বত, বর্ম্মা, কোরিয়া, জাপান অমসুং রুসিয়াগী লম খরদা মপাল হৌখি। সমুদ্র লান্দুনা মেক্সিকো অমসুং পেরুদসু প্রভাব তাখি হায়না অনৌবা মত পীনরি। অরিবা মতমদা ধর্ম্ম অসি ঐখোয়গী মণিপুরদা য়োরকপ্রিবা নত্রগা মরী করিমতা শমনত্রবরা হায়বত্র নৈনজরি।

ঐখোয়না খনগদবা অমনা মতমগী মতুংইন্না ধর্ম্ম নত্রগা কলচর অসি মশক হোংই। বেদগী ধর্ম্ম, খৃষ্টান ধর্ম্ম অমসুং ইসলামনচিংবসি হায়া লিংখৎপদা ওইরম্বা মশক নত্তে। লম লমদুগী ফীভম অমসুং য়াওনগা তিন্নহনা মশক হোংদোক হো'জিন তৌই। হৌজিকা হিন্দু ধর্ম্মনা বৌদ্ধগী শরূক কয়া য়াওশিনলে হায়বসি মশানা তাই। লম অসুক য়াম্বদা বৌদ্ধ ধর্ম্মনা চৎপা ওমলিবসিসু হায়নী লাই-নীংগা চৎমিন্নবা ওম্মিবনি। চীনা, জাপান অমসুং এসিয়াগী মীওই কয়াগী হায়া চৎলম্বা পোকপা, শিবা, লুহোংবা অমসুং কুমৈ কয়াদা বৌদ্ধ ধর্ম্মনা অকুপ্পা আইন পীরুদে। ভারত্তা বৌদ্ধ ধর্ম্মনা কনানসু তেংথাবিদনা মাঙজখি; তৌইগুমসুং বৌদ্ধগী চর্চতা নত্তনা হিন্দুশিংগী য়াথল কয়াদা হিংলি হায়বসি য়ানকম থোকই। মণিপুর অসি

অরিবা মতমদগী নোংচুপ অমসুং নোংপোক্কী লমশিংগা কাওরবা চাওখৎপা লৈপাক অমনি। মুগাগী লম্বেলদা ললোনবা কাওবুনা লম অসি কাওচুনা চৎখি। মণিপুরনা 'রূপানগী লমগা মরী লৈনরম্বগী খুদম কয়ামুক লৌখ্রুলি।

(ক) বৌদ্ধ ধর্ম্মগা মরুবা লমশিং কপিলবাস্তু, মগধ, গয়া-নচিংবনি। নেপালগী শাক্য শাগেনা কপিলবাস্তুদগী লাকুনা মণিপুর জয় তৌচুনা পানখিবগী খুদম পয়ে। খৃঃ মমাঙ ৯০০ দা শাক্য নিংথৌমচা অভিরাজনা মণিপুর কাওচুনা অবা য়ৌখি। খৃঃ ৪৫০ দা শাক্য নিংথৌমচা দ্বিজরাজনা মণিপুর জয় তৌখি। মতম অসিরাইদা ললোনবা মী কুরূপ অমসুং ভিক্ষুশিংনা মণিপুরগী চীং লম্বী কাওচুনা নোংপোক লম চৎখিবা থেংনৈ। খৃঃ মমাঙ ৩০০ মুক্তা বৌদ্ধ ভিক্ষুশিংনা শন্দোকপদা মৈতৈ নিংথৌরেল তৌরেন খাঁ (থাব শলাইদা পানখিবা নিংথৌ অমা) অসি প্রজাবু লৌহনগে তৌবদা প্রজানা য়াদবদগী মায় পাকখিদে হায়বা য়ুক্ষম অশোনবা অমসু পয়ে। খৃঃ মতুং ৮০০ দা ভিক্ষু চন্দ্রগুপ্তনা মণিপুর কাওচুনা য়ুনান য়ৌখি হায়না অথও অহৈশিংনা পনলি।

(খ) নোংপোক লমগী শান, চীনা, অবা অমসুং য়ুনানগী মরমদা ঐখোইগা শম্নখি। বিষ্ণু লাৎপা পোং নিংথৌ মরোন খরা খৃঃ মমাঙদা পাথংবগী মতমদা পানখিবা মৈতৈ পুরাণনা প্রমাণ তৌই। শাব-জুংনা মণিপুর কাওচুনা নোংচুপকী লমদা দিগ্বিজয় চৎলুরগা নোং-পোক ইথোলদা চহি ১০ লৈরম্বা অদু কুপ্তাবনা চেৎশিনহল্লি। খৃঃ চহিচা ১৩—১৭ তা থাগিনা মণিপুরদা লান্দাবদা মৈতৈ নিংথৌনা ফা-জিন্দুনা থমহৌবা লানফাশিং অসি সুপা কথেংদা থুন্দাহনখি। মথোয় অসি বৌদ্ধ ধর্ম্ম চৎলি। অসি নত্তনা মণিপুরদা লাকখিবা পোং অমসুং নোংপোক হায়মগী মীওই কয়াম্ব বৌদ্ধ ধর্ম্ম চৎলি হায়বদা লান্দে। মথোয়না মতম খরা লৈরগা মৈতৈগী ধর্ম্মদা চংশিনখি। মীশীং য়াম্নবা

অকক্লবা লোইলবগী খুন খব্বুদদা তাবনা অকনবা লম্বী হায়রবদি লাইনীং, দর্শন অমসুং মহৈ মশিংলোমদা ঔখিন পীবা ঙমখিদে।

মুগা, চেকশাবা অমসুং কী লোন লাকপগী মতাংদা মখোয়না হৌদোকখিবা থরদি ফংই। পোং তাখিবসিগী মচা মশুশিংদগী অইবা পুরাণ অমা কেপটেন পেম্বরতোন্না থেংনখি। শ্রীযুমজাও সিংহনা অইবা লাইরিক খোমজনবদা শানগী ময়েক্না ইবা পুরাণ থেংনজ্নুনা মদু পানবা রেঙ্গুনগী কাওবুদা থওহনখিবগী রা য়াওই। অরিবা মতমগী (খৃঃ চহীচা ৭ অমসুং ৮) গী লৈবাক কান্নবা, খৃঃ চহীচা ১৮ অমসুং চহী তরেৎকী খুন্তাকপদা বৌদ্ধ বর্ম্মীজশিংনা বৌদ্ধগী কিয়ং, চাকচা অমসুং চৎনরোন মণিপুরদা পুশিল্লকপা ঙমখিদে। লৈবাক কান্নবা লোইরগা অমুক হনজিনবদা মৈতৈ নিংথৌশিংনা হিন্দু ধর্ম্মগী হৌনবীনা শেংদোকপা অমসুং প্রায়শ্চিতনচিংবা কন্না শাওখোকখি। মখোয়না শাগৎলবা ফুরা দলাল থুগাইরগা হান্নগী লৈরমদু অমুক শেমগৎখি। কবোগী কৌতুমণি (বুদ্ধ) দি কবোদদা মরৈরে অমসুং মণিপুরদা য়োরক্কে হায়নরম্মী। খৃঃ ১৯৬১ গী মীশিং থীবদা বৌদ্ধ চৎপা মীশীং ৩২৫ থক মণিপুরদা ফংই। চহি তরেৎ খুন্তাকপদা লানফা ওইনা পুখিবা মৈতৈ কতে (থরা হম্ববা কাওবু) মথৈ অরাগী বৌদ্ধ অয়াম্বা ওইশিনগ্রে। অরাংবা পোন্নামথৈদি (পূণ্য লৈবা) হৌজিকফাউ হিন্দু ওইরি।

মণিপুরদা মরুওইনা তমদা মৈতৈ অমসুং চীংদা মী মখল ২৯ না থুন্দাই। খৃঃ চহীচা ১৯ শুরকপদা চীংগী জাৎ পুম্বা খৃষ্টান লাইনীংদা লোইনা চঙগ্রে। মসিগী মমাঙদগ্গ হিন্দু অমসুং বৌদ্ধনা শোকহৌগ্রে। আসাম অমসুং ত্রিপুরাগী মফমদদি চীংমী মখল কন্না বৌদ্ধ চত্তুনা বৌদ্ধগী আর্ট অমসুং তন্ত্রমনচিংবা পুথোকপা ঙম্মা। মণিপুরগী চীংগী লমশিং অমসুং অরাংবদা লৈবা নাগালেণ্ডগী মফমদদি অরিবা যুগতা আর্য্যগী মিশন চৎলমদবগী প্রমাণ ফংলে। পালি অমসুং সংস্কৃতা ইবা বৌদ্ধ শাস্ত্র অমত্তা মণিপুরদা থওনরমদে। মদু

নৈনবা সংস্থা অমকাওবা উত্রি। অদুম ওইনমক পাক্ চাউরবা বৌদ্ধগী প্রভাব কয়া মণিপুরগী লাইনীংদা হাকথেংনদনা চঙখিবদু উৎলি।

১। জগন্নাথ অমসুং বুদ্ধ:—

বৌদ্ধশিংগী রথযাত্রা কুমৈ অসি (বুদ্ধবু দোলাইগী লাই ওইনা লৌবা) কথা উপনিষদকী পাউতাক পীবা রারীদা হকচাংবু দোলাই অমসুং থম্মায়বু দোলাই থৌবা ওইবদুদগী লৌথোকই। বঙ্গদেশতা লক্ষ্মণসেন্না পানবদা বৌদ্ধ ধর্ম্ম অসি হিন্দুদা ওন্থোকপা হৌখি। বেদগী পূজা অদু পাম্বা রাৎনরে। জয়দেবনা গৌতম বুদ্ধবু বিষ্ণুগী অবতার ওইনা লৌরে। পদ্মপুরাণ, ক্রিয়াযোগসারচিংবদা বুদ্ধবু ঙাকায়খুম্নরে। বিষ্ণুগী অবতারশিংগী রারীদু বৌদ্ধশিংগী রারী অমসুং লাইরিক্তা লৌথোক্লরে। জগন্নাথগী উনা শাবা মুর্ত্তিদা বিষ্ণুগী থবাকময়াগী শক্ত মচেৎ অমা হাপই হায়বা রারী লৈ। চহি খুদিংগী শক্ত মচেৎ অসি অহনবা উগী মুর্ত্তিদা হোংদুনা হাপই। রথযাত্রা মমাঙগী নব কাল্ বর বরণ কৌবা কুমৈদা উৎলি। কুমৈ অসি বুদ্ধনা বৈশাখ (এপ্রিল-মে) দা পোকখিবা সুমিত্তা তৌই। অশিবা মীগী মৈ থারগা শক্ত থম্বসি বৌদ্ধশিংগী চৎনবিনি। হিন্দুশিংদি তৌদে।

বুদ্ধ পূর্ণিমা অসি জগন্নাথ বুদ্ধগী মপোক সুমিৎনি। পোকপা মতুং শেংত্রিউৎ সুমিৎ ৩০ নি লোইরগা মুর্ত্তি অসি শেংদোক্লবা স্নান যাত্রা হায়বদি ইরুথোকপা তৌই। মসি বুদ্ধ পোকপা অদু উৎপনি। পোকপগী কুমৈ লোইবা ১৫ নি হৌরগা জগন্নাথগী কাং তোংবগী কুমৈ তৌই। বুদ্ধনা ময়ুম থাদোক্লুনা কাং তোংবদু উৎপনি। পুরী অসি বৌদ্ধগী অচৌবা মফম ওইরম্মী। জগন্নাথগী মুর্ত্তি অসি বৌদ্ধ লাইনীংগী খুদম উৎপা অঙকপা মওংনি। বৌদ্ধশিংনা লৈথা তারবদা লাইশঙ অদু হিন্দুগী ওইনা লৌশিনখি; মথোয়না অরাবা

তাদনবা জগন্নাথবু মিকুপ মতম অমদি হায়না পুখোকখি। মূর্তি অসি পুরী লাইশঙদগী তম্বুনা মণিপুরদা পায়গা কাং চিংবা অসি মহারাজ গম্ভীরসিংহনা হৌরোকখি। বৌদ্ধ ধর্মগী মশক জগন্নাথ লাংপা অমসুং কাং চিংবদা য়াম্না মণিপুরদা ফংই হায়বদা লান্দে। মূর্তি হাপ্লগা কাং চিংবসি বৌদ্ধ অমসুং জৈনশিংনা হৌদোকপদগী হিন্দু ধর্মরোমদা চঙশিনখি হায়নৈ।

(২) ব্রাহ্মণশিংগী— যজ্ঞ অমসুং শ্রাদ্ধদা শা হাংপা চৎনরমই। বৌদ্ধগী প্রভাবতগী চেঙ, থোইদিং, হৈ অমসুং লৈনা শিন্দুনা যজ্ঞ পাঙথোক্লখি। পৌরাণীক হিন্দু ধর্মগী মনা মশিং শীজিন্নবা অমসুং অহিংসাগী মশক অসি বৌদ্ধদগী তমখিবনি। মণিপুরদসু বৈষ্ণব চৎ-পশিংনা কয়া ঙাকই। উমংলাই হরাওবদা য়েন, ওক অমসুং শা-ঙা কয়া হাংপসি হৌজিকসু চৎনরি। মু থকপা অমসুং শা চাবশিসু ফংই। অরিবা মতমদা বৌদ্ধগী অহিংসা চত্নবগী খুদমনি। পদ্ম শিলা (নুঙ থোঙ্গুল), আসন (কমফম), অশেংবা লেমহৌবা পোক-শিং, আরতি, থাউ অমসুং হৈ-লৈ কৎপা মণিপুরগী বৈষ্ণবশিংনা তৌরিবসি বৌদ্ধ ধর্মদগী হাকথেংননা লৌহৌবা নত্তে। ময়াম ওইবা যুগকি ধর্মগী কাঙবু অয়াম্বনা অসুম চৎনরে। রোমান কেথোলিক-শিংনসু লোইনমক চৎলি। গৌড়ীয় ধর্ম মউ লিংলবা কালদা মথক্কী লাই থুরুম্নবা মশকশিং অসি শীজিন্নখি। শা-যণদা চানবা য়েনবিবা অসিসু বৌদ্ধ চৎনলোনগী ঈথিনশি।

(৩) বৌদ্ধ ধর্মগী পঞ্চ-বুদ্ধ হায়বদি বুদ্ধ মঙা অসি শৈব ধর্মগী মমায় মঙা কাংবা শিবদা তিনশনখি। বৌদ্ধ শিবগী তিনশিনবা লাইনীং অসি নোংপোক এসিয়াগী জাভা, সুমাত্রা, মালয়নচিংবদা চৎনৈ। মণিপুরদসু লাইনীং অসি মপুং ফাখি। মহাদেবনা চাক্রি-বগী মঙং লৌবা অমসুং মকোক্তা বুদ্ধ জটা ভাবা তোঙবৎপা অসি মণিপুরগী চীংমান্দা ফংবা মূর্তি পুখদা ফংই। মহাবলীদা মকোক মঙা কাংবা শিবগী মূর্তি ইতৌরোকতা কংবা শিবগী মশক অমসুং

হৈরোক্তা হিন্দুমযুম্না লাৎলিবা শিক মুর্তিশিং যোদিনদগী মরাক থাজনি। ইংখোল্লোক মহাদেবগী অস্থি মুখৈ কৈথি লৈরাংই। মরম অকনবা উচেক মযুক্ত কংদে। মরু শিংশৈরোনগী মালা পাক্না অমসুং মদু অকনবা মযুক্তা থম্বা বুদ্ধগী ধর্মবগী শকওং নাইশিন্নৈ। হৈরোক্তা কংবা বুদ্ধগী মূর্তি অসি নুংঙৌনা শাই। পুরী জৌবদা থেংনৈ। পুরী জৌবদগী মকোক য়াওদবা বুদ্ধগী মূর্তি অমসু কংথি হায়না কাহেংনব যুমজাউ সিংহনা মাগী রিপোর্টতা হ্যোঙই।

(৪) বৌদ্ধ ধর্মগী জাতি বর্ণ য়াদবা অমসুং হৌন লোনচৎ কয়া হিন্দু ধর্মগী সমাজদা চংশিল্লে। অশ্বঘোষকী বজ্রসুচী কৌবা লাইরিক অসুনা বর্ণ থায়বা মাঙহনখি। লাইরিক অসি ব্রাহ্মণশিংগী উপনিষদকা থাক অমত্তা থম্বা য়াই। বৌদ্ধ সন্ন্যাসশিংনা মশম, থুজিন তেম্না ককপা হকচাং অমসুং মফি মরোন নানবা, ইরুবা অমসুং চিন-য়া শেংবদা চেকশিনবা, চীজাক অমসুং থকপা চাবদা চেকশিনবা অদু গৌড়ীয় বৈষ্ণবশিংদসু কওই। আয়ুর্বেদদা য়ুক্তম ওইবা কওবা ঙাকথোক্লবা হকশেনগী নিয়ম কয়া শেখনু বৌদ্ধ অমসুং হিন্দুদা কংই।

(৫) হিন্দু ব্রাহ্মণশিংগী লম্বোইবা সাধু অমসুং বৌদ্ধ লম্বোইবা শ্রমন ভিক্ষুশিংগা থাক অমত্তদা লৈ। মযুম থাদোক্লবা লম্বোইবা অমসুং লম্বোইবীগী মতাং অসি হিন্দু ধর্মগী আশ্রমদগি ইকোন কোনবা মতাঙদা লাকই। পোকপদগী সন্ন্যাস ওইথিবা কয়া য়ামদে। বৌদ্ধ ধর্মগী হৌদোকপা গৌতম বুদ্ধগী খ্রাইদগী হেনবা থৌদাংগি লম্বোইবগী পুন্সি অসি শেমগৎতুনা নুপা অমসুং নুপীশিংনা চৎকদবা নিয়ম শেম্মসিনি। বুদ্ধনা পুথোকপা মখল অসি কাঞ্চুপ অতৈনস্থ মতৌ তমথি হায়না Sir Charles Eliot না মাগী মশিং চৎকবা Hinduism and Buddhism দা পনলি। শঙ্করনসু লিয়াম অসি বৌদ্ধদগী তমলি। মাগী শ্রীঙ্গেরি মঠ অসি বৌদ্ধগী আখড়া শেমগৎলি।

মণিপুরগী লাইনীংবা পুরুম। তান্ত্রিকী মখিং চৎপা মঠ কয়া চৎপুম্ম কই। হৌইত্তবসুং অরিবা মতমদা চাকনিবা লখোইবগী পুজা অমসুং লৈকম অসি কজ্জা লিজ্জনা লৈরমদে। চীং অমসুং তমগী চৎনমোলগা ওয়বা ওইনা লৈবনা মণিপুরগী অরিবা মতমদা বৌদ্ধ লখোইবগী চর্চ শেমগৎপা প্রভাব কংরে।

(৬) দর্শনগী মতাংদা ভারত্তা অনী শুদ্ধবা শঙ্করাচার্য্যগী অদ্বৈত-বাদ অসি বৌদ্ধ দর্শনগী বিজ্ঞানবাদ মাধ্যমিকাগী প্রভাব চংবা কংই। জগৎ অসি শেংদবা মায়ানি হায়না উৎপদা মমাংদা চৎলম্বা বৌদ্ধগী মহৈগী খুৎলাই লৌথি। অশেংবা মশকপু মশক অহুম থোক্লা (১) পরমার্থিক, (২) ব্যবহারিক অমসুং (৩) প্রাতিভাসিক। মায়াবা অসি হায়গী উপনিষদতা ফংদে। মধ্যমিকা দর্শনদগীনি। মায়া হায়বসি উপনিষদত্তগী শঙ্করনা শেমগৎপনি। বৌদ্ধলগী তোঙাম্নি হায়দুনম্ম বৌদ্ধ দর্শনম্ম ক্ষনিকবাদ (মিৎকুপ খরগীদা ওইবা) অমসুং অপোহবাদ (রাহৈ অমনা মাগী ওন্নতৈনবা অদু নত্তবা ভাকই হায়বা থিওরি) হায়না ককথংপা থেংনৈ। পৌরাণীক ধর্ম্ম হায়বদি শৈব, শাক্ত অমসুং বৈষ্ণবতা হিন্দু ধর্ম্মগী অনৌবা দোকান হাংদুনা বৌদ্ধ মাঙহনপ্রবম্ম বৌদ্ধ শাস্ত্রগী সংসারবু অরাবনি খনবা, কর্ম্ম থাজবা অমসুং ময়াম পুন্না অরান খুভম কংনবা মতম্বী খিবিক অদু খন্দবা য়াদে। ঐখোয়না ফংবা ইতিহাসকী লামায়দা মণিপুরগী নিংথৌ অমতনা বৌদ্ধ ধর্ম্মবু লৈবাকী ধর্ম্ম ওইহনখিবা য়াওদে। মীশিং য়ান্না মকম খরদা লাইনীং অসি ইনখিবস্ম ফংদে। হিন্দু লাইনীং অমসুং লোংপোক লমগী মরীদগী মঙাল খজিক তারম্বকাঙবদি কংই। অচৌবা শক্তি অম্না ওইদুনা মৈত্তৈ প্রজাগী দর্শনশিং অমসুং বৌদ্ধ চৎপা কাওল্পশিং মণিপুরদা খঙদবনা য়ুক্কম লৈত্তবা ওইরে।

(৭) মণিপুরদা ফংলম্বা তন্ত্র লাইনীং অসি বৌদ্ধ ধর্ম্মগী তান্ত্রিক ওইবা বজ্রয়ান সহজীয়াগা চাংদনদুনা য়েংসি। হিমালয় চীংশাংগী

চীংশাংগী মকম অমসুং তন্ত্র কয়া চুংলম্মী। মকসিংদা মণিপুরগীসু য়াওই। মৈতৈনা কুণ্ডলিনীসু পাংলক্লোকুনা সিংনবসিনবকসু হিন্দু তন্ত্রগী তোঙালি। তান্ত্রিক বৌদ্ধনা লাংথা ডাকিনী কৌবা নুপীগী মশক অদু মৈতৈনা লাই খুরুম্বা অমসুং পাখি অক-কুন্ত য়েংবদা ফংই। বৌদ্ধগী তন্ত্র লাইনীংদা কুণ্ডলিনী অমসুং খুইগী মথা থংবা থবাল অদুগী মশক ইপন পন্দে। নুপা নুপী শঙনবা থ্‌দম মকমদা লৈবা থবাল অদু হিন্দুশিংনা মনা মশিং ওঁ, অকোইবা অমসুং মপংনি হায়বদু বৌদ্ধশিংনা হন্দোকই। বুদ্ধশিংনা খোয়দৌ অমসুং থম্মোইদা লৈবা থবাল অদু জ্ঞানগী হোৎকম ওইনা কয়া পনবা মতাংদা হিন্দু-শিংদগী হেন্নি। অকোয়বা মকম মঙাদা বুদ্ধগী মূর্ত্তি মঙানা প্রভা লাইরেম্বীগা কম্মিয়ন্দুনা খ্যান তৌবা উৎলি। লাইনীংবা মীনা মশা-মক বুদ্ধনি খনলি। মোক্ষ ফানবদা কান্নগী মওংসু লৈ। মণিপুরদা চৎনবা তন্ত্রদা হিন্দুদগীসু খেন্নবা অমসুং বৌদ্ধগীদসু ওয়বা মশক ওইনা উই। বজ্রয়ান বৌদ্ধ লাইনীংদা হিন্দুগী লাইনীং অমসুং পূজাগা বৌদ্ধগী য়াখন খয়া য়ায়ৈ। 'ম' না হোৎবা পোৎলম মঙা ঈয়াংনবা নুপা নুপী থায়দবা অমসুং অয়োনবা মন্ত্রনা কন্তবা তৌবা ফংই। ওঁ মণিপদ্মে হুঁ (এ মুক্তা অদু থবাল মনুংদা লৈ) হায়বসি টিব্বত্তা লাইশোন ওইনা শোনবা লীশীংলক চৎলৈ। মসিদা য়াওরিবা হুঁ অসি মন্ত্রসু মহৈ য়ালহনবা শক্তিগী খোঙ্গেলনি। হুঁ অসি মতোন অনী পানবা মরোঙ কয়োঙবা পানবা খ্‌ৎলায় অমনা উৎলি। বৌদ্ধ তান্ত্রিকনা বজ্র পায়। খ্যান তৌবদা মতেং ওইনবা শরীক লীজিরৈ। শরীকী মপান অদু চৈ অমদা তক্লগা অতপ্পা হুঁ হায়বা মখোন খোকহল্লি। হুঁ অসি বেদগী মূল তত্ত্ব ওঁ গা মান্নবা তন্ত্রগী অচুম্বা উৎপা থ্‌দমনি। মৈতৈ অরিবগী লাইশোন তিনশোন অমসুং পূয়া কয়াদা হুঁ হেক হেক য়াওই। শরীকসু পায়নৈ। বজ্রয়ানগী মশক থরদি জারম্বী। সহজিয়া তন্ত্রগী মশক অসি লাই হয়াওবগী পূজা, জগোয় অমসুং গৌড়ীয় বৈষ্ণবতা চংশিনবা উই। বৌদ্ধ

সহজিয়াদগী খন্ন হোংদোকপা মশক ঐখোয়গীদা ফংই। মণিপুরদা ফংবা লাইশা মথম কয়াদা বৌদ্ধ তন্ত্রগী থরণী মন্ত্রগী রাহে খঙত্রা হায়বদু থিজিল্লিঙাই লমী চাউনা লৈরি।

(৮) খুৎশা হৈবদু অমসুং কলাগী থবক্তা বৌদ্ধ যুগকি প্রভাব লাকখি। ঐখোয়না কাং চিংবদা য়াওরিবা অঙ্গারি মওং অসি অরাগী বৌদ্ধ লাইশঙ মওং লৌই। 'চেরা হুর অহানবা শাবসি নোংপোকী চেকশূবা মীগী মতৌং লৌই। ফুরা হায়বসি বর্ম্মাগী লাই কয়াদগী থৈথখিবনি। ফয়া লাই অসি মহামুনি গৌতম বুদ্ধবু কবোশিংনা লাৎপা মশক অমনি। মণিপুরদা চেক শূবসি খাগীদগী চেল্লকপা বৌদ্ধ চৎপা লানক্তা অমসুং কবোগী খুৎশা হৈবা মীওইনা কৌদোকপগী প্রমাণ কুপ্পাবদ য়াওরি। মসিদা বৌদ্ধগী প্রভাব মণিপুরদা থর চঙবা উই। উমং লাইশিংগী কোমায় হাপ্পা, সুা মহি অমসুং লৈমরেলবু মীগী মশক্তা শাহুনা ঈরাৎপা হৌবসি বৌদ্ধ যুগকি মতমদনি হায়বা য়াই। নম্বর ৩ দা বৌদ্ধ অমসুং শৈব লাইনীংগী তন্নবা মশক্তা নুঙগী থবক চাওখৎকলম্বা নৈনম্রে। ঈশৈ, জগোয় অমসুং লাইয়েকপা বৌদ্ধ সিদ্ধাশিংনা লেংবা চয় অমসুং দোহাজনচিংবা ফংদে। বৌদ্ধ সহজিয়া ওইরবা চণ্ডিদাসনা লেংবা পদাবলী অমসুং সহজিয়া শম্বীগী লাইনীং অসি লাই হরাওবদা মাইবীনা অমসুং গোপীভাব তাবপদা ফংই। ফিজেত্তা বুদ্ধ জটা লাপই। শম মপুল থমই। ঈশৈগী খুৎলায়শিংদা মখি তারা হায়বদু থিবা তাই। বৌদ্ধগী স্বস্তিক ওইবা লাই য়েকপা মথন, মঙান য়াম্না লৈপ্পবা অমিতভগী মূর্ত্তি য়েকপা অমসুং সংসারগী পোৎ পুম্নমক ঙহাকীদনি হায়দুনা লাই য়েক্কুনা ঊইৎপসি চীনা অমসুং জাপানদদি মতম অমদা কয়া মমি তাখি। টাই কাঙবুনা বৌদ্ধ লাইরিক্তা সনাগী মুকনা য়েকপা আর্ট কয়া পুথোক্লে। মণিপুরদা করিগুম্বা মথন্দম্ব লৈরম্বা য়েংনজ্রি।

(৯) বৌদ্ধ লাইনীং, ধর্ম্ম শন্দোকপা মীওই অমসুং মকমশিংগা,

মরী লৈনবা মমিং মৈতৈলোন্দা ফংদে। মথং মমিং অমসুং মরী মমিংদসু চৎলদে। পানি অসি অরাশিংনা পৌরা হৌরবসু ফাওসিদদি খঙলদে। তাত্তক রারীগী হৌরবা অহিংসাগী পাউতাক, ধর্ম্মশাদগী নীতি অহু লমসিলা নাম্বোকহৌই। টাইপোংশিং অমসুং অরাশিংগা ইত্তৎতত্তুনা শম্নরকপনা কৌতুশিংগী লাইশঙগা লৈনবা রারী কবোগী লোক সাহিত্য অমসুং চৎলরী থরদি মৈতৈশিংনা খঙথি। গৌড়ীয় চৎপা মণিপুরগী বৈষ্ণবশিংনা বৌদ্ধশিংবু Materialist (মশক মওং নাইববু অঁশেংবনি খনবা) ওইনা খনলি। চৈতন্য চরিতামৃতদা প্রভু চৈতন্যনা বৌদ্ধশিংগা মরৈ য়েৎনবহু কয়া থাজে। অমা লান্দা মৈতৈনা দেবী অমসুং রাম নাম শোন্দুনা অরানা গৌতমগী মিং শোনবহু পাম্নখিদে। বৌদ্ধগী নীতিবু মশক শেংনা নৈনখিদে। গৌতম বুদ্ধবু বিষ্ণুগী অবতার ওইনা দশাবতার শরুশোনবা কাউবা ব্যবহার মতিকচানা তৌখিদে। মৈতৈরোন অরিবগী শ্রীমদ্ভাবদগীতাদা অমুম্না পনলি "থোয়োম নোংদম মপুরেন নঙনা চীংঙ নপোক মাপললক শুরবদা বৌদ্ধ য়াবা খোমাইদববু ওইনা কাউরিবগা মর্ত্তলোক তাইবং নোংশাপান অসিদা চীংঙ নঙগী নগুণ নতিক অখোইববু পিনরমসুং নঙনে।"

চহি ৫০/৬০ মুকসিদা গৌরলীলা অমসুং গোষ্ঠলীলাগী মওংদা বৌদ্ধ ধর্ম্ম শন্দোকপা গৌতমগী রারী অহু বৌদ্ধাচার্য কৌহুনা অরা লোন্দা মতেক ওইনা হাপচিন্দুনা লীলা ওইনা শান্নবা কংখি। অশোকনা অহিংসা চৎলকপহুসু রামানচিংবদা উৎপা ফংই। তৌইশুবসুং পুম্নমকসি কুমৈগীদা ওইবনা তত্ত্ব অহুদা প্রজাদা চিংসনবা রাৎলি হায়বদা ... লোইরবা।



References (তারখিবা লাইরিকশিং)

১। আর, এম, নাথঃ দি বেকগ্রাউন্দ অব অসামীজ: কলচর।

২। এল, মজী সিংহ অমসুং এল, মণিসিং: মণিপুর ইতিহাস বিজয় পঞ্চালী—১, ২, ৩, ৪, ৫ খণ্ড; ইম্ফাল, ১৯৬৭

৩। Transactions of the Indian Institute of Advanced Study, Vol one 1965—"Rastravati Nivas, Simla—5 (Seminar on Religion and Society).

৪। চৈথারোল কুম্বাবা—৺এল, ইবুঙোহল সিংহ অমসুং এন, খেলচন্দ্র সিংহনা সম্পাদন তৌবা, ১৯৬৭।

৫। রামকৃষ্ণ গোপাল ভান্দাকার: বৈষ্ণবিজম, সৈবিজম এণ্ড মাইনোর রেলিজিয়স সিসতেমস, ১৯২৮।

৬। The Tribal People of India, 1973.

৭। James Johnstone: My Experience in Manipur, and Naga Hills, Latest Edition.

৮। Captain, E. W, Dun: Gazetteer of Manipur, Latest Edition.

৯। T. C. Hodson: The Meiteis, Do

১০। The Naga Tribes of Manipur, Do

১১। হরিলাল চেতর্জি: ব্রাহ্মণ ইতিহাস।

১২। কে, এইচ, কাউমচা সিংহ: মণিপুর ইতিবৃত্ত।

১৩। Nagendranath Ghosh: Indo-Aryan Literature and Culture (Origin) Chowkamba Sanskrit Series, Varanasi—1, 1965.

[illegible]

লামাই	পরেং	অরানবা	চুমথোক্লবা মাতৌ
২	৫	প্রকৃতি	প্রাকৃত
১-৮	লাইরিক থমিং	মনিপুর	মণিপুর
৯-১২	পরেং অয়াম্বা	পূরাণ	পুরাণ
১১	৯	সেমজেংনা ইথোরকই	কুপংজেংনা ইথোরকই
১১	২	ধর্ম্ম	ধর্ম্ম
১১	অরোইবা	ধ্যাণ	ধ্যান
১৬	১১	কাওবুদি	কাওবুগী
২০	১৮	খোং, মখোং	খোঙ, মখোঙ
২২	অহানব পারাগী		
	অরোইবা পরেং	শাস্ত্র	শাস্ত্রগী
২৩	ইরোই লোইবা	কুটনোটকা থংনবা মাহৈপরেং অহু পাবিগনু	
২৪	২০	(খু: ৬৬৩-২)	(খু: ৬৬৩-৭)
৩৬	৬	কালিকড়	কারিগর
৪৯	২১, ২৪, ২৬	খ্রীষ্টান	খ্রীষ্টান, খৃষ্টান
৫৩	১	Fnvironment	Environment
৭৯	১৪	লাকতুন মণিপুরদ	লাক্কুনা মণিপুরদা
১১১	২২	মহায়ন	মহাযান
	২৩	হীনয়ান	হীনযান
১১৯	২শুবা পন্দুপ	হকচাং	হকচাং
iii	অরোইবা	নিংথোকাবা	নোংমাইজিং
iv		মহাক	মহাক্কী
vi	১৯	ফাউদবা	ফাউবদা

অইবা ডাক্তর এম: কীর্ত্তি সিংহনা মেতৈ সমাজগী তোঙান তোঙানবা হৌরমশিং য়েক শলাই যুম্বাল-কৈখাল, বামনশিংগী থৌদাং অমসুং লাইনীংশিং, লাইহরাওবাসিদা নৈনরি। গবেষণাগী মিৎয়েংদগী অর্থবা মচাক কয়া লৌখৎ-তুনা মণিপুরনা অপুনবা ভারতকী সভ্যাতাদা শরুক য়ারি হায়না থাজরি।

শম্না হায়রবদা থৌমজিন্নিবা রচনা ১১ সিদা লমদম অসি শিকলবন্দ্র মকোশাদগী লৈজরকলবা, অরাংপা লৈতবা খহনিঙাই, খিনিঙাই ওইবা সংস্কৃতীগী মচল কয়া পুক্লিথনা উৎলি। হান্না ফোঙদোকখ্রবা লাইনীংশিং—শাক্ত, তন্ত্র, শৈব, বৌদ্ধ ধর্ম্মনচিংবসিদি রিসার্চ তৌবগী থুংনবা উৎপনি।

অইখনা বাখল চংলবা বাহৌদোক অমসুং মাগী মরমদা থিজিন্নবদু বারোল হাপ্তুনা লাইরিক্কী কাম্নবা হাপকংলি।

ডাক্তর এম: কীর্ত্তি সিংহ মণিপুরগী ধর্ম্ম অমসুং দর্শনগী বিশ্ববিদ্যালয়গী PH, D. ডিগ্রি ইহান হান্না ফংবা মৈতৈ মচানি। ভারত অমসুং মপানগী বিষয় কয়াদা মচীন চংলবা খণ্ড হৈরবা পণ্ডিতশিংগা নক্কনা তিন্নবা অমসুং কান্নয়রুনা শাউতাক লৌগনবা মীশকনি।